ꯆꯤꯟꯕꯨꯡ ꯋꯥꯔꯤꯒꯤ ꯅꯩꯅ ꯋꯥꯔꯦꯡ ꯈꯔꯥ

চীনবুং ৱারীগী নৈন ৱারেং খরা



এদিতর

দা চিরোম রাজকেতন সিংহ

খা মণিপুর কোলেজ, ককচীং

(Chinbung marigi naina marenga Khara)

ꯆꯤꯟꯕꯨꯡ ꯃꯔꯤꯒꯤ ꯅꯩꯅ ꯃꯔꯦꯡ ꯈꯔ
চীনবুং মারীগী নৈন মারেং খরা

এদিতরেল বোদ

এদিতর
দা চিরোম রাজকেতন সিংহ

মেম্বরশিং
পী. সমরেন্দ্র
ক্ষেত্রিময়ুম জয়কুমার সিংহ
দা তেনশুবম কুঞ্জেশ্বর সিংহ
দা ৱাই. নোংপোকঙানবা
মাইবম ঋসিকেশ্বর সিংহ

খা মণিপুর কোলেজ, ককচীং

চীনবুং ব্রারীগী নৈন ব্রারেং খরা

Published by: **Cultural Research Centre Manipur**
Kha Naorem Leikai, MU 1st Gate
Imphal West, Manipur
Pin No. 795003

On behalf of
Kha Manipur College, Kakching

© : **Kha Manipur College, Kakching**

First Edition : 2016

Copy : 500

Price : Rs. 200/-

ISBN 978-93-83201-25-9

Printed at : ***Y K Printers,*** Khurai Lamlong Thongkhong,
Pangei Road

ইদিটরগী ৱারোল

পুথোকচরিবা ৱারেং ময়ামগী অপুন্নবা লাইরিক অসি মমাং চহী ইং, ২০১৫ গী মেগী তাং ৩-৪ দা নুমিৎ নিনি চংনা খা মণিপুর কোলেজ ককচিংদা পাঙথোকখিবা সেমিনার "ওরেল নেরেটিব ওফ নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া' হায়না মিংথৌনবা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কমিসনগী শেন্থাং মখাদা পাংথোকখিবা নেসনেল সেমিনার অদুদা পাথোকখিবা নেনচেশিং অদুগী মণিপুরী কাংলুপ্তুগী খৎগৎচবা ৱারেংশিনি। সেমিন্নার অদুদা মণিপুরগী অমদি মপানগী য়ুনিভর্সিটিশিংদগী পুন্না স্কোলার ৬৪ দগী এবস্ত্রেক ফংজখি। মসিদগী খন্দোক খন্দোন স্ক্রিনিং কমিতিনা তৌরবা মতুংদা স্কোলার ৬০ দা শরুক য়ানবা অয়াবা পীজখি। মসিদা অসামদগী ৬ মিজোরামদগী ২, বিশ্ব ভারত্তি য়ুনিভর্সিটি ৱেস্ট বেঙ্গলদগী অনী অদুগা নোট ইষ্ট হিল য়ুনিভর্সিটি মেঘলয়াদগী ১ য়াওরি। অতৈ মণিপুরগী য়ুনিভর্সিটি অমদি কোলেজশিং তোঙান-তোঙানবা লোইশঙশিংগী স্কোলারশিংনি। নুমিৎ নিনিদা একদেমিক সেসন ১১ থোক্লা খায়দোক্তুনা পেপর ৬০ অসি পাথোক্তুনা খন্ন নৈনখি। ইকায় খুম্নজরবা প্রোফেসার এম. মনি মৈতৈ, দিন স্কুল ওফ হিউমেনিতি, এম. য়ু. প্রোফেসার এম. সনাতোম্বী এম.য়ু, প্রোফেসার নাওরেম জয়কুমার সিংহ (রিতয়ার) এম.য়ু, দা. এম. মণিবাবু এম.য়ু, দা. এল বিরজিতা দেবী এম. য়ু, দা. এন. সুভাসচন্দ্র, কেএমসি, ক্ষেত্রিময়ুম মুনান সিংহ, রিয়ার প্রিন্সিপাল কে এম সি, দা. আর. কে মুসুকসনা দেবী, দি এম কোলেজ ওফ আর্টিস, দা এনজি. একাসিনি দেবী, এন বী. কোলেজ অমদি দা. চিরোম রাজকেতন সিংহ কে এম সি না ৱাতেম্বগী থৌদাং লৌদুনা একাদেমীক সেসনশিং পাংথোকখি। পেপর ৬০ অসিদগী এদিতরেল বোডনা খনগৎলবা পেপর খরা লাইরিক ওইনা খা মণিপুর কোলেজনা লাইরিক ওইনা পুথোকচরি। ইংলিসতা পেপর ২২ য়াওবা লাইরিক অমা অদুগা মণিপুরীদা পেপর ২২ য়াওবা লাইরিক অসিদা পুথোকচরি। থোইদোক্লা লাইরিক অসিবু ফোংবদগী থৌদাং

লৌবীরবী কলচয়েল রিসার্ট সেন্টর মণিপুরবু ঙমখৈ লৈত্তনা থাগৎচরি। সেমিনার অদুদগী পেপরশিং অসি ফোঙনবা খনগৎ পীরম্বা মোদরেটর ওইবিখিবা ওজাশিং, এদিতরেল বোডকী মেম্বর খুদিংমকপুসু হন্না হন্না থাগৎচরি। পেপর অসিবু ফোঙবগী অয়াবা পীবীরকখিবা পেপর রিদরশিংবুসু থাগৎচবা অমদি তৌবিমল খঙবা উৎচরি। পেপরশিং অসিদা য়াওরীবা ফোঙদোকলিবা ৱারোল পুম্বা অইবা মশা মশাগীনি। এদিতরনা শেমদোকপা হাপচিনবা করিসু য়াওদে। হক পুম্বা মশা মশাগী ওইগনি। লাইরিক অসিবু নম্বীরিবা ৱাই কে প্রনটরস, খুরাই থোংখোঙগী থৌমী পুম্নবুসু হন্না হন্না থাগৎচরি। মখোয়গী মতেংনা লাইরিক অসি মতম চানা পুথোকপা ঙমজরীবনি। মণিপুর কলেজ ককচিংগী প্রন্সিপাল ক্ষেত্রিময়ুম শামু সিংহ ওজানা সেমিনার হেক শিনবা হৌবদগী লাইরিক অসি পুথোকপা য়াওবা পুক্নিং থৌগৎপীবদগী ঙমখৈ লৈত্তনা থাগৎচরি। অসিদা নত্তনা কোলেজ অসিগী ওজা অমদি থবক পুবীরিবা অমদি মহৈরোই Students Union বু থাগৎচরি। পুম্নমক্কী মতেংনা সেমিনার অমদি লাইরিক অসি পুথোকপা ঙম্লিবা। মসিদা নত্তনা মতেং পাবীরীবা পুম্বা হন্না হন্না থাগচরি।

এদিতর

ৱাহৌদোক

মালেমগী নৈনরোই কয়ানা অনৌবা ৱাখলোনগা লোইননা কন্না মীৎয়েং থমদুনা নৈনরক্লিবা হিরমশিংগী মনুংদা *চীনবুং ৱারী* (ওরেল নেরেটিব) হায়বসিসু অমা ওইরক্লি। মীওই কাংলুপ অমগী মনুংদা চিনবুংদা মীরোল কয়া চীস্থাং য়ৈনা মীরোল অমদগী অমদা থংথদুনা হিংলক্লবা ৱারীশিংবু ওরেল নেরেটিব হায়না খঙনরি। শম্না হায়রবদা মীওই কাংলুপ অমগী মনুংদা লীনরিবা লাইতিনগী ৱারীশিং (মীথ), থোকখি হায়না থাজনা লীনরীবা ৱারীশিং (লেজেন) ৱাখলনা শাগৎপা নুংঙাইহনবা অমদি পাউতাক কয়া য়াওবা ৱারীশিং মৈতৈনা ফুঙ্গাৱারী হায়না খঙনরিবা (ফোকতেল) লোইননা ফুঙ্গাৱারীগী মনুং চন্না লৌনরিবা হেলোয় লমলৈমগী ৱারীশিং (ফেরীতেল) নচিংবা কয়া চীনবুং ৱারীগী মনুংদা কোন্নশন্দুনা নৈয়নৈ। ৱারীশি অসিদা মীওই কাংলুপ অদুনা মালেমদা খুঙ্গোক খুনদাদুনা লৈরকপা মতমদগী হৌনা শাগৎলক্লগা মদুনা চৎনবী থাজনবী ওইনা লাক্লবা ৱারীশিং য়াওরী। মীথ কী ৱারী অয়াম্বা মীওই কাংলুপ অদুগী লাইনিং লিচৎকী হৌরকফম ওইবা ঙাক্তনি। মালেম অমদি মসিদা লৈরিবা থৱাই পানবা জীবশিং অসি লৈত্রিঙৈদা লাইগী ওইবা মতম অমা লৈদুনা মখোয়না মালেম শেম্বীদুনা থৱায় পানবা অমদি মহৌশাগী ওইবা পোৎশিং শেম্বীদুনা খুন্দা লৈত হল্লম্বগী থাজনবী ৱারীশিংনা মীথ কী ৱারী ওইরি। খুদম ওইনা মৈতৈশিংগী মালেম লৈশেম্বগী ৱারী লৈজরী, মসিদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা লাইশিং লাইনিংথৌ সনামহী, পাখংবনচিংবা লাই কয়া মৈতৈনা ঙসি ফাওবা লাৎলি অথোইবা লাই ওইনা লৌনরি মৈতে লাইনিংগী হৌফম ওইরি। অসুম্না Indian mythology, Greek mythology নচিংবা লাই তীনগী ৱারী কয়া ঐখোয়না তানরি। লাইশিং অসি মতম শাংনা তাইবং মীওইবগা লোইননা লৈবগী ৱাফমসু ঐখোয়না পুরান পুয়া কয়াগী ৱারীদগী তারী।

হিন্দুগী মহাভারত রামায়নগী মতমদা লাইনা মীনা ইপুন লাইনা তাইবং মীগা ফাওবা যুম্বানমীনবগী ৱারী থেংনরি। গ্রীককী মীথোলোজিদা মতম শাংনা লাইরৈবাক ওলেম্পসতা লৈবা লাইশিংনা মালেমদা লাক্কুনা মীওইবগা লৈমীন্নবা চাদা নৌদামীনবগী ৱারী লৈরী। লাইগী নিংথৌ জিউসনা মালেমদা পোকপা মশক মতৌ ফজবা নুপীশিংবু পামজবগী শাইওন কয়া তৌদুনা মমা ওইহনবগী ৱারী মসিদা শাওনিংলবা জীউসকী লৈমরেন্বী লাইরেন্বী হিরানা মখল কয়াগী লালোং তৌবদুনা মপুরোইবগী অরোনবা নুপী, মচাশিং মাংহন্নবা হোৎনবগী ৱারীনা গ্রীক্কী ৱারী কয়াগী যুম্ফম ওইরি। হেলেন মহাকথক্কী তুমখিবা ত্রোইগী চহী কয়া চংনা শোক্লখিবা ত্রোজানশিংগী লাল অদু ফাওবা গ্রীক্কী লাইশিংগী থৌইনশিনা ওইখি। লাল অদুগী অকনবা খ্বাইদগী থৌনা ফখিবা নুপা একেলিস না পাইরিবা থাং চুঙ্গোয় লাইশিংগী মরক্তা য়োৎ থাংগী লাই ওইরিবা জীউস অমদি হিরাগী মচা হিপিষ্টসনা শাখি, থোইদোক্লা মতিক মঙন লৈবা খুৎলাইনি। একেলিসপু পোকপী মমা অসি ঈশিং অমদি কংফাল অনীমক্তা লৈবা ঙস্বা হেলোয় অমনি। হিপিষ্টসপুসু মহাক্লা চাওনবা মালেমদা য়োকখিবনি। মচা একেলিসকিদমক মহাক্লা হিপিষ্টসতা খুৎলাইশিং অসি শাহনখি। অসুম্লা লাইগা মীগা ইপুন পুনবা মতম ৱারীশিংদা লৈরী। মণিপুরগী কবুইশিংগী চিনবুং ৱারীদা লাইনা মীবু শেন্বীরগা মীনা ৱাখল লৌশিং মপুং ফাদ্রিফাও লাইগা মীগা পুন্না লৈমিনরকপগী ৱারীশিং লৈরি।

লেজেনগী ৱারীশিং অসিসু মীওইবনা শাগৎপা তশেংনা থোকখি হায়না খন্নবা চাওরকপা মতম অমদি ঙসি ঙসিমক মীৎনা উবা মফম লৈরীবা অদুগা থোকখিবগী চহী থবানদি হায়বা পীবা ঙমদ্রবা ৱারীশিংনি। মীথ লেজেন অসি খেন্নজরবসু মান্নবা মশক অমনা থাজনবা হায়বসি অনিমক্তা য়াওরী। মীথকী ৱারীসু থাজবা হায়বসি য়াওদ্রবদি মীথ ওইদে লেজেনসু থাজবা য়াওদ্রবদি য়াদে থাজবা য়াওদ্রবদি অনিমক ফুঙ্গাৱারী ওইরে। থাজবা হায়বসিদা ফুমফম ওইবনা মীথ অমদি লেজেননা ফুঙ্গাৱারীদগী তোঙানহল্লি। লেজেনগী ৱারীশিং অসি হৌখিবা ৱারীশিং হৌজিক হৌজিক ফাওবা খুদম চাংদম লৈবা থাজনবা ৱারীশিং ঙাক্তদা শাগৎলকপা ওইরি। অদুবু হৌজিক হৌজিক মকসু মালেমগী মফম কয়াদা অঙকপা থাজনবী ওইবা ৱারী কয়া সহর অমদি খুঙ্গং খাক্তনা অদুমক থোক্লি। মীওইবা খুন্নাইগা শাগোনদুনা থোক্লিবা হৌজিক হৌজিক্কী ওইবা থাজনবীদা য়ুমফম ওইবা ৱারীদা মীৎয়েং থমদুনা নৈনবসু মপুং ওই। মসিনা মীওইবগী পুন্সিরোলগা নক্লবা হেল্লি খন্দুনা মীৎয়েং থমদুনা নৈনবা International Society for Folk Narrative Re-

search (ISFNR) কৌবা মালেমগী অপুনবা খুৎপু শেমদুনা নৈনবগী খোঙজং কন্না চঙশিলক্লি। মসিনা Belief Narrative তা কননা মিৎয়েং থম্নরক্লি। মসিগী ১৬ শুবা মীফম ইং ২০১৩ দা Vilnius University, দা পাংথোকখ্রে। মসিবু ISFNR 2013 হায়না খঙনৈ। মসিগী থিম্না Folk Narrative in the Modern World : Unity and Diversity হায়বসিনি। মালেমগী মফম কয়াদগী শকনাইরবা ফোকলোরিষ্ট কয়া য়াওনা মীওই ২৫০ না চে পাথোকখি। ১৭ শুবা ISFNR 2016 USA কী Miami দা October, 19-22, 2016 দা পাংথোক্লি। মসি পুম্নশি ওরেল নেরেটিবশিংগী মরুওইবদুননি।

ফোকতেন অমদি ফেরিতেলশিং অসিসু মীরোল কয়াগী মমাংদগী ঙসি ফাওবা হিংদুনা মীওই কাংলুপ খুদিংদা লৈরী। লাইরিক ময়েক লৈজব/লৈজদবা মীওই কাংলুপ খুদিংগী অঙনবা মতমগী খুন্নাই অমদা ৱারী পুম্না চীনবুংদা হিংলম্বা ঙাক্তনি। অদুবু ফোকতেলগী তোঙানবা মচৎ অমনা কনাগুম্বা অমনা ৱাখলনা শাগৎতুনা ইথোক্লকপা ৱারী কয়া অদু পারুরগা চীনবুংদা অদুমক শন্দোকখিবসু লৈরী খুদম ওইনা এসোপ ফেভল অমদি পঞ্চতন্ত্রনচিংবা অদুগা চীনবুংদগী কনাগুম্বনা খোমজিন্দুনা অইবা ওইনা পুথোরক্তুনা অইবা ওইনা শন্দোকখিবসু লৈরী। অদুনা ফুঙ্গাৱারীদি চীনবুংগী অইবদা, অইবদগী চীনবুংদা অদুমক মথাং চৎনা হীংই। ইথোকপা ফুঙ্গাৱারী অমত্তা ইথোকই হায়দুনা ফোকলোরগী মচাক ওইদবা লৈতে। লিতরেচরগী Genre অমতদা চংলুবা য়াদে ফোকতেল ওইনা লৈরি। হৱাও নুঙাইহনবনা মপুং ওইবা পান্দমদা শাগৎপা ওইথোকলোইদবা, অঙকপা, মিত্রং-মেজিকনচিংবা কয়া য়াওরবসু খুন্নাই অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা খুন্নাই অদুগা তৎন-থান্নবা য়াদ্রবা মচাক কয়ানা শাগৎপনা নৈনরোই কয়ানা পুক্লিং চংশিন্দুনা ১৯ শুবা চহীচাগী অহানবা মতমদগী কন্না নৈনরক্লি। তশেংনা Folklore হায়বা সবজেক্ট অসি Folktale শিং কাংলোন নাইনা নৈনবা হৌরকপগী ওইরকপনি হায়বা য়াই।

ওরেল নেরেটিব হায়বসি Folklore নৈনবগী মশা অমনি। শকনাইরবা ফোকলেবিষ্ট R M Dorson না ফোকলোরনা নৈনবগী কোনশিনা পানখৈদা ১) ফোক নৎত্রগা ওরেল লিটরেচর, ২) মেটরিত্রল কলচর, ৩) সোসিএল ফোক কষ্টম অমদি ৪) পারফোমিং ফোক আট হায়দুনা মরি থোক্লা নৈনরমই। মরি অসিদা ফোক নৎত্রগা ওরেল লিটরেচর হায়বসি য়াম্না পাক চাওনা কোনশিল্লি। মসিগী মনুংদা ওরেল নেরেটিব, ওরেল

পোইত্রি, প্রোভাব, রিদল, ফোক স্পীস, চান্ত, লেমেননচিংবা কোনশিল্লি। ওরেল নেরেটিবকী মনুংদা মীথ, লেজেন, ফোকতেল, ফেরিতেল নচিংবা য়াওরী অদুগা ওরেল পোইত্রিদা, ফোক এপিক, বেলেড, ফোকশোং, ললবাই (Lullaby), ৱাক শোং, রিচুত্রনা শোংনচিংবা চল্লি। মরমসিনা ফোকলোরিষ্টশিংনা ওরেল লিটরেচরবু মরুওইনা লৌনরকই। লাইরিক ময়েক লৈত্তবা খুন্নাইদতা নত্তনা লাইরিক ময়েক লৈরকপা খুন্নাই কাংলুপশিংদসু ওরেল লিটরেচরদি মরাং কায়না লৈরকই। মসি মীওইবা খুন্নাইগী খুৎশেমনি মীওই অমত্তগী মরন নত্তে, মীওই অমতগী ৱাখল্লোন নত্তে। মীওই কাংলুপ অমগী চহী মীরোল কয়াগী পুন্সি মহিংদা থেংনরকপা তাশিল্লকপা লৌশিং কয়ানা মীরোল কয়া চংনা শাগৎলকপনি। মীওই কাংলুপ অদুগী অপুনবা মরলনি। ওরেল নেরেটিব য়াম্না মরুওইবা ফোকলোরগী মশা অমনি। চীনবুং ৱারী ওইজরবসু মীওইবগী পুন্সি মহিংগী মনুংদা থেংনরীবা মখল মথেলগী তুংশল্লবা লননি অদুনা শম্না ওরেল নেরেটিব হায়বসি হিংলিবা পুন্সি অসিগী মথং মনাও নাইনা থোক্লকপা থৌদোক ৱাথোক্তা মীৎয়েং থম্বা ৱারীশিংবু মীওইবনা লোলগী মতেংনা ফোংদোকলিবা অদুবুনি হায়না পীবা য়াই। ৱারী হায়বসিমক্তবু থৌদোক অমা মনুংদা শাগোন্নবা তাই। থৌদোক অদু করম্না থোকহল্লিবনো হায়বগী মচাক (প্লোট) অমা শাগোন্নবা তাই। মরম অসিনা ওরেল নেরেটিবপু ষ্টোরিতেলিং (Storytelling) হায়নসু খঙনৈ।

ওরেল নেরেটিবশিং অসি নৈনবদা হৌজিক্তি ওরেল হিষ্টরী হায়বসিসু চিথবা য়ারত্রে। ওরেল হিষ্টরীসু মসিগী মনুং চন্না নৈনরে। অইবা ওইনদি লাচনহৌদ্রবা চিনবুংদদি হিংহৌবা তশেংনা থোকখিবা থৌদোক কয়াগী ৱারী খুন্নাই অমদা হিংদুনা লৈনরী। অইবা পুৱারী (History) হায়বসিদি লেংদ্রবা শোয়দ্রবা নুমীৎ থাবান কোন্নবা ইশিন্দুনা থম্লবা হৌখ্রবা ৱারীশিংনি। লৈবাক অমগী পুৱারীদা লাচনহৌদবা ৱারী কয়া লৈফমথোকই। মরমদি হিষ্টরী হায়বসি কোনুংদা য়ুম্ফম ওইরগা ইবনি। নিংথৌগী ৱারীনি। নিংথৌনা য়াদবসু ইবা ঙম্লোই। খুঙ্গং খুন্নাই মীচম মীয়ামগী ৱারী লৈবাক অমগী হিষ্টরিদা য়াওদে। অসিগুম্বা য়াওহৌদবা ৱারী কয়াদি মীচম মীয়ামগী চীনবুংদা অদুম হিংলকই। খুদম ওইনা মৈতৈ নিংথৌ পামহৈবনা থম্বাল কৌবী মপুরোইবা লৈরবী নাওপুরবী নুপী অমা মপুরোইবদু হাৎলগা লৌরগা লৈমরেল হাপখি হায়বা ৱারীসি ঙসি ফাওবা মণিপুর মীয়ামগী চিনবুংদা লীনরী, নিংথৌ লৈঙাক লোইখ্রবা মতুংশিদদি অইবা লাইরিক, থিয়েটরগী ফম্পাক্তা উৎথোরকই। ৱারী অসি *চৈথারোল কুম্বাবন*চিংবা হিষ্টরীগী মচাক লৌফম ওইরিবা লারিকশিংদদি য়াওদে।

অদুবু চিনবুংদদি অদুমক হিংলকই। অইবা লাইরিক হায়বসি মীপুং খুদিংগী ওইদে, লাইরিক-লাইশু হৈবা লোইনরীবা মখোয় অদুতগী ওই অদুগা চীনবুংদা হিংবা ৱারীদি মীচম মীয়াম লাইরিক হৈবা হৈত্তবা লাইরবা ইনাক খুনবা খায়দে, পুন্নমক্কী চীনবুংদা হিংই, খঙনৈ। মসিনা মীরোল কয়া লালকলগা অশেংবা হিষ্টরীগা মুক্কবা থোরকপসু য়াওরী। অদুনা হেন্না মপুং ফানবা অইবা অমদি চীনবুং ৱারী অনীপুন্না নৈনবা চংই।

মরম কয়া অসিদগী ওরেল নেরেটিব নৈনবগী তঙাই ফদবা লাকই। মসিনা হৌজিক মতমদা মীরোল কয়াদা কানবা কয়া পীরী। Folklore গী Function মঙা হরাও নুঙাইহনবা, লৌশিং পীবা, নাৎ য়োকখৎপা, খুন্নাইগা চুশিনহনবা অমদি খুন্নাই লৈঙাকলোন্দা অহোংবা পুরকপগী মথৌ কয়া ওরেল নেরেটিবনা পাংথোকলি। মসিগী মরমদা য়াম্না পাক শন্না নৈনবগী কান্নবা কয়া লৈগনি।

হৌজিক্কী মতমদা ওরেল নেরেটিবকী য়াম্না মরু ওইরক্লিবা অমনা মান্নদবা অদুগা খুন্দামীনরীবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎমীনবগী মীৎয়েংদনি। মণিপুরদা খুন্দারীবা মীওই কাংলুপ অসি পুনা ৫০ গী ময়াদা লৈরীবা অসি মণিপুরী হায়না পুনা লৈমিন্নরী। হৌজিক্তা ঐখোয় মশেল মরক্তা লৈরীবা মান্নবা অমত্তা ওইবগী ই মরি থিবা তারবদি অইবা পুৱারীদদি ৱাগনি। চীনবুংদা হিংলিবা ৱারীশিংদা থিবা তারবদি অমত্তা ওইবগী ৱারী শোইদনা ফংগনি। চীনবুং ৱারীশিং থিগৎলগা মীপুম খুদিংমক খঙমীনবনা অপুনবগী শক্তম লেংদনা লৈগনি। অসুম্না অৱাং নোংপোক থংবা ইণ্ডিয়া অমদি য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিং শক-চু পুনবা লোলগী হৌরকফম মান্নবা মীওইশিংগী চীনবুং ৱারী নৈনমীনদুনা য়েংলগা ঐখোয় লেংদ্রবা শক্তম অমা শাগৎপদা ঙমগনি। মসিমক ঐখোয়গী মাংদা তারীবা ইথৌ অমনি।।

ইদিতর

দা চিরোম রাজকেতন সিংহ

হিরম লামায়

১) মণিপুরী (মৈতৈ) লৈশেম্বা লাইরেম্বী নোংথাংলৈমা ১-৫
দা এনজি. একাসিনি দেবী

২) মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীদা ডেপথলেসকী মশক ৬-১০
দা রাজকুমারী মুশুকসনা

৩) মণিপুরী লেজেন্দ অমসুং ওরেল হিষ্টরি ১১-১৯
দা এল. ব্রিজিতা দেবী

৪) লাই-তীনগী ৱারীশিংনা মণিপুরী সমাজদা পাঙথোক্লিবা থৌদাংশিং ২০-৩৪
ৱাই. রাজু সিংহ

৫) উমংলাইগী মরমদা খরদং ৩৫-৩৯
ময়াংলম্বম কুঞ্জকেশো সিংহ

৬) মণিপুরী লেজেন্দনা সমাজদা লৌরিবা থৌদাং ৪০-৪৬
দা সলাম শান্তিবালা

৭) লেজেন্দদা য়ূম্ফম ওইবী লাইরেম্বী অমা ওইনা কুমজারেম্বী ৪৭-৫১
দা এল. তেজবতি

৮) মণিপুরদা কৈথেল অমদি চিনবুং ৱারীশিং ৫২-৫৭
দা ওক্রম সনাহনবী দেবী

৯) মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী ‘‘গুরু খনবা’’দা য়াওরিবা কলচর অমসুং মোরেলগী মশক
৫৮-৬৫
দা এম থোইবা সিংহ

১০) মেমচৌবীগী *সন্দ্রেম্বী চাইস্রা* দা ওরেলিতি / লিতরেসি ৬৬-৭৬
ৱাহেংবম কুমারী চনু

১১) মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী অমসুং নাৎকী মশক ৭৭-৮৪
দা লোইতোংবম চনু মেমি

১২) মৈতৈ সমাজদা লাইনিংথৌ সনামহি ৮৫- ৯০
দা থাংজম ভারতী দেবী

১৩) ইবুধৌ ইরুম নিংথৌগী থাজৱারী ৯১- ৯৫
দা ক্ষেত্রিময়ুম শান্তা সিংহ

১৪) মণিপুরী ড্রামাদা চীনবুং ব্রারীগী মফম ৯৬-১০২
দা লোংজম শঙ্গীতা দেবী
১৫) হৌজিক্কী মণিপুরী খুন্নাইদা ওরেল নেরেটিভ ১০৩-১০৯
দা শরাংথেম সোভারানী দেবী
১৬) চীনথাং অমসুং কংলৈরোল ব্রারী অমা ওইনা মোইরাং শাইওন নৈনবা ১১০-১১৯
মোইরাংথেম রাজেস সিংহ
১৭) হৌজিক্কী মণিপুরী খুন্নাইদা ফুঙ্গাব্রারী ১২০- ১২৫
নোংমাইথেম সোনিয়া দেবী
১৮) চীনবুং ব্রারীদা লৈরিবা সেকমাইগী খুন্থোক খুন্দারোল ১২৬- ১৩১
লৌরিয়াম পুর্ণিমা দেবী
১৯) ইবুধৌ ব্রাংব্রেনগী থাজব্রারী ১৩২-১৩৮
সমজেৎশাবম মেমথোই দেবী
২০) চীনবুং ব্রারীগী মীৎয়েংদগী কবুইগী পুব্রারী ১৩৯-১৪৬
মোইরাংময়ুম থোইবী দেবী
২১) মণিপুরী ফুঙ্গাব্রারীদা খুন্নাইসিগী নাৎকী ওইবা শক্তম ১৪৭- ১৫২
লোংজম শাখিতোম্বী দেবী
২২) মরিং ফুরুপ্পা লিনরীবা ফুঙ্গা ব্রারীশিংদা শা উচেক্কী মফম ১৫৩-১৬০
ক্ষেত্রিময়ুম রামেশোর সিংহ

1

মণিপুরী (মৈতৈ) লৈশেম্বা লাইরেম্বী নোংথাংলৈমা

দা এনজি. একাসিনি দেবী
প্রিন্সিপল, নাওরেম বিরাহরী কোলেজ
খুন্দ্রাকপম

মালেমদা লৈরিবা মীওই কাঙলুপ খুদিংমক্কী মশা মশাগী ওইবা লাই-তীনগী ৱারী শীংবুল কয়া লৈনবা ঙাক্তনি। তাইবঙ মপু নৎত্রগা অথোইবা লাই অমনা লৈশেম নোংশেম্বা জীব পানবা পুম্নমকপু, শেম্লক শারকপগী ৱারীসি অঙনবা সমাজগী মিথোলোজিদা হেক হেক য়াওরম্বা থেঙনৈ। অসুম্না মৈতৈ খুন্নাই অসিগীসু লৈশেম নোংশেম্বগীদমক 'মিথ' (লাই-তীনগী ৱারী) হায়না খঙহল্লিবসি করিনো হায়বদু খরদং থমজরি।

'মিথ' হায়বা ইংরাজীগী ৱাহৈ অসিগী চপ চাবা ৱাহন্ন মণিপুরীদা লৈজদ্রবস 'লাই-তীনগী ৱারী' হায়বসিদা মান্ননা অয়াম্বনা শীজিন্নরি। তোঙান-তোঙানবা ফোকলোরিষ্টশিংনা 'মিথ' পু ধর্ম্মগা মরী লৈনবা ৱারী নৎত্রগনা লৈশেম নোংশেমগা মরী লৈনবা ৱারীগী মশকনি হায়না লৌনরি। মীওই কাংলুপ অমগী মনুংদা লৈরিবা নীংশিংবা থোক্রুবা মতমদা থোকখিবা অচুম্বনি হায়না থাজনবা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা লাই নৎত্রগা লাইরেম্বী নৎত্রগা লাই-ওই মীওই তৌবশিংগী নৎত্রগা ইরাৎ পুজাগী থৌরমশিং তাক্লিবা ৱারীশিং অদুবুনি। (মণিপুরী ফোকলোরগী ৱারেং খরা লাঃ ৫৪, হুইরেম বীহরী)। পি গোস্বামীগী মত মতুংইন্না মিথপু অসুম্না মশক তাক্লম্মী -

> Tales which explain retreat and relate of gods and spirits are usually called myths. (p. Goswami)

'মিথ' হায়বসি মালেম অমদি তাইবঙ মীনা ঙসি ওইরক্লিবা মওং মতৌ করম্না ওইরকখিবগে হায়বগী মতাংদা অশেংবনি হায়না লৌনবা ৱারীনি। মসিবু এলান দন্দিজনা (Alan Dundes) অসুম্না হায়রম্মী।

A myth is a sacred narrative explaining how the world and man came to be in their present form.

'মিথ' (লাই-তীনগী ৱারী) কী ৱারীদা য়াওরিবা মরু ওইবা মীশক অদু লাইনি হায়না থাজরিমমখে ৱারী অদু লাই-তীনগী ৱারী ওইদুনা অদুমক লৈগনি। মতাং অসিদা -

ষ্টেন্দাদ দিক্সনারী ওফ ফোকলোর মিথোলোজি এন্দ লেজেন্দ (Standard Dictionary of folklore Mythology and legend) দা অসুম্না পল্লী :-

A myth remains properly a myth as long at the divinity of its actors or actors is recognized.

ৱাফম অসি য়েংলুরবদি 'লাই-তীনগী ৱারী' হায়বসি মীওই কাঙলুপ অমগী ধর্ম্মগা মরী - লৈনবা লাই-তীন, লাই-ওই মীওই তৌবা নৎত্রগা সংস্কৃতি পুরুসকী ৱারীশিং, ঈরাং-পুজাগী থৌরম পরেংশিং মালেম শেমখিবা মহৌশাগী খোঙচৎ লাইশিংগী মরক্তা নুংশিনবা, লান শোক্লবা লান্দ মায়পাকপা অমসুং মায়থীবা অসিনচিংবা অসি ঙসিগী মালেম অসি নত্তবা অতোপ্পা সংসার অমদা অয়াম্বনা থোকখি হায়না থাজনবা ৱারীশিং অদুনি 'মিথ' হায়না কৌনরিবসি। মরম অসিনা মিথ খুদিংমক যুগ কয়া চঙনা নীংথিনা শেম শারা ৱাংউলোনগা শাগোন্নবা ৱারী ওই। ৱারী শাংবা নৎত্রগা তেনবগী অকক্লবা লৈতে। অসিগুম্না মখলগী ৱারী পুনশিল্লগা মীওই কাঙলুপশিংগী অপুনবা মিথোলোজি ওইরকই। New Larousse Encyclopedia দা মিথোলোজিবু অসুম্না মশক তাক্লম্মী :

> Mythology implies a belief in supernatural forces that is to stay in beings who are both different from superior to living men in that they exercise, either directly or through the intermediary of nature phenomena, benign or harmful influence. It is the function of ritual practices or ceremonies to encourages the former influence and prevent or neutralize the latter. (New Larousse Encyclopedia of Mythology, GH. Luguet "The religion of the First Men", 1990, p I)

মতৌ অসুম্না মিথশিংগী মপুং ওইনা হীরমসি মালেম শেম্লকপা তাইবঙ পালগী পোৎলমশিং শেম্লকপা, মীওইবা শেম্লক্তুনা খুন্নাই অমদি চৎনরোল কয়া মশক লেপ্লকপগী

ৱারীনি। খুদম ওইনা মৈতৈ জাতিগী লৈশেম নোংশেমগী ৱারী নোংখোং কোয়বগী ৱারী খোরীফাবগী ৱারী তু-খোং তেংবগী অসিনচিংবনি।

মৈতৈ মিথোলোজিগী ৱারীশিংগী মনুংদা নোংথাং লৈমা য়াম্না মরুওইনা লৌনরিবী মালেম লৈশেম্বদা অচৌবা থৌদাং য়ারিবী লাইরেম্বীনি। লাইরেম্বী অসি পুথোরকখিবগী মতাংদা লৈথক- লৈখারোলদা অসুম্না পাল্লি : "গুরুনা ... মহাক্কী মখোইদৌদগী খোইনৌ কৌনা, মিৎনাহাগী মশকগুম্না মমিৎ মাগী মিৎমাং লমদা কৌথোক্কুনা থল্লে মমিংদি তারে তারে মিৎয়েংশং, মি মি মিৎয়েং শেল কৌনা লৈরে। অদুগা গুরুনা হায়রকয়ে। খোয়নৌ মিৎয়েংশেল ও। অতিয়াশিদবনা লৈবাক শেম্ববু শেল্লম শেমফাৎতনা লৈশেম্না য়াওরিবনি হায়দুনা নুংশিৎ হারাবনা হুমদুনা লৈবাক লৈশেম্ববু হন্না হন্না য়ৈখায় থুগায়রে মহাক্না য়ৈখাই থুগায়দনবা হারাববু নঙনা অমুক্তা কাওহনলু-ও হায়না গুরুগী খুৎনাওবীদা তোংহন্দুন থাংখৎলক্লে নোংথাঙ লৈমা হায়না মিংকৌরে। (লৈথক লৈখারোল লা: ৩১ পুয়া-শিন্দোকপা চনম খাবা) নোংথাং লৈমা-ও নঙনা য়েংবদা নমিৎনা করি উরবগে হায়না হংয়ে। খোয়নৌ নোংথাঙ লৈমনা খুমজেয়ে, ঐনা মাইকৈ ৮ মকপু লাকশিন্দুনা য়েংবদদি করিসু উবা ঙমদে। মপুক কনজাওগী মশককুমপা আ-করিনো অমদুম উইয়ে হায়না খুমজরবদা গুরুনা অমুক হায়রে, হে খোয়নৌ-ও, অতিয়াশিদবা কৌবনা মালেম লৈবাকশেম্ববু হারাবা কৌবা নঙনা উরিবা অদুনা লৈবাক লৈশেম্ববু শিংনদুনা হন্না হন্না মহৌ মহৌ থুগাই চাইখাইরে মহাকপু, নহাক্না অমুক্তা খামহলগে হায়বগীদমক মৈরাগী মশকগুম্না নঙবু থাংখোকপনে হায়না হায়বীরবদা খোয়নৌ নোংথাঙ লৈমা কৌবী মৈরাগী মশক শক্তমগুম্না ফিশেৎ ওইনাদুনা গুরু-তগী চোংথোকখিয়ে। অতিংঙা অহাংবা তরংগী মথক্তা তাকুপ তাকুপ তরেং তরেং ঙালনা শলনা লৈরে। মঙাল নাইনা লৈবা অদুবু হারাবনা চাইখাইগে নিঙনা লৈরিঙৈদা হেক উরবগী মপুক্তা হি:সিদি করিনো। তরঙগী মথক্তা তাকুপ তরেৎ তরেৎ ঙালনা লংনা শানা লৈবা অসিবু কদাইদগী থোরকপনো ঙালনা লংনা শলনা হেন্না নিঙথিয়ে হায়দুনা হারাবনা অমুক্তা পাওহংগে :

হারাবা : অহাংবা তরংগী মথক্তা মৈরাগী শমককুম্না লৈরারিবী নঙবু পাইমা ঐগী পুক্লিংদা মিৎচুয়ে থম্মোয় পুক্লিংখোইদাবা ওইরেদা। পেম্মা চনুরা নিংঙোল ওইবী নহাকপু কনানো ?

নোংথাংলৈমা : হোইদা হে, নহাবা অপিশা লৈকু মরুম খোইচোপপা। লৈরাই মরুম খোইহায়বা, লৈতুম হুলনা পাউশাবা।
ঈপল পুল্লাং কাইগনে-দা, পুললাং লুরোই কায়ববু।
শিংবীরোইবু হায়না হায়বরা ? ইপলনাবু করি হায়গনে।

ƨ

লৈমা, পিথ্রাইবী, খোংতারাইবী, শরিক লৈমা, পুকশি লৈমা, নোংখোং নুংনাওবী, খান্নী য়াংদে লাইরেন্বী অসিনচিংবনি (লাইচৎ লোল)।

নোংথাং লৈমনা মমিং ৮ থোক্লুনা মায়কৈ ৮ অমসুং মায়কৈ ১০ পুরিবিনি। মদুদি মৈলৈখোন্বী নোংপোক, য়াইরেলখোন্বী (কৌব্রু), শংলেন খোন্বী (মখা), হিলেন খোন্বী (অব্রাং), নোংইন খোন্বী (চিংখৈ), মনিক খোন্বী (নোংচুপ), তরং খোন্বী (শম্লোং), কোরৌ নোংদোনদা লৈরগা নোংথাং লৈমা, মালেম লৈখাদা লৈরগা লাইখুরেনবী (খুয়া-লুখুম চিংগাংবম অমর, মচং লা: ২০৬)

নোংথাংলৈমা লাইরেন্বী অসি মতিক ময়াই লৈবী লাইরেন্বীনি।
চাকমোম মৈবী ওইরিবী
মৈত্রেং মৈথাং মৈতোংবী অসুম্না শৈথানৈ।

Bibliography

1) Alan Dunde (Ed) Sacred *Narratives : Reading in the Theory of Myth, Berkeleyand Legend*, New York, Harper & Row, Poperback Edition, 1984, p. 778
2) Leach Maria and Jerome fried (eds.) *Standard Dictionary of Floklore, Mythology and Legend,* 2vols, New York : Funk and Wagnalls, 1949-50
3) New Larousse Encyclopedia of mythology G.H. Luguet *The Religion of the First Men* of Hanlym Publishing Group Ltd. Michelin House, 81 Fulham Road, Londom SW 36 RB, 1990, p.1
4) P. Goswami Folk Literature of Assam *An introductory survey,* Guwahati, Deptt. of Historical Antiguarian Studies in Assam, 1965 p. 91

মণিপুরী

১) এন খেলচন্দ্র সিংহ	অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস (৩ শুবা, ১৯৯২)
২) এস নীলবীর	লাইয়িংথৌ লাইরেম্মাশিংগী ব্রারী শীংবুল ২০০৬
৩) চনম হেমচন্দ্রনা শিন্দোকপা	লইথক লইখারোল, ২০১০
৪) দা পাওনম গুনিন্দ্র	মণিপুরী কলচরদা মীৎয়েং অমা (২শুবা, ২০০৬)
৫) ও ভোগেশ্বর	সনামহি লাইকন, ১৯৯৫
৬) ও ইবোচাউবা	ফোকলোর বিজ্ঞান (১বা শরুক, ২০১০)
৭) হুইরেম বীহারী সিংহ	মণিপুরী ফোকলোনগী ব্রারেং খরা ২০১২
৮) চোংথামচা চনু ইবেমহল	হাওরৈমা শম্বী, ২০০০
৯) ও ভোগেশ্বর	লৈমরেন মিংখৈ, ১৯৭০

৭

হারাবা	:	শিংলমগে শিংলমগে শিংলমগে পেম্মা নঙবু হুললান্দে। লৈবাক শঙদা লৈবী কোরী ফালদা ফম্বী-দা, মনম নোংশা য়াইবী-দা চোমলাং লৈরাং তোইশিবিদা হুলপনে।
অমুকসু	:	হে পেম-মা নিঙথীবী-ও, খিং খিং লৌজসে, পানা লৌজা- সে, হে পেম্মা-ও।
নোংথাংলৈমা	:	হে ইপুংঙু নহা, অঙ্গিশা ওইব-ও। য়াওরৌদগী শঙাইনা, মচি কেকুরু থোকতারি। ললহাম পুঙগী কাকফৈনা মনা হুমাই শাদারি। তোকফমদগী ঙামুনা খোইচু তোললোঙ চীলদরি। কোংবদগী ঙাখানা, পোনলোং কানাক নকতারি, সুকনা মহৈ য়ানদরি, য়াংকোকনা মাপাল শাদরি, নোংমৈ চহী মথংদা লৌজখি-ও (লৈথক লৈখারোল লা: ৩৩)।

অসুম্না মখোয় অনিনা পাউশানরিঙৈদা লৈবাক শেম্বা লোইহৌরে। অতিয়ানা মকু তোংদুনা নোংলোন মাপন শেম্লে। থেঙ্গুগা তানদুনা পাফল থোকহল্লে লৈবাক লৈরোন অমনা পাফলনা, লৈরোন অমনা ওকনা, লৈরোন অমনা শামুনা, লৈরোন অমনা লাইমুরেন্না, লৈরোন অমনা তীনৱাইরেন্না পুরে।

মতৌ অসুম্না লৈরোন নোংলোন শেম্বা লোইরদুনা থাগী মচিদা লৈরিবা অশীববু কৌথদুনা অতিয়া শিদবগী শক্তম লৌরগা মী শাখি, থৱায় হাপ্লে, মনিংশা হোল্লে, থৱায়দি মহাক্লি হায়বা খঙলে।

ৱাফম অসিনা নোংথাং লৈমা লাইরেম্মা অসি মালেম লৈশেম্বদা য়াওবী গুরু শিদবনা পুথোকখিবনি হায়বসি তাক্লি। লাইরেম্বী অসি মালেম লৈশেম্বদা থৌদাং য়াবতা নত্তনা লৈশিরোল লৈপুনবী লৈমরেন শিদবীগী লাইওনা লাইচৎ ওইরিবীনি।

নোংথাং লৈমগী লাইওন লায়চৎতি :

পান্থৈইবী তান্থোং লৈমা, লেমথোং লৈমা, লমদেং লৈ[illegible]ক লৈমা, চনিং লৈমা, নুংগোইবী লৈমা, কোলোই লৈমা, য়ুম লৈমা, থা লৈমা, ৱাতা লৈমা, শিলহৈবী লৈমা, কোল্লৈমা, খাইবা নিংথৌ চনু, মোইনু চনু, পিথেৎ লৈমা, [illegible]প্লান লৈমা, লাইসলথবী, খাবী লুকোক চনু, লিক্ল পিচা য়াইবী লৈমা, থোংঙাক লৈমা, সিতনুপী, চরাং

7

মরু ওইরিবা মীওইশিংগী মশাদা অৱাবা অমত্তা য়াওদে। মীৎয়েং অশোমদা লাকশিন্দুনা য়েংবদা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিং ডেপথলেসকী মতৌ ওইহল্লি।

ৱারীগী মতাং-মতাংদা ইথা থাজদনা খংহোং হোংলকপা অমদি তৌথোক ওইথোক্তবা অঙকপা শক্তি কয়া শাগোন্নবা হায়রগা 'লায়র মচা তরেৎ' (ফুঙ্গাৱারী শিংবুল, লা: ৭৫-৭৭)গী ৱারীদা লায়রবা মতৈ-মনাও অনীনা পোকচবা মচা তরেৎপু মখোয় অনীনা পীজ-পীথক ঙমজদবদগী মপানা মচা তরেৎপু উমংদা উহৈ-ৱাহৈ থিরুশি হায়দুনা পুরকখি। উমংগী ময়ায় য়ৌরকপদা মপা-মচাশিং কায়নখি। মচাশিং অদুনা ময়ূম হল্লগে হায়না হোৎনরকপদা লন্বী লম্মাংনরম্মী। অরাপ্পদা মৈঙাল অমা লৈবা উদুনা মৈঙালদু তন্না লাকপদা মচা তরেৎ লৈবা হিংচাবী অমগী ময়ূম ওইরম্মী। হিংচাবীগী ময়ূম্মি খঙবদগী মখোয় মচিল মনাও তরেৎ চেল্লক্লম্মী। মদুদা হিংচীবনা তান্নরক্লম্মী অদুবু মচিল মনাও তরেৎনা হিংচাবীদু হাৎলম্মী। হিংচাবী হাৎলবা মতুংদা কোনুং অমা থেংনরম্মী। কোনুং অদুদা লৈরম্বা নিংথৌনা হিংচাবী হাৎখিবগী ৱারী তাবদা হরাওমনখিদুনা মচীন মনাও তরেত্তা লৈবাক তংখায় অমা পীদুনা নুংঙাইনা পালহনখি, ফুঙ্গাৱারী অসিদা য়াওরিবা মচীল-মনাও তরেৎ অসিনা মমা থাদোক্তুনা উমংদা লাকপদা মমা থাদোকপগী, ময়ূম থাদোকপগী করিশু অৱাবা লৈতবা, উমংদা মপা কায়নবা মতমদসু মপা কায়নবগীদমক্তা অৱাবা করিশু পোক্তবা, মচীন-মনাওশিংনা কোনুং অমা হেক থেংনবা পূম্নমক অসি ৱারীগী মতাং মতাংদা ইথা-থাজদনা খংহোং হোংলকপা মওংনি অদুনা তৌথোক-ওইথোক্তবা ওইনা নিংথৌগী লৈবাক তংখায় অমা মনা ওইনা ফংবা অসিমক ফুঙ্গাৱারীদা ডেপথলেস ওইবগী মতৌনি।

মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিংদা মরু ওইনা মেজিক্কী ওইবা ফুঙ্গাৱারীশিংদদি অনাবা অমা ফরকপগীসু করিগুম্বা হীদাক অমনা নৎত্রগা মেজিক্কী ওইবা পোৎশক অমনা অনাবা অদু খংফ হেক্তা ফহল্লি। 'রাক্ষ থেংনবা' (শরাংথেম ইবোতোনশ্বী, ৱাখোঙ, শগোলমাঙদা লৈবনা লীবীরকপা) গী ৱারীদা মশাগা মঙক্কা তোঙান-তোঙন তারবা মীশক অমগী হকচাংবু থা কৌবা লাইনা থাদরকপা হীদাক্লা হান্নগী মতৌগুম খুদাক্তা হিঙ্গহল্লি। মখোঙ মখূৎ য়াওদ্রবা মীওই অমবুসু থংনবা মীৎক্কপ্তা চুঙ ফিরাল চাবা মীওই অমা হেক্তা ওইহল্লি। 'মী মকোক' (বরমনি, চীং-তমগী ফুঙ্গাৱারী, লা: ১৩০) গী ৱারীদা ফিভম মুর্ত্তি চাদ্রবা মী মকোক্লা লাইরেল য়াইপুবা অমদগী তম্ফা খুদোপ য়াইওইবা অমা ফংদুনা চুঙ-ফিরাল চাবা নিপা অমা ওইখি। 'লুখ্রাবী অমদি হঙোই' (ফুঙ্গাৱারী শিংবুল, লা:৩৪-৩৬) তসু চুম্নগী হঙোই অমনা

মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীদা ডেপথলেসকী মশক

দা রাজকুমারী মুগুকসনা
এসোসিএট প্রোফেসার
দি এম কোলেজ ওফ আর্টস, ইম্ফাল

চীনবুংদা লৈবা সাহিত্যগী থোইদোকপা মচাক অমা ওইনা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা লীনদুনা লাক্লিবা মখল মথেল কয়াগী মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিংনি। অসিগুম্বা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিং অসিদা ডেপথলেস (depthless) ওইবগী মশক অমদি লোয়নবগুম লৈ। ডেপথ হায়রগা ৱারীগী প্লোট শাগৎলকপা অমদি লমচৎ মশকশিং অদুবুনি। মায়কৈ অমরোমদা অদুগুম্বা ডেপথ ওইবগী মশকশিং অদু মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিংদা খরা খজিক ৱাৎপগুম তৌই। মরমদি মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিংদা ঐখোয়গী অশেংবা সংসার অসিদা মরী থোইনা লৈনদবা মওংদা ফুঙ্গাৱারীশিংগী ওইবা ৱাখল্লোন অমদা ৱারী তারিবা মীশিংবু থোইনা লুথনা খন্থহনবা তৌদনা ৱারীগী পরিং কায়হন্দনা চত্থবগী মওং ওইনা তৌই। তাইবংগী জীব পানবশিংনা থেংনরিবা অৱা-নুংঙাই, মখোয়না তৌবা ঙম্বা শক্তি, মফম, মতম অসিনচিংবগী অশেংবা অওইবা মশক ময়াম অসিনা ফুঙ্গাৱারীশিংগী ওইনা ৱাখল্লোনগা ইনক নকশিন্নদবগুম উই। অদুবু ফুঙ্গাৱারীশিং অসি ওইথোকপা য়ারবসু নৎত্রগা ওইথোকপা য়াদে হায়না খল্লবসু ৱারীগী পরিংদি কায়দনা চত্থবগী মওংনি। ৱারীদা য়াওরিবা থৱায় পানবা অমদি পান্দবা পোৎলম খুদিংমক ঐখোয়না থেংনরিবা পোৎলমশিংনা থোইনা হেন্না খেন্নবা লৈত্রবসু ৱারীগী মতাং-মতাংদা ইথা থাজদনা খংহোং হোংলকপা অমদি তৌথোক ওইথোক্তবা অঙকপা শক্তি কয়া শাগোন্নরকই। অশোক-অপন নংলবা নৎত্রগা মতম কুইনা নারক্লবা মীওইশিং মীৎকুপ অমদা পুমক হেক্তা ফহল্লি। মরুপ-মপাং কায়নবা, অশি-অনা য়াওবা, মতম শাংনা চীং-মান, নারক মোংশোংদা চৎপা অসিনচিংবদা ৱারীগী

অমরোমদা ডেপথলেস ওইহল্লি। 'শগোল য়াইশ' (উমাইবী অমসুং অতৈ ফুঙ্গাৱারীশিং লা: ৬৫) গী ৱারীদা নিংথৌগী তালোয় অহুমগী মনুংদগী মচা লৈতবা তালোয় অতোনবীনা মপুরোইবদা মচে অহলগী অমত্তা ঙায়বা মচানিপাবু হাৎলগা মহাক্কী ঈ অদুনা হকচাং শীনবা থুংনা তৈরবদি মহাক্কী অনাবা শোয়দনা ফগনি হায়বা অসি ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী মরক্তা লৈনবা পূক্লিং ৱাখলগী মরী ৱাৎপনি। কনাগুম্বা অমনা য়ূম থাদোক্তুনা চৎখিবা অমদি অৱা-অনা তারবা মতমদা থস্মোয়দা অৱাবা পোক্লবদি অৱাবা অদুমক্তা ৱারীগী মতাং অমা শাগৎনবা মচাক ওইহল্লি। 'শন্দ্রেম্বী চাইশ্রা' গী ৱারীদা শন্দ্রেম্বীনা মমা কায়নবদা ৱাবদগী চৎখিবা মসিমক্তা মতুং তারকপদা লোং খোন্দুনা থেঙ্গু ফাবা ৱারীগী অথোইবা প্লোট শাগৎলকই। মতাং অসিদা মেক্স লুথীগী মত নীংশিংবা য়াই :

> Tears are shed only if this is important for the development of the plot. Otherwise, people cut off their limbs without batting an eye. (Max Luthi, *The European Folktale: form and Nature,* p.13)

ফুঙ্গাৱারী মরু ওইরিবা মীশক অসিবু ঙাক শেন্নবা হোৎনবদা নাতৈ চাদবা, ওইথোকপা য়াবা য়াদবগী ৱাফমদা পূক্লিং করিমতা চঙদবগুম তৌই। করিগুম্বা থবক অমা তৌবদা হীরোদা তাঞ্জা চানা শক্তি চেনবা মীশক নৎত্রগা শক্তি চেনবা পোৎশক অমা হেক্তা থেংনহল্লি। 'মকোক' ৱারীদা (ফুঙ্গাৱারী শিংবুল, খোমজিনবা অমদি শেমশাবা বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা, লা: ১১১) লুখ্রাবী মচা মীওই লাল্লুপসু চাদবা, মখোঙ মখূৎসু পাল্লি হায়বতা থোকপা পীশক পীকপা মকোক্তমক চাউবা নিপা অসিনা মহাক্কী মাম্মনা হিফিঙ্গা ললোনবা চৎপা য়াওরুবদা তম্ফা খুদোপা য়াইওইবা অমা হেক্তা ফংহনবা, 'তল তরেৎ' (ফুঙ্গাৱারী শিংবুল, লা: ৬৯) কী ৱারীদা লুখ্রাবী মচা কতন্না তল তরেৎ পুদুনা লংফৈ চৎপদা হেল্লোয় তরেৎ থেংনদুনা থোকউ হায়বতা থোকপা পোৎ হায়বদি হামেঙ অঙৌবা থেঙ্গু অমদি থৌরী ফংখি। ৱারীদা য়াওরিবা হীরো অদুনা থোইদোক্লা খন্থরুবা লৈতনা ৱা অমা ঙাঙথোকউবা নৎত্রগা থবক অমা তৌরুবা মতমদসু মাগী কান্নবা মওং অমা হেক্তা ওইহল্লি। মসিমক ডেপথলেস ওইবগী মওংনি।

মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীদা ডেপথ য়াওদবগী মওং অসি থোকখি হায়না থাজনবা ৱারী ওইবা লেজেণ্ড (legends) শিংনা চাংদম্নদুনা য়েংবা মতমদসু ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্মী।

মশক মতৌ চঙখোল্লবা নিপা অমগী শক্তম লৌখি। অসুম্না করিগুম্বা হিদাক অমনা অনাবা অমবুসু হেক্তা ফহনবা, অশিবা অমবুসু হেক্তা হিঙ্গৎহনবা, মেজিক্কী ওইবা পোৎশক অমনসু মীওই লাল্লুপ চাদবা মীশক অমবু মশক মতৌ চঙখোল্লবা মীওই অমা হেক ওইহনবা অসিনচিংবা কয়া অসিনসু ফুঙ্গাৱারীশিং অসি ডেপথলেস ওই হায়বা তাকই।

মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীদা য়াওরিবা পোৎশকশিং অসি পুক্নিংদা অদুগুম্না পোৎশক অমনি হায়না ফাওহনবা নত্তনা পোৎশকশিং অদুগী মওং মতৌ লাকশিনবা ঙমদে। খুদম ওইনা 'তল তরেৎ' (ফুঙ্গাৱারী শিংবুল, লা: ৫১-৫২) গী ৱারীদা য়াওরিবা হামেৎ, থেঙ্গু, থৌরী হায়রিবা পোৎশকশিং অসি চুম্নগী হামেঙ, থেঙ্গু, থৌরী অমা ওইনদি ৱাখলনা লাকশিন্দুনা মীত্তা উবা ঙম্মী অদুবু হামেং অদুনা হাউর-হাউরবা চাক য়েনশাং থোকহনখিবা, ইমুং-মনুংগী অৱাৎ ময়াম অমা থোকহনখিবা মতমদদি পোৎশকশিং অসিগী মওং-মতৌ ঐখোয়গী ৱাখলদগী মাঙখ্রে, ঐখোয়না উরিবদি মখোয়গী তৌবা ঙম্বা শক্তি অদুতনি।

মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিংদা মখোঙ-মখুৎ য়াওদবা মীওইসু থোইনা ইৱা ৱাদনা লৈবা ঙম্বা অসিনসু ডেপথলেস ওইবগী মতৌ ওইহল্লি। মী মকোক (বরমনি, চীং-তমগী ফুঙ্গাৱারী, লা:১৩০) কী ৱারীদা লুখ্রাবী মচা মী মকোক্না মাগী মাম্মশিংগা হিদিঙ্গা ললোনবা চৎমিন্নবদা মঙোন্দা খুদোংথীবনচিংবা নংগনি হায়বগী মপূক্নিংদা চিংনবা অমত্তা লৈখিদে। পীশক পীক্লিবা অঙাং অমবুসু উমাইবী অমনা ঈরায় লায়না হেক্তা য়োকই। 'উমাইবী' (উমাইবী অমসুং অতৈ ফুঙ্গাৱারীশিং, লা: ১-১৫) দা নুপী অমনা কৌবী শীংনাং মরক্তা শুমদুনা থল্লম্বা অঙাং অমবু উমাইবী, অমনা চাউনবা য়োকখি। শম্না হায়রদা ফুঙ্গাৱারীশিংদা য়াওরিবা মীওইশিং অসি লৈবাক্না শাবা নৎত্রবা চেদা য়েকপা লাইগুম থুগায়নীংবা মতমদা থুগায়বা য়াই। লৈখোম্না শাবা মুর্ত্তি অমদগী মখোঙ মখুৎ অমা লৌথোকপা ঈ চেন্থবা উদকগুম মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীগী হীরোশিংবু অশোক অপন নংবা নৎত্রবা মখোঙ মখুৎ অমা ককখিবা মতমদা মদুদগী ঈ চেন্থদে অমদি অশোকপদুনা মঙোন্দা থোইনা অৱাবা পীদে। চুম্নতগী মখোঙ মখুৎ য়াওদ্রে, নৎত্রগা শিরুবদগী, হিঙ্গৎলক্লে হায়বা অসিতনি। 'য়োং মীশিগী ৱারী' (খুড়ামচাগী চাকঙাই ৱারী, ইবোতোন, লা:৬৯) দা লিন্না চীক্তুনা শিরবা অঙাং অদুদা লিন্না চীকপগী চৈনা ফাওদুনা কপ লাউবগী মওং উদে। য়োংনা মচীন্না চীক্তুনা পুরকপা হীদাক অদু মনম নমহনবদা শিরুরবা অঙাং অদু ইকোক কোম্না হিঙ্গৎহল্লি।

মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী মরক্তা লৈনবা পূক্নিংগী ৱাখলগী মরী ৱাৎপা, অৱা-অনা তাবগী মশক লৈতবা মতৌনসু মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিং অসি মীৎয়েং

11

মণিপুরী লেজেন্দ অমসুং ওরেল হিষ্টরি

দা এল. ব্রিজিতা দেবী
এসোসিএট প্রোফেসার, মণিপুর য়ুনিভসিটি

য়েলহৌঁঙেদগী হৌনা ফোকলোরগী মচাক্লা থন্না লৈরবা মণিপুরী খুন্নাইনি। খুন্নাই অসিদা ফোকলোরগী অচৌবা মরুওইবা মচল অমা ওইরিবা ওরেল লিতরেচরগী মচাকশিং অসিসু য়াম্না মরাং কাইনা ফংলি। অসিগুম্বা ওরেল লিতরেচরগী মনুংদা মফম চাউনা কল্লিবা ওরেল নেরেটিপকী মচাক কয়া লমদমসিদা পুকৈ চোন্না লৈরি। ওরেল নেরেটিপকী মচল অমা ওইরিবা লেজেন্দ খুন্নাইসিদা য়েলহৌঁঙেদগী লৈররক্লবনি। লেজেন্দশিং অসি ওরেল হিষ্টরিগা শাগোন্নদুনা চৎপা ফোকলোরগী মরুওইবা মচল অমনি। ওরেল হিষ্টরিদি লেজেন্দগী থৱায়নি। করিগুম্বা থৌদোক অমগী নৎত্রগা ৱারী অমগী মরমদা শৈথাবা মতমদা য়াম্না নুংঙাইবা অমদি ফজনা অশেংবা মওংদা ৱারীদু লীনদুনা তাবগী মশক লেজেন্দা য়াওরিবসিমক ওরেল হিষ্টরিগী মগুণনি হায়বা য়াই। ওরেল হিষ্টরিদা লীনরক্লিবা ৱারী অসিনা অচুম্বনি, মফমদুদা অমদি মতমদুদা তশেংনা থোকখিবনি হায়না লৌহনবা ঙম্মী। ইতিহাসকী ওইনা ময়েক্তা ইশিল্লবা লেংবা য়াদ্রবা অচুম্বা শোক তারিখ, মীওইশিং অমদি থৌদোকশিংগা চান্ননা থোক্ত্রবসু খুন্নাইশিংদা ওরেল হিষ্টরিদি চীনবুংদা থংথদুনা লাক্লবা ইতিহাস ওইদুনা অচুম্বা থোকখিবমক্লিহায়না লৌনরি। অইবা ইতিহাস লৈত্রিঙৈ মমাঙদা ওরেল হিষ্টরিদি হান্না লৈরক্লবনি। ইতিহাস কারনা নিংথৌ পানবা মতমদা ইশিল্লকপা ইতিহাস ওইবনা অইবশিংদা ইশিনবদগী ৱাৎহৌরিবা কয়াদি ওরেল হিষ্টরিদা মরাং কাইনা লৈহৌরি। ইতিহাসতা ইশিল্লিবা কয়াসিদি নিংথৌগী মাইয়োক্তা লৈবা ৱাফম কয়া অমদি খঙবি উবিদবা লৈবাক্কী থৌদোক ৱাথোক কয়াদি চিৎথ-নাম্ভদুনা থল্লম্মী। অদুবু অসিগুম্বা মীয়ামগী ওইবা খোল্লাওশিংদি

লেজেণ্ডগী ওইবা ৱারীশিংনা য়াওবা পোৎশকশিং অমদি চরিত্রশিংগীদি মফম মতমগী অকক্নবা লৈ, তাইবং মীগী সংসার অমদি তাইবং ৱাংমগী সংসারগা লেজেণ্ডগী মীশক পোৎশকশিংগা লৈনবা মখল মথেলগী মরী পূন্নমক অশেংবা ওইথোকপা মশক্তা লীনৈ। মেক্স লুথীগী ৱাহৈদা :

> The legend realistically portrays actual persons and objects that have a variety of different relations to the everyday world and the other world.(Marx Luthi, *The European Folktales : Form and Nature*, P.11.)

লেজেণ্ডগী ওইবা ৱারীশিংদা অনাবা অমনা ফরকপাগীসু মতম শাংনা চঙই অদুবু মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিংদা মরু ওইনা মেজিক্কী ওইবা ফুঙ্গাৱারীশিংদা করিগুম্বদা হীদাক অমনা নৎত্রগা মেজিক্কী ওইবা পোৎশক অমনা অনাববু খংফ হেক্তা ফহল্লি। মসিনসু মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিং অসি ডেপথলেস ওইবগী মশক ওইহল্লি।

মতৌ অসুন্না অওইবা অশেংবা তাইবংনা মরী লৈনদবা তোপ-তোপ্পা ফুঙ্গাৱারীগী তাইবং অমা শেমগৎনবা লাক্লবা, মফম মতমগী অকক্লবা ৱাফম লৈতবা, পোৎশক্কী শক্লাইবা মওং লৈতবা থম্মোয়দা অৱাবা ফাওদবা, ইমুং-মনুং অমদি শাগৈ-নাতৈগী অৱাবা চঙদবা অসিনচিংবা কয়া অসিনা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীবু ডেপথ ওইবগী মহুত্তা ডেপথলেস ওইহল্লি। অদুবু মশক্তা মচুদা ডেপথলেস ওই হায়না পুন্সি মরেলবু মশক তাকপদা নত্তনা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী তাবদা নুংঙাইবগী মহাও অমদি পীরি।

Bibliography

Luthi, Max. *The European Folktale : Form and Nature, trans.* John D. Niles Philadelphia: *Institute for the study of Human Issues,* 1982

Sutdy of Human Issues, 1982

Thompson, Stith. *The Folktale,* 1946; rpt. New York : Dryden press, 1951

বি. জয়ন্তকুমার শর্ম্মা, *ফুঙ্গাৱারী শিংবুল,* ইম্ফাল : সাহিত্য অকাদেমি, ২০১১

ইবোতোন সিংহ, অকোইজম। *খুড়ামচাগী চাকঙাই ৱারী*। ইম্ফাল: অইবা, ১৯৫৬

শরাংথেম বরমনি সিংহ, *চীং-তমগী ফুঙ্গাৱারী,* ইম্ফাল : অইবা, ১৯৮৬-৮৭।

---

2) Historical Legends and Legends of the History of Civilization
3) Supernatural Beings and Forces or Mythical Legends.
4) Religous Legends or Myth of Gods and Heroes. (Ed) Richard M. Dorson P. 76

লেজেন্দগী মখল অসি মাগী মাগী লমদা ফংবা মচাকশিংদা য়েংলগা খায়দোকপা য়াই। মণিপুরী লেজেন্দশিং অসি লমসিদা ফংলিবা মচাকশিং অসিদা য়েংলগা মখল মঙা থোক্লা খায়দোক্লগা "মণিপুরী (মৈতৈ) লেজেন্দ নৈনবা" হায়বা লাইরিকসিদা পীরি :

১) মিথোলোজিকেল লেজেন্দ

২) হিষ্টরিকেল লেজেন্দ

৩) প্লেস নেম লেজেন্দ

৪) পারসনেল লেজেন্দ

৫) ইটিওলোজিকেল লেজেন্দ

ডা: য়ুম্নাম ইবেহায়বী দেবী, লা : ৪০

১) মিথোলোজিকেল লেজেন্দ : লেজেন্দ মখল অসি লাইনিং লাইশোন অমদি ধর্ম্মগা মরী লৈনবা খরা য়াওরবসু অয়াম্বনদি মরী লৈন্দে। লেজেন্দ মখলসিদা য়াওরিবা মরুওইবা চরিত্র নত্তবা অতোপ্পা চরিত্রশিং অদুদা লাইওই মীওই তৌবা অমদি লাইনচিংবা য়াওবসু য়াই। ঙসিগী মালেম তাইবঙসিদা থোকখিবা থৌদোকশিং উৎপতা নত্তনা তাইবঙ ৱাংমগী থৌদোকশিংবু উৎপা য়াওই। ৱারী অদুদা য়াওরিবা মরুওইবা চরিত্রশিং অদুগী মমা মপাগী মমিং লৈম্নচিংবা ফজনা পল্লি। ৱারীসি তশেংনা থোকখিবা অচুম্বনি হায়না লৌনৈ।

২) হিষ্টরিকেল লেজেন্দ : লেজেন্দ মখল অসিদা লৈবাক অপুম্বগী নৎত্রগা লম লমগী ওইবা ইতিহাসকী মপুং চনবা অচুম্বা থোকখিবমক্রিথাজনবা ৱারীশিং য়াওরি।

৩) প্লেস-নেম লেজেন্দ : প্লেস-নেম লেজেন্দদা লম মমিং থোনখিবগী লীনরিবা ৱারীশিং য়াওই। লমশিং অদুগী মমিং করিদগী করম্না থোনখিবগে হায়বনচিংবগী মরমদা লীনৈ। চীং, পাৎ, তুরেল, লোক, শুরুং অমদি খোংনচিংবা মফমশিংগী মমিং থোনখিবগী মরম লেজেন্দ মখল অসিদা ৱারী ওইনা লীনৈ।

অইবা ইতিহাসকী লাচননুংদা থম্বীদ্রবসু ওরেল হিষ্টরিদদি লায়না ফংবা ঙমহন্দুনা মীয়ামগা লোয়ননা চৎমিন্নে।

লেজেন্দ (থাজ ৱারী) হায়বসি খুন্নাই কাঙলুপকী মীওইশিংনা তশেংনা থোকখিবা থৌদোক্কি হায়না য়াম্না থাজনা লৌনৈ। লীরিবা অমসুং তারিবা মীনসু অচুম্বা থোকখিবমক্কি থাজনরি। লেজেন্দা য়াওরিবা থৌদোকশিং অসি ঙসিগী তাইবঙপান অসিদা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক ঙাক্তনি। লেজেন্দশিং অসি মীরোল অমদগী মীরোল অমদা মথং মথং চীন্থাংদা থংথদুনা লাক্লি। ৱারী অসিদা য়াওরিবা মরু ওইবা মীওইশিংসু তাইবঙ মীওইবনা ওইগনি। লেজেন্দ অয়াম্বা লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈন্দে। লেজেন্দদি অকক্নবা মফম মতম তাকই। ৱারী অসি তাবদা নুংঙাইনবা ঙাক্তগী লিবা নত্তে। লেজেন্দনা খুন্নাইদা পাউতাক পীদুনা করিগুম্বা খরদি খন্থহল্লি। খুন্নাই কাঙলুপ অদুদা অরানবা থবক তৌদনবা অফবা মাইকৈদা চৎনবা পাউতাক কয়া য়াওদুনা তাক্লি। লেজেন্দবু মশক তাকপদা ৱিলিয়ম, আর. বেসকমনা মাগী লাইরিক 'Contributions to Folkloristics' তা অসুম্না পীরি :

> Legends are prose narratives which, like myths are regarded as true by the narrator and his audience, but they are set in a period considered remote, when the world was much as it is today. Legends are more often secular, than sacred and their principal characters are human. (William R. Bascom, P. 98)

লেজেন্দ অসি ফোকলোরিষ্টশিংনা অহানবা মখল অহুম থোক্লা খায়দোক্লম্মী। ৱাফম অসি লিন্দা দেঘ (Linda Degh) না ইবা "Folk Narrative" হায়বা "Folklore & Folklife : An Inroduction" হায়বা লাইরিকসিদা য়াওরিবা ৱারেংসিদা পীরি। লেজেন্দ মখল অহুম অদুদি :- Local Legend, Etiological Legen and Historical Legend নি। অদুবু ১৯৫৩ দা ইন্টরনেসনেল কমিতি অমনা লেজেন্দবু অমুক মখল মরি থোক্লা খায়দোক্লম্মী। য়ুরোপ অমদি অমেরিকাদা ফংলিবা লেজেন্দগী মচাকশিং অসিদা য়েংলগা মখল মরিসি খায়খিবনি হায়বসি ৱারেং অসিদা পল্লি। লেজেন্দ মখল মরি অদুদি :-

1) Etiological and Eschatological Legends

তাল্লোই মরুপ্পীগী থৱায় লৈরবদি হনবিরক্লো হায়জরকই, করিগুম্বা পীবিরোইদবা লৈরবদি মনাই ওইরিবা পোনপী লুৰাউপনা খোইয়ুম মাবু লানশীংশকই হায়না নোংতা চীঙখন য়াঙনা থোঙঙারেন্দা তম্লম্মী। নামোইনুগী অশিবা হকচাংবু অঙৌবা ফিনা কুপ্পুনা শিবগী মথৌ মঙম তৌদনা থৱায় হল্লকপা ঙাইহিরি হায়নসু তম্লম্মী। লৈনুং থোঙঙারেননা শাউরদুনা মনাও অতোনবা পোইরৈতোনবু কৌদুনা নুংপান পোনপী লুৰাউপা লান শোক্লনবা থারকখি। পোনপী লুৰাউপনা পোইরৈতোনবু মাইথিবা পীদুনা ফাজিল্লগা নুংনা নন্দুনা থম্লম্মী। নোংতা চীঙখন য়াঙদা পোইরৈতোন্না ময়াম্বা থোঙঙারেন্দা মাদি পোনপী লুৰাউপগী লানফা ওইদুনা লৈহৌরে নুংপান পোনপী লুৰাউপগী তাল্লোই নামোইনুগী থৱাইবু হনবিরকও হায়না পাউ তম্লুনবা থাখিরম্মী। থোঙঙারেন্না মনাওনিপা য়াইমা থোঙঙাক লকাপাপু পোনপী লুৰাউপগা লান শোক্লনবা থারক্লম্মী। নুংপান পোনপী লুৰাউপনা মাবুসু মাইথিবা পীদুনা লানফা ওইনা ফাদুনা থম্লম্মী। অরোইবদা থোঙঙারেন মশামক নুংপান পোনপী লুৰাউপগী মনাক্তা লাক্লম্মী। পোনপী লুৰাউপনা থোঙঙারেন্দা খুরুমজদুনা মাগী তাল্লোইগী থৱাই হনবিরক্লবা হায়জরম্মী। মাগী তাল্লোইগী থৱায় হনবিরোইদবা ওইরবদি মাসু থোঙঙারেনগী তুং হনজরগে তাইবঙ পান্দা থম্বীরম্লগনু হায়না হায়জরম্মী। থোঙঙারেন্না নুংপান পোনপী লুৰাউপবু নুংশিবীরদুনা কৌপরোন নামোইনুগী থৱাইবু হনবীরম্মী। কৌপরোন নামোইনুগা লোয়ননা নুংপান পোনপী লুৰাউপনা হৈরাং অশংবা তাউজীং অমুনবা খন্দুনা থোঙঙানরেন্দা কৎচদুনা খুরুমজরম্মী। মপারী লুৰাং পুঙ্গিপা পোক্লগা চহী চাম্মা শুরবগা কোরৌ নোংকারকও হায়না তাকপীরম্লগা থোঙঙারেনদি হনখিরম্মী। ৱারি অসি "চোথে থাঙৱায় পাখংপা অমসুং নুংপান পোনপী লুৰাউপা" শ্রী এন. খেলচন্দ্র সিংহনা য়েংশিনবা লাইরিক অসিদগীনি।

ৱারী অসিদা ইতিহাসকী ওইনা ইশিন্দুনা থম্লবা অচুম্বা শোক তারিখকা লোয়নবা লেংদনা লৈরবা শেংদবা মশক অমদি নত্তে। অদুবু চীনবুংদা লীনরকপা মতমদদি অচুম্বা থোকখিবা থৌদোক অশেংবা লৈরম্বা মফম ওইনা খুন্নাইগী মীওইশিংনা থাজনা লৌনরি। কৌব্রুগী মচানুপী কৌপরোন নামোইনুনি, লুৰাং শাগৈদা পাল্লম্বা নুপান পোনপী লুৰাউপনি, পীরিবা মমা মপাগী মমিং অশেংবনি, থোক্লিবা থৌদোকশিং অশেংবনি হায়না ঙসি ফাওবদা লৌনরি। থাইনা মমাংঙৈদা থোকখিবা ওইরবসু হৌজিক্কী মীরোল ফাওবদা ৱারী অসিবু থাজন্দুনা ঙসি ফাওবদা খুন্নাইসিদা থাজনা লীনরি। ৱারী অসিদা য়াওরিবা মচাকশিং অসিদা ওইথোকপা য়াবা য়াদবা থিদনা য়াম্না থাজনা খুন্নাই কাঙলুপ অসিনা চীনবুংদা মীরোন অমদগী

৪) পারসনেল লেজেন্দ : পারসনেল লেজেন্দা লৈবাক্কী ওইনা মীয়াম্না শকখঙনরবা মীওইশিং নৎত্রগা লম লমগী ওইনা মীয়াম্না শক খঙলবা মীওইশিংগা মরী লৈননা শাগৎপা তশেংনা থোকখিবনি হায়না থাজনদুনা লীনবা ৱারীশিংনি। এনেকদোট (Anecdate) হায়না খঙনবা লেজেন্দ মখল অসিসু মসিগী মনুং চল্লি। হীরো লেজেন্দ (Hero Legend) হায়না খঙনবা লেজেন্দ মখল অসিসু মসিগী মনুং চল্লি। হীরো লেজেন্দশিং অসিদা লীনরিবা ৱারীশিং অসি হিষ্টরিকেল ওইবা নৎত্রগা ওই হায়না লৌনবা মীওই অমগী পুন্সি অমদি থবক থৌরমশিংগা মরী লৈননা শন্দোক্না লীনরবদি মরী লৈনবা লেজেন্দশিং অদুবু পুন্না সাগা (Saga) হায়না খঙনৈ। সাগাশিং অসি অয়াম্বনা ৱারেংদা লীনৈ অদুবু শৈরেংগী মওংদা করিগুম্বা থীনবসু য়াওই। স্কান্দেনেভিয়া অমদি আয়রলেন্দা ময়ায় চনবা যুগতা চৎনবী ওইনা চীনবুংদা লীনরম্বা থাজৱারীশিংবু খঙনরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি 'সাগা' হায়রগা করিগুম্বা থৌদোক থৌরম অমগী মরমদা শন্দোক্না লীনবা থাজৱারীশিংবু খঙনরে।

৫) ইটিওলোজিকেল লেজেন্দ : লেজেন্দ মখল অসিদি অহানবা লৈশেম নোংশেম্বা, জীবশিংগী অহানবা ওইরকপা পোৎশকশিং অসি অহানবা শেম্লকখিবগী, প্রকৃতিগী থোইদোকপা থৌদোক্লকচিংবগী মরমদা তাক্নুনা লীনবা অচুম্বা থোকখিবনি হায়না থাজনরিবা ৱারীশিং অদুনি। মখোয় অসি তাইবঙ মী, শা-উচেক্লকচিংবা অমদি প্রকৃতিগী পোৎলমশিংগা মরী লৈনৈ। মীশক পোৎশক অমদি জীবশিংগী মশক মওং অসি অহানবা করম্না হৌরকখিবগে হায়বগী মরমদা লীনবা ৱারীনি।

মণিপুরী লেজেন্দগী ৱারীশিং অসিগা ওরেল হিষ্টরিগা থাদোক্নবা য়াদবা মরী লৈনৈ হায়বসি মণিপুরী লেজেন্দগী খায়দোক্লিবা মখলশিং অসিগী খুদম অমমম লৌরগা নৈনদুনা থমজরি : অহানবদা মিথোলোজিকেল লেজেন্দ অমা ওইনা 'নুংপান পোনবী লুৱাউপা' গী ৱারী অসি লৌখৎচরি। নুংপান পোনপী লুৱাউপনা হায়জবগী মতুং ইন্না মমা সনথোঙ হুইমুলৈমা অমদি মপা নুংপান অঙনপা অনীনা কৌব্রুদা মচানুপী কৌবরোন নামোইনুবু হায়জদুনা মচানুপাগা লুহোংলম্মী। কৌবরোন নামোইনুবু লৈনুং থোঙঙারেন্না মাগী তাল্লোই অতোম্বীনি করিগী নুংবান পোনপী লুৱাউবদা লুহোংলিবনো হায়না শাউদুনা নামোইনুবু অশি লৈবাক্তা লাক্লনবা খমনুং মাকপা লৌওনপবু থেম্লুচো হায়না থারকখি। কৌবরোন নামোইনু কন্না নাদুনা কনবা ঙমদনা শিরম্মী। নুংপান পোনপী লুৱাউপনা লৈনুং থোঙঙারেনগী মফমদা নোংতা চীঙখন য়াঙবু পাউ থারম্মী। নুংপান পোনপী লুৱাউপগী

কনখি। মৈতৈ নিংথৌ পুন্সিবনা মৈতৈ লৈবাক্তা পাল্লবদা মচানুপা খোম্বদা মোইরাংদা লমন খুম্লবা হায়খি। কবোগা মীচঙ ওইদুনা মৈতৈ নিংথৌ মোরাইংদা লান তাখি। মোইরাংগী লাম্মী ময়াম ফাদুনা পুরক্লগা হাৎখিবা মফম অদুবু মোইরাংখোম হায়না খঙনখি। ৱারী অসি সরাংথেম বরমণি সিংহনা ইবা "লম্মীৎলোন" দগীনি।

ইতিহাসকী ওইনা চুম্লবা থৌদোকশিং, মৈতৈ অমদি মোইরাং লৈবাক্তা পাল্লম্বা নিংথৌশিং ৱারীসিদা য়াওরি। চৈথারোল কুম্বাবদসু মৈতৈগী নিংথৌখোম্বনা মোইরাংগী মকোক্লা লুখা থাদুনা মোইরাংখোম থোনখি হায়না ইতিহাসকী ওইবা ৱাফমসি পীরি। অদুবু ৱারীসিদা য়াওরিবা ৱাফমশিং অসিদি মরিক চুম্না ওরেল হিষ্টরিদা ওইনা লৈরি। ইতিহাসকী মনুং চল্লিবা ৱাফমদা নত্তনা মোইরাংদা মৈতৈনা করিগী লান তাখিবা, মপাগী নীংবা থুংনবা মচানুপানা লান তাখিবনি হায়বনচিংবগী মরমদি য়াম্না মরিক চুম্না পীরি। লম অমগা লম অমগা করম্না চান্নবা তিন্নবা অমদি করম্না য়েংথিনবা হায়বনচিংবগী মরমদসু ওরেল হিষ্টরিদদি মরিক চুম্না পাউদমলি। লম অমনা অমবু উশিং থওইদনা ঙাং শক্লবদি মদুগী মতিক চাবা লমনা খুম্লবা হোৎনবগী চৎনবীসু উৎলি। মৈতৈ নিংথৌগী তৌবা ঙম্বা শক্তিসু ৱারীসিদা য়াওরি। মীনা লাকচখিবদা থম্মোয়দা নুংঙাইতবা ফাওবগী মশকসু উবা ফংই। ৱারী অসি খুন্নাইসিদা হৌজিক ফাওবা ওরেল হিষ্টরিদা চৎথরক্তুনা ঙসি ফাওবদা লীনরি। মরিশুবা পারসনেল লেজেন্দগী মনুংদা মোইরাং শাইওন ৱারীশিং অসি চাল্লি। ৱারীশিং অসিগী মনুংদগী 'তোনু লাইজিংলেম্বী অমসুং কদেং থাংজহনবা' অনীগী নুংশি ৱারী অসি লৌখৎচরি। তোনু লাইজিংলেম্বীগা কদেং থাংজহনবগা নুংশি লম্বেলদা খোঙদামিন্নদুনা লৌনা লৈনশি হায়না ৱাশক্লরম্মী। থাংজিং লাইগী লাইফাউ মতুং ইন্না নিংথৌগী মনাই অঙম্বা কদেং থাংজহনবনা তোবর্বুংদা শা ফাবা চৎখিঙৈদো সোমদা নিংথৌনা তোনু লাইজিংলেম্বীবু তাল্লোই শীংদা চনখি। নিংথৌগী মচা ধারা পালহনগে নিংথৌগা মীংমান্নবী চনু নীঙোল অমা তাল্লোই শীংদা চল্লবদি হায়বা থাংজিংগী লাইফাউ মতুং ইন্না নিংথৌনা তোনু লাইজিংলেম্বীবু লৌখি। কদেংনা তোনু কায়নবগী অৱা মৈচাক্লা নারবদা নিংথৌনা কদেং তোনু অনীগী নুংশি মরী খঙলক্তুনা কদেংদা তোনু লাইজিংলেম্বীবু পীদুনা নুংশি ৱাইথুংনখিবগী ৱারীনি। ৱারী অসি মাইবম তোম্বা সিংহনা লীবিরকপনি।

ইতিহাসকী লৈরিবা মোইরাং লমদমগী থৌদোক, মীশক মফম মতম কয়াদা য়ুমফম ওইরগা শাগৎলক্লিবা ৱারীনি। ৱারী অসিদা ওরেল হিষ্টরিগী মচাক কয়াসু য়াওরি।

মীরোন অমদা মথং মথং লীনদুনা ঙসি ফাওবদা ওরেল হিষ্টরিগী মশক্তা হিংদুনা লৈরি। অনীশুবদা হিষ্টরিকেল লেজেন্দ ওইনা লমদমসিগী ইতিহাসকী মনুং চনবা অচুম্বা থোকখিবনি, হায়না থাজরিবা ৱারীশিংগী মরক্তগী অমতং পল্লবদা 'সতী খোংনাং' য়েংবা য়াই। সতী খোংনাং হায়না কৌদুনা ময়াং ইম্ফালদা হৌদুনা লৈরিবা খোংনাং অসিগী ৱারী অসি ঙসি ফাওবদা খুন্নাই কাঙলুপ অসিনা অশেংবা থোকখিবনি খন্না লৌনদুনা লীনরি। কন্যনা মপুরোইবা পদ্মগীদমক শিদা হিদাক ওইরিবা নোংনাং কোরিবু হেক্লু নবগীদমক্তা ময়াং ইম্ফালদগী হিয়াংথাং তান্না মখোংনা অথেংবা অহিংদা মাইবগী ৱাবু থাজদুনা মশাদা অকিবা পোক্তনা মথন্তা লাক্তুনা হিদাক হেকখি। মাবু পামজবা কুমুদনা ফান্নবা হোৎনখি। চীংমী ময়াম থোরক্তুনা কুমুদপু হাৎখি। কন্যনা ময়ুমদা হল্লকখি মপুরোইবদি কনবা ঙমখিদে। মা মশাসু শিরবা মপুরোইবগী মতুং ইন্দুনা মৈনুংদা চোংশিন্দুনা শিখি।

(ওফ সিত য়ুম্নাম ইবেহায়বী দেবী)

ৱারী অসি লমদমসিগী ইতিহাসকারশিংনা ইতিহাসকী লমাইদা ইশিন্দুনা লৈরিবা মণিপুরদা পানখিবা নিংথৌ চরাইরোংবগী মতমদা থোকখিবনি। মণিপুরদা ১৭ শুবা শতাব্দীদা পানখিবা চরাইরোংবা নিংথৌনি হায়বসি ইতিহাসকী ওইনা চুম্লবা ৱাফমনি। নিংথৌগী মতমদা ময়াং ইম্ফালদা হিংনা হিংনা মপুরোইবগী অশিবা হকচাংগা লোয়ননা মৈনুংদা চোংশিন্দুনা থৱায় থাখ্রবী কন্যাগী ৱারী অসি ঙসি ফাওবদা ময়াং ইম্ফালদা অশেংবা থোকখিবনি খন্না লীনরি। 'সতী খোংনাং' গী মরিক চুম্লবা ৱারী অসিদি ইতিহাসতা ইশিনবিদ্রবসু ঙসি ফাওবা ওরেল হিষ্টরি ওইনা হিংদুনা লৈরি। খুন্নাই কাঙলুপ অসিনা লৈরিবা মখৈদি ৱারী অসি অদুমক হিংদুনা লৈখিগনি। অহুমশুবগী প্লেস নেম লেজেন্দদা মোইরাংখোম হায়না খঙনরিবা মফম অসিগী মমিং থোনখিবগী মারী লৈনবা ৱারী অসি থন্বা য়াই। মোইরাংগী নিংথৌ পুরিৎলাই সনাহোংবনা ৱা হোংবগী কুম্মৈদা মৈতৈ নিংথৌ পুনশিববু চাক্নৌরম্মী। চাক চাবা লোয়দুনা হল্লকপা লম্বীদা মনাইশিংনা মোইরাংদি হেন্তাক ঙাপল লোইনি হায়নবদু মোইরাংশিংনা তাবদগী নিংথৌগী মফমদা চেল্লক্তুনা তম্লম্মী। মোইরাং নিংথৌনা শাউরদুনা মনাইশিংদা মৈতৈ নিংথৌ হাৎলু হায়দুনা শীন্নখি। মোইরাংনা মৈতৈনিংথৌবু হাৎকদবগী তান্নরক্লবদা মৈতৈ নিংথৌনা মথক্তা কামু খললোমদা চেল্লম্মী। কামু খুনা কনবা ঙম্লোই হায়রবদা অন্দ্রো খুল্লাকপগী মফমদা চেনশিন্দুনা থৱায় হিংখি। অন্দ্রোগী খুল্লাকপনা মোইরাংশিংবু নমথাক তৌদুনা হাৎলগা নিংথৌবু

থবানমিচাকশিং অসি করম্না ওইরক্কুনা অতিয়াদা অহানবা ওইনা থোক্লকখিবগে হায়বদু তাক্লি। লুবাং চনু তরক্কা হাওকু পাখং তরক্কা নুংশি মরী থমদুনা লুহোংদ্রিঙৈদা চনু নিঙোল ওইবীশিংনা নুপা ওইবশিংগা লোয়ননা য়ুম্বানবগী মরী থম্বা য়াদবগী চৎনবী, মমা মপা, মবুং মৌপ্পাশিংনা মচা, মচে, মচলবু ব্বারকপগী মশক কয়া য়াওরি। চৎনবী ব্বাংমা লান্না পূক্লিংগী অনীংবা অপাম্বা থবক পাংথোকপা ফত্তে হায়বা পাউতাকসু ব্বারীসিদা পীরি। অসিগুম্বা খুন্নাইসিগী চৎন-লোনচৎকী মশকশিং অসি তাক্কুনা ওরেল হিষ্টরিনা মরিক চুম্না ঐখোয়দা পাউদমলি। অসুম্না মণিপুরী লেজেন্দশিং অসিনা ওরেল হিষ্টরিগা শগোন্নদুনা থাইনঙৈদগীনা ঙসি ফাওবদা খুন্নাইসিদা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা চীনবুংদা থংথদুনা লাক্লি।

উন্নজরবা মীওই অমদি মতেং লোইখিবা লাইরিকশিং

১) সিংহ মাইবম তোম্বা, চহী ৭২, ইরোম পুখ্রীমপাল, খোংজোম পবর্ব শেশকপা অমসুং খোংজোম পবর্বগী ওজা।

২) দেবী, আর. কে. তম্ফাসনা, *মণিপুরী লোক সাহিত্য*, ইম্ফাল অহানবা খুৎনম ১৯৭৪।

৩) দেবী, য়ুম্নাম ইবেহায়বী, *"মণিপুরী (মৈতৈ) লেজেন্দ নৈনবা"* অহানবা খুৎনম ১৯৯৮।

৪) বরমণি সরাংথেম, *তোনু লাইজিংলেম্বী*, ইম্ফাল: ২ শুবা খুৎনম জুন ১৯৫৪।

৫) বরমণি সরাংথেম, *লম্মিৎলোন*, ইম্ফাল, ১৯৮৮।

৬) সিংহ, নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, *অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস*, ইম্ফাল অহুমশুবা খুৎনম।

৭) সিংহ, নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, (য়েংশিনবা), *চোথে থাঙব্বায় পাখংবা অমসুং নুংপান পোনপী লুব্বাউপা*, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি, অহানবা ফোঙবা, ১৯৮০।

৮) সিংহ শ্রীমোইরাংথেম নরেন্দ্র (সম্পা) খোংচোমনুপী নোংকারোল্,ইম্ফাল অহানবা খুৎনম ১৯৬৫।

৯) সিংহ লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল, নিংথোখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ (সম্পা) *চৈথারোল কুম্বাবা*, অনীশুবা খুৎনম ১৯৮৯।

ইংরাজী :

1. Bascom R. Willian, *Contribution to Folkloristics*, Meerut, Archama Publication,Delhi : 1981
2. Degh Linda, "Folk Narrative", in Dorson (ed) *Folklore and Folklife : An Introduction,* Chicago : The University of Chicago Press (e) 1972, pp. 53-83
3. *Leach Maria (ed:), Standard Dictionary of Folklore, Mythology and Legend, London* Harper & Row, paperback ed. : 1984.

মোইরাং লমদমগী কন থৌরবা মতিক মগুণ লৈবা অঙন্বা কদেং থাংহনবগী মরমদা থাদুনা ৱারীমিদা উৎলি। মোইরাংদা পানবা নিংথৌ লাইজিং পুন্সিবগী মতমদা থোকপা ৱারীনি হায়না থাজনা লীনরি। কদেং থাংজহনবা অমদি তোনু লাইজিংলেন্বী অনীগী নুংশি ঈচেলদা কায়নবগী অৱাবা থুংনবগা নুংঙাইবা মশক কয়া ওরেল হিষ্টরিনা পাউদমদুনা অচৌবা থৌদাং য়ারি। মঙাশুবদা ইতিওলেজিকেল লেজেন্দ ওইনা খোংচোম নুপী নোংকারোলগী ৱারী অসি লৌখৎতুনা থমজরি। ৱারী অসিদা অতিয়াদা থোক্লিবা থৱানমিচাক তরুকপু খোংচোমনুপী হায়না করম্না খঙনখিবা করি মতমগী অতিয়াদা লৈখিবা হায়বগী মরমদা লীনবা ৱারীনি। ৱারী অসিদি লুৱাং চনু তরুক্না ঙা তিকপা হাওকু পাখংশিংগী শোয়দা চৎপদা ঙা অমতা ফাদ্রে অহিং লেক্লগা লৈরো নোংঙাল্লগা ঙা পুদুনা চৎলো হায়না হাওকু পাখংশিংনা হায়বদগী লুৱাং চনু তরুক্না মফম অদুদা অহিং লেক্তুনা লৈরম্মী। নোংঙাল্লগা হল্লকপদা লুৱাং চনু তরুক অদু মমা মপা, মবুং মৌপ্পাশিংনা ফুবদগী মখোয় তরুক অদু কোরৌ নোংদোনদা চীংঙু সোরারেনগী মনাক্তা কারক্লম্মী। হাওকু পাখং তরুকসু লুৱাং চনু তরুকপু মমা মপা, মবুং মৌপ্পাশিংনা ফু চৈবা তৌরবদি পুন্না চীংঙু সোরারেনগী মখোং খাদা কামিন্নসি হায়নখিবগী মতুং ইন্না হাওকু পাখংশিংসু লুৱাং চনু তরুক্কী মতুং ইন্দুনা কোরৌ নোংদোন্দা কারকলম্মী। লুৱাং চনু তরুক্না হাওকু পাখং তরুক্কা থানখিবা মতম অদু নোংমা শোইনবদগী উনদনা লুৱাং চনু তরুক্না হান্না সোরারেনগী মনাক্তা থুংলম্মী। হাওকু পাখং তরুকসু নোংদোন্দা কারক্তুনা চীংঙু সোরারেনগী মনাক্তা মখোয় পুন্না থেংনখি। হাওকু পাখং তরুকসু অতিয়াদা থৱানমিচাক ওইনা থোক্তুনা লৈখি। লাইরৈবাক অসিদদি নুপা নুপী নুংশি মরী থমদুনা য়ুম্বানবগী মরী থম্বা য়ারোই হায়না হাওকু পাখং তরুক অমদি খোংচোম নুপী তরক্তা চীংঙু নোংথৌ সোরারেন্না হায়রম্মী। অদুবু মালেমদা কুমদুনা চহী অমগী মনুংদা কালেন থানা লোইরকপা ইঙা থানা হৌরকপা মতমদা নোংমতং য়ুম্বানমিন্নবা নুপা নুপী অনীগী মরী থমদুনা মরোন থোকপা হারিবু মচানুপা ওইনা পোক্লুও হায়না সোরারেন্না তাকপীখি। লুৱাং চনু তরুক্কা হাওকু পাখঙ তরুক্কা চহীগী অহৌবা খুদিংদা পুকনিং অমতা ওইনা মচা খোনওস্থোকপা হারিবু পোকখি।

(মোইরাংথেম নরেন্দ্র সিংহ, ১৬০)

খোংচোমনুপী নোংকারেল অসিদা লুৱাং চনু তরুক্না থৱানমিচাক তরুক ওন্দুনা অতিয়াদা থোকখিবা অমদি হাওকু পাখং তরুকসু মখোয়গী মতুং ইন্দুনা লাক্লগা মখোয়গা নক্লনা থৱানমিচাক ওইনা থোক্তুনা লৈখি হায়বগী থাজনা লীনরিবা খুন্নাইসিগী ৱারীনি।

মৈতৈগী লাই-তীনগী ৱারীশিংনা সমাজ অসিদা লৈরিবা মীওইশিংদা নুংঙাইবা পীবদা নত্তনা অৱা-পোখাহনবগী থৌদাংসু পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মণিপুর তম্পাক্তা লৈরিবা মীওইশিংনা লাই-তীনগী ৱারীশিংবু তাবা য়াম্না পাম্লি। মরম অসিমক্না মণিপুরীগী লাই-তীনগী ৱারীশিংবু ঙসি ফাওবা মীরোল অমদি মীরোল অমদা চীনবুংদা মথং মথং লীনদুনা লাক্লি। লাই-তীনগী ৱারীশিং অসিবু লীরিবশিংনা লমদমসিগী মীওইশিংদা মখল মথেল কয়াগী অসিগুম্বা ৱারীশিংবু মওং অমা নৎত্রগা অমা তাহন্দুনা লাকপদা নত্তনা তারিবশিং অদুদা নুংঙাইবা পীবগা লোয়ননা অৱা-পোখাহনবগী থৌদাংসু পাঙথোক্লি। মালেম লৈশেম্বগী ৱারী, নোংখোং কোয়বগী ৱারী, তাইবঙমী শেমখিবগী ৱারী, চয়োল তরেৎ ওইখিবগী ৱারী, থা তরানিথোই মমিং থোনখিবনচিংবগী ৱারীনচিংবশিং তারগা তারিবা মীশিংদা থোয়দোকপা নুংঙাইবগী ঈথিল অমা পীবতা নত্তনা অৱা পোখাহল্লি অমসুং নুংঙাইনা মতম লেল্লি। ৱারী খরা পল্লবদা- ফৌওইবী, ইমোইনু, পান্থোইবী, নোংপোক অপানবা, কৌব্রু, থাংজিং, ৱাংব্রেন, মার্জিং, লোয়য়ারাকপা অসিনচিংবশিং অসিগী মনুংদা য়াওরিবা লাইশিং লাইরেম্বীশিংগী ৱারীশিং অসিনা মণিপুরী সমাজদা লৈরিবা মীওইশিংগী মফমদা তাহনবদা নুংঙাইহল্লি অমসুং অৱা পোখাহল্লি। অসিগুম্বা ৱারীশিং অসি অহল্ল লমন অমদি মথক থোংবশিংনা অঙাংশিংদা লীবিদুনা নুংঙাইহনবদা নত্তনা মতম লেলহল্লি। ৱারী লীবশিংনা লাই-তীনগী ৱারীনচিংবা কয়া লীহন্দুনা ৱারী তাবগী চৎনবী অমা মমাংঙৈদগী হৌনা লৈরক্লি। ৱারী লীবনা শিনফম ওইরবা ৱারীলীবশিংনা কালেনগী শারবা মতমদা লাই-তীনগী ৱারী কয়া অমা লীদুনা তারিবশিং অদুদা নুংঙাইবা পীবদা নত্তনা শারবা মতম অদু লেন্থোকহনবগী থৌদাংসু মখোয়শিংনা তারি। অসুম্না মৈতৈগী লাই-তীনগী ৱারীশিংনা মণিপুরী সমাজদা অৱা-পোখাহনবা অমসুং নুংঙাইবা পোকহনবগী থৌদাং পাঙথোক্লি হায়না হায়বা য়াই।

লাই-তীনগী ৱারীশিং অসিনা মণিপুরী সমাজগী মীওইশিংদা মওং অমা নৎত্রগা অমদা লৌশিং, জ্ঞান পীনবগী থৌদাংশিংসু পাঙথোক্লি। অসিদসু নত্তনা মখোয়শিংনা অফবা লমচৎ শাজৎ ওইহন্নবগী পাউতাক কয়া পীবগী থৌদাংসু লৌরি। অসিগুম্বা মখলগী ৱারীশিং অসিনা মহে-মশিংগী মঙাল ফঙদবা মীওই কয়াদা লৌশিং জ্ঞান কয়া অমা পীরি। ৱারীশিং অসিবু তারিবা মীওইশিংদা তোঙান- তোঙানবা মখলগী লৌশিং জ্ঞান কয়ামরুমসু পীদবা নত্তে। তাইবঙমী শেমখিবগী ৱারীদা তেংপানবা মপুনা মচাইবুংঙো সনামহীদা তাইবঙপানবদা

লৈননবা তাইবঙমী শানবা য়াথং পীরমই। মনামহীনা মথং মথং ঙমু, হঙোই, য়োং হায়রিবা পোৎলম অহুম অসিবু শারগা মপা ইবুংঙোদা উৎলমই। মপা ইবুংঙোনা শারিবা পোৎলম অদুনা তাইবঙমী ওইবা য়াদ্রি, মহাক্কী মীরেন পাদম লাক্লগা শান্নবা হায়রবদা সনামহীনা মপা ইবুংঙো অপোকপগী মিরেন য়েংদুনা শারবদা তাইবঙমীগী কায়াৎ শুরদুনা 'তাইবঙমী' হায়না কৌখিরমই। ৱারী অসিদগীসু ঙমু, হঙোই, য়োং হায়রিবা জীবশিং তাইবঙদা মতৌ করম্না লৈরকখিবা অমসুং মালেমসিদা লৈরিবা মী হায়বসি মতৌ করম্না ওইরকখিবগে হায়বগী ৱারী ৱাখোঙশিং খঙহন্দুনা তারিবা মীওইশিংদা লৌশিং-জ্ঞানবু পীবগী থৌদাংসু পাঙথোক্লি। 'থা তরানিথোইগী মমিং থোনখিবা' গী ৱারীদা ঙসিগী সমাজ অসিদা চৎনরিবা থাশিং, কুমশিং, পারিবা, মতৌ করম্না মমিং থোনখিবা অমদি লোইদাম থাবুম তরানিথোইনা চহী কুমজা অমা হায়দুনা শেন্নীরিবসি তেংবানবা মপুনা পীনবিরকপা মতীক ময়াইগা য়াম্না নক্লবা মরী অমখক শেন্নগা থন্নীরম্বনি হায়বসু খঙহল্লি। ''শজিবুদগীনা লমদা হায়রিবা থা তরানিথোই অসিগী মনুংদা চৎলিবা থাচৎকী কাঙলোন্নচিংবা কয়াশিং অসি তারুরগা তারিবশিংদা ৱারীশিং অসিগী মরমদা খঙবা হেনগৎহনবগী থৌদাংসু পাঙথোক্লি। 'চয়োল তরেৎকী মমিং থোনখিবা' গী ৱারীদসু চয়োল অমগী মনুংদা নুমিৎ তরেৎনি অসিগী হৌরকপা অমসুং নুমিৎশিং অসিবু মতৌ করম্না মমিং থোনখিবগে হায়বগী মতাংদা মখোয়শিং অসি লাইশিংগী মমিং লৌদুনা থোনখিবা অমদি লাইশিং অসিবু অমুক ঙসিগী তাইবঙনা খঙনরিবা গ্রহাশিংগী মমিংগা মান্ননা খঙনরকপগা লোয়ননা মথংদা অমুক মৈতৈগী শলাই তরেৎকী মপা মপু ওইনা লৌনরকখিবা কয়াশিং অসিনা মসিবু তারিবশিংদা নুমিৎ তরেৎনিগী মতাংদা কুপ্পা খঙহন্দুনা মখোয়গী লৌশিং হেনগৎহল্লি। 'সনামহী', 'পাখংবা' গী ৱারীনা সনামহীনা নুমিৎ হুম্নিশুবা অঙাংগী মতৌগুম্না ঈশাইফুদা সনা অহীংবা মচু মান্না লৈরমই হায়বদগী 'সনামহী' হায়না মীংথোল ফঙজখিবগী ৱারী অসিনা করম্না সনামহী মীংথোল থোনখিবগে হায়বগী মরমদসু তারিবশিংদা খঙহল্লি। 'পাখংবা' গী ৱারীনা মতৌ করম্না পাখংবা মীংথোল থোনখিবগে হায়বগী মতাংদা শলাইলেন শিদবনা মরোংখোংদা ষণ অশিবা ওইনা তাওথরকপা মতমদা মচা পাখংবনা ময়াম্বদা মপাবুংনি লৌখৎসি হায়বদা ময়াম্বা সনামহীনা মপাবুং নত্তে হায়রুবদা ষণনা মমৈ লেংলক্লবদা মচিন-মনাও চঙদুনা কংফান্দা চীংখৎলগা ষণ অশিবা অসিবু শা-নচিংবা শোক্তনবা হায়দুনা তোবর্বান নারক্তা লোৎনবা থাংজিল্লগা নাপী খরা ফোইদুনা মথক্তা কুপশিল্লমই। মতম অদুদা মচিন মনাওগী মাঙদা মপাবুংনা চোংথোক্লক্লগা মপারি অতোনববু মপা মশক খঙই হায়বগী 'পাখংবা' হায়বা মিংথোল

লৌশিংগী মপান্ননি হায়বসি ৱারী অসিবু তারিবশিংদা ময়েকশেংনা তাকপগা লোয়ননা লৌশিং-জ্ঞান হেনগৎল্লি অমদি লৌশি লৈবগী কান্নবা অদু খঙহল্লি। মথক্তা পঞ্জত্রিবা মৈতৈগী লাই-তীনগী ৱারীশিংনা পীরিবা পাউতাকশিং অসিনা সমাজ অসিদা লৈরিবা মীওইশিংদা তোঙান-তোঙানবা লৌশিং কয়া পীদুনা জ্ঞান হেনগৎহনবগী থৌদাং পাঙথোক্লি।

মৈতৈগী লাই-তীনগী ৱারীশিং অসিনা তারিবা মীওইশিংদা অফবা মী অমা ওইহন্নবগী থৌদাংসু পাঙথোক্লি। মখল অসিগী ৱারী অসিনা তারিবশিংদা অফবা মী ওইহন্নবগী পাউতাক কয়া পীরি। লাই-তীনগী ওইবা ৱারীশিং অসিনা সমাজ অমসু ঙাক-শেন্দুনা থম্বা ঙল্লি। হায়রিবা ৱারীশিং অসিদা সমাজ অমগী চৎনবী কয়াগী শক্লোন য়াওবা ঙাক্তনি। মরম অসিনা লাই-তীনগী ৱারী অমা তারুবা মতমদা ৱারী অদুদা য়াওরিবা চৎনবী কয়াশিং অদুনা তারিবশিং খঙহল্লি। লাই-তীনগী ৱারীশিং অসিনা সমাজ অসিদা লৈরিবা মীওইশিংবু ফত্তবা থবক তৌহন্দনবগী থৌদাংসু পাঙথোক্লি। লাইগী ৱারীশিং তারুরগা মীওইবনা ফত্তবা কয়া অমা তৌগে খল্লুরবসু ৱারী অদু তারবা তুংদা ফত্তবা তৌগে খল্লিবা ৱাখল্দুবু ফাথহনবা ঙম্বগী থৌদাংসু পাঙথোক্লি। খুদম ওইনা 'নোংখোং কোয়বা' গী ৱারীদা সনামহীনা নোংখোং কোয়দুনা হল্লক্লবদা মমাগী পাউতাক্তগী মনাওনিপা পাখংবনা ফম্বাল তোংদুনা লৈরম্বা উবদ গী সনামহীনা শাওদুনা মনাওনিপাগী থৌশিল তৌরিবদু নুপী ওইরগা তালোইশিংদা চনগনি, নিপা ওইরগনা অঙাং ওলহনগনি হায়না ৱাশক্লমই। মসিদগী সনামহীনা খন্থবা তৌদনা হায়দোকখিবগী মতুং ইন্না মমা লৈমরেল শিদবীগা লোয়ননা মপাগী য়াথংদগী তাইবঙগী য়ুমথোঙ খুদিংদা লাৎনখি। মসিদগী খঙবা ঙম্বদি শাওবা হায়বসিনা অচুম-অরান, ধর্ম্ম, অচার-বিচার, নীতি কয়াদা অকায়বা কয়া লাকই হায়বা খঙহল্লি। মসিনা শাওবদগী অমাঙবা কয়া লাকই হায়বসি তাকপসিনা ফত্তবা থবক তৌনিংবা পোকহন্দনববা অফবা ওইহনবগী থৌদাংদু ৱারীশিংনা পাঙথোক্লি। 'ইমোইনু অহোংবী' গী ৱারীদা নুপী অমা ওইবদা চেনগদবা গুনশিংগী মতাংদা পাউতাক কয়া পীবিবতা নত্তনা লমচৎ চুম্না চত্তবী নুপী-নিপাশিংগী ময়ুমশিংদনা হন্না ফাওবা য়েংলমদবা, অদুগা লমচৎ ফজবা চুম্না চৎপা অয়ুক-নুমিদাং মশক খঙনা য়ুমশিংদনা ইমোইনু ইমানা তুঙই হায়বসিদগী কনাগুম্বা নৎত্রগা কনাগুম্বীনা ফত্তবা লমচৎ অমা হেক চৎকে হায়না খল্লকপা মতমদা ৱারী অসিবু তারিবা মীওইশিংনা অফবা থবক তৌনিংবগী ৱাখলবু পোকহল্লকপগী থৌদাংসু পাঙথোক্লি। 'কোম্বৌজম লাইরেম্বী' গী ৱারী অসিনসু সমাজ অসিদা লৈরিবা নুপী ওইবীশিংদা

মৱা মপুরোইবনা হায়বা ৱাসি লৌরোই হায়না খল্লকপদা কোন্থৌজম নিঙোল তম্ফানা মপুরোইবগী য়াথং ইনখিদবদগী তাপ্লিবা অৱাবসু নীংশিংদুনা মতম লৈবখিবিক্তা হায়বা ইন্নিংদবগী ৱাখল অসি থাদোকহন্নিংবা গোকহল্লি। মথক্তা পীথ্রিবা খুদম খরসিদগী খঙবা ঙমই সমাজ অসিদা অফবা থবক অমা তৌহনবদা লাই-তীনগী ৱারীনা য়াম্না চাওবা থৌদাং পাঙথোক্লি হায়না হায়বা য়াই।

লাই-তীনগী ৱারীশিংনা মৈতৈগী ঈরাৎ-থৌনি তৌবদা মপুং ফাহনবগী অচৌবা থৌদাং কয়াসু পাঙথোক্কুনা লাক্লি। ঙসি ফাওবদা মণিপুরী সমাজদা লাইথৌ-তিনথৌ অমা তৌবা মতমদা মৈতৈগী লাই-তীনগী ৱারীশিংনা য়াম্না চাওবা থৌদাং লৌরি। খুদম ওইনা মৈতৈ সমাজদা মাইবনা থৌ তৌবা, লাই খুরুম্বনচিংবা মতমদা লৈশেম্বগী ৱারী লীদুনা লাইথৌ তিনথৌ পাঙথোক্লি। মসিমক লাই-তীনগী ৱারীনা মণিপুরী সমাজদা য়াম্না চাওরবা থৌদাং অমা লৌরিবা অদুগী খুদম অমনি। মসিগী থৌদাং অসি মিথনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লিবা মরু ওইৱা থৌদাংশিংগী মনুংদা অমনি হায়বা য়াই। ৱাফম অসিবু শৌগৎলদুনা রোবর্ট গ্রেবস (Robert Graves) না অসুম্না হায়রি :

> ... function of myth is to justify and existing social system and account for traditional rites and customs.[1]

মথক্তা পল্লিবা ৱাফম অসিগা মরী লৈননা পান্থোইবীগী ৱারীদা পান্থোইবীনা খাবগী ময়ুম থাদোক্কুনা চৎথ্রগা নোংপোক নিংথৌগা লোয়ননা নোংমাইজিং চীংদা পানখ্রবা মতুংদা খাবা মনু তেকঙা অনীনা পান্থোইবীগী মতীক মগুন খঙলক্লদুনা নোংমাইজিং চীংদা লাক্কুনা পান্থোইবীগা নোংপোক নিংথৌ অনীবু ঈরাৎ থৌনিদুনা লাই ময়ামগা লোয়ননা হরাও কুম্মৈ পাঙথোক্কুনা ঔগ্রী শক্কুনা তৌখিবা ঈরাৎ থৌনিগী থৌরম অদুনা ঙসি ফাওবদা 'লাই হরাওবা' হায়দুনা মতম মতমগী ওইনা চৎনবী অমা ওইনা পাঙথোক্লরি। মৈতৈ অসি কনানো হায়না জাতি অসিনা মশক তাক্লিবা অদুগুম্না লাই হরাওবা হায়বা অসি মতৌ করম্না কদায়দগী হৌরকই হায়বসি পান্থোইবী অমসুং নোংপোক নিংথৌ অনীগী ৱারী অসিনা খঙহল্লি। মরম অদুনা ঙসি ফাওবদা লাই হরাওবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা মণিপুরী জাতিগী শক তাকচবা সংস্কৃতিগী শক্লোন অমনি হায়বসিনি। মখল অসিগী ৱারী অসিনা মৈতৈগী য়ুমথোং খুদিংদা সনামহীবু মতৌ করম্না ঈরাৎ থৌনি তৌখিবনো হায়বগী মতাংদসু সনামহীগী ৱারীবু তারিবশিংদা খঙহনবগী থৌদাংদু পাঙথোক্লি। শলাইলেন শিদবনা মচা অনী সনামহী অমসুং

24

লৌশিংগী মপান্ননি হায়বসি ৱারী অসিবু তারিবশিংদা ময়েকশেংনা তাকপগা লোয়ননা লৌশিং-জ্ঞান হেনগৎল্লি অমদি লৌশি লৈবগী কান্নবা অদু খঙহল্লি। মথক্তা পঞ্জপ্রিবা মৈতৈগী লাই-তীনগী ৱারীশিংনা পীরিবা পাউতাকশিং অসিনা সমাজ অসিদা লৈরিবা মীওইশিংদা তোঙান-তোঙানবা লৌশিং কয়া পীদুনা জ্ঞান হেনগৎহনবগী থৌদাং পাঙথোক্লি।

মৈতৈগী লাই-তীনগী ৱারীশিং অসিনা তারিবা মীওইশিংদা অফবা মী অমা ওইহন্নবগী থৌদাংসু পাঙথোক্লি। মখল অসিগী ৱারী অসিনা তারিবশিংদা অফবা মী ওইহন্নবগী পাউতাক কয়া পীরি। লাই-তীনগী ওইবা ৱারীশিং অসিনা সমাজ অমসু ঙাক-শেন্দুনা থম্বা ঙম্লি। হায়রিবা ৱারীশিং অসিদা সমাজ অমগী চৎনবী কয়াগী শক্লোন য়াওবা ঙাক্তনি। মরম অসিনা লাই-তীনগী ৱারী অমা তারুবা মতমদা ৱারী অদুদা য়াওরিবা চৎনবী কয়াশিং অদুনা তারিবশিং খঙহল্লি। লাই-তীনগী ৱারীশিং অসিনা সমাজ অসিদা লৈরিবা মীওইশিংবু ফত্তবা থবক তৌহন্দনবগী থৌদাংসু পাঙথোক্লি। লাইগী ৱারীশিং তারুরগা মীওইবনা ফত্তবা কয়া অমা তৌগে খল্লুরবসু ৱারী অদু তারবা তুংদা ফত্তবা তৌগে খল্লিবা ৱাখল্দুবু ফাথহনবা ঙম্বগী থৌদাংসু পাঙথোক্লি। খুদম ওইনা 'নোংখোং কোয়বা' গী ৱারীদা সনামহীনা নোংখোং কোয়দুনা হল্লক্লবদা মমাগী পাউতাক্তগী মনাওনিপা পাখংবনা ফম্বাল তোংদুনা লৈরম্বা উবদ গী সনামহীনা শাওদুনা মনাওনিপাগী থৌশিল তৌরিবদু নুপী ওইরগা তালোইশিংদা চনগনি, নিপা ওইরগনা অঙাং ওলহনগনি হায়না ৱাশক্লমই। মসিদগী সনামহীনা খন্থবা তৌদনা হায়দোকখিবগী মতুং ইন্না মমা লৈমরেল শিদবীগা লোয়ননা মপাগী য়াথংদগী তাইবঙগী য়ুমথোঙ খুদিংদা লাৎনখি। মসিদগী খঙবা ঙম্বদি শাওবা হায়বসিনা অচুম-অরান, ধর্ম্ম, অচার-বিচার, নীতি কয়াদা অকায়বা কয়া লাকই হায়বা খঙহল্লি। মসিনা শাওবদগী অমাঙবা কয়া লাকই হায়বসি তাকপসিনা ফত্তবা থবক তৌনিংবা পোকহন্দনববা অফবা ওইহনবগী থৌদাংদু ৱারীশিংনা পাঙথোক্লি। 'ইমোইনু অহোংবী' গী ৱারীদা নুপী অমা ওইবদা চেনগদবা গুনশিংগী মতাংদা পাউতাক কয়া পীবিবতা নত্তনা লমচৎ চুম্না চত্তবী নুপী-নিপাশিংগী ময়ুমশিংদনা হন্না ফাওবা য়েংলমদবা, অদুগা লমচৎ ফজবা চুম্না চৎপা অয়ুক-নুমিদাং মশক খঙনা য়ুমশিংদনা ইমোইনু ইমানা তুঙই হায়বসিদগী কনাগুম্বা নৎত্রগা কনাগুম্বীনা ফত্তবা লমচৎ অমা হেক চৎকে হায়না খল্লকপা মতমদা ৱারী অসিবু তারিবা মীওইশিংনা অফবা থবক তৌনিংবগী ৱাখলবু পোকহল্লকপগী থৌদাংসু পাঙথোক্লি। 'কোম্লৌজম লাইরেম্বী' গী ৱারী অসিনসু সমাজ অসিদা লৈরিবা নুপী ওইবীশিংদা

জাতি অমগী লাই-তীনগী ৱারীশিং অসিনা জাতি অদুগী মীওইশিংদা লৈরিবা চীংনবা, খঙদবনচিংবা ৱাহং কয়াগী পাউখুমশিংদু পীবগী থৌদাংসু তৌরি। ৱাফম অসিবু শৌগৎলদুনা দব্লিউ. আর. হল্লিদে (W.R. Halliday) না অসুম্না হায়া :

> Myths represent the answers given by the human imagination to the problems of how things came to be. How were Earth and Sky created or how did evil enter the world ? ... Myth ... represents the first response of the human mind to that sense of wonder ... .[2]

মসিগী খুদম ওইনা পল্লবদা, অশীবা অমসুং কোঞ্জিন তুকখবগু মতৌ করম্না সনামহী অমসুং পাখংবা মিঙ্গৌনখিবনো হায়বগী মতাংদা সমাজদা লৈরিবা মীওইশিংগী থম্মোয়দা চীংনবা অমা ফাওহল্লিবা অসিগী পাউখুম অদু মখোয় মখোয়গী ৱারীশিংনা খঙহন্দুনা চীংনবশিংদু কোকহনবগী থৌদাং পাঙথোক্লি। সনা অহীংবা মচু মান্না হুমনি নৌৱাগুম লৈরমই হায়বগী 'সনামহী' কৌখিবা অমসুং মপাইবুংঙো শলাইলেনগী ফম্বালসু কোয়বদি কোরৌ নোংখোংবু কোয়বনি হায়না পাখংবনা মপাবুংগী ফম্বালবু তরেৎলক কোয়খিবদা মপা মশক খঙই হায়বগী 'পাখংবা' হায়না কৌখিবা অসিনা 'সনামহী' অমসুং 'পাখংবা' গী মিংগী ৱাহন্থোকপু খঙহনবা ঙমই। সনামহীবু করিগীদমক্তা য়ুমথোং খুদিংগী ঈরাৎনরিবনো হায়বগী মতাংদা সনামহীগী ৱারীবু তারগা চীংনবা কোকহনবগা লোয়নন। ৱারীশিং অসিনা অচুম্বনি হায়না তাকই। সনামহীনা নোংখোং কোয়বা হল্লকপদা মনাওনিপা পাখংবনা ফম্বাল তোংদুনা লৈরম্বদা সনামহীনা শাওমনখিদুনা মালেম থকথা ওলহল্লগে হায়না ম[illegible]মনা খাদা অদুগা নাম্ম অমনা থক্তা নেংলগে হায়না ফুক্কলকপদগী মালেমনা খাদা চে[illegible] হায়বগী অচুম্বা মশক অমদি চীংনবশিং কোকহন্দুনা ঙসি ফাওবা থাজনরি। অদুগী তুংদা মপাবুং শলাইলেন্না থোক্লকগা সনামহীবু খামলদুনা তাইবঙগী য়ুমথোঙ খুদিংদা খুভম য়াদুনা লৈহনখিবা অসিনা সনামহী মতৌ করম্না য়ুমলাই ওইরকখিবনো অমদি মসিগী ৱারীশিং অসিনা অচুম্বনি হায়না তাক্তুনা চীংনবা কয়া কোকহল্লি। 'ইমোইনু' বু মতৌ করম্না ঈরাৎ থৌনিখিবনো হায়বগী মতাংদসু ইমোইনু অহোংবী হায়রিবী ইমা অসি নুপী ওইবী অমনা চৎকদবা লম্চৎ-শাজৎ, নীতি-নিয়মনচিংবা তাকপা অমদি অফ-ফত্ত কয়াগী মরম্মকুপ্পু খঙহনবা লাইরেম্বীনি হায়বসি ইমোইনু লাইরেম্বীনা মহক্কী মপুরোইবগী মফমদা লাইরেম্বী মানা য়ানিংবা অমদি য়ানিংদবা লমচৎ কয়াবু ফোঙদোক্তুনা হায়বা অসিদগী খঙবা

পাখংবদা ফম্বাল শিন্নবগী কোরৌ নোখোং কোয়নবা হায়বদা মচা পাংখবদি মপা ইবুংঙোগী ফাংখোঙবু তরেৎলক কোয়রগা, চৎলুরগা ফম্বাল তোংখিরমই। ময়াম্বা সনামহীদি নোংখোঙ কোয়বা চৎলুরগা হল্লক্লবা মতমদা মনাওনিপা পাখংবনা ফম্বাল তোংদুনা লৈরম্বা উবদা শাওমনখিদুনা মহাক্না শেম্বা মালেমবু মথক মখা ওল্লগে তৌরকপদা মপা ইবুংঙো শলাইলেন্না মচা পাখংবনা তোংবা ফম্বালদি অমখক্তনি, অদুগা সনামহীবুনা ফম্বা চাম্মা চাম্মগী মপু ওইহনখিবগা লোয়ননা তাইবঙগী য়ুমথোঙ খুদিংদা ঈরাৎ-থৌনি তৌহৌরসনু হায়দুনা ঙসি ফাওবদা য়ুমথোংগী ঈরাৎনরিবনি হায়বগী থাজনবী অসি ৱারী অসিনা তারিবশিংগী মফমদা খঙহনবগী থৌদাংসু পাঙথোক্লি। ‘ফৌওইবী লাইরেম্বী’ গী ৱারী অসিনসু লৌ-উবা, লৌ-খাওবা, লৌ-য়ৈবা অসিনচিংবগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং অমদি ফৌ য়াম্না থোক্লবগীদমক্তা ফৌওইবী লাইরেম্বীবু ঈরাৎ পুজা তৌনরিবনি হায়বসি তারিবশিংনা খঙবা ঙমই। ফৌওইবীগা অকোংজম্বাগা তোবর্বুংদা থেংনরবদা মখোয় অনীনা মমাংগী শায়োনবু নীংশিংনরবদা মথংগী নুমিৎতা ঙাইনসি হায়নখিববু অকোংজাম্বনা লাক্রবনা ফৌওইবীনা অকোংজাম্বগী ময়ুম তান্না চৎলবদা অকোংজাম্বগী নুপীনা শুমজীৎনা কন্দুনা তাল্লকখিবা অসিনা মরম ওইদুনা ঙসি ফাওবদা কৈদগী ফৌখায়বা মতমদা শুমজীৎকী মমিং পনবা য়াদবগী চৎনবী থাজনবী অমা লৈরিবা ফৌওইবীগী ৱারী অসিনা তাক্লি। অদুগা কুমগী অহানবা কৈদগী ফৌ খায়বা মতমদসু ফৌওইবী লাইরেম্বীবু ঈরাৎ থৌনিজরগা খায়বগী চৎনবী অমসু লৈরিবসি ৱারী অসিনা মণিপুরী সমাজদা লৈরিবা মীওইশিংদা মরীকচুন্না খঙহনবগী থৌদাং পাঙথোক্তুনা ঙসি ফাওবদা ঈরাৎ থৌরমশিং কায়দনা তৌনরিবনি হায়বা য়াই। ‘ইমোইনু লাইরেম্বী’ গী ৱারী অসিদসু ইমোইনু অহোংবী লাইরেম্বী অসি মৈতৈগী ওইনদি য়ুমথোং খুদিংদা ঈরাৎ পুজা তৌদু খুভম য়াদুনা লৈরিবি ইমানি হায়বসি ৱারী অসি তারিবশিংনা খঙবা ঙমই। চহী কুমজা খুদিংগী ৱাকচীংগী তরানিথোইনি পানবদা ইমোইনুবু ঈরাৎচদুনা চাকহোং ঙাহোংহনবিয়ু হায়না থৌনিবগী থৌরম তৌনরি। ঙসি ফাওবদা মৈতৈশিংনা য়ুম অমা লিংদুনা পাল্লবদা, লৈনরিবা য়ুমগী মনুংদা ফুঙ্গা লাইরুদা চৎনবগী ওইনা শংলৌ মথেল ঙমজবা কচচদুনা মৈরা কৎতুনা নোংমগী কায়দনা ঈরাৎ থৌনি তৌবিরা অসিনা ৱারী অসি অচুম্বনি হায়বা খঙহনবগী থৌদাংদু পাঙথোক্লি। অসিতসু নত্তনা চহী কুমজা খুদিংগী থাংজিং, ৱাংব্রেন, মার্জিং লাইনচিংবা হরাওজদুনা ঈরাৎ-থৌনি তৌরিবা অসিনা করিগীদমক্তা মখোয়বু ঈরাৎ-পুজা তৌরিবনো হায়বগী অচুম্বা মশক অদু ৱারীশিং অসিনা তাক্লি। মসিমক লাই-তীনগী ৱারীনা মণিপুরী সমাজসিদা পাঙথোক্লিবা চাওরবা থৌদাংনি।

অসি মতীক মগুন চেনবী, শক্তি লৈবী লাইরেম্বীনি হায়বসি খঙবা ঙমহল্লি। 'খল্লাংবা' হায়বা লাই অসিসু মতীক মগুন চেনবা শীংথাবা য়াবা লাইশিংগী মনুংদা অমনি হায়বসি খল্লাংবগী ৱারীদগী খঙবা ঙম্ মই। লাই খল্লাংবা অসি য়োৎপু পুথোকপা লাইনি হায়না শীংথানৈ। লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগা ৱাংব্রেন খানা চাউবগা লান্থেংনবা মতমদা ৱাংব্রেনগী মনাই খরোবা খরোবীনা মশাদগী য়োৎশুক শৎ-শৎতুনা লংঙকপসিদা লাইশিংনা খাঙবা ঙমদদুনা চেনখিদু খল্লাংবদা ৱাকৎলুবা মতমদা খল্লাংবনা চেম্থোরক্তুনা য়োৎ ময়ামদু ফার-ফারগা ময়াদা হুকচল্লগা চগেম শাইবগুম্না শাইদৎতুনা য়োৎ ময়ামদু লোইনা চাথোক্লমই। অসুম্না য়োৎ ময়াম চাথোকপদগী য়োৎচাবা লাই অমা লাক্লে হায়দুনা ৱাংব্রেনগী মনাই মশল লাই ময়াম কায়দুনা চেনখিরমই। অসুম্না খল্লাংববু য়োৎপু চগেম শাইবগুম শাইরিবা নৃঙবু থুম তুপ্পগুম তুপ্লিবা হায়না মতীক-মগুনবু শীংথানৈ। ৱারী অসিদগী 'খল্লাংবা' হায়বা লাই অসি মতীক মগুন লৈবা, তৌবা ঙম্বা লাইনি হায়বসি তারিবশিংনা নীংখিজনা খঙবা ঙমই। অসুম্না নীংশিংবা থোক্রবা মতমদগী হৌনা লৈরম্লবা লাইশিং লাইরেম্বীশিং অসিগী ৱারীশিংনা সমাজসিদা লৈরিবা মীওইশিংদা লাইশিং অসিগী মতীক মগুন মথৌনা অমদি তৌবা ঙম্বশিং অসিবু খঙহনবগী থৌদাং পাঙথোক্লি।

মৈতৈগী লাই-তীনগী ৱারীশিংনা সমাজ অসিদা য়েলহৌঙৈদগী চৎনরক্লবা অমদি হৌজিক ফাওবদা চৎনবী ওইনা লৈরিবা অচুম্বগী মশক, চৎনবী, থাজনবী অমদি সংস্কৃতি তোঙান-তোঙানবা মশক কয়া খঙহনবগী থৌদাংসু পাঙথোক্লি। 'সনামহী' গী ৱারীদা সনামহীনা হুম্লিশুবা অঙাংগী মতৌগুম্না ঈশাইফুদা সনা অহিংবা মচু মান্না লৈরম্বদগী মপা শিদবনা লৌখৎলগা য়াইবীরেল শিদবগী মিংখৈবু পীবিরবগী তুংদা অমাইবা অমাইবীশিংনা লাইজ ঈপান থারমই। অসুম্না সনা অহিংবগী মচু মান্না মহী ওইবা ঈশিংদা লৈরমই হায়দুনা 'সনামহী' হায়বা মিংথোল ফঙখি। মসিদগী মৈতৈনা অঙাং অমা পোক্লগা "ঈপান থাবা" হায়বা থৌরম অসি ঙসি ফাওবা মণিপুরী সংস্কৃতিগী শক্লোন অমা ওইনা পাঙথোক্লরি। 'তাইবঙমী শেমখিবা' গী ৱারীদা শলাইলেন শিদবনা মচা সনামহীদা তাইবঙমীবু শাবা হৌরো হায়না তাকপীরবদা সনামহীনা অহানবা শাবা পোৎলমবু উৎলবদা তাইবঙমী মান্দে, অদুবু লেম্না মাঙহনবা য়াদে হায়দুনা মপাবুংনা মথৱায় হাপ্লগা নমু মীতমঙা হৌজিক্লা 'ঙমু' কৌদুনা ঈশিংদা থাদোকখিরমই। মসিদগী মণিপুরী সমাজ অসিদা অনৌবা ইমুং অমা শেমগৎপা লুহোংবগী থৌরাংদা ঈশিংদা ঙমু থাবা হায়বা মৈতৈগী নাৎকী চৎনবী

ঙমই। অদুগা অমুকসু চলাম্বনা খুমন নিংথৌগী মফমদগী ইমোইনু লাইরেম্বীবু পুরক্লগা মমা পিয়াইনুগী মফমদা শীন্নরবদা পিয়াইনুগী মফমদা ইমোইনু লাইরেম্বীনা লৈগদবা মফমনচিংবা তাকখিবা অসিনা ঙসিফাওবদা ফুঙ্গা লাইরুদা নৎত্রগা ইমুংগী লময়ায়দা নৎত্রগা লৈমরেল কাদা লাৎনরিবসি মরম অসিননি হায়বকগী চীংনবা কয়া কোকহন্দুনা অচুম্বনি হায়বগী পাউখুম ৱারী অসিদগী ফঙহনবা ঙমই। মতৌ অসুম্না মৈতৈ লাই-তীনগী ৱারীশিংনা মণিপুরী সমজদা লৈরিবা মীওইশিংদা চীংনবা লৈরিবশিং অসি পাউখুম পীবগী থৌদাং পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

লাই-তীনগী ৱারীশিং অসিনা নীংশিংবা থোক্রবা মতমগী মগুন লৈরবা লাইশিংনা তৌরম্বা থবক্শিংবু খঙহনবগী থৌদাংশিং পাঙথোক্লি। 'নোংখোং কোয়বা' গী ৱারীদা সনামহীনা নোংখোং কোয়বা হল্লকপদা মনাওনিপা পাখংবনা ফম্বাল তোংদুনা লৈরম্বা উবদা মতীক মগুন লৈবা লাই ওইবনা মহাক্লা শেন্বা মালেমবু থক-খা ওল্লগে হায়দুনা তৌরকপদা মালেমনা অৱাংদগী খাদা চেপ্পা হৌরক্লবদা মপাবুং শলাইলেননা মালেম মাংবা তারে হায়দুনা শাথুপ্তুনা লৈবা য়াদ্রদুনা চোংথোকখিবা অসিনা সনামহীনা থক-খা ওলহনগে হায়না হোৎনবদা মপাবুংদা খাম্বদগী চুম্না লৈবা য়াদদুনা খাদা চেপ্তুনা লৈখিবনি হায়বগী ৱারী সি তাবদা তারিবশিংগী পুক্নিংদা সনামহী কৌবা লাই অসি মতীক মগুন লৈবা মালেমবু চেপহনবা ঙম্বা লাইনি হায়না থাজহল্লি। ইবুধৌ পুলৈরোম্বগী ৱারীদা পুলৈরোম্বগী নুপীনা পীক্লিবা মচাবু য়েংবিরম্মু তুরেল কুমদুনা ফি শুরুগে হায়না থনম্বদা অমুক হন্না মাগী নুপীনা মপুরোইবদি মীরোল অমা তৌই খন্দুনা মচাবু পুদুনা চৎখ্রবদা পুলৈরোম্বনা অঙাং শীন্নরম্বনি হায়না য়েংলুবা অঙাং লৈরমদ্রবদা অঙাং অদু মশক চপ মান্ননা পুলৈরোম্বনা শাদুনা থল্লমই। মগী নুপীনা হল্লকপদা চনা মান্ননা শাদুনা থল্লল্লিবা অঙাং অদুবু উবদা ঙক্লমই। অসুম্না পুলৈরোম্বগী অঙকপা তৌবা ঙম্বা মতীক মগুর অসিনা মহাকপু য়াম্না মতীক মগুন লৈবা লাইনি হায়বসি ৱারী অসিদগী তারিবশিংদা নীংথিজনা খঙবা ঙমহল্লি। 'ফৌওইবী' গী ৱারীদা ফৌওইবীগা অকোংজাম্বগা তোবর্বুংদা থেংনরবদা ফৌওইবী অকোংজাম্বা অনীনা মমাংগী শায়োনবু নীংশিংনরবা মথংগী নুমিৎতা ঙাইনসি হায়নখিববু অকোংজাম্বনা লাক্রবদা ফৌওইবীনা অকোংজাম্বগী ময়ুম তান্না চৎলবদা অকোংজাম্বগী নুপীনা শুমজীৎ পায়রগা তান্দুনা অহীং য়ারেকহন্দনবা তৌরবসু ফৌওইবীনা ওককোন্দা য়ারেক্লবদা নোংঙাল্লবদা ফৌওইবীনা মহাক্কী মশক তাক্লম্লগে খন্দুনা অকোংজাম্বগী মশুমাংদা ফৌনা চীং পৈবগুম থীকথবিরম্লগা চৎখিবা অসিনা ৱারী অসিবু তারিবা মীওইশিংদা ফৌওইবী হায়বী লাইরেম্বী

৩।

মতমদা ইরাৎ পুজা তৌবা চৎনরক্লি হায়বসি তাক্লি। সমাজ অসিগী য়েলহৌঙৈদা চৎনরম্বা লিচৎ-শাজৎ, ফিজেৎ-লৈতেং, চাকচা-য়িথক, পুম্নমক ময়েক শেংনা তাকপগা লোয়ননা মৈতে সমাজদা মমাংঙৈদগী হৌনা হায়ন-শিংনদুনা, অহল-লম্মন মশেল পীনদুনা, লুহোং-খোংদোংবা চৎনরমই হায়বসি পান্থোইবীগী ৱারীদগী খঙবা ঙমই। লুহোংলবা মতুংদসু অউনপোৎ উনবগী চৎনবী অমদি নুপীময়ুম নিপাময়ুম পুন্না অচা-অথক পীজ-পীথক তৌবগী চৎনবী কয়ামরুম লৈরমই হায়বসি পান্থোইবীগী ৱারীনা ময়েক শেংনা তাক্লি। মতম অদুদা নুপী ওইবীশিংনা মশাগী অপাম-পামদ খঞ্জনবগী হক লৈজরমই হায়বসিগী মতাংদা ৱারী অসিদা নিংথৌ শপাইবনা পান্থোইবীবু মাগী নুপী ওইননবা হায়রুবা মতমদা পান্থোইবীনা য়াখিদবা অসিনা মমাংঙৈদা লৈরম্বা সমাজগী চৎনবীসু খঙহল্লি। পান্থোইবীনা মনুং মতম চারক্লদুনা থাজ-য়োঞ্জবগী মতাং য়ৌরক্লবদা খাবা শোকচ্রোংবনা পান্থোইবীবু মমৌ ওইননবগীদমক্তা হায়ন-শীংনবা লোইরদুনা লুহোংনবগী নুমিৎ লেপ্তুনা লুহোংলবা মতুংদা তমং চাম্মা তওৎ চাম্মগা লোয়ননা অওং-অউন তম্বা, ত থীল্লকপা মতমদা চান-থক্লবা শাথোংবা ৱাললোং অমগা য়ু থরুং অমনা নুপীময়ুম নিপাময়ুম পুন্না চামিন্নবা অসিনা মতম অদুদগী হৌনা মৈতৈগী চৎনবী কয়ামরুম লৈরক্লে হায়বসি খঙবা ঙমই। কয়ামরুম লাকখিরমই হায়বসি মহাক্কী লিচৎ-শাজৎপু তারিবশিংনা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমই। ময়ুম পাল্লবা মতুংদা ময়ুম পাল্লবী নুপী অমনা মৱা মপুরোইববু যৌশারক্তদুনা অতোপ্পা নিপাগা নুংশিনবগী মওংসু ৱারী অসিদা উৎলি। অদুতসু নত্তনা পান্থোইবীগী লমচত্তগী মতম অদুগী মৈতে নুপীশিংগী শক্তি অমসুং পাঙ্গল য়াম্না মনিং মখা তন্না লৈরমই হায়বসি ৱারী অসিবু তারিবশিংদা খঙহল্লি। নাকল অমরোমদমুক পান্থোইবীনা মৌ অমনা চৎকদবা লিচৎ কয়া চত্তবদগী মকু মনেমনা য়ানিংলক্তবা অসিনা মাঙলমচত্তগী হৌনা মৈতৈগী চৎনবীদা ময়ুম মকৈ পাল্লবী নুপীনা তৌনিংবতা তৌবা য়াদে হায়বসিসু চৎনদুনা লাক্লি হায়বা খঙহল্লি। পান্থোইবীনা মহাক্কী নুংশিজরবা নোংপোক নিংথৌবু থাদোক্লম্লগা খাবগী মচা তরং খোইনুচাদা মমা, মপা, মবুংশিংগী য়াথং ইন্দুনা লুহোংখিবা অসিমক্তা মতম অদুগী চৎনবীদা অহল লমনশিংবু য়াম্না কিনা লুনা থকশি-খাশি ঙাক্লা চৎনরমই হায়বসি খঙহল্লি। অদুগা লাই হাক্তত্তগী হৌনা নুপী নিপাগী পা-পী ওইবগী নুংশি লম্বীগী য়ুম্বান কৈবান্ননা, চাদা-নাওদাগী চথরক্লিবা মশকসু পান্থোইবীগী ৱারীদগী খঙবা ঙমই। পান্থোইবী মনেম-মকুনা ময়ুম থাদোক্তুনা চৎখিনবগীদমক শিশিন্নদুনা ফি অঙৌবনা কুপ্তুনা অশিবা শাদুনা লৈবা অসিনা শিবা মতমদা ফি অঙৌবা কুপ্পগী চৎনবী অমা মতমদুদগী হৌনা লৈরক্লে হায়বসি অতাবশিংদা খঙহল্লি।

অমা ওইনা ঙসি ফাওবা কায়দনা চৎনরি। 'ইমোইনু অহোংবী' গী ৱারীদা মণিপুরী সংস্কৃতি শক্লোন কয়ামরুম য়াওরি। মৈতৈগী লাই-তীনগী ৱারীনা জাতি অসিগী নুপী ওইবীশিংনা চৎফদ্রবা লমচৎ শাজৎ তাকপী তম্বীবগী থৌদাংসু পাঙথোক্লি। খুদম ওইনা পাল্লবদা নুমিদাংৱাইরমদা তুমদুনা লৈবী নুপী, নুমিৎ তারক্তুনা নুমিদাং ওইরক্লবদা শীংজা খায়রবা, খুজাম ঈশিংবু ইমুংদা চায়না হৈদোক্লবা, নুমিদাং মৈ মুৎনা তরা চাক চারবা, চাক চানা চানা থুমফু শোক্লবা, ঙাগী ঙারুবাকপু হুমলবা, চেঙফু পায়রবা, তার চাক ওৎপা, ইঙ্খাং ওৎপা মতমদা খাবৈ তেক্লবদি ইমোইনুনা য়াদে। হায়রিবা লমচৎশিং অসি 'ইমোইনু অহোংবী' গী ৱারী তারিবশিংদা তাক্লি। মমাংঙৈগী মতমদগী হৌরদুনা শা চাবা, য়ু থকপা কাঙলুপ্পু খুন্নাই অসিগী মীশিংনা তোন্থবা জাৎনি হায়দুনা চাকতিন ফিদিন্নরমদে, চারৌ মৌরৌনবা তৌনরমদে হায়বসি কৌন্থৌজম লাইরেম্বীগী ৱারীদা চীংঙু নোংথৌ সোরারেন্না হুইমু লৈমাগী মফমদা মহাক্না পোক্লক্কদবী মচানুপীবু চাকমাং চাহনগনু ফিমাং শেৎহনগনু হায়না লাওরকপসিদগী খঙবা ঙমই। অদুগা মাঙলমচত্তগী হৌনা অশিবা মীবু মৈ থাবা চৎনরে হায়বসি ৱারী অসিদা য়াওরিবা তাউবা হুইবু পোৎলোইবগী মৈনি হায়বসিনা তশেংনা তাকই। মৈতৈগী করিগুম্বা নাৎকী থৌরম অমা তৌবদা য়াম্না মরু ওইনা শীজিন্নরিবা মৈনি হায়বসিনা তশেংনা তাকই। মৈতৈগী করিগুম্বা নাৎকী থৌরম অমা তৌবদা য়াম্না মরুওইনা শীজিন্নরিবা লা অসিবু মাঙলমচত্তগী হৌনা শীজিন্নরক্লে হায়বসি ৱারী অসিদগী খঙবা ঙম্মী। চীনফুরোন কোন্থৌবনা মপামদা লাকপা মতমদা মপুরোইবা সোরারেন্না উদনবা চংবি লাতোন তরেৎ, চরৈ ফিরোল তরেৎনা থাখন খলহল্লগা মদুগী মনুংদা মমা মচা চাক চামিন্নরমই হায়বা অসিনা খঙহল্লি। লাইহাক্তক্তগী হৌনা লৈবাক অসিদা জাৎ-বিজাৎ, শাগৈ-জাৎ ফবা-ফত্তবা, লৌনবা য়াবা-য়াদবা, মী অমগা মী অমগগী মরক্তা খেন্নবা থমদুনা তিন্নবা য়াবা য়াদবগী পল অমা থম্বগী মওং অসি মণিপুরী সমাজদা লৈরম্বগী খুদম কয়া হাওরোক কোন্থৌ নিঙোল চীনফুরোন কোন্থৌববু চীংঙু নোংথৌ সোরারেন্না মাগী তালোয় ওইনা লৌরবা তুংদা মপামদা শা, য়ু, চারুই থকলুই, মাংলে হায়দুনা শাওদুনা মাগী মনাক্তগী তান্থোখিবা অদুনা খঙহল্লি। মৈতৈশিংনা লুহোংবগী হায়ন-শীংনবা চৎপা মতমদা হৈজিং খরাই পুদুনা চৎপগী চৎনবী অমা মাঙলমচত্তগী হৌনা লৈরক্লে হায়বসি 'হিয়াংথাং লাইরেম্বী'গী ৱারীদগী খঙবা ঙমই। খুমন ক্বাকপনা হৈৱোক নিংথৌগী মচানুপী ইরাইলৈমবু হায়ন-শীংনবা চৎপদা হৈজিং খরাই পুদুনা চৎলিবা অসিনা তাক্লি। 'হিয়াংথাং লাইরেম্বী' বু মমাংঙৈদদি মৈতৈগী চৎনবীদা ইরাৎ থৌনি তৌবগী চৎনবী লৈরমই, অদুবু হৌজিক্কী মতমদদি হিন্দুগী দুর্গা লাইরেম্বী পুজা তৌবা

লাই হাক্তক্তগী হৌনা লৈরক্লে হায়বা খঙবা ঙমই। অদুগা 'খল্লাংবা' গী ৱারীদা খল্লাংবানা ইহান হান্না হুইমু লৈমবু লৌরবা তুংদা থোংনাং লমদমদা অমুক খুল্লেমবু লৌরম্বা অসিনা খল্লাংবা লাইনা নুপী অনী লোল্লমই হায়বসি ৱারী অসিদগী খঙবা ঙমই। অসুম্না মণিপুরী সমাজদা লাই হাক্তক্তগী হৌনা নুপী লোনবগী চৎনবী লৈরক্লে হায়বসি খঙহনবগী থৌদাংসু মখোয়শিং অসিনা পাঙথোক্লি।

মৈতৈগী লাই-তীনগী ৱারীশিং অসিনা সমাজ অসিদা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা লৈরক্লিবা জাতি অসিগী তোপ তোপ্পা মশান্না কয়াশিং অসি মতৌ করম্না হৌদোকখিবগে হায়বসি খঙহনবগী থৌদাংসু পাঙথোক্লি। 'ঔগ্রী' হায়বা লৈশেমলোন্দগী য়াওবা ৱারী অসিদা মৈতৈগী ওইবা তোপ তোপ্পা সংস্কৃতিগী মশক অমসু ওইবদা নত্তনা মহৌশাগী মশান্না অমসু ওইরিবা 'মুক্না' হায়বসিদা করম্না হৌদোকখিবগে হায়বদু খঙহল্লি। 'শামাদোন অয়াংবগা ওংলৌতোন লৌথিবগা হাওমুক্না লেংফাই চন্নরে মোংবা এৎনরে', হায়না পল্লিবসিদা হাওমুকনা হায়না য়াওরিবসি মতম অদুদগী হৌনা 'মুক্না' হায়বসি লৈরক্লবনি হায়বদু খঙহল্লি। মসিমক ঙসি ফাওবদা মৈতৈগী তোপ তোপ্পা মশান্না অমা ওইনা লৈরি হায়বসি মার্জিংগী ৱারীদগী খঙবা ঙমই। অদুগা শগোল কাংজৈনচিংবা শান্নবা মখল কয়া হৌদোকপিখিবা লাইনি হায়বসি সমাজদা লৈরিবা মীওইশিংদা খঙহনবগী থবকসু ৱারীসিনা পাঙথোক্লি। অদুনা শগোল কাংজৈ অন্তরজাতিকী ওইনা পোলো হায়না খঙনরিবা অসিমক মার্জিং লাইগী খুদোলনি।[৪] মরম অদুনা হৌজিক ফাওবদা মার্জিং লাইদা লুপাগী শগোল শাদুনা ঈরাৎ থৌনিরিবসি লাই অসিনা শগোল কাংজৈবু হৌদোকখিবনি হায়না থাজনৈ। অসুম্না মৈতৈগী লাই-তীনগী ৱারীশিং অসিনা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা মৈতৈগী তোপ তোপ্প মশান্নশিং অসি সমাজদা লৈরিবা মীওইশিংদা খঙহনবগী থৌদাংসু পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

মৈতৈগী লাই-তীনগী ৱারীশিংদা মণিপুরী সমাজদা নুপীশিংনা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা লোংখোনবা, ইনচিংবনচিংবা শিনফম কয়ামুক তৌরকই হায়বসিসু তাক্লি। 'পান্থোইবী' গী ৱারীদা পান্থোইবীনা খাবগীদা লৈরিঙৈদা খাবনা য়েংথিদুনা তান্থোরক্লবগীদমক লুহোংবা কুইদ্রিবী মহাক্না ইনচিংবা চৎপা, লোংখোনবা চৎপনচিংবা তৌথিবা অসিনা মতম অদুদগী হৌনা ইনচিংদুনা ঙা ফাবগী শিনফম অসি তৌনরক্লি হায়বসিসু তাক্লি। মৈতৈগী লাই-তীনগী ৱারীশিংনা সমাজসিদা শীজিন্নরিবা পোৎচৈশিং কয়া খঙহনবগী থৌদাংসু পাঙথোক্লি। খরদং পল্লবদা-হি, ইন, লোং, শগোল, ষণ, কাংজৈ, তেন অসিনচিংবা তোঙান তোঙানবা মখলশিংগী পোৎ-চৈ কয়া শীজিন্নরক্লি হায়বসি লাই-তীনগী ৱারীদগী খঙবা ঙমই। সমাজ অসিদা লৈরিবা মীশিংগী মশক তাকচনবগী য়াম্না মরু ওইবা হরাও কুম্মৈ অমা ওইরিবা লাই

হৌজিক ফাওবদা মণিপুরী মফম খরদা পোলোয় শেৎপা য়াদবগী চৎনবী লৈরি। মসি পান্থোইবীনা নোংপোক্কী মনাক্তা চৎপা মতমদা লন্থীদা পোখাখিবা মফমশিংনি হায়না থাজনবনা হৌজিক ফাওবদা মফমশিং অসিদা পোৎলোয় শেৎনদে। মসিগী থাজনবী অসি হৌজিকফাওবা লৈবনা ৱারী অসিবু অচুম্বনি হায়বগী অশেংবা মশক অদু খঙবা ঙম্মই। লোয়ননা মণিপুরী সংস্কৃতিগী মশক কয়া অমা য়াওই হায়বসু ৱারী অসিনা তাক্লি। মৈতৈ জাতিগী থাজনবী অমা ওইনা লীনরিবা 'খোরিফাবগী ৱারী' দা খোরিফাবনা মমাগী খোঙ্গুল লীবা চৎলমদায়দা মপা সোরারেন্না খোরিফাবগী মশা ঙাকথোক্লবগীদমক কাংজৈ, কাংহু পীদুনা খোরিফাববু মালেমদা থারকখিবা অসিনা মচা-মশু মমিত্ত উদ্রিবা নিপা নুপীশিংনা খোরিফাবা ইবুংঙোদা কাংজৈ-কাংহু কৎলগা থৌনিজরবদি মচা-মশু ধারা ফঙই হায়বগী থাজনবী অমা ঙসি ফাওবা লৈরি। মৈতৈ লাইশিং হরাওবগী লাইরোই নুমিত্তা লাইশিং অয়াম্বা স্বর্গদা কাহল্লি। অদুবু খোরিফাবা ইবুংঙোদি স্বর্গদা কাহনবগী মহুত্তা লৈরোল চল্লি। মসিমক ইবুংঙো মহাক্লা মমা ফঙনবগীদমক স্বর্গদগী মালেমদা কুমথরকপা ওইবনা স্বর্গ কাহন্দবা ওইরম্বসু য়াই হায়না থাজনৈ। অদুগা ঙল্লিঙৈগী মতমদগী হৌনা অঙাং কপ্পগা থেম্বগী চৎনবীসু লৈরক্লে হায়বসি খোরিফাবগী ৱারীদগী খঙবা ঙম্মই। খোরিফাবনা মমা পীয়ু হায়না কপ্লকবদা লাই ময়াম্না থেম্বা ঙমদ্রবদা ইমা লৈমরেন শিদবীনা নাওথেমখিবা অসিনা ঙসি ফাওবদা অঙাং থেম্বা মতমদা নাওথেম ঈশৈ শক্লরিবা অসিনা লাই হাক্তক্তগী চৎনরক্লবনি হায়বসি খঙহল্লি। করিগুম্বা শা-ষণ, না-য়েকপা তৌরবদি মার্জিং লাইদা লুপানা শগোল শারগা কৎলবদি নাবা ফৈ হায়বগী থাজনবী লৈরি। 'নুমিৎ কাপ্পগী ৱারী' দনা খ্বাইনুংজেং পীবানা নুমিৎ মচিন মনাও অনীগী থৌগল তৌবা ঙমদ্রে হায়দুনা তেন শাদুনা নুমিৎ অমা হাৎননবগীদমক তেন কাপ্পুনা মখুৎ চুম্বা তমলমই। অমুক্লা মাগী নুপীনা পুরকপা পুল্লাংদা, অমুক্লা নুপীগী মনাদা য়ানবা চোল্লাংদা তমদুনা তেনকাপ তল্লমই। মসিদগী মতমদুদগী হৌনা চোল্লাং শীজিন্নবা, তেন শীজিন্নবনচিংবগী চৎনবী লৈরক্লে খঙহনবগী থৌদাং পাঙথোক্লি। মণিপুরী সংস্কৃতিগী অথোইবা শক্লোন অমা ওইরিবা 'মুক্লা' হায়বসিসু লাইহাক্তক্তগী হৌনা মশান্ন অসি হৌদোক্লক্লে। লৈরমলে হায়বসি শামদোন অয়াংবগা কোংলৌতোন লৌথিবগা অনীনা হাওমুক্লা শান্নখিবা অসিনা 'ঔগ্রী' হায়বসিদা য়াওরিবা মুক্লা হায়বসিনা মণিপুরী সংস্কৃতিগী মশক য়াম্না ময়েক শেংনা তাক্লি। মণিপুরী সমাজদা নুপীলোনবগী চৎনবী অসি লাইহাক্তক্তগী লৈরক্লে হায়বসি 'থাংজিং' অমসুং 'খল্লাংব' গী ৱারীনা ময়েক শেংনা তাক্লি। 'থাংজিং' লাইনা অয়াং লৈমা, কোইরেল লৈমা অনীবু লৌরম্বা অসিদগী নুপী অনী লোনবগী চৎনবী

অহানবগী কাঙলুপ্পা চনবা উমংলাইশিংদি- তোংব্রম লাইরেম্মা, সরাংথেম লাইরেম্মা, লৈশাংথেম লাইরেম্মা অসিনচিংবা। অনীশুবা মখলগী মনুং চনবা লাইশিংদি- মোইরাংগী থাংজিং, হৈঙাংগী মার্জিং, অন্দ্রোগী পনম নিংথৌ, ককচিং অমদি উরিপোক্কী খল্লাংবা, উৎলৌগী পাম্থোইবী, আরোংগী ফৌওইবী অসিনচিংবা। অহুমশুবা মখলগী মনুং চনবা উমংলাইশিংদি চঙাঙ্গৈগী খুমোম্বা, পাৎশোয় তাউমংগী নাউথিখোং, ক্যামগৈগী মালোমগী খুঞ্জাওবা অসিনচিংবা। অদুগা মরিশুবা মখলগী মনুং চনবা উমংলাইশিংদি থিনুংগৈগী রামজি নিংথৌ, তাংখমগী কালিকা, যুম্নাম হুইদ্রোমগী সেনকু দেব (সঙ্করদেব) অসিনচিংবা।

উমংলাই হায়বসি লমদমসিদা খুন্দা লৈতারিবা মৈতৈ হায়বা মীওই ফুরুপসিগীদি য়াম্না মরুওইবা লাইশিংনি। ফুরুপ অসিনা হৌরকঙৈ, য়াম্না গুল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা লৈশেম নোংশেমঙৈদগী লৈরক্লবা লাইশিং অমদি লাইওইখ্রবা মতিক ময়াই লাইগুম্না চেল্লম্বা মপা মপুশিংবু ইরাৎ থৌনিদুনা অমদি লাইথৌ তীন্থৌ পাঙথোক্তুনা লাকপনা গুসি গুসিমক ফাওবা তৌদবা য়াদ্রবা চৎনবী অমা ওইনা লেপ্তুনা পরিং কায়দনা চত্থদুনা লাক্লি। হৌজিকসু উকলনা অশোই অঙাম নিতি নিয়ম চুম্না চত্থনবা চেকশিন্না য়েংশিল্লি। খুন খুনশিংবু কোল্লিবা উমংলাইশিংবু চহি খুদিংগী অফবা নুমিৎ, অফবা থাবান, তীনচা লাইচা শেংবা নুমিৎ য়েংলবা হরাউ শকশেম তমদুনা হরাউ তয়াম্বগী থৌরম "লাই হরাওবা" হায়দুনা পাঙথোক্লে।

মহৌশানা মণিপুর তম্পাক্কী খুন অয়াম্বদা খুন খুনগী ওইনা খুনদুবু কোনবা উমংলাইগী খুভমশিং লৈনৈ। চহি অমগী মনুংদা অফবা নুমিৎ থাবান কুপ্পা মুন্না অখণ্ড অহৈশিংবু য়েংহল্লগা লাই হরাউবগী নুমিৎ তমদুনা লাইথৌ অসি পাঙথোকনৈ। মহৌশানা থৌরম অসি খোঙ্গং-ইকংবা মতম য়েংলগা ফাইরেন থাদগী ইঙেন থা ফাওবগী মনুংদা অয়াম্বনা পাঙথোক্লে। পাঙথোকফমদি লাইগী লাইশঙ লৈরিবা অদুগী মমাঙদা লৈবা লাইবুংদা নীংথিনা শেম শারগা খুনগী মী অয়াম্বনা নিপা-নুপী, পাখং-লৈশাবী, অঙাং ফাওবা য়াওনা পাঙথোক্লে। লাই হরাওবা হায়বসি লাইফম অদুদা লৈবা লাই অদুতবু হরাওবা নত্তে। অতৈ অতোপ্পা লাইশিংসু লাক্তুনা লাই হরাওবা য়াওরে হায়না থাজনৈ। ককচিংগী ইবুধৌ খল্লাংবা হরাওবদা কৌব্রু, মারজিং, ব্রাংব্রেননচিংবা লাক্তুনা য়াওরে হায়নৈ। সুগনু হঞ্জবা লাকপদা ব্রাংব্রেন ইন্নরকই হায়দুনা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা কালেন থাদা তুরেলদা নুংঙাইনা ইরুজরম্বদু কিদুনা চেনখৎনরম্মী।

২। ।

হরাওবা অসি য়েলহৌঙৈদগী হৌনা পাঙথোক্লক্লি হায়বসি পাম্হোইবীগী ৱারীনা ময়েক শেংনা উৎলি। খাবা শলাইনা পাম্হোইবীবু লাইনি হায়বা খঙলক্লদুনা মহাকপু ঈরাৎ পুজা তৌথিবদগী লাই হরাওবা অসি হৌরকপনি হায়বনচিংবা থাজনবী লৈরি। মৈতৈ হায়বা জাতি অসিগী পুন্সি মরেল অসি য়েলহৌঙৈদগী হৌনা হরাও কুম্মৈগা শাগোন্নদুনা লাক্লিবনি হায়বসিসু খঙহনবগী থৌদাং পাঙথোক্লি।

মৈতৈগী লাই-তীনগী ৱারীশিংনা সমাজ অসি হীংদুনা লৈরিবা মঙতাক্কী থাজনবী অসিসু মমাংঙৈদগী হৌনা লৈরক্লি হায়বদু পাঙথোক্লি। 'পাম্হোইবী' গী ৱারীদসু অসিগুম্বা থাজনবী অসি শাগোন্নরি। শাম্হোইবীগী ৱারীদা খাবা মনু তেকঙা অনীনা পাম্হোইবীগী খোঙ্গুল ৱানা লীরকপদা ফঙবা ঙমদ্রবদা মখোয় অনীগী মমঙদা পাম্হোইবীনা লাক্কুনা মশক তাকখিবা অসিদগী তাইবঙদা মনু তেকঙা খাবা অনীনা পাম্হোইবীনা তাক্লম্বা মফমদা চত্তুনা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীগী ঈরাৎ পুজা তৌজখি। মসিনা মঙগী থাজনবী অমদি মঙদা হায়রম্বা ৱাফমবু তাইবঙদা অচুম্বনি হায়না উৎপগী থাজনবী অসি মাঙলমচত্তগী হৌনা শাগোন্নরক্লে হায়বসি লাই-তীনগী ৱারীনা তাকপগী থৌদাংসু পাঙথোক্লি।

মৈতৈ লাই-তীনগী ৱারীশিং অসিগী থৌদাংশিং অসি নৈনরবদি মণিপুরী সমাজগী সংস্কৃতিগী মশক মপুং ফানমক নৎত্রবসু খরমখৈদি খঙহনবা ঙমই, হায়বদু মথক্তা খুদমগা লোয়ননা তাকচখ্রে। তশেংনা হায়রবদা মৈতৈগী লাই-তীনগী ৱারীশিংনা সমাজসিদা পাঙথোক্লিবা থৌদাংশিং অসি কুপ্পা নৈনরবদি মণিপুরী জাতিগী পুন্সি মরেল, ৱাখল্লোন খঙবা ঙমগনি। লাই-তীনগী ৱারীশিংনা সমাজ অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী চংনবী, থাজনবী, ঈনাৎ, ধর্ম্ম, অপাম-পামদ, গুন-দোষ, পানগী লীচৎ-শাজৎ অমসুং নুংগী ৱাখল কয়ানচিংবগী মশক খঙহনবগী অচৌবা থৌদাং কয়াসু লৌরি।

ফুট নোট :

১) Robert Graves (Introduction), *New Larousse Encyclopedia of Mythology,* The Hamlyn Publishing Group Limited, (New edition), 1968, p.v

২) W.R. Halliday, *Indo-European Folktales and Greek Legend,* London, Cambridge Univ. Press 1933, pp. 5-6

৩) চন্দ্রসিংহ এম, *পাম্হোইপী খোঙ্গুল,* মণিপুরী সাহিত্য পরি, ইম্ফাল, ১৯৬৩, লা: ৩৮।

৪) মুতুম ঝলন সিংহ, *মণিপুর ইতিহাস* (বিজয় পঞ্চালী), ইম্ফাল, ১৯৮৯, লা : ১৯

লাইথৌ থৌরম অসি লৈশেম নোংশেমঙৈদা লাইশিংনা তৌরম্বা থবক থৌরম অদু তাইবংমীনা অমুক মতৌ তমদুনা শান্নবনি। মীনা মখে ফংলগা শাউই অদুগা লাইনা মখে ফংলগা হরাওই। অসুম্না লাই হরাওবগী থৌরম নিতি নিয়ম চুম্না পাঙথোকপা অসিদা লাইশিংনা পেনবী। শম্না হায়রবদা লাই হরাওবা হায়বসি মীগা লাইগা পুন্না হরাওমীন্নবা থৌরমনি। অখণ্ড-অহৈশিংগী ৱারোলদা-লাইনিংথৌ অশীবনা মালেম অসিবু শেম্বা লোইরবদা তাইবংপান অসিদা লৈননবা থৱায় পানবশিং মতৌ করম্না শেমগদগে হায়বগী ৱাখলদা নুংবংননা লৈরিঙৈ, মপা ইবুংঙো অতিংকোক মরু শিদবনা ময়া লাওনা কাথোক্তুনা মাগী পীবুকনুংদা তাইবংপান্দা লৈগদবা থৱায় পানবা পুম্নমক শুনা উহনবদগী অশীবনা তৌফম খণ্ডদনা লৈরম্বদগী ৱাখল লংলা লংজিন ফংলবদা হরাও নুংঙাইবগা লোয়ননা লাইশিংবু হোইদোক্লকপবু "লাই হোই লাউবা" কৌই। হায়রিবা ৱাফম অসিনা লাই হরাওবগী নুংগী ওইবা ৱাফমনি। "লাই হোই লাউবা" হায়বা ৱাহৈ অসিদগী থৈথরক্তুনা লাই হরাওবা হায়খিবনি হায়না ফোঙদোক্লে।

লাই হরাউবা হায়বা নাৎক্রী ওইবা লাইথৌ অসি পাঙথোকপা হৌরকপা কয়া য়াম্না কুইরবগে হায়বসি য়াম্না মরুওইবা ইহান হান্না হরাউখি। লাইয়াম্না কৌব্রু চীংদা ইহান হান্না লাইয়াম তিন্নদুনা হয়েং তুংদা খণ্ডহৌনবা, কাউদনবা, য়েলহৌঙৈদগী মানা মানা তৌরকপা থৌরমশিংবু নীংশিংদুনা মথং মনাও কায়দনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লখি লাইয়াম্না তৌখিবশিংবু চীন্না অমুক মথং মথং হায়রগা খুৎন-শানা মওঙ তাক্তুনা নীংশিংনবা অদুবু চীংঙু লাইয়াম্না নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ওইনা লৌনে। মীগী মতমদা ইহান হান্না হরাওবা হৌখিবনা কংলাদা খাবনা পাল্লিঙৈদা ইহান হান্না হরাউখি। অদুনদি লাই হরাওবগী থৌরম অসি চহি ২০০০ রোমদি লিরবা মৈতৈগী নাৎকি থৌরম অমা ওইরে।

মৈতৈশিংনা য়েলহৌঙৈদগী উমংলাইশিংগী খুভমদা চহি খুদিংগী পৈশা চঙনা, মতম মাঙনা লাই হরাওবগী থৌরম পাঙথোক্লদুনা লাক্লিবা অসিগী মরুওইবা মরমদি লৈবাক নিংথৌ পুন্সিনবা, নুংঙাই য়াইফবা ফংনবা, চাদা নাউদা মরাং কায়নবা, চাকহোঙ-ঙাহোঙনবা, পুন্সি নোংশাংনবা, লৈবাক মরা ইং তপ্পা পান্নবা, অশি-অনা থোক্তনবা পাঙথোক্লবা হরাউবগী থৌরমনি। অসিগুম্বা অসি পীনবীনবা তাইবংপান অসিদা লৈরিবা তাইবং মীওইববু শেম্বীদুনা চাদা নাউদা শন্দোকহনবীখিবা পী অমসুং পা ওইরিবা লাইনিংথৌ লাইরেম্মা অনিদগী শন্দোকখিবনি হায়বসি নীংশিংদুনা মখোয়গী মতীক ময়াইবু শৈথাদুনা হরাও তয়াম্বগা লোয়ননা লাই হরাওবগী থৌরম পাঙথোকপনি।

অহানবগী কাঙলুপ্পা চনবা উমংলাইশিংদি- তোংব্রম লাইরেম্মা, সরাংথেম লাইরেম্মা, লৈশাংথেম লাইরেম্মা অসিনচিংবা। অনীশুবা মখলগী মনুং চনবা লাইশিংদি- মোইরাংগী থাংজিং, হৈঙাংগী মার্জিং, অন্দ্রোগী পনম নিংথৌ, ককচিং অমদি উরিপোক্কী খন্নাংবা, উংলৌগী পাম্থোইবী, আরোংগী ফৌওইবী অসিনচিংবা। অহুমশুবা মখলগী মনুং চনবা উমংলাইশিংদি চঙাঙ্গেগী খুমোম্বা, পাৎশোয় তাউমংগী নাউথিখোং, ক্যামগেগী মালোমগী খুঞ্জাওবা অসিনচিংবা। অদুগা মরিশুবা মখলগী মনুং চনবা উমংলাইশিংদি থিনুংগেগী রামজি নিংথৌ, তাংখমগী কালিকা, য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী সেনকু দেব (সঙ্করদেব) অসিনচিংবা।

উমংলাই হায়বসি লমদমসিদা খুন্দা লৈতারিবা মৈতৈ হায়বা মীওই ফুরুপসিগীদি য়াম্না মরুওইবা লাইশিংনি। ফুরুপ অসিনা হৌরকঙৈ, য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা লৈশেম নোংশেমঙৈদগী লৈরক্লবা লাইশিং অমদি লাইওইখ্রবা মতিক ময়াই লাইগুম্না চেল্লম্বা মপা মপুশিংবু ইরাৎ থৌনিদুনা অমদি লাইথৌ তীম্থৌ পাঙথোক্তুনা লাকপনা ঙসি ঙসিমক ফাওবা তৌদবা য়াদ্রবা চৎনবী অমা ওইনা লেপ্তুনা পরিং কায়দনা চথদুনা লাক্লি। হৌজিকসু উকলনা অশোই অঙাম নিতি নিয়ম চুম্না চথনবা চেকশিন্না য়েংশিল্লি। খুন খুনশিংবু কোল্লিবা উমংলাইশিংবু চহি খুদিংগী অফবা নুমিৎ, অফবা থাবান, তীনচা লাইচা শেংবা নুমিৎ য়েংলবা হরাউ শকশেম তমদুনা হরাউ তয়াম্বগী থৌরম "লাই হরাওবা" হায়দুনা পাঙথোক্লে।

মহৌশানা মণিপুর তম্পাক্কী খুন অয়াম্বদা খুন খুনগী ওইনা খুনদুবু কোনবা উমংলাইগী খুভমশিং লৈনৈ। চহি অমগী মনুংদা অফবা নুমিৎ থাবান কুপ্পা মুন্না অখণ্ড অহৈশিংবু য়েংহল্লগা লাই হরাউবগী নুমিৎ তমদুনা লাইথৌ অসি পাঙথোকনৈ। মহৌশানা থৌরম অসি খোঙ্গং-ইকংবা মতম য়েংলগা ফাইরেন থাদগী ইঙেন থা ফাওবগী মনুংদা অয়াম্বনা পাঙথোক্লে। পাঙথোকফমদি লাইগী লাইশঙ লৈরিবা অদুগী মমাঙদা লৈবা লাইবুংদা নীংথিনা শেম শারগা খুনগী মী অয়াম্বনা নিপা-নুপী, পাখং-লৈশাবী, অঙাং ফাওবা য়াওনা পাঙথোক্লে। লাই হরাওবা হায়বসি লাইফম অদুদা লৈবা লাই অদুতবু হরাওবা নত্তে। অতৈ অতোপ্পা লাইশিংসু লাক্তুনা লাই হরাওবা য়াওরে হায়না থাজনৈ। ককচিংগী ইবুধৌ খন্নাংবা হরাওবদা কৌক্রু, মারজিং, ৱাংব্রেননচিংবা লাক্তুনা য়াওরে হায়নৈ! সুগনু হঞ্জবা লাকপদা ৱাংব্রেন ইন্নরকই হায়দুনা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা কালেন থাদা তুরেলদা নুংঙাইনা ইরুজরম্বদু কিদুনা চেনখৎনরম্মী।

অহুমসুবদা :- লাইবুংদা পাঙথোক্লিবা লাই হরাওবগী থৌরমদা খুনগী মীপুম খুদিংমক পুল্লপ পুনশিন্দুনা পাঙথোমিন্নবা অসিনা অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা খুন্নাই অসিদা অচৌবা মতেং ওইহল্লি।

মরিসুবদা :- লাই হরাওবগী জগোই, ঈশৈনা খুন্নাই অসিবু মালেমদা মশক তাক্লিবনি। লাইনিং লম্বীগী মরী হাইফেৎ মান্নবা লাই হরাওবগী জগোই খুৎথেক। খুৎনোইগা রাধা-কৃষ্ণগী ভক্তি প্রেমগী মরীগা তোৎশিন য়ানশিন্নদুনা জগোই রাস ওইরকপদা মালেমদা মমিং শেৎকাইনা চৎলি অদুগা পীক্লবা মণিপুরবু মালেমদা মশক তাক্লি। মসি খুদিংমক লাই হরাওবগী নাৎকী ওইবা শক্তম অসি থাক ৱাংনা লৈবদগী ওইরিবনি। অসুম্না থাক ৱাংনা লৈবা খুন্নুং ঈশৈগী শুরগা নোংচুপলোমগী শুরগা তান চানা তোৎশিন য়ানশিন্নবা ঙম্বদগী শৈশকপা তপ্তা অমসুং মংকা ময়াংলম্বম মমিং চৎলি।

মঙাসুবা :- লাই হরাওবা লোইরকপদা শান্ন খোৎনবগী থৌরম মুক্না, কাংজৈ, লমজেল অসিনা মণিপুরীশিংবু শান্নবদা মালেমদা মশক তাকপা ঙমহল্লি। খুন্নাই অসিবু মশা মউ ফবা খুন্নাই অমা ওইহনবদা অচৌবা মতেং পীরি। শগোল কাংজৈ (Polo) হৌরকপসু লাই হরাওবা থৌরমদগী ওইরকপনি।

তরুকসুবদা :- ১) লাইশোন তিনশোন, ২) লাই ইকৌবা, ৩) অঙাং পোকপা, ৪) য়ুম শাবা, ৫) ফি শাবা, ৬) মৈ শিজিন্নবা, ৭) ওগ্রি শকপা অসিনচিংবগী থৌরম অয়াম্বা লাই হরাওবদা ফোংদোকই।

মরম কয়া অসি লৈবনা লাই হরাওবা হায়বসি য়াম্না মরু ওইনা ইপা ইপুশিংনা লৌনরমই। ঙসি ফাওবা মচা ওইবা ঐখোয়না পাংথোকলি। লাই হরাওবা মুৎখিবা তারবদি মণিপুরী ঐখোয়গী নাৎ শক্তম পুম্নমক মাংখিগনি হায়বদা লালোই।

মণিপুরদা লাই হরাওবা অসি মখল মরি থোক্লা খাইদোকই :- ১) কংলৈ হরাওবা, ২) চকপা হরাওবা, ৩) মোইরাং হরাওবা অমসুং ৪) ককচিং হরাওবা অসিনি। মফম মফমগী মতুংইন্না হরাওবা মখলশিং অসিগী মরক্তা হৈথা, লৈথা, শৈশক শৈথাগী থৌরমদা অমসুং থৌরম পরিংদা খেন্নবা খর খর লৈজরবসু উমংলাই হরাওবগী নুংগী ওইবা, মচং ওইবা ৱাহন্থোক, ৱাখল্লোন অমসুং পান্দম অদুদি অমত্তনি। মৈতৈগী উমংলাই মশিং ৩৬০ রোম লৈ হায়না পানরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি অনৌবা মমি ফোংলকপা শাফোংলকপা ময়াম অম থাজিল্লগা মশিং খরদি হেনগৎফম থোকই। খুদম ওইনা ককচিংদা ১) ফৌসুপাৎ লাইরেম্বী, ২) চুমনাং লাইরেম্বী, ৩) সেঙ্গ্লোং লাইরেম্বী অসিনচিংবা শাফোংলকই। অমরোমদা শাগৈগী লাই ওইরম্বদগী খুনগী লাই, খুনগী লাই ওইরম্বদগী নিংথৌ লাই ওইখিবসু য়াওরি। মীনা শেম্লগা লাই ওল্লি। মী লৈরমদ্রবদি লাই লৈরমদবসু য়াই মতমগী মতুং ইন্না অরিবা মতমগী চৎনবী নাৎ কয়া হান্না অমুক য়েংশিন্নরকপা মতম অসিদা লাইশিংসু নৌনা শাফোংলকপা মাল্লি।

মৈতৈ খুন্নাইগী চাউখৎলোনগা লাই হরাওবা হায়বা থৌরম অসিগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা অচেৎপা মরী অমা লৈনৈ হায়বা অসিনি। খুন্নাই অসি লৈবনা লাই হরাওবগী থৌরম লৈরিবনি। খুন্নাই অসিনা মুৎখিবা নুমিত্তা থৌরম অসিসু মুৎখিগনি। খুন্নাই অসিগী খুন্নাইরোল মশক খঙগে হায়রবদি লাই হরাওবা উরগা খঙবা ঙমগনি।

অহানবা :- মৈতৈগী লাইশিংবু উমং ঙাকপা। উমং কনবা লাই, উমংলাই হায়নসু কৌবসু য়াই। মখোয়গী খুভম লৈফম লাইকোন্দ হৌরিবা উ-ৱা, হৈ-লৈশিং লাইশংবা তাক্তনা, মরম খঙদনা হেকপা য়াদে, উ-ৱা য়াম্থৎপা য়াদে। করিগুম্বা তৌহৈদে, য়াদে হায়বা থবক তৌরুরবদি অৱা-অনা শিব, নাবা ফাওবা য়াওই। হৌজিক মতমগী সাইন্সগী চাউখৎলবা মতমসিদা অকোয়বগী খল কায়দনবা উ-ৱা য়াম্থৎতনবা খন্ন-নৈনরিবা অসি উমংলাইনা মীওইবদা হান্না খুদম চাংদম পীদুনা তাকপীরীবনি। লাইকোন্দা নিতি নিয়ম কাইবা য়াদবনা তাকপদি মীওইবনা নিতি নিয়ম ঙাক্লা চৎপা ঙমহল্লি।

অনিসুবদা :- মসিনা জীবগী আত্মা অমসুং পরমাত্মাগী তৎন থানবা য়াদ্রবা মরি অদু তাক্লি। জীবশিং অসি ঈশ্বরগী মচানি। জীবনা ৱাররুবা মতমদা ঈশ্বরদা চংজবা নত্তনা অতৈ উপায় লৈতে। তাইবংপান মপুগী শক্তি অসি থৱায় পানবা অমসুং পান্দবা অনিমক্তা ফোঙদোকপা ঙম্মী। লাই ইকৌবা অমসুং মাইবীশিংদা লাইপাউ চেনবা ঙম্মী।

৫।

মীওই কাঙলুপ অমগী মীওইশিংনা চৎনবী ওইনা খেৎনবা নৎত্রগা অহোংবা কয়াগা লোয়ননা লীনৈ। মখোয় অসি লীনরিবসি তশেংনমক পূক্লিং হৱাওহন্নবগী লীনবা নত্তে, খুন্নাইচাশিংদা লৌশিং, জ্ঞান পীনবা, মরুওইবা অচুম্বা ৱাফম অমগী পাউ তম্বা অমসুং নাৎকী মনুংদা খূদোংথীবা ঙাকথোক্লবা পাম্বে তাক্লবগী লীনবনি।

মণিপুরদা লৈরিবা খুন্দা-লৈতাদুনা মণিপুরী জাতিগী লেজন্দশিং য়াম্না মরাং কায়না ফংই। অসিগুম্বা মরাং কায়না ফংলিবা লেজন্দশিং অসিগী মতুংইন্না মণিপুরী লেজন্দ অসি মখল মঙা থোক্লা খায়দোকপা য়াই। মখলশিং অদুদি :-

১) মিথোলোজিকেল লেজন্দ

২) হিষ্টরিকেল লেলন্দ

৩) প্লেস নেম লেজন্দ

৪) পারসনেল লেজন্দ অমসুং

৫) ইটিওলোজিকেল লেজন্দ অসিনি।

১) **মিথোলোজিকেল লেজন্দ :** অসিগুম্বা মখলগী লেজন্দ অসি অয়াম্বনা লাইনিং-লাইশোল অমদি ধর্ম্মগা মরী লৈনবা ৱারিমকসু নত্তে। অদুবু মখল অসিগী লেজন্দশিংদা ধর্ম্মগা অমদি লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবসু য়াওই। অসিগুম্বা মখলগী লেজন্দশিংগী মরুওইবা করেক্তরসু তাইবঙ মীওইবনা ওই। অদুগা ৱারিশিং অদুদা মপূং ওইরিবা করেক্তর অদু নত্তবা লাইওই-মীওই তৌবা নৎত্রগা লাই-তীনশিংসু য়াওদবা নত্তে। অদুনা অসিগুম্বা মখলগী লেজন্দশিং অসি ঙসিগী মালেম অসিদা থোকখিবা ওইবদা নত্তনা মসিগী ৱাংমদা থোকখিবা থৌদোক উৎপসু করিগুম্বদা ওই। মখোয়না অকক্লবা মফম, মতমদা লৈরম্বা মীশক, মীওই অমদি থৌরম-থৌদোকশিংগী মরমদা লীবা ৱারী ওইবনা ৱারীশিং অদুদা য়াওরিবা করেক্তরশিংগী মমিং-মথা, মমা-মপা, লৈফম্নচিংবা শেংনা তাকই। মখল অসিগী লেজন্দশিং মীওই কাঙলূপ অদুগী মীওইশিংনা তশেংনা থোকখিবা অচুম্বা ৱারীনি হায়না থাজনৈ। মখোয়না করিগুম্বদা মালেমসি হৌগৎলকপদগী অমদি হৌজিক ওইরিবা শক্তমশিং অমসুং মীওইশিংগী মরমদা উৎপসু ওই। মখল অসিগী লেজন্দগী মতাংদা ষ্টিট থোমসন (Stith Thompson) না অসুম্না হায় :

> "The student of popular legend and tradition cannot fail to be impressed with the fertility of imagination with which

মণিপুরী লেজেন্দনা সমাজদা লৌরিবা থৌদাং

দা সলাম শান্তিবালা
এসিস্টেন্ট প্রোফেসার, মণিপুরী দিপার্টমেন্ট
নম্বোল এল. সানোই কোলেজ

ৱাহৌদোক ঃ

ইংরাজি ৱাহৈ 'ওরেল নেরেটিভ' হায়বা অসিবু কনাগুম্বা ফোকলোরিষ্টশিংনা 'ফোক নেরেটিভ' হায়নসু হায়নৈ। অদুম ওইনমক 'ওরেল নেরেটিভ' হায়বা ৱাহৈশিং অসিগী ৱাহন্থোক মণিপুরদা লৈতে। অদুবু নেরেটিভ হায়বসিগী ৱাহন্থোক্তি মণিপুরীদা 'ৱারী' হায়বনি। মরম অদুনা 'ওরেল নেরেটিভ' নৎত্রগা 'ফোক নেরেটিভ' পু মণিপুরীদা মীওই কাঙলুপ অমগী চৎনবী ওইনা চীনবুংদা লীনরিবা ৱারীশিং অদুমক্কি হায়না লৌবা য়াই। অসিগুম্বা ৱারীশিং অসি মহৌশানা চৎনবী ওইনা চীনবুংদা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা লীনদুনা লাক্লিবা মীওই কাঙলুপ অমগী ৱারীশিং অদুবুনি। 'ওরেল নেরেটিভ' হায়বা চীনবুংদা লৈরিবা চীন্থাং য়ৈনা লীনরিবা ৱারিশিং অসি মখল অহুম থোক্না খায়দোকপা য়াই। মখলশিং অদুদি :- ১) মিথ ২) লেজন্দ অমসুং ৩) ফোকটেল হায়বসিনি। মিথ হায়বদি লাই-তিনশিং, লাইওই-মীওই তৌবশিং নৎত্রগা থোইদোক হেন্দোকপা লাইগী শক্তি চেনবা মীওইশিংগী মরমদা লীনবা ৱারিশিংনি। মিথকী চরিত্রশিং লাইনি হায়না হেক লৌরিমখৈ ৱারী অদু মিথ ওইদুনা লৈখিগনি। অদুগা চরিত্র অদুনা মী হেক ওইরকপদা লেজন্দ ওইগনি অমদি লেজন্দগী ৱারী অদুগী থোকখিবগী অকক্লবা মফম অমা খঙহনবা ওইগনি। মিথ ৱারীনা ধর্ম্মগা মরী লৈনবগুম লেজন্দদি লৈনদে। লেজন্দগী ৱারীদি মালেম অসিদা পংকুই কুইদ্রিবা মতমদা থোকখিবনি হায়না থাজনৈ।

লেজন্দগী মরুওইবা করেক্তরশিং অসি তাইবঙ মীওইবনা ওই। মখোয়দা থোইদোক হেন্দোকপা শীংথানিঙাই ওইবা গুণ নৎত্রগা শক্তি চেল্লি। লেজন্দশিং অসি

ময়াং নিংথৌ স্পদ্রামগী লাম্নীশিংনা লান্দারক্তুনা অমদি নিংথৌগী খোংনেৎশা শগোল অদু হুরগা লোক্তুনা থৈবা লাকপদা মতম খরা পল্লম্বা মফমনি হায়বগী শগোলবন্দ কৌখিরম্মী। অতোপ্পা অমনা মহাভারতকী আর্জ্জুননা অশ্বমেধগী শগোলদু ইন্নদুনা লাকপদা চিত্রঙ্গদাগী মচানুপা বব্রুবাহননা আর্জ্জুনবু মায়থিবা পীরদুনা অমদি শগোলদু পলগুম্না থিংদুনা থনম্বা মফমনি হায়দুনা 'শগোলপল' দগী শগোলবন্দ কৌখিবনি।

৪) **পারসনেল লেজন্দ :** মখল অসিগী লেজন্দশিংদি লৈবাক্কী ওইবা নৎত্রগা লম-লমগী ওইবা মীয়াম্না শকখঙনবা মীওইশিংগা মরী লৈনবা ৱারীশিংদুবুনি। মীয়াম্না শকখঙনবা মীওইশিংনা মখোয়-মখোয়গী পুন্সিগী হৌখ্রবা থৌদোক নীংশিংবা ৱারীশিংবু চৎনবী থাজ-ৱারীশিং ওইনা চীনবুংদা লীনৈ। মখোয় অসিসু পারসনেল লেজগুনি। অসিদসু নত্তনা ইমুং-মনুংগী ৱারিশিংবু মখল অসিগী মনুং চল্লি। মণিপুরী পারসনেল লেজন্দশিংগী মনুংদা 'মোইরাং শায়োন' গী ৱারীশিংসু মখল অসিদ থম্বা য়াই।

৫) **ইটিওলোজিকেল লেজন্দ :** লৈশেম-নোংশোম্বা, পোৎশকশিংগী অহানবা ওইরকপা, থৌইদোকপা প্রকৃতিগী থৌদোক, লৈমায়গী তোপ-তোপ্পা মওংশিং অমদি পাম্বীশিং অমসুং জীবশিংগী শাজৎনচিংবগী মরমদা শন্দোক্লবা তাকপা অচুম্বনি হায়না থাজবা ৱারীশিং অদুনি। মখোয় অসি ধর্ম্ম অমদি লাই-তীনগা মরি লৈনদে। মসিদি তাইবঙ মী, শা-উচেক্লচিংবা জীবশিং অমসুং প্রকৃতিগী পোৎলমশিংগা অয়াম্বনা মরি লৈনৈ। খুদম ওইনা পুদাংকোই খুৎকোইবনা শঙাই ওইখিবগী ৱারী, খোংজোমনুবী তরুক্লা থৱানমিচাক ওইখিবগী ৱারী অসিনচিংবনি।

লেজন্দনা সমাজদা লৌরিবা থৌদাংশিং :

লেজন্দনা সমাজদা লৌরিবা থৌদাং অসি অসুক্কী মতীক য়ামখ্রে, খরদং পঞ্জরবদা,

১) লৌশিং জ্ঞান পীবা
২) অরানবা থবক তৌবদা চেকশিনহনবা
৩) অরুবা মতাংশিংদা করম-করম্না থৌওং লৌখৎকদগে হায়বা তাকপা
৪) পাউতাক অমদি অফবা লমচৎ-শাজৎ চৎহনবগী ৱাখল্লোন কয়া পীবা অমসুং
৫) নাৎ, কলচরগী মশক খঙহনবা অসিনচিংবনি।

man has viewed the world around him. The simple taleteller of today receiving much of his legendary material from an even more unlettered past, finds ready for his use a wealth of accounts, not only of the marvels of the present world and remarkable happenings of historic times, but also even of the very beginnings of the earth and the establishment of the present order of animals and men" (Stith Thompson, "The Folktale", P. 235)

মণিপুরী মিথোলোজিকেল লেজন্দশিংগী মনুংদা 'নুংপান পোম্বী লুৱাউপা' চোথে থাঙৱাই পাখংপা', 'পান্থৌইবী', 'হুইমু লৈমা নাহুইনু' নচিংবসি পনবা য়াই।

১) **হিষ্টরিকেল লেজন্দ :** অসিগুম্বা মখলগী লেজন্দশিংদা জাতিগী ওইবা হায়বদি লৈবাক অপুম্বগী ওইবা অমদি লম-লমগী ওইবা ইতিহাসকী মনুং চনবা অচুম্বনি হায়না থাজবা ৱারীশিং য়াওই। জাতিগী ওইবা হায়বদি লৈবাক নিংথৌ, অঙম-অথৌ, অকন-অথৌগী অসিনচিংবশিংগী পুন্সিদা লৈবাক্কী কান্নবগীদমক পাঙথোকখিবা থৌনা অমদি মতিক-মগুণগী ৱারীশিংদু অচুম্বনি হায়না চীংনবুংদা লীনৈ। অসিগুম্বা লেজন্দশিং অসিদা মীওই অমগী মখোয় মনুংগী লম-লমগী ওইবা ইতিহাসকী মচল য়াওনা ৱারীশিংবু লীনৈ। মণিপুরী হিষ্টরিকেল লেজন্দশিং য়াম্না মরাং কায়না লৈ। খুদম ওইনা পল্লবদা খোংনাং হোগাইবী, রাজর্ষি ভগ্যচন্দ্রনা তেখাও শামু ফাবা, সতী খোংনাং, থম্বালনু অসিনচিংবশিং অসি লৈবাক্কী নৎত্রগা জাতি অপুনবগী ওইবা ইতিহাসকী অচুম্বা য়াওবা থাজবা ৱারীশিংনি। অদুগ "সতী খোংনাং" অসিনা লম-লমগী ওইবা অচুম্বনি হায়নদি থাজনবা মণিপুরী হিষ্টরিকেল লেজন্দনি।

৩) **প্লেস নেম লেজন্দ :** মসিগী লেজন্দ মখলশিংদি মহৌশানা মফম অমা করি মরমদগী করম্না মমিং অসি কৌনখিবনো হায়বগী মরমদা লীনবা অদুগা মীওই কাঙলুপ অদুগী মীশিংনদি অচুম্বনি হায়না থাজনবা ৱারীশিংদুনি। অসিগুম্বা লেজন্দশিং অসি লম-লমগী ওইবা চীং, পাৎ, তুরেল, পুখ্রী, খোং, লৌবুক-লম্মাং, লোক-শুরুংনচিংবশিংগী মমিং থোনখিবগী চীনবুংদা লীনরিবা ৱারীশিংদুনি। ৱারীশিং অসি লীরিবা অমদি তারিবা অনিমক্না অচুম্বনি হায়না থাজনৈ। মসি মণিপুরদা মরাং কায়না ফংই। খুদম ওইনা 'শগোলবন্দ' কৌখিবগী ৱারীসিমক্তদা খেৎনবা ৱারী পরিং অনী লৈ। অমনা খাগেম্বা নিংথৌ হাক্তকতা

শান্নবা, লমজেল, মূক্লা হায়রিবা মশান্নশিং অসি মমাংঙৈদগী লৈরক্লে হায়বসি হেঞ্জুনহা অমদি লাইরৌলেন্বী অনীগী ৱারীদগী লিক্লোল শান্নবগী মশান্না অসি মমাংঙৈদগী লৈরক্লে হায়বা খঙবা ঙমই। অদুগা খম্বা-থোইবী ৱারীদা লমজেল অসি হান্নদগী লৈরক্লবা মশান্ননি হায়বা মীয়ামদা খঙহল্লি।

মণিপুরী লেজন্দশিং অসিগী থৌদাংশিং অসি অসুক্কী মতিক চাওখ্রে। সমাজ অসিগী তোঙান-তোঙানবা মশকশিং, ফীজেৎ-লৈতেং চাকচা-য়ুথক, য়ুম্লে-কৈরৈ, হরাও-কুম্হৈ অসিনচিংবশিংসি খঙহনবগী থৌদাং পাঙথোকই। মণিপুরী লেজন্দশিং খরদগী খঙবা ঙম্মী মদুদি, য়ূম পাল্লবী নুপীনা অতোপ্পা নুপাগা নুংশি মরি লৈনবগী ৱাফম য়াওদবা নত্তে। "খুয়োল হাওবা অমসুং য়াইথিংকোনু"গী লেজন্দদা য়াইথিংকোনুনা খুমন কাওবদা লুহোংদুনা লৈখ্রবসু হাওববু খুমন য়ুমদা মৌপ্পা শাদুনা লাক্লবা হায়জরম্মী। খুমন কাওবগা লুহোংলবা ফাওবদা য়াইথিংকোনুনা খুয়োল হাওবগা অরোনবা মরি লৈনরম্মী। মসিদগী হেন্দোক্তুনা মমৈথংদা খুমন পুঙদগী চেল্লক্তুনা খুয়োল হাওবগা লৈমিন্নখিরম্মী। "পান্থোইবী" গী মিথোলোজিকেল লেজন্দদসু পান্থোইবীনা খাবগী য়ুমদা লুহোংলবা মতুংদা নোংপোক নিংথৌগা অরোনবা মরি লৈনরম্মী। মসিনা তাকপদি সমাজ অসিদা লুহোংলবা মতুংদা মখোয়না নুংশিজবা নুপাগা অরোনবা মরী লৈনৈ হায়বসিসু লেজন্দশিংনা খঙহল্লি।

সমাজসিদা লায়রবা ইমুংগী মীওইশিংনা ইনাক-কৈরাক খুনবা মীশিংগী য়ুমদা চত্তুনা শীল্লঙবগী চৎনবী অমদি লৈরম্মী হায়বসি মণিপুরী লেজন্দদগী খঙবা ঙম্মী। খুম্নুনা মীগী য়ুমদা চত্তুনা মীগী ফৌ-চেং শুরু খুপ্লুবগী ফংলকপা চেং-চাক অদুনা মীচন-মৌপ্পা অনীগী হীংনবগী লম্বেল ওইরম্মী।

মণিপুরী সমাজদা নুপীশিংগী মরুওইবা শিনফম অসি মমাংঙৈদা ফী শাবা অমসুং লোনবনা ওই হায়বসিসু 'খম্বা-থোইবী', 'চকপ্রম চনু ফীশাহৈবী' নচিংবদা পল্লি। ফিজেৎ লৈতেংগী মতাংদা কাং শান্নবদা ফজ-ফজরবা ফীরোল শেৎনৈ-ইন্নৈ হায়বসিসু মণিপুরী লেজন্দদগী খঙবা ঙমই। অসিদসু নত্তনা লৈবাক্কী অঙম-অথৌ অমদি নিংথৌনা হরাও-কুম্হৈ অমদি লৈবাক্কী ওইবা থৌদোকশিংদা করম্বা ফী শেৎপগে হায়বগী মতাংদসু তাক্লি। খুদম ওইনা উকায় কাপ্পদা অঙম-অথৌশিং অমদি মদুদা য়াওরিবা মীওইশিংনা ফজবা ফীরোল শেৎনৈ হায়বসি খম্বা-থোইবী লেজন্দদগী খঙবা ঙম্মী।

তশেংনা হায়রবদা মণিপুরী লেজন্দশিংনা সমাজসিদা পাঙথোক্লিবা থৌদাংশিং অসি কূপ্পা নৈনরবদি মণিপুরী জাতিগী পুন্সি মরেল অমসুং ৱাখল্লোন খঙবা ঙমগনি। মরমদি, লেজন্দশিংনা খুন্নাইশিংগী ওইবা চৎনবী, থাজনবী, ঈনাৎ, ধর্ম্ম, অপাম-পামদ, পানগী শাজৎ-লীচৎ অমদুং নুংগী ওইবা ৱাখল কয়ানচিংবগী মশক খঙহনবগী থৌদাং কয়াসু লৌরি। পেপর অসিদা পাক চাউরবা লেজন্দগী শরুকশিংবু লৌখত্তুনা নৈনজবগী খুদোংচাদবা লৈবনা অমা অনীদং লৌখৎচরগা থমজগে।

মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারীশিংগী মনুংদা থোইদোক্লা অথোইবা ওইনা লৌনরিবা ৱারী অমা ওইরিবা "খম্বা-থোইবী" হায়বা লেজন্দ অসিদা য়াওরিবা মপুং ওইবা মীশক খম্বনা অতোপ্পা মীওই অমত্তদা মাঙনবা তৌদবা অমদি অচুম্বা থবক্তীদমক্তদা মথ্বায় ফাওবা থাবা পাম্মুদবা অমা ওইবদগী মমৈথংদা মহাক্লা মাই পাকপা ওইদুনা মজা ইবেম্মা থোইবীবু তালোয় ওইনা ফংজখি। অসুম্না চুম্না অচুম্বতা চৎলব্রতদা পুন্সিদা মায় পাকপগী মহৈ ফংবা ঙম্লিবনি হায়না উৎলি। লেজন্দ অসিনা "অচুম্বনা হায়বদি ধর্ম্মনা জয় ওই" হায়বা পাউতাক অসি তারিবশিংদা খঙহনবগী থৌদাং লৌরি হায়বা য়াই। অদুগা নোংবাননা খম্ববু মাঙনবা তৌরুবা ফত্তবা থবকশিং অদুগী ফলনা মমৈথংদা পাম্বা কৈগী খায়াৎতা নোংবানগী থৱায় মাংখিরম্মী। মসিনা অমুক অতাবশিংদা মীগী ফত্তনবা তৌবা ফত্তে হায়বা তাকপগী থৌদাংসু তৌরি।

"পীতংঙা" লেজন্দা পীতংঙাগী লৌশিংগী পাম্বৈনা মপুরোইবা খুঞ্জাওববু শেল্লোয় লংমাইগী মখুত্তগী মথ্বায় কনবীবা ঙমখিরম্মী। মপুরোইববু হাৎলগনি হায়রবদা অরোইবা ওইনা চারা অমত্তদি চামিন্নজগে হায়দুনা নুং ফুত্তুনা চাক লোইদ্রিঙৈদুদা হাৎকে লাক্লিবশিংবু য়ু পীথক্তুনা ঙাওহল্লম্মী। মখোয়না ঙাওরিঙৈদা মপুরোইববু য়েক্লবগী মখুত্তগী কনখি। মসি পীতংঙাগী হৈ-শিংবা অমদি লৌশিংগী মপান্ননি হায়বসি ৱারী অসিবু তারীবা মীশিংদা খঙহনবগা লোয়ননা লৌশিং লৈবগী কান্নবদুসু খঙহল্লিবনি।

মণিপুরী লেজন্দশিংনা সমাজ অসিদা মমাংঙৈদা চৎনরম্বা অমদি হৌজিক ফাওবা চৎনবী ওইনা লৈরিবা কলচরগী তোঙান-তোঙানবা মশকসু খঙহনবগী থৌদাং পাঙথোক্লি। লুহোংবগী চৎনবী অমদি লৌন-লৈনদ্রিঙৈ নুপা-নুপী হায়না শিংনবগী চৎনবীসি মমাংঙৈদগী লৈরক্লি হায়বসি খঙহল্লি।

মণিপুরী লেজন্দশিংনা সমাজসিদা চৎনবী ওইনা মী অমা শিরবা মতমদা পোৎলোইবগী চৎনবী অসি মমাংঙৈদগী লৈরক্লে হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লি। লিক্লোল

47

লেজেন্দদা য়ুম্ফম ওইবী লাইরেন্বী অমা ওইনা কুমজারেন্বী

দা এল. তেজবাতি
মোরে কোলেজ, মোরে

মালেমগী ওইনা ফোকলোর নৈনবগী খোংথাং অসুক্কী মতিক কনখৎলক্লি। খোঙথাং অসিদা oral narrative কী মতাং অসিদসু অকনবা মীৎয়েং থম্লরক্লি। মণিপুরদসু oral narrative কী মনুং চনবা ৱারী ৱাখোং য়াম্না মরাং কায়না ফংবত নত্তনা নৈনবদসু খোঙজেনবাঙলি। Oral Narrative কী মনুংদা ফোকশোং, ফোকবেলেড, ফোকএপিক, ফোকটেল, লেজেন্দ, মিথ, প্রাভার্ব, রিড্ল, ফোকস্পিচ, ফোক নেমিং অসিনচিংবা পনবা য়াই।

পেপর অসিদা মপুং ওইনা মীৎয়েং থমজগদৌরিবা অসি oral narrative কী মচল অমা ওইরিবা লেজেন্দদনি। লেজেন্দা য়ুম্ফম ওইবী লাইরেন্বী কুমজারেন্বীগী ৱারীদা মপুং ওইবা মীৎয়েং থম্বনা পেপর অসিগী মরু ওইবা পান্দমনি।

লেজেন্দ হায়বা ইংরাজিগী ৱাহৈ অসি মণিপুরীগী থাজ-ৱারী হায়বসিদা মান্ননা লৌনদুনা শীজিন্নরি। থাজৱারী হায়না খঙনবগী মরমদি মখল অসিগী ৱারী অসি ঙসিগী মালেম অসিদা তশেংনা থোকখি হায়না লীরিবা অমসুং তারিবা মীওইশিংনা থাজনৈ। মসিগী মথক্তা অসিগুম্বা ৱারীশিং অসি ঙসি মালেম অসিদা থোকখিবা পংকুই কুইদ্রিবনি হায়নসু লৌনৈ। মতাং অসিদা ৱিলিয়ম আর বেসকম (Willian R. Bascom) না অসমুনা মোত পীরি :

> Legends are prose narratives which, like myths, are regarded as true by the narrator and his audience, but they are set in a period considered less remote, when the world was much as it is today.

মণিপুরী লেজন্দশিং অসিগী থৌদাংশিং অসি নৈনরবদি মণিপুরী সমাজকী সংস্কৃতিগী মশক মপূং ফানবা নৎত্রবসু খরমখৈদি খঙহনবা ঙম্মী হায়বদু নৈনজখ্রে। মণিপুরী লেজন্দশিংনা সমাজসিদা পাঙথোক্লিবা থৌদাংশিং অসি কূপ্না নৈনরবদা ঐখোয়না মণিপুরী জাতিগী পুন্সি মরেল অমসুং ৱাখল্লোন খঙবা ঙমগনি। লেজন্দশিংনা খুন্নাইগী ওইবা চৎনবী, থাজনবী, ঈনাৎ, ধর্ম্ম, অপাম-পামদ, পানগী শাজৎ-লীচৎ অমসুং নুংগী ৱাখল কয়ানচিংবগী মশক খঙহনবগী অচৌবা থৌদাং কয়াসু লৌরি। মণিপুরী লেজন্দশিংনা সমাজসিদা অচৌবা থৌদাং কয়া পাঙথোক্লি হায়বসি য়াম্না চুন্নবা ৱাফম্নি। ঙসি-ঙসিমক চাওখৎপগী মতুংইন্না মণিপুরী সমাজদা লৈরিবা মীওইশিংনা লেজন্দশিং কান্নবা অমদি থৌদাংশিংবু থওইবীদবগী খুন্নাইচা কয়া মাইওন লান্না চৎখিবদগী অৱাফমদা তাদুনা সমাজ অসিগী মতিক-মঙল হন্থরক্নুনা চাওখৎপগী খোঙথাংনা নীংহন্নবগী ফিভম লাক্লিনৈদা লেজন্দশিংবু মপূং ফানা খঙমিন্নদুনা মশা খীংবা, মরা চেৎপা সমাজ অমা ওইনবা ৱাখল তামিন্নবা মতম ওইরে।

মতেং লৌজখিবা লাইরিকশিং :-

১) এন খেলচন্দ্র সিংহ, *'অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস'*, ইম্ফাল, ডিভাইন বুক মার্ট, পাওনা বজার, ১৯৯২ (অহুমশুবা ফোঙবা)

২) এস. বরমণি সিংহ, *'মৈতৈ নিংথৌরোল'*, ইম্ফাল, ১৯৯২।

৩) এস. বরমণি সিংহ, *'লম্লিংলোন'*, ইম্ফাল, ১৯৮৮।

৪) এন. খেলচন্দ্র সিংহ (সম্পাদক), *'নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা'*, ইম্ফাল, ১৯৬৭।

৫) মোইরাংথেম চন্দ্র সিংহ (সম্পাদক), *'পান্থোইবী খোংকুল'*, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল, ১৯৬৬ (অনীশুবা খূৎনম)

৬) শোরোকখাইবম ললিত সিংহ, *'সতী-খোংনাং'*, খঙ্গৎপা ৱারেং ফোঙবা, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল (অহুমশুবা ফোঙবা), ১৯৭০।

৭) য়ুম্নাম ইবেহায়বী দেবী, *'মণিপুরী (মৈতৈ) লেজন্দ নৈনবা'* বোবী পাব্লিকেসন, ইম্ফাল, ১৯৯৮।

১০) Stith Thompson, *"The Folktale"*, New York, The Drydon Press, 1951.

ৱাফম অসিমক রিচার্ড এম দর্সন (Rechard M. Dosson) নসু শৌগৎলি। অমুকসু কেন্নেথ দব্লিয়ু ক্লার্ক (Kenneth W. Clarke) অমসুং মেরী দব্লিয়ু ক্লার্ক (Mary W. Clark) না অসুম্না ফোঙদোকই :

> Narrative about persons, places or events involving real or pretended belief are legends.

দিফিনিসনশিং অসিদগী লেজেন্দগী খ্বাইদগী মপুং ওইব্রা শাজৎ অনী উবা ফংই। লেজেন্দ হায়বসি লীরিবা অমদি তারিবা মীওইশিংনা অশেংবা থোকখিবনি হায়না থাজনবতা নত্তনা খুন্নাই কাংলুপকী মীওইশিংনা অহোংবা কয়াগা লোয়ননা চৎনবী অমা ওইনসু লীনৈ। শোক তারিক নাইবা থৌরম থৌদোক্কী অচুম্বা য়াওই হায়না থাজনদুনা প্রমান মক তৌদ্রবসু ইতিহাস কী অচুম্বা য়াওই হায়না থাজনদুনা মসিবু চিনবুংদা লৈবা ইতিহাস (oral history) নৎত্রগা মীয়াম্না লীনবা ইতিহাস (folk history) হায়নসু কৌনৈ।

মালেমগী জাতি খুদিংমক্কী চিন্থাংয়েনা লীনরকপা চিনবুং ৱারী মরাং কায়না লৈবগুম মণিপুরগীসু চিনবুং ৱারী কয়া য়াম্না মরাং কায়না লৈরি। ৱারী ময়ামশিং অদুগী মনুংদা লাইরেম্বী কুমজারেম্বীগী ৱারী অমনি। মতম অমদা কংলাদা নিংথৌ অয়াঙবনা পানবা মতমদা কংলাগী মাইকৈ মরী অসি ঙাক্লবগীদমক নিংথৌগী অচানবা মনাই ফম্নাইবা অমমম থম্লম্মী। খুঞ্জাওবা কৌবা মনাই অচানবা অমবু হৈবোক মাইকৈ ঙাকহল্লম্মী। খুঞ্জাওবগী নুপীগী মমিং লৈরিখোম্বী কৌরম্মী। মখোয় অনীনা মমিৎতা মচা উরক্ত্রবদা হৈবোক লাইরেম্বীদা মচা ধার নীজরম্মী। লাইগী থৌজালগী মমোম অমা ফংজখি। মমোম অদুগী মমিংনা কুমজারেম্বী কৌরম্মী। লৈশাবী মপুং ফারক্লে। শক্তা, চুদা, হেনবী, শকওং শাদা ফজবী কুমজারেম্বী মশুং মমান্নবীশিংগা হৈবোক চীংজিন্দা চাকথি ঙাথিদুনা মতম লেলকই। নোংমা ইখঙ খঙহৌদনা খুমন নিংথৌ পুন্সিবনা কোংবা লৈথোংফাৎপা শজিবু লৈখুন ফুনবগী থৌরম য়াওবা লাকপদা হৈবোক চীংজিন্দা কুমজারেম্বীগা থেংনখি। কুমজারেম্বীবু উবদা খুমন নিংথৌ মানা য়াওবা লাক্লিবা থৌরম অদু পুমকাও কাওদুনা কুমজারেম্বীগী মনাক্তা পন্দুনা লৈখি। খুমন নিংথৌনা হংলকখি-ইবেম্মা নঙবু চনু নিংঙোলা, মৌগীশিংদা চল্লব্রা, চনু নিংঙোল ওইরবদি পলেম পম্ফৌনা থাজয়োনজখ্রবরা, নমিংনা করি কৌবগে, পলেম পম্ফৌ কনানা পোকপনো হংলকই। কুমজারেম্বীনা ঐদি হৈবোক নিংথৌগী মমোমনি, চনু নিংঙোলনি খুম্লকই। কুমজারেম্বীনা পাউখুম তারবদা খুমন নিংথৌ হরাওরদুনা ঐসু খুমন নিংথৌনি, ইমিংনা খুমন নিংথৌ পুন্সিবা কৌই। ঐহাক্কী তালোয় ওইবিরো, খুমন পুংদা

চৎলসি খুমন লৈমা ওইদুনা নুংঙাইনা পানমিন্নরুসি হায়রকই। কুমজারেম্বীনা ঐদি ইপাগী য়াথং য়াওদনা ইনিং তৌবা ঙমজদে, ইপা ইবুংঙৌগী অয়াবা লৌবিখো হায়রকই। খুমন নিংথৌ পুন্সিবনা ইকাই ইকি থাদোক্তুনা হৈবোক নিংথৌগী মফমদা চঙদুনা মচা নিংঙোলবু নিজরকই। হৈবোক নিংথৌনা কনাগীদমক মমোমবু নিজবনো হংবদা খুমন নিংথৌ মশামক্কী ওইরম্বদগী হৈবোক নিংথৌ হায়নীংঙাই লৈতনা শাওখি। অদুবু অশাওবা পূম্নমক ফাজিল্লগা খুমন নিংথৌসি মবুক ফত্তবা মানা নীংখিবদা তৌবা নিপানি অদুনা ফজনা হায়রিঙৈদা পীহৌদ্রবদি শোয়দনা মুনদুনা লৌখিনি হায়বসি খঙখি। মপুক্লিংদা য়ানিংদা য়ানিংদা য়াথোকখ্রে অদুগা হায়রকই, *ঙসিদগী মঙানি শুবা নুমিৎতা হৈজিং খরাই য়াওনা লুহোং পোৎলম শুনা পুরকউ। নুমিৎতুদা ইমোমবু নঙগী খুমন কোনুংদা য়ৌহনগে।*

হৈবোক নিংথৌগী ৱাফম পূম্নমক তারবদা খুমন নিংথৌ হরাওনা ময়ূম য়ৌখ্রে। শোমদনা মচানুপীদা ৱাফম পূম্নমক খঙহললে। কুমজারেম্বী খুমন নিংথৌ পুন্সিবদা লৈয়ু হায়বা য়াদরে। মপা ইবুংঙোনা খুমন নিংথৌগী শাথিবা লমচৎ পূম্নমক হায়দুনা খঙহললে অদুবু কুমজারেম্বীনা শুকয়া য়াদ্রে। কুমজারেম্বীনা তেনজৈ মঙা পুথোক্তুনা খুমন নিংথৌগা লান শোক্লনবা মপা ইবুংঙোদা পীরে। লান শোয়দনা মাই পাক্কনি, ঐসু লান য়াওগনি হায়না মপা ইবুংঙোদা হায়খ্রে। শোমদনা খূমন নিংথৌনা নুমিৎ মঙানি শুরবদা কুমজারেম্বীগীদমক হৈজিং খরাই পুনবা শেম শাখ্রে। ফজরবী নুপীশিংনা ফিরুক, লুকমাই পুদুনা, শগোল, শমু তোংবা নিংথৌ, অঙম অথৌশিংগা, লোয়ননা হৈবোক কোনুং য়ৌরকলে। তাঞ্জা অদুদা হৈবোক নিংথৌনা মচানুপী পীবা ঙমলরোই, ইমোমা মশানা য়াদ্রে হায়রক্লে। খুমন নিংথৌ ইকাইমনবদগী কুমজারেম্বী নমদুনা লৌনবা হোৎনরক্লে। হৈবোক নিংথৌগা অকনবা লান শোক্লরক্লে। মচানুপীনা পীবা তেনজৈ অমা শৎলগা কাপ্পদা হৈজিং পোৎকীদমক পুরকপা পোৎ য়াম শগোল শমু লোইনা নুঙ ওনখ্রে। তাঞ্জা অসিদা কুমজারেম্বীসু ফিমু শেৎতুনা থাংশাং পায়রগা লান পাংবা থোরক্লে। মমৈদা খুমন নিংথৌ নুঙ ওনবা কিবদগী মমাই লৈদুনা চেনখ্রে। নুমিৎতুগী কুমজারেম্বীসু হিয়াংথাং চীংগী চীংগোলদা থুপ্তুনা লৈখ্রে। মমা মপানা কপ লাওদুনা থিবদা ফংদ্রে। মমৈদা কুমজারেম্বী লাইরেম্বীগী শক্তম লৌরদুনা লাওরকই :-
"ঐদি ইরাইলৈমগী শাইওননি মতম খরা নখোয়না নচা লৈজদবা অদুদা নখোয়গী নচা ওইনা ঐনা লৈবনি। ঙসিদগীদি নখোয়গা ঐগা লৈমিন্নবা য়াররোই নখোয়না থাসি থানিল খুদিংগী হৈরুক, হৈরা কাজদুনা খুরুমজরকউ হায়রম্লগা হৌজিক হৌজিক ইমাগী লৈফম অসিদা থুপ্তুনা লৈখ্রে।"

১০

ইমানা শাফোঙলকপা

হৌজিক হৌজিক হিয়াংথাং লাইরেম্বীনা লৈরিবা চীংদুম অসিদা শরাংথেম লুৱাংবা কৌবা নিপা অমনা ইহান হান্না খুন্দারম্মী। লুৱাংবনা ইমাগী লৈফম অসিদা কৈগী ফৈরেন্না নন্দুনা অচৌবা কৈ অমা শারম্মী। মদুদা ইমানা লুবাংবগী মমঙদা লাক্তুনা কৈ অসি লৌথোকখো হায়না হায়রম্মী। লুৱাংবনা থৌশাদনা অদুম লৈখি। তাইবঙদসু হনুবীগী শক্তম লৌদুনা লাক্লগা নঙগী কৈ অসি লৌথোকউনে হায়না অমুক হায়রম্লগা অদুম মাঙখি। মৌ নাহা ওইনসু লাকই, লৈশাবী ওইনসু লাক্তুনা লুৱাংবগী কৈ অসি লৌথোক্লবা হায়রম্মী। লুৱাংবনা করিসু থৌশাদনা লৈথোকই। লুৱাংবনা শুকলৌ লৌথোক্লবদা ইমাগী অৱাংথংবদা লৈবা 'ৱারেল' হায়না খঙনবা ৱারক উরক্তুদা করিমত্তা মপোপ কায়দনা থংদোক্তুনা থমলম্মী। নোংঙাল্লগা লুৱাংবনা মাগী কৈ লৈরমদ্রে হায়না কোইথি থিবদা ৱাপল মরক অদুদা করিমত্তা মপোক কায়দনা লৈবা উরম্মী। তৌরিবা মতৌ অসি করিনো ৱাফম পূম্নমক হংঙ্গৎলুরে। নিংথৌনা মাইবা মাইবী পুরক্তুনা লাইমাঙ ফমদুনা য়েংহললে। মসিদগী অরুবা লাইরেম্বীনি হায়বদু খঙলকপদগী নিংথৌগী লাই ওইনা ইরাৎথৌরম পাঙথোকপা হৌখ্রে। মতম অদুদগী লাইরেম্বী অসিবু 'হিয়াংথাং লাইরেম্বী' হায়না খঙনখি। মফম অদুদগী শরাঙথেম কাঙবু লোয়না হোংদোকহনখ্রে। শাগৈ অসিবুনা 'লাইয়েং' হায়না মফম পীদুনা লাইরেম্বীগী থবক থৌরম খুদিং য়েংশিনবগী থবক নখোয়গী নথৌ ওইরো হায়না নিংথৌনা শিন্নবিরে। নিংথৌনা লমতা থাগী পানখৎলকপা লৈপাকপোকপা নুমিৎ তিনজা লাইচা অকবা য়েংলগা লাইগী চাকলোং কৎখি। চাকলোং কৎপগী থবক অসি নিংথৌনা হেক থেংনবদগী চখ্ররকই। হৌজিক্লা খুন লৈকাইনা শিনলে। শরাংথেম শাগৈনা ইমাগী মফমদা লানজরুবগী লমনদু কোক্লবা মখোয়সু থৌগল ফংজগে হায়জবদগী শরাংথেমনা হান্না চাক্লোং কৎহল্লি, মচা নিংঙোল চুংখাম ওংবীসু কৎপা য়াওখি। অরোইবদা নিংথৌনা শুপচিন্না কৎলি। হৌজিক্তি খুন লৈকাইনা শুপচিন্না কৎপগী চৎনবী লৈরে। শজিবুগী চৈরাওবা নুমিৎতা ঔগ্রি হংগেন শক্তুনা হোই লাওদুনা ইমাগী থৌরম পাঙথোকই। থৌরম অসি হৌজিক হৌজিকসু লেপ্তুনা চখ্ররি। মচা লৈজদবা কয়ানা মচা ধরা নিজরি। নুপীওইবীগী ইরম খোঙলম শেংদবশিংনা ইরম খোঙলম শেংহনবিয়ু হায়দুনা হৈকৎ লৈকৎ তৌদুনা খুরুমজরি। মপুং ওইবা ৱারীদা মতাং অসিদা লোইরে। অদুবু খুন লৈকাইনা লীনবদা 'হিয়াংথাং লাইরেম্বীগী' ৱারীদা লমিৎ লোন কয়াসু লোয়নরি। খুমন নিংথৌ পুন্সিবগী পারি পুরীগী ৱারীসু লোয়নরি। পূম্নমক অদু পাক শন্না ইরবদি পেপর অসি চাওথোকখ্রনি খনজদুনা হাপচদ্রে। ৱারী অসি হিয়াংথাং মনিং লৈকাইদা লৈবা শ্রী লোয়তোংবম ইবোমচা সিংহনা লীবিরকপনি। ৱারী অসি খুন লৈকাইদা থাজনা লীনরিবা ৱারীনি।

হিয়াংথাং লাইরেন্বীগী ৱারী অসিদা খেন্নবা খরদি উবা ফংই। শরাংথেম বরমনিগী *'মৈতৈ ইমা লাইরেন্বী'* কৌবা লাইরিক্তা লাইরেন্বী অসি মিং ইরাই লৈমা মিংথোল্লি। খুমন নিংথৌ পুন্সিবনা খুমনকোকপা হায়না কৌরম্মী। খুমন কোকপা অমদি ইরাই লৈমগা নুংশি ৱাইথুংনদ্রবদা ইরাই লৈমনা মমা মপা কিবদগী ময়ূমদা হনজিনবা ঙমদনা লোৎতুনা লৈখিবগী ৱাফম পাল্লি। ইরাই লৈমনা লাইপখ্রা চীংজিনদগী থোরক্লগা লীৱা তুরেল লান্দুনা লাক্লগা শরাংথেম লুৱাংবগী কোৎমখাদা লোৎতুনা লৈহল্লি। লুৱাংবা মতৈ মনাউনা হেক চৎথোকখিবগা মী ওইনা থোরক্তুনা ইমুং মনুংগী থবক ইনখাং পূন্নমক তৌবিরম্মী। লুৱাংবনা অশেংবা অমা খঙলগে হায়না থিরুবদা ইরাই লৈমা থিবা খঙদ্রে। কোৎমখাদা লৈশৌনা লৈপাক ইনখৎপগী মমি মানবা অমা লৈরিবসি করিনো হায়না য়েংলুবদা লাইরেন্বীগী ফিনুংগী কয়াৎ, হকচাং থোঙ মান্না ফজনা লৈবদু উবদা অঙকপা পোকখি। মহাক্কী নুপী কৌশিন্দুনা য়েংহল্লি। মখোয় অনীনা লৈখায় তাবা ঙমদ্রবদা হয়েং নোং ঙাল্লগা খুনগী অখঙ অহৈবু য়েংহল্লসি হায়না অহিংদুমা লেন্না থমখি। অহিংদুগী খোমলেন। মঙলান্দা অসুম মঙলমখি :-
"ইরাই লৈমনা লাইরেন্বীগী শক্লোন লৌদুনা লাক্লগা, হা ! পন্থৌ লুৱাংবা ঙসিদগী হৌনা ঐ নহাক্কী শাগৈদা তিল্লবনি, নহাক্কী নমোম ওইরবনি হায়রল্লগা লাইরেন্বী অসি মফম মরাং খঙদনা মাঙথোকখ্রে।"

অসুম্না ইরাই লৈমনা মীওইবগী পুন্সি থাদোক্তুনা লাইরেন্বীগী শক্লোন লৌখি। লুৱাংবগী শাগৈগী লাই ওইনা লাৎখিবগী ৱারী ওইনা ইরি। লাইরেন্বী অসিগী মীওইপোক্পী ৱারীদগী য়েংবা য়াবদি ঙল্লিঙৈ মতমদা য়ুম্বাল পুন্সিদা খোংদাবা মতমদা পামই হায়দুনসু মমা মপা ওইবগী অয়াবা য়াওদনা মনীং তম্বা ঙমজদবগী ৱাফম ময়েক শেংন উবা ফংই। অমরোমদা নমজা নমথেক্লবগী ৱাখল চেনবা কমজাও হুনবা খুমন নিংথৌ মাইথিদুনা হনখিবা। ঙম্মী হায়দুনা থকসি কারল লান্না অমদি মচা ওইবশিংগী পুক্নিং খঙদনা থবক তৌব য়াদে হায়বসি শেংনা উবা ফংই।

অমরোমদা মান্নদবা অহোংবা কয়া লৈবা হায়বসি ফোকলোরগী মশাজৎনি। হিয়াংথাং লাইরেন্বীগী ৱারীবু চীনবুং ৱারী ওইনা চীন্থাং লান্না লাক্তুনা ঙসি ফাওবা হিংদুনা লৈরি। লাইরেন্বী অসিদা মীপূম খুদিংনা থাজনা নীংজদুনা মানা মানা পামজবা মহৈ নীনরি।

মণিপুরদা কৈথেল অমদি চিনবুং ৱারীশিং

দা ওক্রম সনাহনবী দেবী
এসিস্টেন্ট প্রোফেসার, ইংলিস দিপার্টমেন্ট
খা মণিপুর কোলেজ, ককচীং

'ৱারী' হায়বসি মীওইবা জাতিনা তৎনা থানবা য়াদনা লোয়নদুনা লাক্লবা অমনি। মীওইবনা ঙনলিঙৈ মতমদগী হৌদুনা ৱারি লিবগী চৎনবী অসি চৎথদুনা লাক্লি। অসুম্না সমাজ অমগী ৱারিনা সমাজ অদুগী ৱাখনলোন, চৎনবী, ফিজেৎ-চকচা, শেল-থুমগী ফীভম, লৈঙাকলোন, সভেত্যা অসিনচিংবা তাকপা ঙম্বাগা লোয়নন্না সমাজ অমগী চাওখৎপগী খোংথাং শাগৎপদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌদুনা লাক্লি।

সাহিত্যদা 'Oral Narratives' হায়বসি করিনো ? অমদি মসি কদায়দগী করম্না হৌরকপগে হায়বদু য়েংবা তাই। অইবা সহিত্যা লৈত্রিঙৈগী মমাংদা মীওইবনা চীননা ৱারী লিবা চৎনরম্মী। মসিবু চিনবুং ৱারি Oral Narratives হায়না খৎন্নে। মসিগী মরুওইবা হৌরকফমদি Myth, Legend অমসুং Folktale হায়রিবা অহুম অসিনি। Myths তা য়াওরিবা ৱারিশিংদি মরুওইনা লৈশেমলোন, মীওইবনা করম্না হৌরকপগে, মীওইবগা শা-ঙা, উচেক-ৱায়াগা করম্না মরি লৈনবগে, চীং-পাৎ, তুরেল মহৌশাগী থৱায় পানদবা পোৎ হায়বদি Culture গী ওইবা মফম, ধর্ম্মগী লায়নিং লায়শোন, মীওইবগী চৎনবী, থাজনবা ময়াম অসিদা য়ুম্ফম ওইবনি। 'Legend' হায়বসিদা য়াওরিবদি- অরিবা মতমদা য়ুম্ফম ওইদুনা ইবা অকল-অথৌগী ওইবা ৱারী, অঙকপা থৌদোক-ৱাথোক্লা মরি লৈনবা ৱারী অসিনচিংবা অসিনি। অরোইবদা 'Folktales' হায়রিবা ৱারীশিং অসিদগী মীওইবনা কান্নবা পীবা ঙম্বা, অফবা করিনো, ফত্তবা করিনো খন্দোকপা ঙম্বা, অম্নীবা অমদি নুংঙাইহনবা ঙম্বা কয়া য়াওরি। 'Folktales' অসি

vegetable; Waithou Leima in edible oil; Waishing Leima in salt cake and so on and so fort.'(Manglem Meitei, Khamnung Engal Leishaba, Vol. III p. 66.) অমরোমদা লাইশ্রম নিতায়গী 'ইরোলনুংগী মনী' (Erolnungee Mani) হায়রিবা লাইরিক্তনা ইমা ইমোয়নুগী শেংলবা মফম লাৎতুনা থম্বনা অরিবা কৈথেলগী শক্তম ঙাক্লি। হায়রিবা ইমোয়নু ইমাগী খুভম অসিদা মহৈ-মরোং, মনা-মশিংনচিংবা কয়া কৎতুনা খুরুম্নরি। অসুম্না চথরকপনা হৌজিক্কী মতমদদি ইম্ফালগী তম্পাক্তা লৈরিবা কৈথেলশিংদা কৈথেল লাইরেম্বী অমদি কৈথেল লায়রেম্বা (Male and Female deities of the market) অনীগী মীতম থমদুনা লাৎলি। অমরোমদা কৈথেল ফম্বগী চৎনা কাংলোন অসিসু য়াম্না মওং তানা sytematic অমদি methodical ওইবা মওংদা mystical ওইবা ৱারি কয়াগা লোয়ননা চত্থরক্লি। অসুম্না কৈথেল ফম্বা মতমদা মায়কৈ-মায়কৈ খায়দোক্লদুনা, তোংঙান-তোংঙানবা পোৎলম কয়া তোংঙান-তোংঙানবা মফমদা য়োনবগী মওং অসি অঙনবা মতমদগী চৎনদুনা লাক্লি। South-Eastern ফংবা মায়কৈদা সনা, লুপা শেঞ্জেং অমদি মমল য়াম্লবা পোৎলম কয়া অকক্লবা মফম থমদুনা য়োনল্লি। North-Eastern থংবা মায়কৈরোমদা চেং য়োনফম ওইন্নরি। South-Western থংবা মফমদনা ঙায়োনফম ওইবগী মওং অদুগা North-Western থংবা মায়কৈরোমদনা ফৌ য়োনফম ওইন্নরম্মী। অসুম্না মওং তান্না তোংঙান-তোংঙানবা পোৎলমশিং মফম চানা-চানা কৈথেল পোৎ য়োনবগী চৎনবী অসি লৈরক্লম্মী পনবা য়াবা ৱারি অমনা ভৈগ্যাচন্দ্রা মহারাজনা মণিপুরগী সিংহাসনদা পানলিঙৈ মতমদা (1759-61 and 1763-98 A.D.) নুপী পোৎফম হাংদুনা নুপীশিংগী তোংঙানবা পোৎফম হৌদোক্লম্মী। মতাং অসিদা অসুম্না ইরি : 'there were stalls for women vendors known by the name Phiribi Potpham, which was meant for those women who sold articles embroidered with needle works.' (Manipur State Museum, Govt.of Manipur, Workshop-Cum-Exibhition on Applique Art of Manipur, 1995, p. 7.) অসুম্না নিংথৌ মথং-মথং মণিপুরগী সিংহাসনদা লাক্তুনা মহারাজ নরাসিংহ অমদি মহারাজ চন্দ্রক্রির্তিগী মতমদা মণিপুরগী কৈথেল অসি য়াম্না মমিং চৎলম্মী। মতমগী মতুং ইন্না হৌজিক্তি 'Phiribi Potpham' অসি 'Purana Bazar or Ima Market' কী 'Lalonpham' হায়রিবা মরুওইবা পোৎফমশিং অসি ওইরে। মতাং অসিদা Ethel St. Clair Grimwood কী *My Three Years in Manipur* হায়রিবা লাইরিক্তা 'Ima Market' or নুপী

৫৭

vegetable; Waithou Leima in edible oil; Waishing Leima in salt cake and so on and so fort.'(Manglem Meitei, Khamnung Engal Leishaba, Vol. III p. 66.) অমরোমদা লাইশ্রম নিতায়গী 'ইরোলনুংগী মনী' (Erolnungee Mani) হায়রিবা লাইরিক্তনা ইমা ইমোয়নুগী শেংলবা মফম লাৎতুনা থম্বনা অরিবা কৈথেলগী শক্তম ঙাল্লি। হায়রিবা ইমোয়নু ইমাগী খুভম অসিদা মহৈ-মরোং, মনা-মশিংনচিংবা কয়া কৎতুনা খুরুম্লরি। অসুম্না চথরকপনা হৌজিক্কী মতমদদি ইম্ফালগী তম্পাক্তা লৈরিবা কৈথেলশিংদা কৈথেল লাইরেম্বী অমদি কৈথেল লায়রেম্বা (Male and Female deities of the market) অনীগী মীতম থমদুনা লাৎলি। অমরোমদা কৈথেল ফম্বগী চৎনা কাংলোন অসিসু য়াম্না মওং তানা sytematic অমদি methodical ওইবা মওংদা mystical ওইবা ৱারি কয়াগা লোয়নননা চত্থরক্লি। অসুম্না কৈথেল ফম্বা মতমদা মায়কৈ-মায়কৈ খায়দোক্লদুনা, তোংঙান-তোংঙানবা পোৎলম কয়া তোংঙান-তোংঙানবা মফমদা য়োনবগী মওং অসি অঙনবা মতমদগী চৎনদুনা লাক্লি। South-Eastern ফংবা মায়কৈদা সনা, লুপা শেঞ্জেং অমদি মমল য়াম্লবা পোৎলম কয়া অকক্লবা মফম থমদুনা য়োনল্লি। North-Eastern থংবা মায়কৈরোমদা চেং য়োনফম ওইন্নরি। South-Western থংবা মফমদনা ঙায়োনফম ওইবগী মওং অদুগা North-Western থংবা মায়কৈরোমদনা ফৌ য়োনফম ওইন্নরম্মী। অসুম্না মওং তান্না তোংঙান-তোংঙানবা পোৎলমশিং মফম চানা-চানা কৈথেল পোৎ য়োনবগী চৎনবী অসি লৈরক্লম্মী পনবা য়াবা ৱারি অমনা ভৈগ্যাচন্দ্রা মহারাজনা মণিপুরগী সিংহাসনদা পানলিঙৈ মতমদা (1759-61 and 1763-98 A.D.) নুপী পোৎফম হাংদুনা নুপীশিংগী তোংঙানবা পোৎফম হৌদোক্লম্মী। মতাং অসিদা অসুম্না ইরি : 'there were stalls for women vendors known by the name Phiribi Potpham, which was meant for those women who sold articles embroidered with needle works.' (Manipur State Museum, Govt.of Manipur, Workshop-Cum-Exibhition on Applique Art of Manipur, 1995, p. 7.) অসুম্না নিংথৌ মথং-মথং মণিপুরগী সিংহাসনদা লাক্তুনা মহারাজ নরাসিংহ অমদি মহারাজ চন্দ্রক্রির্তিগী মতমদা মণিপুরগী কৈথেল অসি য়াম্না মমিং চৎলম্মী। মতমগী মতুং ইন্না হৌজিক্তি 'Phiribi Potpham' অসি 'Purana Bazar or Ima Market' কী 'Lalonpham' হায়রিবা মরুওইবা পোৎফমশিং অসি ওইরে। মতাং অসিদা Ethel St. Clair Grimwood কী *My Three Years in Manipur* হায়রিবা লাইরিক্তা 'Ima Market' or নুপী

৫৮

abundnace.' হায়রিবা কৈথেলশিং অদুদি :- Sana Keithel, Awang Keithel, Kha Keithel, Phayeng Keithel, Moirang Keithel, Khoya/Kaya Keithel, Andro Keithel, Khooman Keithel, Kondong Keithel, Chairen Keithel and Sekta Keithel অসুম্না হোংলকপনা সনা কৈথেলগী মনিং থংবা থোংদা লৈরম্বা অপাকপা নুং অদু Mongbahanba (Mahabali) দা অমুক পুদুনা শ্রী হনুমানজিগী মুরর্ত্তি শাদুনা নিংথৌ গরবনিৱাগী মতমদা লাৎলম্মী। মসি হৌজিক ফাওবা চৎথদুনা লৈরি। অসুম্না খ্বাইরম্বন কৈথেলগী ইতিহাসিক ওইরবা ৱারি কয়া অসি Myth, Legend অমদি Folktale গা শাগোন্নদুনা লাক্লি। S. Bormani গী *Limitlon* দসু কৈথেলগা শগোন্নরক্লবা mythical ওইবা ৱারিদু পনলি, 'Lainingthou Sanamahi, taking the form of a human being, mocked at one Khwai Nungjengbi Chanu who sold edible articles in the bazar. The woman become angry. The people of the Khwai area were looking at this woman since then, the place came to be known as Khwairanband.' (S. Bormani Singh, *Lamitlon*, Imphal p. 41.) অসুম্না লাইনিংথৌ সনামহিনা মীওইবগী শক্তম লৌদুনা খ্বাই নুংজেংবি চনুবু শাওহনলুবদগী খ্বাইরম্বন কৈথেল থোনখিবগী ৱারীদু য়াওরি। অসুম্না ব্রিট্রিসনা মণিপুরদা লাকত্রিঙৈগী মমাংদা মণিপুরগী কৈথেলশিং অসিগী ফীভম য়াম্না চাওখৎপা ওইরমদে। অদুম ওইনমক মণিপুরগী মশাগী ওইবা ফীভম অমদি অদুমক লৈরম্মী। কৈথেলদা পোৎ-চৈ য়োনবা অমদি লল্লোন ইতিক্কী থবক্কা মরি লৈনদবা, লৈবাক ঙাকপগা মরি লৈন্নবা অইনগী ওইবা মরাল লৈরবা মীশিংবু দন্দি পীবগী চৎনবী খরসু কৈথেলগী মীয়াম তিনবা মফমদা পাংথোক্লরম্মী। অসুম্না কনাগুম্বা নুপী নৎত্রগা নুপানা হুরাল-চিনথি, লুৎ, পাৎ অরোলবা মরি লৈন্নবা তমথিবা মখলগী মরাল লৈবা থবক তৌরম্লবদি মীশক অদু কৈথেলগী মীয়াম তিনবা মফমদা পুথোক্তুনা খোংঙ্গোইনবা অমদি নুংশাদা ফৌদুনা দন্দি পীবা তৌরম্মী। মতাং অসিদা Sir Jonstone না মহাক্কী লাইরিক্তা অসুম্না ইরম্মী, 'When a woman was convicted of any heinous or disgraceful offence, she was exposed on the high platform in the bazar.' অদুগা অমুকসু মহাক্না অসুম্না ইরম্মী, 'the female offender was stripped naked and her breasts were painted red and a broom stick was fastened between her thighs. A rope was then put round her waist and she paraded before the crowds of the bazar. A crier at the same time announced her crime with a loud voice.' (Johnstone. *The Manipur and Naga Hills*)

59

কৈথেলগী ফজবদু থারি : 'It was a pretty sight in the evening to see all the women hurrying along with their wares on their heads, and little babies slung on their backs. They sat in long rows in the bazar and it was divided up in a most methodical way. Vegetables and fish occupied one end and cloths and jewellery the other...' (Ethel St. Clair Grimwood, *My Three Years in Manipur.*)

অমরোমদা কৈথেল ফম্ফম ওইরিবা মফম অসি মণিপুরদা করম্বা মতমদা হৌদোকখিবনো হায়বা খংবা ঙমদ্রবসু মসি ঙনলিঙৈ মতমদগী লাকখিবনি হায়বা অসিমদি খঙবা ঙম্লে। মসিগী ময়েক লারবা খুদমদি 'লমমিৎলোন' (Lamitlon) হায়বা মণিপুরী ঙনলিঙৈ মতমগী Geographical areas দা তাকপা লাইরিক অদুদা য়াওরি। অমরোমদা নিংথৌ চলাম্বনা (১৫৪৫-১৫৬২) অথাপ্পা চীংগী মফম অমদগী অচৌবা নুংজাও অমা পুরক্তুনা সনা কৈথেলদা নুংজাও অদু খিনদুনা থমখি। অমুকসু T.C. Hodson না হায় : 'Imphal possesses the largest and most important of these bazars, to which the name 'Sana Keithel' is given. It is said to have been founded by Mongeanba (Mungyanba) in about 1580. It is closed to the plot or Royal enclosure and now consists of a member of embanked mounds which are alloted to the different trades, the cloth weavers being found in one place all together, and the dried fish vendors gathering their savory wares in another ? (Hudson, T.C., *The Meitheis*) *চৈথারোল কুম্বাবা* গী ৱারীদা নিংথৌ মুংয়াম্বনা (১৫৬২-১৫৯৭ এ দি) দা কৈথেলগী মফম হৌদোক্লম্মী। (L.Ibongohal and Khelchandra (Ed) Cheitharol Kumbaba, 1967, Imphal) অতোপ্পা অমদনা L. Joychandra Singh গী *The lost Kingdom* দনা অসুম্না ইরি মদুদি : মুংয়াম্বা নিংথৌনা কোনুং মনুংদা 'সনা কৈথেল' (Sana Keithel) কৌবা কৈথেল অমা লিংখৎলম্মী। অদুবু ইকই কুইদনা কৈথেল অসি অমুক কংলাগী (Kangla Fort) মনিংথংবা থোঙগী থংনবদা অমুক হোঙখি।

অমরোমদা নিংথৌ খগেম্বানা পানবা (১৫৯৭-১৬৫২ এ দি) মতমদা কৈথেলগী মওং অসিদা অহোংবা খরা লাকখি। *The Lost Kingdom* হায়রিবা লাইরিক্তা অসুম্না ইরি, 'He established 10 bazars and performed the ceremony by giving a grand feast to the public with meat and spirit in

মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী "গুরু খনবা" দা য়াওরিবা কলচর অমসুং মোরেলগী মশক

দা এম থোইবা সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসার
দিপার্টমেন্ট ওফ দাস এন ম্যুজিক, এম.য়ু

ৱাহৌদোক

মণিপুর পিকচরবসু মশাগী ওইবা লোন কলচর অমসুং স্পোটতা থোইদোক্লা মমিং লৈজবা লৈবাক অমনি। মসিগা লোয়ননা ফোকলোরগী তাইবঙদা শিংথাবা য়াবা লৈবাক অমসু ওইরিবনি। লৈবাক অসিদা জাতি কাংলুপ কয়াগী মীওইশিং খুন্দারি-শম্লা মণিপুর অপিকপা ইন্দিয়া অমনি হায়নরিবনি। মণিপুরী ফোকলোরগী তাইবঙদা অচৌবা মফম অমা কললিবা "মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী" থোইদোক্লা লৈবাক অসিগী মতম অমগী জ্ঞান লৌশিং তানফম ওইরম্লিবনি। অমরোমদা ফুঙ্গাৱারী হায়বসি মীওইবা জাতিগা লোয়ন্দুনা লাক্লবা মীওইবগা থাদোক্লবা য়াদ্রবা লৌশিং থোকপা ৱারীনি। মসিবু ইংলিসতা ফোকটেল হায়রগা খঙনৈ। Collin English Dictionary দা Folktale বু মখাগী অসুম্না তাকলি।
"A tale or legend originating and traditional among a people or folk, especially one forming part of the oral traditional of the common people."

মসিনা তাকপদি ফোকটেল হায়বসি ৱারী অমনি মদু লেজেন্দ ওইবা য়াই অমা ওইবা য়াই, মীওই গ্রুপ অদুনা থাজনা লিনরিবা ৱারী অমদি ওইগদবনি হায়বসিনি। অঙনবা মতমদগী মৈতৈশিংনা ফুঙ্গা মপালদা ফমদুনা ইমুংগী অহন-লমনশিংনা মচা-মশুশিংদা লিনরম্মী হায়দুনা মসিবু 'ফুঙ্গা-ৱারী' হায়না খঙনৈ। অতোপ্পা অমনা অহন-লমনশিংনা অঙাংশিং অসি চাক চাদনা তুমখিদনবা চাক লোইদ্রিঙৈদা চাকঙাই ৱারী ওইনা লিনৈ হায়দুনা

অসুন্না মরাল লৈরবা নুপী নৎত্রগা নুপাশিংবু কৈথেলদা পুথোক্তুনা শুমজিৎ য়ানদুনা, শুনু-য়াইঙং তৈশিনদুনা ফৌদুনা খোংঙ্গোইনবা চৎনরম্মী। অসিগুম্বা দন্দি পীবগী চৎনবী অসি তরামাপলশুবা শদাব্দীগী লোয়রমদাই ফাওবা চৎনরম্মী। অতোপ্পা অমনা মরাল লৈরবা মীশিংনা করিগুম্বা শিবা থোক্লবদি মখোয়গী অশিবা হকচাং অদু কৈথেলগী মফমশিংদা ফুম্নরম্মী। খুদম ওইনা হায়রবদা মরাল লৈরবা ব্রিটিস ওফিসার খরগী অশিবা হকচাং খ্বাইরম্বন কৈথেলদা ফুমখি। অমরোমদা বির টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থঙ্গাল জেনরেল অনীবু ফৈদাবুংদা (কাংজৈবুংদা) ফাঁসি তৌদুনা হাৎখিবগী ৱারী ইতিহাসতা য়াওরি। মসিদসু নত্তনা ধন্মগী ওইবা চৎনবী কয়াসু মণিপুরগী কৈথেলদা পাংথোক্লরম্মি। খুদম ওইনা ইকং থোক্লবা মতমদা ‘নোং লাওবা’ অমদি লৈবাক্কী অৱাবা তারক্লবা মতমদা লাই খুরুম্বা অসিনচিংবগী চৎনবী অসি কৈথেলগী মফমশিংদা তৌন্নরম্মী। লোয়শিন লাকপদা, কৈথেলশিংগী হৌরকফম মরুওইনা ‘খ্বাইরম্বন কৈথেল’ নৎত্রগনা ‘ইমা কৈথেল’ গী হৌরকখিবগী ৱারী অমদি মতমগী মতুংইন্না হোংলক্লিবা মশক মওং পুম্নমকশিং অসি য়েংলুরবদা ইতিহাসিক ওইবা, মীগা-লায়গা শম্নবগী ৱারী অকল অথৌ নিংথৌরেশিংগী ওইবা ৱারী কয়া য়াওরি। মসিমক ‘Oral Narratives’ কী ওইবা মচাক কয়ানা পুনশিনদুনা শেম্বা ‘কৈথেল’ গী হৌরকফম্নি।

References :

1. Ethel St. Clair Grimwood, My Three Years in Manipur
2. Hodson, The Meitheis
3. James E. Miller, Jr. and Bernice Slote, ed., The Dimensions of the Short Story : A Critical Anthology (New York : Dodd, Mead and Co., 1964)
4. L. Ibongohal and Khelchandra (Ed). Cheitharol Khumbaba, 1967, Imphal, First Edition.
5. L. Joychandra Singh, The Lost Kingdom, 1995.
6. Manglem Meitei, Khamnung Engal leishaba, Vol. III.
7. Manipur State Museum, Govt. of Manipur, Workshop-cum-Exibition on Applique art of Manipur 1995.
8. Prasad. A Background to the Study of English Literature (Chennai : Macmillan publishers India Limited, 1999)

লায়বক য়াম্না ফবনি। অদুবু ঐদি করিসু খঙদবা পঙলবা গুরু অমগী মতিক মগুণ করিমত্তা য়াওদবা মীওই অমনি। অদুনা নঙনা মতিক চানবা অফবা গুরু থিদুনা খল্লুবনা হেন্না ইবুংঙোগী কান্নবা ওইগনি। নুপানা অমুক হায়রকই, 'ৱাজি, ঐগীদি মতিক চারবা গুরুনি হায়না খনজরদুনা বাজিবু সেবা তৌদুনা ঙসিদগী ৱাজিগী নাক্তা লৈরগে। নুপাসিগী ৱাসি তারবদা অহল ওইরবা নুপা অসিনা হায়রকই, ফরে ইবুংঙো নঙনা নথৱায়না পামজবা ওইরবদি ঙসিদগী ঐগী নাক্তা লৈদুনা গুরুগী সেবা হায়বদো ফংজরো। অসুম্না তৌনা নুপা অসি মথৱায় নুংঙাইরদুনা গুরুগী সেবা তৌদুনা চহি কয়া লৈরক্নে। অসুক কুইবা শাংলবা চহী কয়া লৈরক্লবা ফাওবদা নোংমতসু গুরুগী মফমদগী পাউতাক অমতা তাবা ফংলমদে করিগুম্বা অমতা তম্বিরকপা থেংনদে। অদুবু গুরুগী সেবাদি নিংথিনা তৌজরম্মী।

চহী ২০ মুক হৌখ্রে। নোংমদি গুরু ওইরবা অহল অদুনা নুপা অদুগী সেবাদা পেল্লদুনা হায়রকই, 'নুপা নঙ ঐবু নঙগী গুরুনি হায়না খন্দুনা ঐগী সেবদা থৱায় য়াওনা তৌরবনিনা ইপা য়াম্না পেল্লে। নুংঙাইরে। অদুবু ঐনা নঙোন্দা মতিক চাবা অফবা পাউতাক করিসু পীনিংঙাই লৈতে। ঐনা পীগদবা পাউতাক হায়ববু অতৈ করিসু লৈতে। পাউতাক অহুমখক্তদি পীগেকো। পাউতাকশিং অদুদি অহানবদা নুপী অঙাং তুমদ্রিমখৈ তুল্লোইদবনি। অনিশুবা মশক খঙদবী নুপীগা করিগুম্বদা চৎমিন্নরোইদবনি। অহুমশুবা পাউতাকনা মী অমা হাৎলগে হায়দুনা নবুংনিংদা চপ য়ুংনা খল্লবদি ৱাখল অহুল্লক খনঙদবনি। গুরু অসিনা পাউতাক ফংজরবদা নুপা অদু ময়ুম মায়কৈ পাংলক্লে গুরুগী মফমদা হৌনবী খুরুম খাজংবা তৌরম্লগা।

লম্বীদা অসুম লাকপদা লৈবাক অমদা য়ৌরক্নে। নুমিৎ তারক্লদুনা খুঙ্গং অমদা চংশিন্দুনা অহিং অদু য়ারেকফম থিরকই। মনাক নকপা য়ুম অমদা থুংলরে। য়ুম অদুদা হনুবী অমগা মচানুপা অমগা মখোয় অনীতমক লৈরম্মী। হনুবী অদুদি কপ্পুনা লৈরম্মী। মচানুপাদসু মথৱায় নুংঙাইতনা মমাবু য়েংদুনা লৈরম্মী। মতমদুদা নুপা অদুনা চংশিল্লক্তুনা হংলকই, ইমা করি তৌরবগে ? অশি-অনা য়াওরব্রা নখোয় অনী কপ্লিববু ? হনুবীনা খুল্লকই, 'ইবুংঙো অশি-অনা কনাসু য়াওদে। ঐখোয়গী লৈবাক অসিগী ৱারী নঙ তাদ্রিব্রা ? নুপা অদুনা মখা তারকই, 'করি ৱারিনো ইমা ?' অমুক্তা লিবিয়ু। হনুবীনা মরমদি করিসু নত্তে। ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা নুপা পাখঙ হায়বদো অমত্তা লৈত্রবনি। নিংথৌগী মজা ইবেম্মা রাজকুমারী অমখক লৈয়ে, মহাক অসি অপাম্বা বর অমা খন্দুনা লুহোংঙে। অদুবু নোংঙানবদা

63

ফুঙ্গাৱারী অসিগী অতোপ্পা মমিং অমনা 'চাকঙাই ৱারী' হায়রবসু খঙনৈ। অসিগুম্বা ফুঙ্গাৱারি খুদিংমক্তা কলচর অমসুং মোরেলগী ওইবা মচাক কয়া অমা য়াওরি। কলচর হায়বসি ৱাহৈদি য়াম্না তেল্লগা মসিনা কোল্লিবা অর্থদি য়াম্না চাওই। খুদম ওইনা হায়রবদা কলচরদা কোল্লিবা মশকশিংদি-মীওই ফুরুপ অদুগী পুন্সি মহিং, ফিজেৎ-চাকচা, য়ুমলৈ কৈরৈ, চাকচা য়ুথক, হরাও-কুম্মৈ, চৎন-লোনচৎ, পূম্নমকপু কোল্লিবনি। ঐগী পেপর অসি মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী মচাশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা "গুরু খনবা" হায়বা অদুগী মনুংদা য়াওরিবা কলচর অমসুং মোরেলগী ওইবা মশক অদু নৈনবনি। ৱারি অসি হিন্দুগী ইম্ফ্লুয়েন্স চংলক্লুবা মতুংদা লীনরকপা ওইবনি হায়না ঐগী মোৎ থমজগে। হৌজিক ৱারী মপুংদা লাকচগে।

ৱারী মপুং :- থায়না মমাংঙৈদা নুপা অমগা নুপী অমগা লৈরম্মী। মখোয় অনী অসি মতৈ-মনাওনি। নোংমদি নুপী অসিনা মাগী নুপাদা হায়রকই, 'ইবুংঙো নঙগী গুরু কনানো ? নঙগী গুরু হায়বদু লৈত্রা ? নুপা ওইবা হায়বসিদি ওজা গুরু থিজিন্দুনা পুন্সিরোল ৱারী থিগদবনি। নুপানা খুম্লকই, নুপী নঙগী ৱাসি ঐবু য়াম্না ইকাইরে। ঐদি গুরু হায়বদু মশক খঙদে, অদুবু নঙনা হায়রীবসিনা ঐগী গুরু খনবা ঙসিদগী চৎলগনি। অসি হায়দুনা নুমিৎ অদুগী নুমিদাং অদু ময়ুমদা হঞ্জিল্লক্তদুনা গুরু থিবা চৎখ্রে। মতম অদু মাগী নুপী অদু মশা ৱাই শংঙমদে। ময়ুম অদুদা মাগী মপুরোইবা হল্লক্ত্রবদা মতোমতা লৈহৌবা তারম্মী। মতম খরা লৈরগা নুপী অদু কুম থা শুরদুনা মচানুপা অমা পোকলম্মী। মপা য়াওদনা ৱানা মমানা মচানুপা অদুব চাউননবা য়োকচখি। মপুরোইবা লৈত্রবদা মচাগী খনবদা কনা অতোপ্পগী অতৈগী ৱাখল চংখিদে।

মাইকৈ অমরোমদা মাগী নুপা অদুনা অসুম চৎলকপনা লৈবাক কয়া কয়া লান্দুনা লাক্লুবা ফাওবদলা মনা অপাম্বা গুরু হায়বদো ফংবা কৌবা লৈত্রে। মথৱায় নুংঙাইতনা অসুম লাকপনা খঙহৌদনা মশা মউ ফরবা অহল ওইরবা নুপা অমা লৌবুক্তা থবক শুদুনা লৈরম্বা থেংনরে। অহন ওইরবা নুপা অদুবু উরবদা নুপা অসিনা অহন ওইরবা নুপা অসিমক মাগী গুরু ওইবদা মতিক চারে হায়না খনখি। ৱাখল অসিনা লমজিংদুনা অহন অদুগী মনাক্তা চংশিল্লক্তুনা হায়রকই, বাজি ঐবু করিগুম্বা অমত্তা হংজগে। অহন অদুনা খুমই, 'করি ওইরবনো ইবুংঙো ? হংঙু য়ানি।" নুপা অদুনা হায়রকই, বাজি ঙসিদগী বাজিবু ননাই ঐগী গুরু হায়বদু ওইজরগে। অহন অদুনা 'ইবুংঙো নঙনা ঐবু গুরুনি হায়না খল্লিবা অদু ঐগীদি

ফংজরো, হায়রকখি। মৈতৈগী চৎনবীদা ওজা গুরু ওইজগে হায়নবদা অহানবমক্তদা ওজাদুনা ফৈ করিসু কাইদে ওইজরো হায়না হেক্তা হায়নদে। মদুগী মহুত্তা লৈবাক চাওই, অফ-অফবা লৈবাক্কী ওজা গুরু কয়া লৈরি হান্না অমুক্তা য়েংবিরুখো ফংদা ফংদ্রগা পাংনা শানবা অদু য়েংবা হায়দুনি হায়বসি খ্বাইগী চৎন-লোনচৎনি। মসিসু ঐখোয়গী চৎনবীদা য়াওরি।

অমরোমদা নুপা অদু গুরুগী সেবা তৌদুনা চহী কয়া লৈরক্লে। নোংমতসু গুরুগী মফমদগী বিদ্য নৎত্রগা পাউতাক অমতসু ফংলমদে। অদুবু গুরুগী সেবাদি নিংথিনা তৌজরম্মী। মসিদা ঐখোয়গী চৎনবীদা ওজা গুরুশিংনা চাত্রশিংগী পুকচেল খঙদনা অথুপ্পা বিদ্য তাকপী তম্বীরমদে মসি থাইনদগী ঙসি ফাওবা অয়াম্বা চৎনদুনা লাক্লি। ছাত্র অদুনা ওজা অদুবু থম্মোয় শেংনা নুংশিবা ঙম্লবা, ওজা অদুবু মাগী হেক পোকপীবা মপা মমাগুম খনবা ঙমলক্লগা মতম অদুতদনি মহৈ তম্বীরিবা। অদুনা নিপাদুগী পুকচেল খঙদবদুনা ওজাদুনা নিপাদুদা মহৈ তম্বীদ্রিবনি। মসিদা থোইনা ঙকফম থোকক্তে। ওইরোইদবা ছাত্রশিংদি ওজানা তাকপিদে তম্বীদে, মাগী সেবাদমক তৌহল্লি হায়রম্লগা চৎথিগদৌরিবনি। নিপা অদুদি অশেংবা ছাত্র ওইবনা ওজা গুরুগী সেবা তৌবনা মাগী পুন্সিগা থবকনি খনজদুনা তৌজরিবনি।

অদুবু ভক্তিগী মমাংদা মুর্তিনা খাংদুনা লৈবা ঙমদবগুম চহী ২০ গী মতুংদদি গুরুগী পাউতাক অহুম ফংজখি। ঐখোয়গী চৎনবীদা গুরুনা তম্বীবা তম্বীদবা থোইনা খন্নদে গুরুনা পেনবিবা নুমিৎতা নঙনা পামজবা পুন্নমক ঙসিদগী ফংজরো। হৈজবা ওইরো হায়খ্রগা লোইরে।

মদুনি গুরুগী কৃপা হায়দুনা হৌজিক ফাওবা হায়নরিবনি। গুরুগী কৃপা ফংদুনা য়ুমদা হল্লক্লে লম্বীদা অৱাবা তারবা লুখ্রবী মমা মচাগী অৱাবা কোহনবীরম্মী। তোল্ল-তারবা কনা লৈজদ্রবা মীওইশিংদা মতেং পাংবা হায়বসি মীওইবা খুন্নাইগী চৎনবীনি। অদুনা গুরুগী কৃপা ফংলবা ছাত্র অমনা কৈদৌঙৈদসু মাইথিবা ফঙদে মৈ ঈশিং নুংশিৎ চংদে হায়বদুনি। অদুননি লুখ্রাবী মমা মচাগী মতেং পাংলুরিবা।

ঐখোয়গী চৎনবীদা মীগী নুপী, লৌরী য়ুমফম হায়নরিবনি। নুপাদুনা মাগী নুপীগা অতোপ্পা নুপাগা লৈমিন্নরে হায়না খন্দুনা নুপা অদু হাৎলগে হায়না চপ য়ুনা খল্লুরবসু, গুরু খল্লুবগী মহৈনা পুন্সিদা অৱা-অনা থোকতনা নুংঙাইনা লৈবা ঙমখ্রিবনি।

নুপা অদুগী নুপী অদু মপুরোইবা নীংবী মচাবু লুনা চান্না তৌবী সতি ধর্ম্মনা লৈতেংবী নুপী অমনি হায়বসি চহী ২০ হেন্না য়াম্না ৱানা মচাবু চাওনবা য়োকলকখিবা অসিনা শাখিনি।

৫৮

বর ওইরিবা নুপা অদু শিদুনা লৈরম্লে। মতমদুদা মজা ইবেম্মা অদু লুখ্রাবী ওইবা য়াদে হায়দুনা অপাম্বা বর অমমুক খন্দুনা লুহোংঙে। মহাকসু নোংঙাল্লকপদা শিদুনা লৈরম্লে। পাউ অসি লৈবাক শিনবা থুংনা তারবদা মীয়াম পুম্না ঙক্লরে। অসুম তৌনা রাজকুমারী অদুগী বর ওইবদা লৈবাক অসিগী নহা পাখঙ পুম্নমক পালি ওইনা তাশিল্লক্লে। পালি অসি ঐগী অমত্তা পোকচবা ইচানুপা অসিগী তারে। অদুনা হয়েং নোং হেক ঙানবদা ঐগী ইচা নুপা অসিসু নিংথৌগী ময়া ইবুংঙো ওইদুনা মথংগী নোংঙাল্লকপদদি শোইদনা শিরগদবনি। অদুগী ইমানা, থৱায় ৱাদুনা চাদবা মখৈ কপ্পুনা লৈরম্লিবনি। ৱারী অসি হনুবীগী মচিন্দগী তাবদা নুপা অদুনা হায়রকই, ইমা মদুগীদমক্তা করিমত্তা ৱাবিরুনু। ঙসি অহিং অসিমতা ইমাগী য়ুমসিদা লেকচখিগে। অদুগা হয়েংগী বর অসি ননাই ঐ লাইবক য়েংজরুগে। শকখঙদবা নুপা অসিগী ৱাসি তারবদা হনুবী মমা অদু য়াম্না হরাউরদুনা চাক্কা হাউনা পীজদুনা নুপা অদুবু হরাউ-হরাউ নুংদাং মখোয়গী য়ুমদা লৈহল্লে।

নোং ঙাল্লবদা বরগী পালি থোক্লবদা নুপা অদু নিংথৌগী মচানুপী অদুগী বরা ওইনবা কোনুংদা চংখ্রে। লুহোংদুনা নুপা অদু নিংথৌগী মমাক ওইখ্রে। নুমিৎ তাখিদুনা নুমিদাংগী চাবা থকপা লোইরদুনা ফমুংদা চংনদুনা তুম্না হিপ্লরে। রাজকুমারী অদুসু তুমখ্রে। মতম অদু ফাওবা নুপা অদুদি তুম্লমদে, মরমদি গুরুনা তাকপিখিবা 'নুপী অঙাং তুমদ্রিমখৈ তুম্লোইদবনি' হায়বা ৱাফমদু নিংশিংদুনা লৈরে। মীচিক মীরাওখোল তাখিদ্রে। মতম অদুদা নুপা অদুনা করি তৌদুনা রাজকুমারী অদুগী বর ওইরিবা মী খুদিংমক্লা নোংঙানবদা হেক হেক শিরিবনো হায়বা ৱাখল অসি খন্দুনা লৈরম্মী। মহাক্লা অসুম্না খন্দুনা লৈরিঙৈদা নিংথৌগী মজা ইবেম্মগী মনাতোন্দগী লিল অমা থোরকপা নুপা অদুনা উরম্মী। নুপা অদুনা খল্লি, শিপ্লিবা নুপা খুদিংমক মসিগী লিল অসিনা চিক্লুনা লৈখিদবনি। লিল অসি হাৎতোকতবা য়াদে হায়দুনা থাঙ অমা পায়দুনা লিল অদু ককথৎতুনা হাৎতোকলে। অসুম তৌরিঙৈদা নোংঙাল্লক্লদুনা নুপা হৌগৎলক্লে। নিংথৌ মচা ইবেম্মগী বর শিদ্রে হায়বসি লৈবাক শিনবা থুংনা মীয়াম তিন্না ৱা-ৱা ঙাংনদুনা হরাউনরে। নিংথৌনা হরাউরদুনা মমাকনিপাদা মাগী লৈবাক তংখাই অমা পীদুনা মতম খরা নুঙাইনা লৈরে। মতম খরা লৈরগা নোংমা নুপা অদুনা মকু ইবুংঙো নিংথৌদা হংগৎলকই, 'ইকু মহারাজ, ননাই ঐহাক মতম য়াম্না কুইরে ঈরৈবাক থাদোক্লুনা লাকপা। অদুনা মতম খরদি ইরৈবাক্তা চৎচরুখিগে। মকু ইবুংঙো নিংথৌনা য়াবিরদুনা মহাক মরৈবাক য়ৌনবা লাকই। লম্বী অদুদা শাংলবা লম্মাং অমা লান্দুনা চৎপা তারম্মী।

৬৭

ঙাইহাক তুমিন্না লৈরিঙৈদা চাক থোংবী নুপী অদুনা হায়বা তারকই, 'ইবুংঙো নঙগী নপা অদুদি নঙ পোকত্রিঙৈ থা ৩ /৪ ৱাৎলিঙৈদগী ইমাবু হুন্দোক্লুনা য়ুম অসি থাদোক্লুনা চৎখিবা চহী ২০ মুক হেল্লবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা শিবা চঙবগী করিগুম্বা ঈ-পাউ অমত্তা তাদ্রবনি। নঙগী নপা অদু হিংলমখিগদ্রা, হিংলম্লরোইদ্রা হায়বসি খঙবা ঙমদ্রে। ইমানা নঙবু য়েংদুনা অৱাবা কয়াসি খাঙদুনা লাক্লবনি। মমানা মচানুপাদা হায়বা ৱাসি হেক তাবা মতমদা নুপা অদুনা মখুৎতা পায়রদুনা খুৎলাই অদু থাদরম্লগা প্রপ প্রপ চংশিললক্লুনা 'থোঙ হাংদোকউ ঐ লাক্লে নুপী' হায়রকই। খোনজেলসি হেক তাবদা মচানুপানা থোঙ হোংদোকই। মাগী নুপী অদুর হেক উবমক্তদা মখোঙ পায়দুনা 'ইমা ঐ লানখ্রে ঐগী ৱাখল ওন্নখ্রে, ঐবু ঙাকপীয়ু, নুপী ওইবীগী অশেংবা সতী ধর্ম্ম কায়দবী ইমানি নঙদি, হায়দুনা খুরুম্নগে তৌরে। নুপী অদুনা মাগী নুপানি হায়বা খঙলবদা 'ইবুংঙো তৌহেদে ননাই নুবীগী খোঙ পায়বা' অসি হায়দুনা মপুরোইববু কোনখৎলগা মচারোমদা ওনশিল্লক্লুনা হায়রকই, ইবুংঙো নঙবু পোকপা নপা হায়বদো অসিনি। অসুম হায়না তাক্লুনা মপা অচুম্বা খঙলদুনা মমা মচা মপা মখোয় অহুম য়াম্না নুংঙাইনা পুন্সি লেনখি।

ৱাত্রী অসিদা য়াওরিবা মোরেল অমসুং কলচরগী মশক

মণিপুরী সোসাইতিদা নুপা অমা ওইনা পোক্লবদি ওজা গুরু খন্দুনা পুন্সিরোল ৱারী থিবা থাইনঙৈদগী হৌনা চৎনরকই হায়বসি ৱারি অসিদা য়াওরিবা মাগী নুপীনা মাগী নুপাদা, 'ইবুংঙো নঙগী গুরু কনানো ? নুপা ওইবা হায়বসিদি ওজা গুরু থিজিন্দুনা পুন্সিরোল ৱারী থিগদবনি' হায়রিবসিনা ময়েক শেংনা তাকই।

নুপা অদুদি ওজা-গুরু নাইবা মী ওইরমদ্রে ইকাইবোই করিবোই ময়ুম থাদোক্লুনা গুরু খনবা চৎখ্রে। গুরু হায়বসি মী অমনা হেক্তা ওইবা য়াবা নত্তে, গুরু ওইবগী অফবা খরা লৈরি। মরম অদুনা থাইনদগী হৌদুনা অফবা গুরু খনবা। থিবা চৎনরকই। মসিসু মীওইবা ঐখোয়গী কলচরগী মচাক অমনি। ফনা য়াম্না থিরুরে ফংবা কৌবা লৈত্রে। মমৈদা নুপা অমা লৌবুক্তা থবক শুদুনা লৈরম্বা থেংনরে। মাগী গুরু ওইবদা মতিক চারে হায়না নুপা অদুনা খনখি। মীওইবা খুদিংমক মানা মানা পামজবদা লান-নবা ঙাক্তনি। অনাবশিংনা মানা মানা পামজবা ডাক্তর ওইরবসু মাইববু ওইরবসু লাক্লবদি অনাবদু হেক্তা ফৈ হায়নরিবনি। গুরু অদুদি য়াজদবনি অদুবু নুপা অদুনা হায়মনবদগী মমৈদা 'ফরে ইবুংঙো নঙনা নথৱায়না পামজবা ওইরবদি ঙসিদগী ঐগী নাক্তা লৈদুনা গুরুগী সেবা হায়বদো

মেমচৌবীগী *সন্দ্রেম্বী চাইস্রা* দা ওরেলিতি / লিতরেসি

ৱাহেংবম কুমারী চনু
পিঐচ.দি এসিস্টেন্ট প্রোফেসার
এল ঐচ সি, লিলোং

অনৌবা মণিপুরী শৈরেংগী খোঙচত্তা হুস্ফুতরাগী অকনবা মোদর্নিজমগী নোংলৈ মতুং, মরিফুগী মতমদা য়েন্নিং হুনখিবা অনৌবা খূৎইগী ফিরাল চৈখোক পায়দুনা অরাম্বম ওংবী মেমচৌবী (থৌনাউজম চনু ইবেমহল, ১৯৫৫-) থোরকখি। শৈরেং, ৱারীমচা, পুন্সি ৱারী, লমকোয় ৱারী, নৈন-ৱারেং অমদি হন্দোকপনচিংবা খোরিরোলগী তোঙান-তোঙানবা খূৎইশিংদা খূৎ থারিবী অইবী অসি মপূংদা শৈরেং ইবী অশৈবী অমা ওইনা হেন্না শীংথানৈ। হন্দোকপগী অমা য়াওনা পূন্না শৈরেং লাইরিক নিপান খূদোল তমখ্রবী অশৈবী অসিগী *সন্দ্রেম্বী চাইস্রা* (১৯৯৩) হায়বা লাইরিক অসি মহাক্কী অতৈ শৈরেং লাইরিকশিংদগী তোঙানবা খূখা অমনি। মীওইবগী নুংদা লোত্তুনা লৈরিবা তমথিরবা মচৎশিং – মশাগীতা ওইজবা থিবা, কল্লক মিহৌবা, শীংনবা অমদি লমন খুন্নিংবগী মৈরীনা মশা পূম্বা মৈৱায়রবী লমদম অসিগী ত্রেদিসন্দা পিশুম শুক্রুদুনা লাকখিবী 'শন্দ্রেম্বী চাইশ্রা' গী ফুঙ্গাৱারীদা য়াওরিবা চাইশ্রাগী অতোপ্পা শক্তম অমা লাইরিক অসিদা য়েক্লবা হোৎনরি। পাংসোই নাইবা, খূর্জি থারবা চৎনবীনা ওইহল্লিবা নুপীগী পুন্সিগীদমক খোঙফম চেংনা লেপ্তুনা মীপূম খূদিংমক থম্মোয় পাল্লি, মশক ফজবী শন্দ্রেম্বীতা নত্তে শকথিবী চাইশ্রাসু মীওইবনি, মহাক্কীসু থম্মোয় পাল্লি, অপাম-নুংশিগী ৱাখল লৈজে হায়বদু উৎনবা হোৎনবনা লাইরিক অসিগী মপূংওইবা পান্দম্লি। অদুবু লমদম অসিগী ওরেল নেরেতিভতা য়ূম্ফম ওইদুনা লৌখৎলিবা ৱারী পরীং অসিনা ফোকলোরিষ্টিক ত্রান্সমিসনগী মথৌ নীংথিনা তৌরি। ছন্দ নাইবা, ৱারী পরীং অমসু য়াওবা লাইরিক অসিগী লোন, শীজিন্নরিবা ৱাহৈ-ৱাতা, প্রমাণ-পাম্বে, সিমিলি, মেতাফর, সিম্বোল অমদি মফোঙদোক্লচিংবনা পূক্কে চোল্লবা লমদম

ৱারোইশিন

'গুরু খনবা' হায়বা ৱারী অসিদা পুক্লিংগী অমমবু ঙাম্থোকহনবীদুনা অচুম্বা অশেংবা লম্বীদা চৎকে হায়রবদি গুরু খনগদবনি। গুরুদি অশেংবা ঈশ্বরনি। অশেংবসু ৱারিসিদা গুরুনা তাকপিবা পাউতাক খুদিংমক শিদ-হিদাক ওইনা লৌজবদুনা নিংথৌগী মমাক ইবুংঙো ওইবদা নত্তনা নিংথৌগী লৈবাক তংখায় অমা ফাওবা ফংজদুনা নুংঙাইনা লৈখ্রিবনি। মপুরোইববু ফননবা খনবী সতি ধর্ম্ম ঙাকপী নুপীনা কৈদৌঙৈদসু মচা অমসুং মপুরোইবগী মিৎয়েংগী ৱাংমদা লৈতে হায়বসু তাকপগা লোয়ননা মীওইগী মোরেল অমসুং কলচরগী মশক কয়ানা লৈতেংলীবা ফুঙ্গাৱারীনি 'গুরু খনবা'।

চোল্লবা ওরেল নেরেতিভশিংগী মরক্তগী মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্না তানরিবা, মেজিক তেল অমা ওইনসু লৌনরিবা ফ্যেরি তেল 'শন্দ্রেম্বী চাইশ্রা'গী ফুঙ্গাৱারীবু হীরম অমা ওইনা লৌখত্তুনা খোরিরোলগী অনৌবা শক্লোন অমা ওইনা লাম্থোরক্লি। লাইরিক অসি অতেনবা মতাং নিফুতরেৎ পানবা, 'ৱাহৌ' অমদি 'ৱারোই' য়াওবা, 'থৱাই মি কোনসিনবা' না লোইশিনবা, ছন্দ নাইবা, ৱারী পরীং অমসু য়াওবা, লমদম অসিগী লৈহাও-লৈশাগী মনম চেনবা পূম্নৌ নৌবা শৈরেংগী তোপ-তোপ্পা খূথা অমনি।

লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লীনরিবা 'শন্দ্রেম্বী চাইশ্রা'গী ফুঙ্গাৱারী অসি ৱারী পরীংদা অথোই-অহেন খরা লৈরবসু মপূংওইবা ৱারীগী ময়াঙদি চপ মান্নরি। মেমচৌবীনা লৌখৎলিবা ৱারীগী ময়াঙসু থায়নঙৈগী ফুঙ্গাৱারী অসিদগী অহোংবা করিসু লৈতে হায়বমক য়াই। অদুম ওইনমক লাম্থোকপগী মওংদা শীজিন্নরক্লিবা ৱাহৈ-ৱাতা অমদি মফোঙদোক্না ফুঙ্গাৱারী অসিগী অনৌবা শক্লোন অমা ওইনা অপাবশিংদা ফাওহল্লি। সন্দ্রেম্বীগী অপোকপনা তাইবংপান থাদোক্লমদাই পুন্সিগী অরোয়বা মীৎকুপ্পা ৱাহৌ ওইরগা সন্দ্রেম্বীগী থাঙগী ময়াদা চাইস্রাগী থৱায় থাহনবা, লাঞ্জদবী সন্দ্রেম্বীনা মপারি অমা ফংজখিবা অমদি লৈবাক নিংথৌগী শমু ওইরমদা কংলৈপুংগী ফলাংমৈদা লৈমা নিংথৌ ওইনা লেঙশিন্দুনা নুংঙাইনা পানখিবগী ৱারী পরীং কায়দনা লৌখৎলিবা লাইরিক অসিদা শীজিন্নরিবা অশৈবীগী ৱাহৈ-ৱাতা, প্রমাণ-পান্থে অমদি ছন্দ নাইবা মফোঙদোকশিং অসিগী হৌরকফমদি লমদম অসিগী ওরেল ত্রেডিসন্দগীনি। মতাং অসিগা মরী লৈননা লাইরিক অসিগী অহানবা মতাংদা থল্লক্লিবা অশৈবীগী মফোঙদোক অমদি খূৎলাম্থোক অসি য়েংমিন্নবা নুংঙাইগনি:

'য়ুম অমগীবু মপু অনি লৈ'
হৌনব্রা
লোক অমতদা কৈ অনি কুন'
হৌনব্রা
হিংগদবনি অমদি মপু ওইনা
অমনা লৈগদবনি মীনাই ওইনা
মীনাই ওইনা হিংববু
অহিংবা কৌ' য়াব্রা
সিরসনু সন্দ্রেম্বী হিংনা

অসিগী ওরেল ত্রেডিসনগী মশক তাক্লি। লৌখৎলিবা ৱারী পরীং, ফোঙদোক্লিংলিবা নুংৱাখল, লাম্থোক্লিবা খূৎলাম্থোক, শীজিন্নরিবা ৱাহৈ-ৱাতা, পীনিংলিবা পাউজেলগী মীৎয়েংদা চীনবুং (ওরেল) অমদি অইবা (রিতন) খোরিরোল অনীগী অপূনবা মশক অমা লাইরিক অসিদা উবা ফংলি। লমদম অসিগী মীওইশিংগী থায়নঙৈগী পুন্সিরোল, চৎনবী, থাজনবী কয়াগী ৱারী লীখুন তাক্লিবা ফুঙ্গাৱারী অমদা খূৎশেম হৈবী অশৈবীনা মঙম শাল্লবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা লাম্থোরক্লিবা লাইরিক অসিগী ফজরোলগী খোঙ্গুল লীবনা ৱারেং অসিগী মপূংওইবা পান্দম্নি।

কুনশুবা চহী চাগী অকোনবা তঙ্খায় অসি খোরিরোল নৈনবগী লমদা অনৌবা মীৎয়েং কয়া থোরকখিবা মতম্নি। ওরেলিতি/লিতরেসি অনীগী অপূনবা মশক য়াওবা খোরিরোলগী খূখা অমদি ওরেল-ফোরম্যুলিক থিওরি হায়বা ফোকলোরিষ্টিক পর্ফোমেন্স অমদি ত্রান্সমিসন্দা মীৎয়েং থম্বা খোরিরোলগী নৈন-মীৎয়েং অসিসু মতম অসিগী পোথোক্নি। থিওরি অসি ফোরম্যুলা, থিম, স্তোরি পেতর্ননচিংবা ফোক ইলিমেন্টশিংদা শাদোং ওইবা খোরিরোল নৈনবগী অনৌবা মীৎয়েংনি। অদুম ওইনমক মীৎয়েং অসিনা ফোকলোরিষ্টিক পর্ফোমেন্স অমদি ত্রান্সমিসন্দা মীৎয়েং থম্বতা নত্তনা মোদর্ন অমদি কন্তেম্পরেরি খোরিরোল শুবশিংগী অনৌবা খূৎশেম অমদি ফজরোলগী মীৎয়েংশিংবুসু হকচিন্না ইকায়খুম্লে। মীৎয়েং অসিদগী য়েংলকপদা মেমচৌবীগী *সন্দ্রেম্বী চাইস্রা* গী মফম অমা ময়েক শেংনা চোংথোরকই। লাইরিক অসিদা অশৈবীনা শীজিন্নরিবা নীমোনিক দিভাইসশিং, রিপিতেসন, ফোরম্যুলা, ইপিথেত অমদি সিন্তেকতিক স্রকচরদা সবওর্দিনেত ক্লোজ য়াওবা কমপ্লেক্স সেন্তেন্সশিং থুগায়দুনা কম্পাউণ্ড ওইনা থম্লবা ৱাহৈগী না-পু তাবদা হাপচিল্লক্লিবা খোম্থোক অমদি খোলহায়শিংনা হান্নগী ওরেল ত্রেডিসন্না পীরিবা শন্দ্রেম্বী চাইস্রাগী ওরেল নেরেতিভকী ৱারী পরীংগী ৱাহম্থোক্কী মথক্তা অনৌবা মহাও অমসু পীনবা হোৎনরি।

অনৌবা মণিপুরী শৈরেংগী খোঙচত্তা খোরিরোল অমদি খুন্নাইরোল অনী ইশম-শম্নবা ঙমদনা লাকখিবদু '৮০ গী মতমদা চোম্লপ্পা থোরকখিবা পোষ্ট মোদর্নিষ্ট রাইটরশিংগী খূখাদা অহাঙবা অসি মেনশিন্নবা হোৎনরকখি। মখোয়গী ৱাখল্লোন অমদি খূৎইদা লমদম অসিগী লৈহাও-লৈশাদগী শাগৎপা, লমদম অসিগী ঈহুল য়াওবা, মশাগী শক্তম অমদি পুৱারীগী লীক্লম কায়হন্নিংদবা মীৎয়েং অমা ফোঙদোকপা হৌরকখি। মীৎয়েং অসিগী শরুক অমা ওইনা পুথোরক্লিবা মেমচৌবীগী লাইরিক অসিদা লমদম অসিগী পূক্নে

ফোঙদোক্লিবা শৈরেংগী মওংবু পেরি অমদি মহাক্কী কাঙবুনা 'ফোরম্যুলা' হায়বা টার্ম অমা শীজিন্নদুনা মখাগী অসুম্না মশক তাক্লম্মী:

> a group of words which is regularly employed under the same metrical conditions to express a given essential idea"; the "formulaic system" consisted of a set of formulas that shared a common pattern of phraseology.
>
> (Roland Greene, 2012, p: 976.)

মেমচৌবীগী লাইরিক অসিদা 'শন্দ্রেম্বী চাইশ্রা' গী ৱারীবু ত্রেডিসন্না পীনিংলিবা পাউজেল অদু শন্দোক্লবা চীন্থাং ওইনা মথং মথং থংথহনখিবা খক নত্তবা মহাক্কী ওইবা খূৎশেম অমগা লোয়ননা ৱারীগী পরীংদি কায়হন্দনা ত্রেডিসনগী মেসেজদসু অকায়বা পীরুবা তৌদনা অনৌবা অহেনবা পাউজেল অমসু পীনবা হোৎনরি। লমদম অসিদা থায়নঙৈদগী লীনদুনা লাক্লিবা 'শন্দ্রেম্বী চাইশ্রা' গী ৱারীগী মপূংওইবা শক্তম লাংলীবী অসি শন্দ্রেম্বীনি। 'অচুম্বনা পোলোইদা মায় পাকই' হায়বা লৌশিংগী মঙাল পীনবা হোৎনরিবা ফুঙ্গাৱারী অসিদা অশৈবীনা থায়নঙৈগী অচুম্বগী সিম্বল ওইদুনা লৈরক্লিবী সন্দ্রেম্বীগী লমচত্তা দাকফম মচেৎ অমত্তসু লৈহন্দনা চাইস্রাগী নুং ৱাখল অমা য়াকায়হল্লি। মহাকপু হিংচা-য়াইতম্বী, তিঙ্গম-লাইঙম ওইনা উরম্লিবা শক্তম অদুগী নুংদা থুপ্না য়াওরিবা অপাম-নুংশিগী ৱাখল, শীংনবগী পাঙ্গল, মপূক্লিংগী ফিরেপ চেৎপী, লু-তোংনা শাবা নুপীগী শক্তম ওইনা উৎনবা হোৎনরি। লমদম অসিগী মীয়াম্না তাথিবীরবী এন্তি-হেরোইন, শকথীবী, পাজোম্বী চাইস্রাসু নুপীনি; মহাক্কীসু থম্মোয় পাল্লি, অপাম-নুংশিগী ৱাখল লৈজরি, নুপী অমা ওইবগী মতিক-মঙল মহাক্কীসু চপ-চানা লৈ হায়বদু উৎনবা হোৎনরি। খূথা অসিনা ভারতকী পাক-চাউরবা খোরিরোলগী পূক্কৈদা বেঙ্গলগী মাইকেল মধুসূদন দত্ত (১৮২৪-১৮৭৫) গী *মেঘনাদ বধ কাব্য* (১৮৬১), ইনক নক্না লমদম অসিগী অশৈবা অশাংবম মীনকেতন (১৯০৬-১৯৯৫) গী *অশৈবগী নিতাইপোদ* (১৯৭৫) তা য়াওরিবা 'পিয়ে থাদোই' অমদি অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎ (১৯০৭-১৯৪৪) কী *কংশ বধ* (১৯৮৭) অসিনচিংবা কাব্যশিং নীংশিংহল্লি। মতাং অসিদা য়াম্না নুংঙাইরিবদি হিংচাবগী শাগৈদা পোকখিবা তমথিরবা রাবণ (*মেঘনাদ বধ কাব্য*), ইকায় খঙদবা মায়থাবনি হায়নরিবা নুংশিবগী মফমদা য়েন কাংদ্রুম মফোনথোক, খৈনা য়াঙ্কোক শেগায়বগা পাংখক্লরিবা অঙোম নোংবান কোংয়ানবা ('পিয়ে থাদোই') অমদি মীহাৎপা হিংচাবা কংশ (*কংশ বধ*) নচিংববু মীওইবগী থম্মোয় পালহন্দুনা পুথোরক্লিবা কাব্যশিং অসিদা উবা ফংলিবসি নুপাগী শক্তম

সন্দ্রেম্বী মমানা লোয়খ্রসনু

তাইবংগী চিঙ্গাক, হনগ্গসনু মহৌশাগী য়ুমদা। (মেমচৌবী, ১৯৯৩, লা: ২।)

পরেং খরা অসিদা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসি চাইস্রা পোকপী মমাগী মপূক্লিংগী অচেৎপা ফিরেপ্পি। নুপী লোনবগী চৎনবী লৈরম্বা খুন্নাই অসিদা লোন্নবী নুপী অমগী থনুংদা ফাওরিবা ৱাখল্লোন অদু অশৈবীনা চিংথোক্লবা হোৎনরকই। মশাগী লেঙদ্রবা মফম অমগীদমক অতোপ্পগী পুন্সিবু তেমশিংনবগী ফিরেপ লৌরক্লিবী চাইস্রাগী অপোকপীগী ৱাখল্লোন মরন্নাইতগী নত্তে উৎনবা হোৎনরকপনি। মসিগী দাইত্বদি নুপী লোনবগী চৎনবীবু অয়াবা পীরল্লিবা মতম অদুগী খুন্নাইগী চৎনরোল (সোসিয়েল সিষ্টেম) গী ওইফম থোকই হায়রকপনি। মতাং অসিদা উবা ফংলিবা শৈরেংগী দিক্সন অমদি পাউরৌ ওইনা তৌবা প্রমাণ-পান্থেংগী ৱাঙাংশিং অসিগী ফজরোলগী মশকশিং অসিসু লমদম অসিগী থায়নঙৈগী ত্রেডিসন্দগী লৌরকপনি। মীৎয়েং থৌবী অশৈবীনা ওরেল নেরেতিভ অমদা শাদোং ওইরগা লমদম অসিগী কলচরেল ত্রেডিসনগী খোঙ্গুল লীক্লমসু কায়হন্দনা অপাবশিংদা অনৌবা মহাও অমা পীনবা হোৎনরকপনি। পোপ্যুলর তেল অমদা ন্যু মিনিং অমদি ন্যু সেন্সিবিলিতি হাপচিন্নবা হোৎনরকপনি।

ওরেল-ফোরম্যুলিক থিওরিদা পেরি অমসুং মহাক্কী মতুংইনবশিংনা হোমরগী *ইলিয়ৎ* অমসুং *ওদিসি* দা য়াওরিবা মখোঙ তরুক লৈবা ছন্দ (হেক্সামিতর) শীজিন্নবদা অকুপ্পা মীৎয়েং থম্লম্বদু মেমচৌবীনা মহাক্কী লাইরিক অসিদা মখোঙ চপ মান্নবা ছন্দ চাং মান্ননা শীজিন্নবা ঙমদ্রবসু হেক য়ারিবমখৈ তাবদা খোয়থুম্লহনবা খূৎফোঙদোক অমা শীজিন্নদুনা অপাবশিংগী থম্মোয় খোন্নবা হোৎনবগী খূৎফমদি তোয়না থেংনরি। মথক্তা লৌখৎলিবা শৈরেং মতেক অসিগী অহানবা অমদি অহুমশুবা পরেং ('য়ুম অমগীবু মপু অনি লৈ', ' লোক অমতদা কৈ অনি কুন'), অনীশুবা অমদি মরিশুবা পরেং ('হৌনব্রা', 'হৌনব্রা'), লোয়ননা মঙাশুবা অমদি তরুকশুবা পরেংশিং ('হিংগদবনি অমদি মপু ওইনা', 'অমনা লৈগদবনি মীনাই ওইনা') অসিনচিংবা অসি মখোঙ মশীং চপ মান্নবা হঞ্জিন-হঞ্জিন তাবগী নুংঙাইবা মহাও পীবা ঙম্বা খূৎফোঙদোক্লি। অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুম-মরিশুবা পরেং অনী অনীনা পূল্লগা ৱাহন্থোক চপ মান্নবা পাউরৌ অনী পরেং লেংশিন্দুনা হন্না-হন্না হায়বগী রিদম অমগা লোয়ননা পূক্কে চোল্লবা লমদম অসিগী ওরেল লিতরেচরগী মশক তাক্লি। চুনবা ৱাহৈ খন্দুনা ছন্দ নাইনা পরেং লেংশিন্দুনা অকক্লবা ৱাখল্লোন অমা হঞ্জিন-হঞ্জিন ফোঙদোক্নুনা পীনিংলিবা পাউজেল অদু অপাবশিংদা য়ৌহন্নবা

লমন খুম্লিংবগী মৈরিনা মশা পূন্না মৈরায়রবী চাইস্রাগী পোলোয় সন্দ্রেন্বীগী থাঙগী ময়াদা ওইখি। অদুবু ৱাখল লৈবী, মীৎয়েং শানবী অশৈবীনা অদুক মনুং কনবী, মশাগী অচেৎপা ফিরেপ লৈখিবী চাইস্রানা ইথা থাজদনা মথৱায় থাখিবদা থাজবা ঙমখিদে, তকশি শোনখি:

হনজীন হনজীন মোংফমদগী
হৌগৎলক
হনজীন হনজীন লেপখি
সন্দ্রেন্বী, সন্দ্রেন্বী !
অদুগা চাইস্রা
মায়দ মায়থিরব্রনে নঙবু
লোয়দ লোয়খব্রনে নঙবু
চাইস্রা চাইস্রা! (*ইবিদ*, লা: ৬৬।)

শুপ্নগী পরেং তরেৎখক্লা শাবা লাইরিক অসিগী 'ৱারোই' হায়না মিংথোন্দুনা হাপচিল্লক্লিবা পরেংশিং অসিনা লমদম অসিগী মীওইশিংগী থম্মোয়দা মতম কুইনা তুমদুনা লৈহল্লম্লিবা নুপীগী পুন্সিরোল অমগী য়াকাইরোল শক্লকই। অপাম কাদা মায়থিরবী, নুংশি কাদা ৱায়থুংনবা ঙমদ্রবী শকথীবীশিংগী থম্মোয়গী তেংথাখোল তাবীনবা লৈখিদবা খুন্নাই অদুগীদ্মক অশৈবীনা নিংদোম পোল্লি। খুন্নাইবু অচুম্বা মায়ওন্দা লমজিংনবা হোৎনবদা ইস্লোক্তুনা থম্বিরল্লিবা চাইস্রাগীদমক তকশি শোল্লিবী অশৈবীনা খূৎশেম হৈবা মপু মহাক্কী মফমদা নিন্দা তৌরুবা ঙমদ্রবসু পেন্দবগী ৱাকৎ অমদি থাঙ্গৎলি। লাঞ্জদবী সন্দ্রেন্বীনা হঞ্জিন-হঞ্জিন অশি লৈবাক্তগী হল্লক্তুনা অমুক্লা লম খুনু ওইনা, অমুক্লা হৈরাং নীংথিবী ওইনা মমৈথংদা মী ওইনা শায়োল্লক্তুনা কায়নরুরবা মপারি অমদি মপুরোয়বগা অমুক হন্না উন্নদুনা নুংঙাইনা পুন্সি তোল্লোয়না লৈমিন্নখি। নাকল অমরোমদা চাইস্রাগীদি কদায়, শুপ্নগী সন্দ্রেন্বীগী থাঙহায় অমুক্তা মহাক্কী মথ্বায় থাখি, অমুক হন্না শায়োল্লক্লবগী খুদোংচাবা অমত্তসু ফংহনখিদে। অদুক মথৌনা লৈবী, শীংনবগী পাঙ্গল হনখিদবী নুপী অমগী পুন্সিবু ইরায় লায়না পিখম্লহনখিবদা ৱাহং অমত্তা তৌখিদবা মতম অদুগী খুন্নাইগী চৎনবীদা অশৈবীনা য়াম্না পেন্দনা 'চাইস্রা চাইস্রা' হায়না তকশি শোল্লি। মীৎয়েং অসিমক্তি চৎনবীনা মতাইদা ইস্লোক্তুনা মতম শাংনা নাথৈবীদুনা লাক্লবা চৎনরোল অমবু মরুওইনা লৌখত্তুনা নৌহৌনা মমল পীরকপা পোষ্ট কলোনিয়েল দিস্কোর্সকী পূক্লিং মতানি।

ঙাক্তনি। অদুবু লমদম অসিগী খোরিরোলগী পূক্কেদা শকথিবী এন্তি-হেরোইন চাইস্রাবু মিনুংশিগা লোয়ননা পুথোরকপদি মেমচৌবীগী লাইরিক অসিনা অহানবনি।

ত্রেডিসন্না অয়াবা পীদুনা লীনরক্লিবা ফুঙ্গাৱারী অসিগী ৱারী পরীংদা অকায়বা অমত্তা পীরুদনা খূৎশেম হৈবী অশৈবীনা উৎনবা হোৎনরিবা চাইস্রাগী শক্তমগা মরী লৈনবা খ্বাইদগী মরূ চঙবা ষ্টেটমেনদি :

সন্দ্রেম্বীসু নুপীনি চাইস্রাসু নুপীনি
সন্দ্রেম্বীনা পীবা ঙম্বা পুন্নমক
চাইস্রানসু পীবা ঙমফম থোকইনা
পীগনি লোয়ননা পীগনি চাইস্রানা। (মেমচৌবী, ১৯৯৩, লা: ৩৭।)

হায়বা ৱাফম অসিনি। লুবা-হেনবা পামজবা খুন্নাই অসিনা শকপু লন ওইনা লৌনদুনা লাক্লি। মরায়বক লৈবী নুপী খরদি শক্কী মপান্না অৱাংবা খূভম য়ৌবা ঙম্মখি। মদুগুম্না মরায়বক অদু সন্দ্রেম্বীগীসু লৈখি। অহানবা হেক উবা মীৎকুপ্তা নীংথিবী মহাক্কী শকফমদা লৈবাক নিংথৌগী পূক্লিং শুক্ষৎখি, মপূক্লিংদা লৈমরেম্বী ফমথোন থিন্দোক্লবা ফিরেপ লৌখি। নাকল অমরোমদা শকথীবী চাইস্রাগীদি কদায়? মচেম্ শক্লবী সন্দ্রেম্বীনা লৈবাক নিংথৌগী মফমদা মহাক্কীদি মতিক মপা চাদে হায়দুনা মনাউ নুপী চাইস্রাগী মায়কৈ য়েংখিনবা হঞ্জিন-হঞ্জিন হঙ্গৎচরবসু নিংথৌনা নাচংবীখিদে অহোয়নদুম মহাক্কী মনাক হেন্নদুম নকশিল্লকখি। অদুবু ফজনীংই হায়দুনসু শেমদোক্লবা য়াররোইদবী অথীবা শক্কী মায়খুম্নরবী শকথীবী, পাজোম্বী, মীৎকুৎপী, কুচু কুমেন ইমক মকপী চাইস্রাগীসু থম্মোয়দি পাল্লি, মহাকসু নুপীনি। নুপী অমা ওইবগী হৌনবা অপাম-নুংশি, ইকায় হঙ্গোইবা চপ-চানা মহাক্কীসু লৈজরি। অদুবু শকথীবী ওইরুবনা পামজরুবা মকাদগী নুংশি ঈরিক অমত্তা ফংজখিদে। মপান্থোংগী শকফমদা মহাক মায়থীখি অদুবু নুংগী ফিরেপ্তুদি মহাকপু কনানসু মায়থিহনবা ঙমখিদে; অদুনা অচেৎপা ফিরেপ লৌরকই, শীংনবগী খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা লমন খুম্লিংবগী মৈরিনা মশা পূম্বা মৈৱায়হনখি। শক্তিগী হিদান্নবদা ঐগী হায়বা ৱাখলনা মাঙ থানা চঙশিনখিবদগী অফ-ফত্তগী ৱাখল তুংওইনরমখি:

নোংমা চাইস্রাবু মায়থিহনখিবা
মায়থিহনগনি অমুক চাইস্রাদ
লানঙম ফিরাল থেৎকনি চাইস্রানা। (*ইবিদ*, লা:৩৭।)

খোরিরোলগী ৱাহৈদা শাদোং ওইরিবা ফোরম্যুলিক ফ্রেজ অমদি ইদিয়মশিংনা অপাবশিংবু কোয়চিং চিংদুনা পুবা মতাং কয়াসু লাইরিক অসিদা য়াওরি। ঙসিগী মীরোলনা অকাউ পরৈনখ্রবা লমদম অসিগী অরিবা ৱাহৈগী নীংথিরবা ইদিয়ম্না লেংশিল্লিবা পরেংশিং: 'পুন্সি ইৱান লৈ', 'অৱাং সরু লুতোং লৈ', 'সনা লীকল্লু য়াইওইবী' অসিনচিংবগী খোঙ্গুল লীরকপদা লমদম অসিগী ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্লিবা মপান-নাইদ্রবা খোরিরোলগী প্রমাণ-পান্থে ওইনা শীংথানরম্লিবা ৱাহৈশিংগী পুক্কৈ-লনগৈগী সনা সোজৈ কাঙহল্লি।

লমদম অসিগী মীয়ামগী লৈয়েংদা পক্তুনা লৈরিবা, নীংশিংবদা লায়না থোকপা নীমোনিক দিভাইস কয়া শীজিন্নরকপগী মশক লাইরিক অসিদসু উবা ফংলি। সিলেম পাত্তা লোং খোনবা চৎখিবী সন্দ্রেম্বীগী মমাবু চাইস্রা পোকপী মমানা মখনাউদা লিন হৈথদুনা হাত্তোকখি। লিনগী হূনা মথ্বায় মাঙলবী সন্দ্রেম্বী' মমাগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদগী মপান থোকখ্রবা থৱায়না মীরমলেন্দা তিনশি তিনঙমদা, লাইরমলেন্দা হনসি হনঙমদবগী মশক থারকপদা শীজিন্নরক্লিবা লাই হরাওবগী ছন্দ নাইবা শৈহেক অসি য়েংবা য়াই:

চেক্লা পাইখ্রবনা পোম্বী
হনজীল্লকপদা, চেক্লগী
কাইদোংফম খঙদবনা
পোম্বী কঙাওনরেদো। (*ইবিদ, লা*: ১৩।)

অমুকসু, কনভেনসনেল ওইবা খূৎফোঙদোক অমদা ছন্দ নাইবা শৈরেংগী পরেং ওইনা থম্লকপদা শীজিন্নরিবা রিপিতেসন, ফোরম্যুলা, ইপিথেতকী মওং অমা কম্পাউণ্ড সিনতেকতিক স্ত্রকচরদা ফোঙদোক্লিবা মতাং অমদি:

কু কু কু খ্বাংমৈতৎ
হাদ নিংথৌ তু- কাওবা-
কাওমন্নসু কাওইদা
ইচা নিংথৌ-সোক্কনি
ফিগে ইয়োং তৎকনি
নবুংঙোদা তমজরু
পাজোম্বীদা হায়জরু
সন্দ্রেম্বীনা উদা তোং
চাইস্রানা ফম্বাল তোং

ওরেল-ফোরম্যুলিক থিওরিনা য়াম্না মরুওইনা লৌরিবা ফোরম্যুলিক ফ্রেজ, সিন, স্তোরি পেতর্ন অমদি ৱাহৈগী ইদিয়মগা চান্ননা মেমচৌবীনা য়াম্না মতা চানা মতাং-মতাংগী ওইনা ফেনজিল্লক্লিবা ট্রেদিসনেল ভেল্যুশিংনা লাইরিক অসিগী এস্থেতিক ভেল্যু অমুক্কসু হেঙ্গৎহল্লি। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা লাই হরাওবগী চৎনবী লৈরকপা লৈবাক অসিদা ইবেন্ধৌ লাইস্নানা মখূত্তা লোং পায়দুনা লমদম অসিগী মচা মনাই ওইবশিংগী থৱায় অচঙবা, মিরেল চঙখোনবা ওইনবা ইবুধৌ পাখঙববু খোমজিনবগী ৱাঙুরোলগা শাগোন্নরিবা শৈহেক অমা অমাইবা অমাইবীশিংগী চীন্থাং য়ৈনা শক্লদুনা লাক্লিবা অদুগী নীংথিরবা ইমেজরি অমা মতাং চানা শীজিন্নরি:

পয়া চেপসি লোং
সংগাই য়াইনপ লোং
ফুমথি হামৎ লোং
চোমলাং খোঙথিল লোং
লোংলেন খুত্তা পায়দুনা
পুন্সিবু নৌনা সাংথনবা
হায়জৈ
হে লেমলৈ চঙবীয়ু ঐগী
লোংদা
ইমোমগী পুন্সি ইৱান লৈ
অৱাং সরু লুতোং লৈ
সনা লীকলু য়াইওইবীগীনে। (*ইবিদ*, লা: ৫।)

তাবদা খোয়থুম্বনা থোকপা, ছন্দ নাইবা শৈরেংগী পরেংশিং অসিদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ-ৱাতা, শৈহেক-শৈদাশিং অসিগী হৌরকফমদি লমদম অসিগী থায়নঙৈদগী লৈজরক্লিবা ওরেল ট্রেডিসননি। শীজিন্নরিবা ৱাহৈ-ৱাতাশিং অসি অশৈবীগী মরন্নাই পোখোক্তি নত্তে। অদুম ওইনমক, তাবদা খোয়থুম্ববা মহাও পীনবা লেংশিল্লিবা পরেংশিং অসিদি অশৈবীগী খূৎশেম্নি। সন্দ্রেম্বীগী মমানা সিলেম পাত্তা লোং খোনবদা মপূক্লিংদা নীংলিবা ৱাখল্লোন্না লমদম অসিগী ট্রেডিসনগী ফজরবা ৱাংঙুরোল অমা য়োক্তুনা থল্লিবদু শৈরেংগী পরেং ওইনা পুথোরকই। মমা ওইবীশিংগী মিনুংশি অমদি মখোয়গী থৌজালদা হিংজরিবা মচাশিংগী থৱায় অমদি পুন্সিবু হেন্না মরু চঙহনবগী খূথা অমা সন্দ্রেম্বীগী মমানা সিম্বল ওইনা পুথোরক্তুনা মমা ওইবীশিংগী পুন্সিরোল অমা মরিক চুম্না তাক্লি। পূক্কে চোল্লবা অরিবা

পূন্নমক অসিদা যূম্ফম ওইরগা মেমচৌবীগী লাইরিক অসি শৈরেংগী মওংদা লান্থোরক্লবসু ওরেল ত্রেদিসনগী মগুণ নীংথিনা য়াওবা লাইরিক অমদি শোয়দনা ওইরে। কুনশুবা চহী চাগী অরোয়বা দিকেদতা লমদম অসিদা থায়নঙৈদগী লীনদুনা লাক্লবা ফুঙ্গাৱারী অমদা অশৈবীগী কল্পনা অমদি মীৎয়েংগী মচু লোক্তুনা পুথোরকপদা লৈহাও চেল্লবা মণিপুরী খোরিরোলগী অনৌবা শক্লোন অমা ওইহনবা ঙম্লি। লাইরিক অসিনা অপাবশিংদা কাউঙমদবা মহাও অমা পীবগা লোয়ননা ৱাখল খন্থহল্লি। অদুবু অশৈবীগী মীৎয়েংদগী থন্লক্লিবা মচুগী ফিজং অসি হেক হাইদোকখিবদা থায়নঙৈগী 'শন্দ্রেন্বী চাইশ্রা'গী ৱারী অদু শঙ-শঙনা অপাবশিংগী মীৎমাঙদা উহল্লি। খূৎশেম হৈবী, মীৎয়েং থৌবী অশৈবীনা মহৌশানা ৱারীগী ৱারী ওইনা লীনরম্বা ফুঙ্গাৱারী অসিগী অনৌবা মপোক অমা ওইহন্দুনা মতম অমগী মণিপুরী খুন্নাইদা থোইনা লুনা খন্নরমদবা নুপীগী অরোনবা থম্মোয়গী মপাউ তন্লি। মীপূম খুদিংমক চপ মান্নে, তাইবংপান অসি মশক ফজবীশিংতগী নত্তে, শকথীবীগীসু থম্মোয় পাল্লি, মখোয়সু মীওইবনি হায়বগী রিকোগনিসন পীরকই। 'শন্দ্রেন্বী চাইশ্রা'গী ফোকলোরিষ্টিক ভেল্যুশিং অমতসু মাঙহন্দনা অপাবশিংদা ন্যু মিনিং অমা ন্যু ইন্টরপ্রিতেসনগা লোয়ননা পীনবা হোৎনরক্লিবসি অশৈবীগী হোৎনজমন্নি হায়নীংই। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ওরেলিতি/ লিতরেসি অনীগী অপূনবা মশক্লা অপাবশিংদা কাউঙমদবা মহাও অমা পীবা ঙম্লিবসি মণিপুরী খোরিরোলগী অনৌবা খূথা অমনি।

মতেং লৌখিবা লাইরিকশিং:

১। অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎ, ১৯৮৭, *কংশ বধ*, ইম্ফাল।

২। অরাম্বম ওংবী মেমচৌবী, ১৯৯৩, *সন্দ্রেম্বী চাইস্রা*, ইম্ফাল।

৩। অশাংবম মীনকেতন, ১৯৭৫, *অশৈবগী নিতাইপোদ*, ইম্ফাল।

৪। হৱাইবম নবদ্বীপচন্দ্র, ১৯৬৫, *মেঘনাদ ত্বব কাব্য*, ইম্ফাল।

৫। Abrams M.H., 2003, *A Glossary of Literary Terms*, Prism book Pvt.Ltd., seventh edition.

৬। Edward Quinn, 2000, *A Dictionary of literary and thematic terms*, Checkmark Books, New York.

৭। Greene Roland (ed. in cheif), 2012, *The Princeton Encyclopedia of Poetry and Poetics*, Princeton and Oxford, Princeton University Press, fourth edition.

কু কু কু খ্বাংমৈতৎ
ঐগী পাওসে তন্বীদ্রবা
সগোল মরাই তাহনগে
সমু ময়েং তাহনগে
কু কু কু খ্বাংমৈতৎ ! (ইবিদ, লা: ৩৯-৪০।)

লমদম অসিগী ত্রেডিসনগা থাদোক্লবা য়াদনা লৈরিবা চীংশোং খুনু ঙকনৌবী লমখুনুগী ৱারী লীখুন অমা পুশিল্লক্তুনা সন্দ্রেন্নীগী থৱায়না ওইখিবা চেক্লা অমবু পর্সোনিফাইদ তৌরক্লিবা মতাং অসিনা মেমচৌবীগী খূৎইদা 'বেক তু ত্রেডিসন' গী মশক অমা লোয়নরি হায়বগী ঈঙ্গিৎ তৌরি। লাইরিক অসিদা লৌখৎলিবা ৱারী পরীং অমদি শীজিন্নরিবা ত্রেডিসনেল ওইবা মফোঙদোকশিং অসিনা অশৈবীগী খূথা অসি লনাইগী ওইবা খূৎশেমদগীদি ত্রেডিসনেল ওইবা স্ত্রকচর অমদা থায়নঙৈগী মচং ওইবা ভেল্যুশিংবু ঙাক্তুনা থম্বা অমদি মখোয়বু ত্রান্সমিত তৌরকপগী মশক্লোমদা হেন্না মমায় লৈশিল্লকপগুম তৌরি। মতাং অসিগা মরী লৈননা ওরেল-ফোরম্যুলিক থিওরিগী মরমদা অখণ্ড-অহেশিংনা পুথোরক্লিবা ফাইন্দিং অসি য়েংবা য়াই:

> These and other findings led Parry to posit a formulaic diction in which individual aesthetic choice is subservient to metrical expediency and in which the kind of creative artistic effect so cherished by mod. crit. was considered much less likely than traditional values epitomized through traditional structures.
>
> (Roland Greene, 2012 , p: 977.)

ফোকলোরিষ্টিক পর্ফোমেন্স অমদি ত্রান্সমিসন্দা মীৎয়েং থম্বা নৈন-মীৎয়েং অসিনা অশৈবশিংগী খূৎশেম্লু ইকায়খুম্নরবসু ত্রেডিসনগী মচি ওইবা মশকশিংবু য়োকখৎপনা হেন্না মরুওইনা লৌরি। মীৎয়েং অসিদগী য়েংলবসু মেমচৌবীগী লাইরিক অসিগী মফম অদুমক চাউনা লৈরি। লমদম অসিদা ওরেল ত্রেদিসনবু খুন্নাইগী য়াইফনবা থৌরম অমা ওইনা লৌনদুনা লাক্লিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা অশৈবীনা হাপচিল্লিবা 'থৱাই মি কোনসিনব'গী মতাং অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। লমদম অসিগী মীওইশিংগী থৱায় হামচৎনদনবা, মিরেল হামফোইনদনবা ৱাকয়ৈগা পাংখক ওইনা শৈথানরিবা মীওইবগী শমু হকচাংদা থৱায় মঙা, মিগা থানা তরুকপু থেমজিনবগী ৱাংলবা নুংলোন অমা ৱাকয়ৈ হিগারকপগী ৱাংঙুরোল ওইনা শৈথাদুনা লোইশিল্লিবা অসি লমদম অসিগী শেংলবা কলচরেল ত্রেডিসন অমনি।

হেনগৎহন্নবগীদমক্তসু ওইবা য়াই। ফুঙ্গা মপান্দা লী হায়বগীদমক্তা ফুঙ্গাৱারী কৌবনি হায়বা ৱাফম অসিনা হেন্না চূননা থোক্লি। হৌজিক্তি অরবান এরিয়াদদি ফুঙ্গা অয়াম্বনা লৈনদ্রে অদুবু ফুঙ্গাৱারীশিং অসিদি ফুঙ্গা মপান্দা নৎত্রবসু মফম অমদা হেক্তা লীনরে। অদু ফাওবদা মখল অসিগী ৱারী অসিবু ফুঙ্গাৱারী হায়না কৌনরি।

জাতি অমগী নৎত্রগা মীওই কাঙলূপ অমগী ফুঙ্গাৱারী (folktale) খঙলবদি জাতি অদুগী নৎত্রগা মীওই কাঙলূপ অদুগী সংস্কৃতিগী মপূং ফাবা মশকমক নৎত্রবসু খরমখৈদি ময়েক শেংনা খঙহনবা ঙম্মী। মরমদি জাতি অমগী নৎত্রগা মীওই কাঙলূপ অদুগী সংস্কৃতিগী মমি ফুঙ্গাৱারীদা তাই। মতৌ অসিগুম্না মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীদা জাতি অসিগী সংস্কৃতিগী মমি তাবা থেংনৈ। ঐখোয়না ফুঙ্গাৱারী অমা অনীদং লৌখৎতুনা নৈনরবদি তশেংনমক মণিপুরী জাতিগী নাৎকী মশক মপূং ফানমক নৎত্রবসু খরমখৈদি খঙহনা ঙমগনি। নৈনবা অসিদা খরা হেন্না মরীক চূম্নবগীদমক্তা ফুঙ্গাৱারীগী মশক অমসুং কায়াৎকী মরমদা তেনতক্লা পীজরি। ফুঙ্গাৱারী হায়বসি তারিবা মীওইশিংনা নুংঙাইনবগীদমক্তা ভাবনা শাদুনা লীনবা ৱারেং ৱারীশিংনি। ৱাফম অসিবু শৌগৎলদুনা W.R. Bascom না অসুম্না হায় : “Folktales are prose narratives which are regarded as fiction.”

ফুঙ্গাৱারী (folktale) গী ৱারী অমা ওইবগী মশাজৎ কয়ামরুম লৈজে। খরদং পঞ্জরবদা ফুঙ্গাৱারী হায়বসিগী অকক্লবা মফম অমসুং মতম লৈতে। খূদম ওইনা ফুঙ্গাৱারী অমা হৌবদা ‘থায়না থায়না মমাঙঙৈদা নৎত্রগা মতম অমদা’ হায়বসিনা অকক্লবা মতম লৈতে হায়বা তাকই। মসিগা লোয়ননা খূদম ওইনা ‘কৈ অমা লৈরম্মী, খুন অমা লৈরম্মী, নিংথৌ অমা পাল্লম্মী’ অসুম্না হায়রিবসিনা অকক্লবা মতম লৈতে তাকপনি। ফুঙ্গাৱারী অসি নুংঙাইনবগীদমক্তা লীনবনি হায়বগী মরমদি ৱারী অসি লোইশিল্লকপদা নুংঙাইনা পানখি নৎত্রগা নুংঙাইনা লৈখি হায়দুনা অসুম্না লোইশিল্লি। মসিনা তাক্লিবদি নুংঙাইনবগীদমক্তা লীবনি হায়বসিবু খঙহল্লি। ফুঙ্গাৱারীশিং অসি চীনবুংদা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা চৎনবী (tradition) ওইনা চীন্থাংদা লীনদুনা লাকপা ৱারীনি। ৱারীশিং অসি হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা চুমদ্রিং চুম্না হেক্তা চথে। ফুঙ্গাৱারীশিং অসি অচুম্বনি নৎত্রগা তশেংনা থোকখিবনি হায়না লৌনবগী মহুত্তা ভাবনা শাবনি হায়না লৌনৈ। ৱারীশিং অসি চীনবুংদা লীনবা ওইবনা ৱারী অমগা ৱারী অমা লীবদা খরা অদুম্মক খেন্নবা মশক (variation) উবা ফংগনি। ফুঙ্গাৱারীশিংদা য়াওরিবা চরিত্রশিং অসি মী, শা-ঙা, উচেক,

৪।

মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী অমসুং নাৎকী মশক

দা লোইতোংবম চনু মেমি
এসিস্টেন্ট প্রোফেসার, মণিপুরী দিপার্টমেন্ট
এন.জি. কোলেজ, ইম্ফাল

ৱাহৌদোক

ফোকলোরগী শক্লেন অমা ওইরিবা চীনবুং সাহিত্য (Oral literature) গী মনুংদা য়াওরিবা চীনবুং ৱারী (Oral narrative) শিং অসিনা ফোকলোর নৈনবদা মফম অমা কল্লি। ঐখোয়না চীনবুং ৱারী (Oral narrative) হায়রগা মরুওইবা লাই-তীনগী ৱারী (Myth), থাজ-ৱারী (Legend) অমসুং ফুঙ্গাৱারী (folktale) অসিবু খঙনৈ। মালেমগী ফাওরবা ফোকলোরিষ্ট অয়াম্বনসু মখল অহুম খায়দোকপা অসি য়ানৈ। পঞ্জরিবা মখল অহুম অসিগী মনুংদা ফুঙ্গাৱারী (folktale) হায়বা অসিদা য়াওরিবা মণিপুরী খুন্নাইগী নাৎকী মশক কদায়ফাওবা তাকপা ঙম্বগে হায়বদু উৎনবা হোৎনবনি।

ইংরাজী ৱাহৈ folktale হায়বা অসি ঐখোয়না মণিপুরীদা ফুঙ্গাৱারী হায়না লৌবা য়াই। জর্মনদা (Marchen) রসিয়াদা (Skazka) হায়না খঙনৈ। আসামদনা সাধু কথা হায়না খঙনৈ। মতৌ অসুম্না মণিপুরদা ফুঙ্গাৱারী হায়না কৌবগী মরম লৈতবা নত্তে। মাঙলমচৎতগী হৌনা মণিপুরী সমাজদা মপু মবেনশিংনা মচা-মশুশিংদা ৱারী লীবগী চৎনবী লৈরক্লি। মপু মবেননা মশু, মখা তাবশিংদা ফুঙ্গা মনাক্তা কোয়না ফমদুনা লৈরগা ৱারীশিং অসি লী হায়বগীদমক্তা ফুঙ্গাৱারী কৌরিবনি হায়না থাজনৈ। ওইনাম ভোগেশ্বরগী মততদি চাকঙাই ৱারী হায়দুনা মত পী, মত অনী অসিগী মনুংদা য়েংলবদা মণিপুরী খুন্নাইদা নুমিদাংদা চাকথোংদবা কাঙবু কয়া লৈ। মখোয়দদি চাকঙাই ৱারী হায়বা অসি চূনবা ৱাৎলি, অহলশিংনা ৱারী লীরিবসি মতম লেনবগী ওইবা য়াই, চাকঙাইবগী ওইবসু য়াই, জ্ঞান

৫

মনাক্তা চঙলক্লেদো, অদুগা হনুবা হনুবীদা অসুম্না হায়রবোইরে। ইপু করি তৌরিবনো। য়োংনাউশিং অদুগী ৱা তাবদা হনুবা অদুনা অসুম্না খুন্নবোইরে, ইশুশা পান থারিবনি। অদুদগীদি য়োংনাউশিং অদুনা অসুম্না হায়রবোইরে ইপু পান মথা অদু ওন্নরে, পান অদু ফজনা ফৃৎতোক্লো অদুগা লা মচেৎ অমমম্না য়োমদুনা কাঙখুলশিং অদুদা থারো অদুম তৌরবদি নোংঙাল্লকপদা মপাম্বী অমমম্না লেপ-লেপমুক ৱাংলন্নগনি, হয়েংমক অদুম চাবা য়ারগনি। হনুবা অদুনা ইশুশা অদুনা ফরগদ্রা হায়দুনা হনুবী অদুদা পান অদু ফৃৎলুরো হায়খ্রবোইএ। পান অদু হনুবীনা ফৃৎপা লোইরক্লবদা য়োংনাউশিং অদুনা হায়বগুম্না অফৃৎপা পান অদু লানা য়োমদুনা কাঙখুল খৃদিংগী থারবোইএ। নুমিদাং ওইশিল্লক্লবদা য়োংনাউশিং অদো হনুবা হনুবীগী পান থাফমদা লাক্লবোইএ। য়োংনাউশিং অদুনা হনুবা হনুবীগী পানশিং অদু লোইনা খোৎতোক্লগা চাথোক্লে। অদুগা খোংবান্দা হৌবা লম্বান অরেংবা ময়াম অদু মখোয়না চাথোকখিবা পানশিং অদুগী মহুত্তা থজল্লেদো অদুগা য়োংনাউ ময়াম অদু হনখ্রেদো।

নোংঙাল্লেদো। হনুবা হনুবী অনীনা ঙরাংগী পান থাবদো য়েংলেদো অদুগা হনুবনা হায়রক্লম্মী ইশুশিংনা হায়রম্বদু চুল্লেদনা হনুবী মকাশিং অসি কয়াদা ফজখ্রবা, হাই হনুবী অদুদি ঐ মকা অনীদং হেক্লক্লগে মকা অমনা লাইদা কৎলসি মকা অমনা ইরোনবা চাসি, অসুম্না পান মকা অনীদো হনুবীদা পীরেদো। হনুবীনা মদু লৌরগা থুনমক ঈরুজথোক্লেদো অদুগা মকা অমনা লাইদা কৎলে, মকা অমনা ইরোল্লে, হনুবদা চাক লোইরে ঈরুজরো হায়রেদো, হনুবনা ঈরুজরগা পান মকা ইরোনবা অদু অমুক্তং কোৎথদুনা তোৎলগা হাউনা চারকপদা হনুবদো ৱা ঙাঙবা থোকখিদ্রে লেঙবনা মতিন ওরো ওরো তাদুনা হনুবী হেন্তাক, হনুবী হেন্তাক হায়দুনা লাউরক্লে। অদুগা লৈমায়দা হাইথদুনা ফ্র-ফ্র ওল্লেদো, অদুদগীদি হনুবী শগাইদ গী হেন্তাক খরা লৌথদুনা হনুবদা পীজরে, হনুবা অদু খরদি ফরেদো। হনুবা অদু য়োংনাউশিং অদুনা তৌরিবা নমথাক অদুদা শাউনীংবনা লুতোন কারবোইরে। অদুদগী হনুবীদা হায়রকই, হায় হনুবী ঐ শিজিন্নদুনা লৈরগে, অদুদগীদি নঙনা কপশিন্নদুনা লৈরো য়োংনাউশিং অদু লাক্লগা ঐবু থাংদোকহল্লো, ঐ থাংদোকপা লাকপদা ঐগী চৈতৃপ অসিনা য়োংনাউশিং অদু মকোক য়ৈখায়দুনা মথৱায় লৌগে অসুম্না হায়রবোইএ। অসুম্না হনুবা অদু শিজিন্নদুনা লৈরে অদুগা হনুবী অদুনা তেংথাদুনা কপখৎলক্লেদো হনুবীনা হৌনা লাউনা কপ্পা অদু তাদুনা য়োংনাউশিং অদু হৌনদুনা লাক্লে। য়োংনাউশিং অদু লাকপা উবদা হনুবীনা

মী নত্তবা অমদি অর্থ থোক্তবা অমা হেক্তা ওইবা য়াই। ৱারীশিং অসি কনানা হৌদোক্লম্বনো হায়বা খঙবা ঙমদে হায়বদি authorship লৈতে। মণিপুর সমাজদা লৈরিবা তোপ-তোপ্পা থাজনবী অমনা লীরীবা মীশক অদুনা ৱারী অদু লীবা লোইশিন্দ্রবদি মমঙদা শামুনা তাল্লি হায়বগী থাজনবী লৈ। মরম অদুনা ৱারীশিং অসি লোইবা ফাওবা হেক হেক লী। মণিপুরী জাতি অসিগী মী অয়াম্বনা ফুঙ্গাৱারী অসি হৌবদগী লোইবা ফাওবা লীনবগী মরম অমা ওইহল্লি। মসিমক্না জাতি অসগী ফুঙ্গাৱারীশিং অসি মরাঙ কায়না ফংবা ঙল্লিবনি। মসিমক মণিপুরী জাতিগী থাজনবী অমনি। ফুঙ্গাৱারীগী মশাজৎকী মতাংদা Maria Leach না সম্পাদন ওইবা The Standard Dictionary of Folklore, Mythology and Lengend কৌবা লাইরিক্কী লামায় ৪০৮-৪০৯ দা অসুম্না তাক্লি।

> It will be seen that the characteristic feature of the folklate is the fact that it is traditional. It is handed down from one person to another, and there is no virtue of originality. This tradition may be purely oral. The tale is heard and is repeated as it is remembered, with or without additions or changes made by the new teller. Sometimes as the tradition may be literary, as when a story keeps being told by one author after another.

অসুম্না ফুঙ্গাৱারীগী মশক অসি ৱারেংগী ওইবা চৎনবীনি, অইবা ওইনা নৎত্রগা চীনবুংদা ওইনা মীরোল অমদগী অমদা লীনরকপা ৱারীবুনি হায়বনি। সেমিনার চে অসিদা মণিপুরী খুন্নাইদা ঙসি ফাওবদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা লীনরিবা অনীখক লৌখৎচরি, অহানবদা 'হনুবা হনুবী পান থাবগী ৱারী', অনীশুবদা 'ইতা থাউমৈগী ৱারী' অসিনি। ৱারী অনী অসিদং পীদুনা নৈনজবগী মরমদি কা হেন্না পাকথোক চাউথোকখিদুনা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা সেমিনার চে অসি কোনশিনবা ঙম্লোই খনবদগীনি।

হনুবা হনুবী পান থাবগী ৱারী :

থায়না থায়না মমাঙঙৈদা হনুবা অমগা হনুবী অমগা লৈরম্মী। মখোয় অনীখক্তা ময়াম্না নুংঙাইনা পাল্লম্মোইএ। মখোয় অনীদো মচাগা অমত্তা পোক্লমদে, শূবা নোম্বা য়াম্না কন্দুনা ইংখোল কোইরম্মী। নোংমগী নুমিৎতদি হনুবা হনুবী অনীদুনা পান থারিঙৈদা য়োংনাউ ময়াম অমা লাকপোইরে, য়োংশিং অদুনা হনুবা হনুবী অনীগী পান অদু চানীংলদুনা মখোয়গী

নাইদুনা শূবা নোম্বা য়াম্না কঞ্জনা অৱাৎ-অপা লৈতনা পৈশা য়াম্না পায়দুনা ইনাক খুনবী হনুবী হায়বদু ওইরম্মী। ইনাকখুনবী হনুবীনি হায়বসি অসুম অসুম খঙনরকপদগী লৈকায় ৱাংমা লান্না খঙনরক্লেদো। হূরানবশিংনা হনুবীগী চঙননবা মতম অসুম ঙাইদুনা লৈনবদু নোংমদি হূরানবা অমখক্কা মতাং চারে খন্দুনা হনুবীগী ময়ূমদা লাক্কম্মী। মমাঙথোকদা লাকপসু হূরানবনা মমাঙথোঙসু লোল্লিনা অদুগা মনীংথোঙদা লাকপসু মনীংথোঙসু লোল্লিনা হায়দুনা তাঞ্জা ঙাইদুনা লৈখ্রে।

হনুবী অদুনা নুতিগী নুমিদাং মখোঙ-মখূৎ হামদোক্তুনা খোঙজুম অদু মপান্দা হৈদোকপা থোক্লিঙৈদা হূরানবা অদু মাগী ইমুংদা চঙশিন্দুনা থাউমৈ মরুমদা লোক্তুনা লৈহৌরবোইএ, লৌশিং লৈবী হনুবী অদুনা মাগী ইমুংদা হূরানবা অমা চঙখ্রেনা হায়বসি সমিন অমা ফংলম্মী। হনুবীনা মসিদি করম তৌদুনা ফাগনি হায়না লৌশিং তৌবা হৌরক্লম্মী অমসুং মাগী হান্নগী নুতিগী নুমিদাং তূপ্লমদাইদা মোইথাপ নাইবদু হৌরক্লম্মী। অদুদগী হনুবীনা খল্লক্লম্মী ঐনা হূরানবা চঙলে হায়দুনা লাউরবসু পাঙ্গল শোনবনিনা হাৎতোকপিরম্বসু য়াই অদুনা হনুবীনা খল্লে ঐগী মোইথাপ নাইফমদা লৈরিবা থাউমৈ পোদোন অসিদা ইতা হায়না কৌদুনা ৱারী হেক্তা লীবা হৌরগে হায়দুনা হনুবীনা লৌশিং তৌরক্লম্মী।

হনুবীনা মাগী থাউমৈ পোদোনদা ইতা থাউমৈ, ইতা থাউমৈ হায়না কৌরক্লম্মী। থাউমৈ পোদোন্নদি খুম্বা হৌনদবীনা শুকখুম খুল্লক্রবদি কদৌরবগে য়ূম অসিদা মীতোপ হূরানবগা চঙলক্লবরো হায়দুনা হায়রক্লম্মী। মদুদা হূরানবনা লৌশিং থেনবনিনা হনুবীগী থাউমৈ অসি নহানমখৈদা খুম্বা জাৎনি ঙসি খুমদ্রিবসিনদি হূরানবা ঐ চঙবদুদা তৌরিবজাৎনি অদুনা হূরানবা চঙদে হায়বা খঙহন্নবা ঐ ওইনা হেক্তা খুল্লগে হায়না 'হাউ' হায়না হূরানবা খুল্লবোইরে। অদুদগীদি হনুবী লৌশিং চাউবী অদুনা হূরানবা অসি থাউমৈ মরুমদা লৈরে হায়বসি খঙলবোইরে। অদুদগী হনুবী অদুনা ইতা থাউমৈ ঙরাংগী ৱারী মখা লীরগে তারোকো হায়দুনা ৱারী অদু লীবা হৌরক্লম্মী। অদুদগী অসুম অসুম লীথরকপনা মমৈথংদা হূরানবা চঙবগী তাঞ্জা য়ৌরক্তুনা হনুবীনা হূরানবা চঙলে, হূরানবা চঙলে হায়দুনা তাপ্লা লীরম্বদগী মপান্দা থোক্তুনা হূরানবা চঙলে, হূরানবা চঙলে হায়দুনা খোনগায়দা লাউবদগী লৈকায় ময়াম তাদুনা হূরানবা অদু ফাদুনা বিচারগীদমক পুখ্রে। মতৌ অসুম্না হনুবীগী লৌশিংনা মপাঙ্গল শামুমুক কনখ্রবা হূরানবা অদু ইরায় লায়না ফাখ্রে। ৱারী অসিদগী লৌশিংনা শামু ফায় হায়বদু ঙসি ফাওবা হায়নরি।

"হা হনুবা পাম্মুইদকো,
পান চাদুনা চৎখিবা
মাইরেল চাদুনা হল্লকও
ও ... ও ... ও ...।"

অসুম্না তেংথাদুনা কপ্লবদা য়োংনাউশিং অদুনা ইবেল করি তৌরবগে হায়রেদো, হনুবীনা ইশুশা নপু লৈত্রে অসুম্না হায়ররোইএ। মদুদা য়োংনাউশিং অদুসু কপশিন্নরবোইএ। হনুবীনা য়োংনাউশিং অদুদা হায়রবোইএ নপু লৈত্রবনিনা নবেনসু হিংলুবগী কান্নদ্রে নপুগী মতুং ইনখ্রগে অদুনা নখোয়না নপুবু খাঙেনফম ফাওবদং থাংদোকপিরম্মু হায়দুনা হায়রবোইএ। য়োংনাউশিং অদুন হনুবা অদু থাংদোক্কে হায়দুনা ফুঙ্গা মনাক্তা চঙলকপদা হনুবা অদুনা মাগী চৈতূপ অদুন নখোয় খঙবরা হায়দুনা কন্থরক্লম্মী। অদুদগী য়োংনাউশিং অদু মখূৎ তেকপা য়াও মমৈ তৎপা য়াও কায় কায়দুনা চেনখিরম্মী। য়োংনাউশিং অদু চেনখ্রবদা হনুবা হনুবীনা অসুম্না ৱাতান্নরম্মী-মরৌ লৈবা য়োংনাউশিংনি মখোয় ময়াম্মা অমুক লাক্তুনা ঐখোয়বু অমুক লমন খুম্মকখিগনি অদুনা ইবানী খরুং অচৌবা অসিগী মনুংদা চঙদুনা লোৎলসি হায়দুনা লোংখ্রে। অসোমদা য়োংনাউশিং অদুনা মখোয়গী য়োংয়াম খোমদুনা পুরক্লম্মী। হনুবা হনুবী ময়ূমদা লান্দানবা য়োংনাউশিং অদুনা হনুবা হনুবীগী ময়ূমদা থুংলবদা হনুবা হনুবী অনীদি থিবা খঙদ্রবদা খরা হৈশিংবা য়োং অমনা অসুম্না হায়রক্লম্মী-হনুবা হনুবী থিবা খঙদ্রবনিনা মখোয়গী পোৎ হাপ্লিবা খরুং অসিদগী খরা হেন্না লূম্বা খরু অমা থাংদুনা ঐখোয় পুখ্রসি। অসুম্না হায়রদুনা হনুবা হনুবী য়াওবা খরুং অদু থাংবা হৌরক্লবোইএ। খরুং অদু থাংবা হৌরক্লবদা হনুবা অদুনা হনুবীদা তূমিন্না মোই খিত্তা থোক্কে হায়দুনা হায়রবোইএ। হনুবীনসু থোকউ থোকউ অসুম্না হায়নরবদা হনুবদা 'পিং' লাউনা তূমিন্না থোক্লেদো। অদুদগী হনুবীসু হনুবদা মোই খিত্তা থোক্কে হনুবা হায়দুনা হায়রক্লবদা হনুবনা তপ্না থোকউ হনুবী হায়রবদা হনুবীনা 'বোং' লাউনা থোক্লবোইদো। মদুদা য়োংনাউশিং অদুনা খংদুনা খরুং অদু খংথা থাদবদা কায়রেদো। মদুদগী হনুবনা য়োংনাউশিং অদু কোয়তান তান্নরবোইএ, মদুদা য়োংনাউশিং অদু মায়কৈ খঙদনা কায় কায়দুনা চেন্নখ্রে। অদুদগী হনুবা হনুবী অনীদু নুংঙাইনা পানখি।

মথংদা ইতা থাউমৈগী ৱারী

থায়না থায়না মমাঙৈদা হনুবী লুখ্রাবী অমখক য়ূম অমদা লৈরমবোইএ। হনুবী অদু থবক শূবা নোম্বা য়াম্না কল্লম্মী। অয়ূক নুংথিলদা ফি শাদুনা অমদি নুমিদাংদনা মোইথাপ

মশক অমা লেপ্পা ঙম্মী। হৌজিক্কী মতমদা ফাওবা নমথাক, লৌনমগী ৱা অমা পল্লকপদা 'য়োংতাৎ তৌগনু' হায়দুনা হায়নরি। মসিমক হনুবা হনুবী অনীদা য়োংশিংনা তৌথিবা নমথাক অদুদগী শমথরকপনি হায়জনীংই।

অনীশুবা 'ইতা থাউমৈগী ৱারী'-ইতা থাউমৈগী ৱারীদা য়াওরিবা হনুবী লুখ্রাবী অসিগী থবক শূবা নোম্বা কনবা অসিনা মতমদুগী মণিপুরী সমাজ অসি শূবা নোম্বা কন্নরম্মী হায়বসি খঙবা ঙম্মী। মতম অদুদা ইনাক কৈরাক খুনবা ইমুংদা হূরানবা চঙবগী চৎনবী অমা লৈরম্লে হায়বসি হনুবীগী ইমুংদা হূরানবা চঙবা অসিনা ফোঙদোক্লি। হূরান চীষ্টীগী থবক কল্লম্মী হায়বসু খঙবা ঙম্মী। ইতা থাউমৈগী ৱারীদা য়াওরিবা থাউমৈ অসিনসু মতমদুগী সমাজদা থাউমৈ শীজিন্নরম্লে হায়বসি তাকই। মতমদুগী শিষ্টাগী মতাংদা য়েংলুরবসু নুপীশিংনা মোইথাপ নাইবগী চৎনবী, ফি শাবা অসিদসু নত্তনা খুন্নাই অসিগী নাৎকী মশক ওইরিবা য়ূমশারোলদসু মমাঙথোঙ মনীংথোঙ হাপ্পা অসিনা বৈজ্ঞানীক ওইবা য়ূমশা অমা লৈরম্লে হায়বসি তাক্লি। নুমিদাংগী মতম ওইশিল্লক্লগা মণিপুরী খুন্নাইদা অয়ূক-নুংথিল থবক শূরু নোম্লুবগী মোৎলুবা মখোঙ-মখূৎ অদু শেংনা হামদোক চামথোকপা অসিনা হকচাং লূনা নান্না (hygienic) ওইনা লৈনবগী চৎনবী লৈরম্লে। লৈকায় অমদা পামদবা ফত্তবা হূরান চীষ্টীগী থৌদোক অমা থোকপদা লৈকায় ময়াম চঙদুনা ৱারক ৱাতেম্বা কয়া অসিসু মতমদুদগী চৎনরক্লে হায়বসু হূরানববু লৈকায় ময়াম চঙদুনা ফাবা অসিনা তাক্লি। ৱারী অসিনা মতম অদুদা তৌরম্বা থবক অমদি চৎনরোল কয়া খঙবা ঙম্মী।

ৱারোইশিন

মথক্তা পীজখ্রিবা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী অনী অসিনা খুন্নাই অসিগী নাৎকী মশক খরা খঙহনবগী মতাংদা খূদম খরা পীদুনা উৎচখ্রে। মসিমক্না তশেংনা তাক্লে, খুন্নাই অমগী ফুঙ্গাৱারীশিং অসিদা খুন্নাই অদুগী নাৎকী মমি তাই হায়বদু। মণিপুরী খুন্নাইগী শূপ্নতগী ফুঙ্গাৱারী অনীখক নৈনবা অসি ফাওবনসু খুন্নাই অসিগী নাৎকী মশক তাকই হায়বদু উৎচখ্রিবা অসিনি। লীরিবা ফুঙ্গাৱারীগী মতম অদুদা করম্বা চীঞ্জাক চানরম্বগে, করি-করি খূৎশু-খূৎলায় শীজিন্নরম্বগে, করম্বা চৎনরোল, করম্বা য়ূমশারোল করম করম্বা পোৎ-চৈ, করম্বা শিষ্টা পাঙনরম্বগে হায়বসি লায়না খঙবা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা ফুঙ্গাৱারীনা folk belief কী থাজবা folk medicine গী কান্নরবা মচাক কয়াবুসু খঙহনবা ঙম্বা লৌশিং কয়া পীরি। মরম অদুনা খুন্নাই অমগী চীনবুং ৱারী (Oral narrative) শিং অসিনা খুন্নাই অদুগী নাৎকী মশক তাকই হায়বসি চুম্লবা ৱাফম অমনি।

মথক্তা পীজরিবা ফুঙ্গাৱারী অনী অসিদা য়াওরিবা মণিপুরী জাতি অসিগী সংস্কৃতি মচাক অসি কদায় ফাওবা য়াওবগে হায়বদু লৌখৎতুনা পীজরি। অহানবা 'হনুবা হনুবী পান থাবা' দা মীৎয়েং থমজরি- হনুবা হনুবীনা লৈরম্লিবা মতম অসি খুন্দাবা হৌবদা ঙায়রিবা মতম্লি হায়বসি খঙবা ঙম্মী। মরমদি মী য়াম্না লৈতবা মরম্না শাশিংগা লৈমিন্নরম্বা মতম্লি হায়বদু য়োংশিংগা লৈমিন্নরম্বা অসিনা খঙহল্লি। অতোপ্পা মীৎয়েং অমদা য়েংলবসু হনুবা হনুবীনা পান থাদুনা ইংখোল কোইরিবা অসি কলচরনি অদুগা য়োংশিংন তৌরিবা অসিনা নেচরনি হায়না লৌরবসু চূননা থোক্লি। খুন্দা অহানবা হৌরকপা অসি নেচরগা, কলটিভেসনগা অদুম্মক মূক্লে হায়বসি ঐখোয়না খঙনরবা ৱাফম ওইরি। হনুবা হনুবীনা হিঙ্গোল কোইবদা কাঙখূল হন্দুনা থাবা অসিনা মতমদুদা নিয়ম নাইনা ইংখোল কোইরে অমদি লৌউ-শিংউবা, মহৈ-মরোং থাবগী থবক খূমাঙ চাওশিল্লম্লে তাকপনি। হিঙ্গোন্দা অহানবা হৌবা, পানবা পোৎ লাইদা কাৎপগী চৎনবী অসি ঙসি ফাওবা মণিপুরী খুন্নাইদা চৎনরি। হনুবীনা ইরুজরগা চাক থোংবা, হনুবনা ইরুজরগা চাক চাবা অসিনসু মতমদুগী মণিপুরী খুন্নাইগী নাৎকী ওইবা চৎনরোলদু ফজনা খঙবা ঙম্মী। হনুবা পান চাবদা লেঙলবদা হনুবীদা হেন্তাক; হেন্তাক হায়রিবা অসিনা তাক্লিবদি ঙল্লিঙৈ মতমদগী হেন্তাক চাবা হৈনরক্লে মসিদসু নত্তনা অরেঙবা পোৎ চারুরগা হেন্তাক নৎত্রগা ঙারী চারগা ফৈ হায়বসি ঙসিমক চপ চানা শীজিন্নরি অমদি ফোক মেদিসিনগী জ্ঞান অদু মমাঙঙৈগী হৌনা লৈরক্লে হায়বদু তাকপনি। হনুবনা মাবু শিরগা য়োংনাউশিংবু খাঙেনফমদা থাংদোকহল্লু হায়বসিনা মীতৈ খুন্নাই চৎনরিবা ধর্মগী ওইবা অশিবগী মথৌ মশক তাকপনি। হনুবনা শিরগা হনুবীনা কপ্লিবা অসিনা মতমদুগী মণিপুরী খুন্নাইদা মী শিরগা তেংথা-নাওইদুনা কপ্পা মশক অসি উবা ফংলে। হনুবনা চৈতূপ পায়বা অসিনা খুন্নাই অসিদা অহলগী মতম ওইশিল্লক্লবদি অয়াম্বা ইশা ঙাকথোক্লবগী অমদি পাঙ্গল ওইনহবগীদমক চৈতূপ অমা শীজিন্নে হায়বসি খঙবা ঙম্মী। হনুবা হনুবীনা খরুং মনুংদা চঙদুনা লোৎপা অসিনা তাক্লিবদি ঙল্লিঙৈ মতমদুগী মণিপুরী খুন্নাইদা খরুং শীজিন্নরক্লে হায়বসি খঙবা ঙম্মী। মসিদসু নত্তনা খরুং মনুংদা চান-থক্লবা পোৎ লীবগী থবকসু চৎনরক্লে হায়বসি য়োংশিং অদুনা অমুক হল্লক্লগা হনুবা হনুবী থিবা খঙদ্রবদা অরুম্বা খরুং খনবা অসিনা তাক্লি। নুংশিৎ খাইবগী মতাং য়েংলুরগা অসিগুম্বা থবক অসি লৈবাক মীয়াম মমাঙদা তৌবা য়াদবা হঙ্গোইবা থবক অমা ওইবনা তপ্না তপ্না তৌ হায়দুনা হনুবা হনুবী অনীমক্তা হায়নরি। 'হনুবা হনুবী পান থাবগী ৱারী' দা য়াওরিবা খুন্নাই অসিগী নাৎকী মচাক ময়াম অসি য়েংলগা মতম অদুগী মণিপুরী খুন্নাইগী নাৎকী চাউরকপা

উরগা নমু পোংশেমলোনবু নীংশিংবা) নচিংবশিং মথং মথং শেন্নবসু তাইবঙ মশক ওইঙমদ্রবদগী মমৈথংদা মপন পন্থৌগী চেংলৌ শক্তম য়েংলগা তাইবঙ মীবু শেমখি।

সনামহীদি লৈশেম্বগী লাই অমা ওইবতা নত্তনা মৈতৈশিংগী য়ুমথোং খুদিংগী লাইনিংথৌ ওইনসু চেৎনা লুনা লাৎনরিবা লাইনি। মতৌ করম্না সনামহীনা মৈতৈশিংগী য়ুমথোং খুদিংদা ইমা লৈমরেল শীদবীগা পুন্না লৈদুনা লাৎনরকখিবগী ব্রাহং লাকপদা নোংখোং কোয়বগী ৱারীসু নীংশিংদবা ঙমহন্দে। *লৈথক লৈখারোন* গী তুংইন্না তাইবঙ মপুনা মচানুপাশিংগী মরক্তগী নোংখোং কোয়বা হানবনা নিংথৌ থম্বাল শীন্নগনি হায়না তাকপীবদগী মচানুপা অহল অশীবদি মালেম নোংখোং কোয়বা চৎখিরম্মী। সোমদনা মমা লৈমরেন শীদবীনা তাকপীবদগী মনাওনুপা কোনজিন তীংথোকপনা মপাগী ফম্বাল কোয়বদগী পাখংবা মিংথোন্দুনা ফম্বাল কাখি। মালেম নোংখোং কোয়বা চৎখিবা অশীবনা থুংলবা মতমদদি মনাওনুপা পাখংবনা ফম্বাল তোংদুনা লৈরম্না মতৌদুদা সনামহীদি শাউমনখিবনা মনাওনুপাবু ফম্বাল তোংহন্নবা তাকপীবা মীশক অদু নুপা ওইরগনা হাৎকনি অদুগা নুপী ওইরগনা মাগী তালোয়শীংদা চলহনগে হায়না ৱাশকখি :

> ... নিপা ওইরগা তুজুং লালোইপিগে, চেৎনা চুকখোং লাললোয়গে, খঙগনি নুপী ওইরগা খুরক থেক্লা, হেকমাই নাপ লৈথেৎকে অসি খঙনা ৱায়েনগে, নোংজ খংনা ৱাতেমগে নাপ লৈথেৎকে অসি খঙনা ৱায়েনগে ... হৌফম খঙলবদা য়েকসোই নাউন মপুং য়ুমদি নলমগে। (লা: ১৮৩)

অসুম্না অশাউবনা মাঙওইনখিদুনা লাইনিংথৌ সনামহীনা মালেম লৈবাক অসিবু মাঙহল্লগে হায়দুনা নেৎথরকপদা মালেম লৈবাক লৈশাবু মখারোমদা চেপথখি হায়না ফুরুপসিনা থাজনরি। মতমসিদা তাইবঙ মপুনা মচানুপাবু থেমজিল্লদুনা মালেম তাইবঙ পান্দা লৈরিবা য়ুমথোং খুদিংগী মপু ওইনবা তাকপিখি :

> "ঈপারি অহানবা নশানৌ পাখংবগী থম্বাল অসি পিখরবা ফম্বালনী, হনতোকপদি য়ায়রোই ঈপারি নঙগী ফম্বালবু মরাং কায়না লৈরিয়ে, ননাও ফম্বালদী অমতানী, ঈপারি নঙগী ফম্বালদি মরাং কায়না লৈরিয়ে, মালেম তাইবঙপানবা য়ুম্মুং ফম্বালবু নঙগী ওইরে খঙগনী।" (লা: ১৮৯)

লাইনিংথৌ সনামহীদা অচুম্ববু পামজবা, হায়দোকখিবা ৱা ঙাকপা, কনাগুম্বনা অরানবা য়ানিংদবা থবক তৌরকপদা অশাউবা উৎথোরকপা লাই অমনি হায়বসি মথক্কী ৱারীসিনা

মৈতৈ সমাজদা লাইনিংথৌ সনামহি

দা থাংজম ভারত্তী দেবী
দিপার্টমেন্ট ওফ টিচর ইদুকেসন, এম.য়ু

লাইনিংথৌ সনামহী মৈতৈ ফুরুপ্পা কিনা লুনা নীংজরিবা, লাৎনরিবা য়ুমগী লাইনি। লাইনিংথৌ অসি মৈতৈ ফুরুপগী য়ুমথোঙ খুদিংমক্তা লাৎনরি। লাৎনবগী মওংদি য়ুমগী সনথোংপাংবদা ফক নৎত্রগা মাইখন অমনা খাজিল্লগা খুভম য়াদুনা লাৎনৈ, খুভম য়ারিবা কাবু লাইনিংথৌ কা কৌনৈ। লাইনিংথৌ অসি নুং নৎত্রগা অয়েকপা শক্তম ওইনা লাৎনদে, করিগুম্বদা ফম্বাল শাদুনদি লাৎনৈ। লাইনিংথৌ সনামহিদি ইমুং অমগী চাউখৎপা, য়াইফবা, অৱা-অনা, অফ-ফত্ত পুম্নমক তাইনবিরিবা লাইনি। ইমুং খুদিংমক্তা অয়ুক্তা, য়াচংবদা থাউমৈ মৈরা কৎচদুনা লাৎনৈ। লাইনিংথৌ অসি মৈতৈ ফুরুপ্পা য়ুমথোং খুদিংদা করিগীদমক ঈরাৎনরিবা করম্না মতীক ময়ায় চাউরিবা অমদি লাইনিংথৌ অসিগী তৌবা ঙম্বা কয়াগী মরমদা পেপর অসিনা তোঙান-তোঙানবা সোর্স কয়াদগী খোমজিন্দুনা লাম্লোক্লবা হোৎনজে। *চীংঙু অতিংকোক মরু শিদবা, চীংঙু খোইয়ুম অশীবা, চীংঙু তাইবঙ খায়বা, সম্বোঙ পানবা, সম্বোঙ লাইনিংথৌ মহীরেল* হায়রগসু খঙনরিবা লাইনিংথৌ সনামহী করম্না পোক্লকখিবগে হায়বগী মতাংদা 'পুতীন' দা অসুম্না ইরল্লি :

> "শামু ঐগী মালং য়েৎলম থোঙগী খাম্বী মৈ য়াইরিকুম্বা নঙদি তাইবঙ নোংশানগীবু পুম্না লৈতনা মালেম লহৌরা-ও। অসুম্না কোল্লোয় মমিংথোংবু অশীবা-ও সিং থোনখিএ।" (লা:৭৫)

ৱাফমসিগী খঙবদি অশীবা অসি ইমা লৈমরেল শীদবী য়াওদনা চীংঙু খোইয়ুম শিদবা মশামক্কী শমু হকচাংদগী পুথোকখি হায়বসিনি। অতোপ্পা ৱারী অমদনা, চীংঙু খোইয়ুম

নুপীশিং অদুনা পোৎচঙ চৈজংশিং অদু পুদুনা চৎলমদাইদা পুনফম ওইরিবা ইমুং অদুগী লাইনিংথৌ সনামহী অমদি ইমা লৈমরেল শিদবীগী মফমদা লন্বী লমখাঙদা তীনমু লাইমু মায়থোক্লা হনবীগনু হায়না খুরুমজে। হল্লক্লবা তুংদসু অমুক হন্না চৎলুবা মখোয় পুম্নমক খোঙলৌ পল্লৌবা য়াওদনা হল্লক্লে হায়না খুরুমদুনা হায়জগনি। (লা: স. অমসুং স. লা. ঈ, লা:৬৭)

অসুম্না হায়জবা, নীজবদা পীনবিরিবা লাই অসিগী মফমদা অরানবা, ফত্তবা থবক থৌরম কয়ামুক তৌরক্লবদি তুমিন্না লৈথোক্তে, চীংঙু মহাক্কী মতীক মগুণবু উৎথোরকই হায়বসি *সনামহী লাইকন, সনামহী লাইহুই, চৈথারোল কুম্বাব*নচিংবা লাইরিকশিং অমদি ঙসি ফাওবদা লীনরিবা ৱারী কয়ানা তাক্লি। ১৮ শুবা চহীচাদা পানখিবা মহারাজ গরিবনিৱাজ (খৃ: ১৭০৯-১৭৪৮) গী সনা হাক্তক্তা রামান্দি লাইনিং শন্দোকপা লাকখিবা শান্তিদাসকী য়াথংদগী মৈতৈ পুয়া কয়া মৈ থাদুনা মাংহনখি, উমংলাইগী লাই কয়ামুক থুগায়খি। থুগায়খিবশিংগী মনুংদা সনামহীগী কোল্লুসু য়াওখি। মতমদুদা নিংথৌগী মজাইবুংঙো (শ্যামশাই) লাইওং খঙদনা নারকখি মজাইবুংঙোগী অনাববু ফনা লায়য়েংলবসু ফবা কৌবা লৈত্রবদা করি মরমদগী অসুক কন্না নারিবনো থীরকপদা লাইনিংথৌ সনামহীগী কোল্লু থুগায়রুবদগীনি হায়বসি খঙলকপদগী মমৈথংদা অমুক হন্না লাইনিংথৌগী কোল্লু হৈবদগী মজাইবুংঙোগী অনাবা ফখিবগী ৱারী নীংশিংবা য়াই।

অসুম্না লাইনিংথৌ মহাক্কী মতীক মগুণদি শীংথাবগী লোইবা নাইরোই, শীংথারুবা ঐখোয়তনা ৱাৎহৌরগনি। মতীক মগুণ চাউরবা লাইনিংথৌ মহাক্কী মরমদা খরদং খঙননবা হোৎনজবা হায়বসি তরায়বা শিন্থা অমদি নত্তে হায়বসি মথক্কী ৱাফমশিংসিনা শৌগৎলি।

মালেম অসিদা নত্তনা লৈবাক মরোল নিপাল নোংথৌ মরোল তরেৎ শেন্নবা (লা: ৩১-৩২) গুরুনা পীনরকপা লায়রোন 'লৈপী তোমসোন নপফা' নীংশিংলগা অশীবগা মাগী মশাগী তোঙান-তোঙানবা শরুকশিংদগী তাইবঙপান্দা লৈগদবা পোৎলমশিং শেমখিবগী ৱাফম লৈথক লৈখারোন্দা ময়েক শেংনা ইরি :

"... মপুক্লা নোংথৌ ওইএ, মনম্লা লৈপাক ওইএ মমিৎ এৎনা নুমিৎ, ওইনা থা ওইএ।" (লৈ.লৈ, লা: ৩২-৩৪)

মথক্কী ৱারীসিগা মরী লৈননা চাইনাগী লৈশেমলোন্দা পান কুনা অতিয়া, মালেম, তাইবঙ মীনচিংবা লৈশেম্বদগী থৌদাং কয়া মরুম পাঙথোক্লম্লগা শীরবা তুংদা মহাক্কী মমিৎতগী নুমিৎ, থা, মাগী হুমাংদগী নোং অমসুং লিক্লা, খোঞ্জেলদগী নোং খাকপগী মখোল, হকচাংদগী মালেমগী মহৌশাগী ওইবা পোৎলমশিং থোক্লকখিববু নীংশিংদবা ঙমদে। অদুম ওইনমক চাইনাগী লৈশেমলোন্দা পান কুগী মশাদগী তাইবঙপান্দা চঙলিবা পোৎলম কয়াসি মহাক লৈত্রবা তুংদা শেম্বগী ৱাফম থেংনৈ অদুগা মৈতৈগীদদি অশীবনা তাইবঙ শেম্বা, তাইবঙপান্দা লৈগদবা, পোৎলমশিং শেম্লবসু শীবগী ৱাফম থেংনদবসিনি।

মৈতৈগী লৈশেমলোন্দা অশীবনা পাঙথোক্লিবা থৌদাংদি মসিনসু লোইদ্রি। মালেম লৈশেমদুনা, তাইবঙপান অসিবু লৈরকপা য়ানবা মহৌশাগী পোৎলম কয়া শেম্বখক নত্তনা তাইবঙসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা তাইবঙ মীবুসু শেম্বীরিবা লাই অমনি হায়বসিসু চীনবুংখক্তদা নত্তনা অইবা ওইনা ইথোকপিরম্লবা লাইরিক কয়ানা খুদম চাংদম ওইদুনা ঙাম্নেইরি। *লৈথক লৈখারোন* তাইবঙ মপুগী য়াথং তুংইন্না মহাক্কী মশক মওং য়েংলগা অশীবনা তাইবঙ মী শাখি হায়না ইরম্মি (লা: ৩৯)। ৱারী অসিদগী খরগা ময়েক শেংনা কুপথনা *লাইয়িংথৌ লাইরেম্মাশিংগী ৱারী শীংবুল* লাইরিক্তা তাইবঙ মপুগী য়াথংদগী অশীবনা তাইবঙ মী শানবা তাঙ্খক কয়ারক হোৎজবগী মশক অমদি থেংনরি। অহানবগী তাইবঙ মী অদুদি কয়াৎ শরু পান্দবা চেংলৌ শক্লাইদবা ওইবদগী মপন পন্থৌনা য়াইবী মথৱায় হাপ্পীরগা তিনবী তিনথোক কৌনা মালেম লৈহাউ শেম্নবা মালেম লৈয়োন চারগা হীংলসনু হায়না মালেম লৈমায়দা থাদোকখি। অসুম্না মথংদসু লেমলৈ ঙমু (মীওইবগী অৱা-অনা পুদুনা উশিন ঙাবু ওইনবা), হংঙোই (তাইবঙদা লাক্লগা ইঙা কুমদম্নবা, ইঙেন কুমখায়নবা), চেক্লা মকু (তাইবঙদা খমুং পাউজেন্নবা খম্লে পাউতাক্লবা) তেকপী ওক্লেন (কংফালদা লৈহনখি, মীওইবগী ঈরাৎ থৌরম লাকপদা শরেল শা ওইনবা) য়োং (মহাক

নুপীশিং অদুনা পোৎচঙ চৈজংশিং অদু পুদুনা চৎলমদাইদা পুনফম ওইরিবা ইমুং অদুগী লাইনিংথৌ সনামহী অমদি ইমা লৈমরেল শিদবীগী মফমদা লম্বী লমখাঙদা তীনমু লাইমু মায়থোক্লা হনবীগনু হায়না খুরুমজে। হল্লক্লবা তুংদসু অমুক হন্না চৎলুবা মখোয় পুন্নমক খোঙলৌ পল্লৌবা য়াওদনা হল্লক্লে হায়না খুরুমদুনা হায়জগনি। (লা: স. অমসুং স. লা. ঈ, লা:৬৭)

অসুম্না হায়জবা, নীজবদা পীনবিরিবা লাই অসিগী মফমদা অরানবা, ফত্তবা থবক থৌরম কয়ামুক তৌরক্লবদি তুমিন্না লৈথোক্তে, চীংঙু মহাক্কী মতীক মগুণবু উৎথোরকই হায়বসি *সনামহী লাইকন, সনামহী লাইহুই, চৈথারোল কুম্বাব*নচিংবা লাইরিকশিং অমদি ঙসি ফাওবদা লীনরিবা ৱারী কয়ানা তাক্লি। ১৮ শুবা চহীচাদা পানখিবা মহারাজ গরিবনিৱাজ (খৃ: ১৭০৯-১৭৪৮) গী সনা হাক্তক্তা রামান্দি লাইনিং শন্দোকপা লাকখিবা শান্তিদাসকী য়াথংদগী মৈতৈ পুয়া কয়া মৈ থাদুনা মাংহনখি, উমংলাইগী লাই কয়ামুক থুগায়খি। থুগায়খিবশিংগী মনুংদা সনামহীগী কোল্লুসু য়াওখি। মতমদুদা নিংথৌগী মজাইবুংঙো (শ্যামশাই) লাইওং খঙদনা নারকখি মজাইবুংঙোগী অনাববু ফনা লায়য়েংলবসু ফবা কৌবা লৈত্রবদা করি মরমদগী অসুক কন্না নারিবনো থীরকপদা লাইনিংথৌ সনামহীগী কোল্লু থুগায়রুবদগীনি হায়বসি খঙলকপদগী মমৈথংদা অমুক হন্না লাইনিংথৌগী কোল্লু হৈবদগী মজাইবুংঙোগী অনাবা ফখিবগী ৱারী নীংশিংবা য়াই।

অসুম্না লাইনিংথৌ মহাক্কী মতীক মগুণদি শীংথাবগী লোইবা নাইরোই, শীংথারুবা ঐখোয়তনা ৱাৎহৌরগনি। মতীক মগুণ চাউরবা লাইনিংথৌ মহাক্কী মরমদা খরদং খঙননবা হোৎনজবা হায়বসি তরায়বা শিন্থা অমদি নত্তে হায়বসি মথক্কী ৱাফমশিংসিনা শৌগৎলি।

ইবুধৌ ইরুম নিংথৌগী থাজব্বারী

দা ক্ষেত্রিময়ুম শান্তা সিংহ
ককচিং

অঙনবা মতমদা তাইবং মীওইবনা মফম অমদগী অমদা কোয়চৎ চত্তুনা নোংমগী অফং অফংবা চারগা লৈকু লৈরাইদা উখোং ৱাখোংদা পুন্সি লেল্লকখি। মতমসিদগী হৌনা মহৌশা খুৎশেমগী খোইদোকপা, উ-ৱা, নুঙ, চীং, পাৎ, তুরেলনচিংবা পোৎলমশিংবু তৌবা ঙম্বা মতিক ময়াই চেল্লি হায়না অচেৎপা থাজবগা লোয়ননা লুনা নীংনরকখি। অসিগুম্বা অরুবা মতিক ময়াই কয়া অসিগী নাপল্লবা তাইবংদা লেপ্তুনা উৎপিরি। তোঙানবা মীওই ফুরূপশিংগী মনুংদা থোকখি হায়না লৌনবা অরুবা মতিকশিংগা শাগোন্নবা থৌদোক ৱারী কয়া অচেৎপা থাজনবী অমগা লোয়ননা চীনবুংদা মথং মথং থংথরক্তুনা ঙসি ফাওবদা চৎথরি। থাজব্বারীশিং অসিনা খুন্নাই অমগী, মীওই ফুরূপ অমগী হৌরক ৱারী, নাৎ, চৎনবীনচিংবগী মশক লেপনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি নীংই। মরম অসিনা সেমিনারগী চে অসিদা অচেৎপা থাজনবী অমা লোয়ননা ঙসি ফাওবদা লীন-ঙাঙনরকলিবা ককচিংগী ইবুধৌ ইরুম নিংথৌগী মতাংদা থিজিনবদগী ফংলকপা ৱারোল খরদং থমজরি।

মৈত্রবাক্কী মফম কয়াদা মৈহৌরোন্দগী থোইদোক্লা মহী ময়াই কল্লবা উমংলাইশিংগী খূভম য়াদুনা ঈরাৎ থৌনি পাঙথোক্লরকই। মৈদিংঙু পামহৈবনা পানবা মতম (ইং ১৭০৯-১৭৪৮) দা শান্তদাসকী থৌইনশিন্দগী হিন্দুগী রামান্দী লাইনীং লৌহন্নবা হোৎনরকপদা ইপা-ইপু হাক্তক্তগী লাৎনরকলবা উমংলাইশিংগী খূভম থুগায়দুনা মাঙহনখি। অদুবু উমংলাইশিংগী অরুবা মতিক খঙলবা তন্না অমুক শেমজিনখি হায়বসি পুৱারীদা ময়েক শেংনা তাক্লি। অসিগুম্বা তোঙানবা মফম মতমশিংদা থোইদোকপা মতিক উত্তুনা লাকখিবা উমংলাইশিংগী মনুংদা ককচিংগী ইবুধৌ ইরুম নিংথৌসু অমনি।

৭২

ইম্ফালদগী খা-মৈরম পাংবদা কি.মি ৪৫ রোম চৎলগা লৈবা ককচিং খুনফমদা মৈহৌরোল্দগী ইবুধৌ ইরুম নিংথৌবু চেকশিন্না লুনা ঈরাৎনরকখি। মতিক লৈরবা লাই অমগী মরমদা খরদং খঙনবা হোৎনবদা অরায়বা নত্তে। অদুবু অহন-লমনশিং উনজরুবদা ইবুধৌ অসি পাখংবগী লাইচৎনি, ইবেনথৌগী মিংখৈনা হৈরেম লৈমা পোংনু লাইরেম্বী কৌই হায়না তাকপিরকই। মতাংসিদা কুম অমগী হরাউবা নৎত্রগা থৌনিগী থৌরমশিংদা শীজিন্নবা ইবুধৌগী থেলোন অমত্তং থমজরি। মদুদি :-

ইরুম নিংথৌ লমাবা
হৈরেম লমঙাকপা
খুঞ্জাল লমশেনবা।
হৈরেমনা পুঙমথক্তা থেমনা থেৎপা॥
খুঞ্জাল পুঙদা থোনবা
তুবী কোক্লী লোংবা।
তুবী কোক্লেন লোংবা
তুবী কোক্লেন পাংবনা
কবো তুরেৎ মাকলংদা চাকতাবা,
লাইরেন কোক্লেন পাংবনা বরাক তুরেন্দা চাক্তাবা
তুবী য়েকশু য়েকশোইদবা
নচীনা চীরেল য়েৎলোমদা
সনা লোংখুম পাঞ্জল হুকপা,
তুবী চীরেল ওইরোমদা
লুপা পাঞ্জল হুকপা
চুবী চীনা হেনবা
লাইরেন লুনা ৱাংবা
ইবুধৌ ইরুম নিংথৌ লমাবা॥

(তাকপিরকপা : ক্ষেত্রি অতো, মাইবা)

মসিদগী ইবুধৌ অসি থোইদোক্লা মতিক ময়াই লৈবা, লিরবা লাই অমনি হায়বসি তাক্লি। ককচিং হায়রিবা কাঙলূপ অসিনা মফমসিদা খুন্দারদ্রিংঙৈ চহী চা কয়াগী মমাংদগী হৈরেম খুঞ্জাল হায়বা মীওই কাঙলূপ অমনা হান্না খুন্দারল্লে। অদুগুম্বা হৈরেম খুঞ্জাল কাঙবুবু ইবুধৌনা চেকশিন্না ঙাকপি শেনবীরম্মী অমদি, মখোয়নসু ইবুধৌবু অমত্তা ঙায়রবা লাই ওইনা কিন্না লুনা লাৎচরম্মী। মৈদিংঙু থৌৰাঙ্খাবনা (ইং ১১৯৫-১২৩১) খূমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবগা লোয়ননা লান্দারকপদা হৈরেম খুঞ্জাল তাক্লা তুন্না খুল্লিং খুন্দাবা ঙমদনা মাঙখি। খুনগায় লান্নং থোকখ্রবসু কোন্না খুন্দারখিবা ককচিং কাঙবুনা ইবুধৌগী মতিক ময়াই খঙবদগী অমুক হন্না লাৎচরকখি। ককচিংখক্তদা নত্তনা তোঙানবা মফমশিংদসু ইবুধৌবু ইরাৎপা থেংনৈ। ইবুধৌগী লমখৈ অসুক্কী মতি পাক চাওই হায়বসি মথক্কী থেলোন অসিদগীসু ময়েক লানা খঙবা ঙম্মী। মৈত্রেবাক্কী থম্না থম্বাল হৌবা মফম খুদিং ইবুধৌগী শান্নফমনি হায়না থাজনরকই।

ককচিং খুল্লেন্দা লাইশং শাদুনা লাৎলিবা ইবুধৌ ইরুম নিংথৌ অসি অপুনবা য়ুম্নাকশাগে তরামাথোইনা সেবা ফংজরি। য়ুম্নকশিং অদুদি, নোংমাইথেম, মোইরাংথেম, থোকচোম, পুখ্রম্বম, নিংথৌজম, সলাম, য়েন্দ্রেম্বম, খুমুকচম, য়াম্বেম, হৈরাংখোংজম অমদি সন্দিনবমনি। মসিগী মনুংদগী নোংমাইথেম শাগৈনা লাই পান্নবা, লাইশংবা ওইনা ঙসি ফাওবা লৈরকলি। হৌজিক ককচিং মোইরাংথেম লৈকাই, তুরেল অচৌবা পরেংদা লৈবা নোংমাইথেম রাবৈনা লাইশংবা ওইনা লাৎচরি। লাইগী ওইবা তঙায়ফদ্রবা থৌরমশিং কমিটি অমগী মখাদা পাঙথোকই। ককচিং খুল্লেন ময়াই লৈকাই অমদি তুরেল অচৌবা হায়নসু খঙনবদা লৈবা ইবুধৌগী লাইশঙগী অৰাংদা লৈরিবা লম্বী অসিদা লুহোংবা চৎপা, থিনবা তৌনরক্তে অৰা-অনা তাগল্লি হায়না থাজনরকই। লাইশংগী নোংপোক অমদি নোংচুপ্তা লৈবা লম্বীশিং অসিদদি চৎপা তারবসু লাইগী মনাক য়ৌশিল্লকপগা থিল্লম্বা খোংলম্বা পুম্বা লেপ্লগা, পৈশা কত্তুনা তুমিন্না চৎনৈ। ইবুধৌগী মফমদা তুলসি, কুঙো, কৃষ্ণনাকোং, লৈবাক্কে, থাঙ্গ লৈহউনচিংবা লৈশিং অসি কৎনরক্তে, কৎলুরবদি ফত্ত-নুংদা নংগল্লি হায়নৈ।

ককচিং খুনগী নোংপোক অমদি নোংচুপ্তনা তেজপুর, লাইমনাইগী মমাংথংবা শরুক্তা ইরুম তুরেলগী মরিন লৈ। ব্রহ্মা সুগু লম্বীনা ককচিং ইরুম মরিন লান্দুনা চৎলি। ইরুম থোং হায়না খঙনবা থোং অসি লানবদা গারী থৌরিবা তোংলিবা খুদিংনা পৈশা কত্তুনা খুরুম্নরকই। মসিনা চৎলিবা থবক অদু অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা মাইপাকপা ওইহল্লি

হায়না লৌনরকই। ইরুম মরিন অসিদা পোং, হি তোংদুনা হনগৎ হন্দা হোন্দুনা শান্নবা, ঈরুজবদা চিন্না হকথেংননা ঈশিং উমদুনা কাম্বা তৌনদে। মসি তৌরুবদি ইধৌ থেংনগল্লি, অনা অয়েক নংগল্লি হায়নৈ। মতমগী য়াওন্না ইরুম মরিনগী ফিভমদা অওনবা কয়া লাকখ্রবসু ইবুধৌ ইরুম নিংথৌগী হান্না কৎতনা মফমসিদগী থম্না থম্বানল হেক্তমক থৎনরক্তে থোইদোক্না অৱা-অনা তাগল্লি অশী-অনা ফাওবা নংগল্লি হায়না থাজনরকই। করিগুম্বদা খঙদবদগী থৎলুরবসু থম্মোয় শেংনা হায়জদুনা তন্না অমুক হেক্লকলিবা মফমদুদা থিন্দোকনৈ। কনাগুম্বনা তঙায়ফদনা থম্না থম্বালনচিংবা হেকপা তারবসু শেন লুপা অমত্তং কৎচদুনা খুরুমজদুনা হেক্লবদি অফবা ওই হায়নরকই। ইবুধৌগী তুরেলসিদা খোইচোপ্পা, ইন থাদুনা ঙা ফাবদসু ইবুধৌবু খুরুমজদুনা পাঙথোক্লরকই। অদুবু ঙা ফাবদা অপেনবা নাইদনা অহেনবা তান্দুনা লৈরবদি ফত্ত-নুংদ থোক্কলি থাজনৈ। মফম মতম চাদনা ইরুম তুরেলদগী কারকপা, ফারকপা চাওথোই হেন্থোইবা ঙাশিং হাৎলুবা চারুবা তৌনদে নীংথিজনা থাদোকনৈ। করিগুম্বদা থৌশাদনা নৎত্রগা খঙদদুনা অদুগুম্বা ঙাশিং চারুবদগী অশি-অনাগী থৌদোক ফাওবা নংখি হায়না থাজৱারী কয়া লীনরি।

ককচিং খুনগী নোংপোক চীংখৈদা ইরুম তুরেনগী মপান্দা লাই উমং হায়বা মফম অমসু লৈ। মসি উ-ৱাশিংনা য়োমশিন্দুনা লৈবা অশোঙবা মফম ওইবতা নত্তনা ইবুধৌ ইরুম নিংথৌগী অশেংবা খূভম লৈ হায়না লৌনবদগী কিনবনা কনা অমত্তা চঙনরমদে। কুম অমগী ইবুধৌগী হরাউবদা মফমসি তানা লাক্তুনা লাই ঈগৌনরকই। লাই উমং অমদি মসিগী অকোয়বদগী উ-ৱা য়ানবা, হৈ-লৈ থৎপা, উচেক-ৱায়া হাৎপনচিংবা তৌনদে অৱা-অনা নংই হায়না কিনা লুনা লৌনরকউ। অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা লাই উমংদা চংদুনা শা-উচেক হাৎলুবা অমাং-অশোয় তৌশিল্লুবা শিফাই লাম্নী কয়া অৱাবা খুদোংথিবা অমদি অশি অনী ফাওবা নংবা য়াওখি থাজনরকই। খুনসিগী খুঞ্জাশিংসু খঙনা নৎত্রগা খঙদন মফমসিদগী শীং চল্লুবা অমদি চন্দুনা পুরক্লবা শীং খায়দুনা মৈ থারুবদগী লৈখিদবগী থৌদোক ফাওবা থোকখি হায়না চীনবুংদা ৱারীনরক্লি। অদুগুম্বা লাইগী শীং অদু য়ুমদা থম্বা কিনবনা লাই উমং য়ৌনা অমুক থিন্দোকনৈ। মতিক ময়াই চাউবা ইবুধৌগী মফমদা খঙদা উদবদগী লমজরুবা, ফিজি ফিনা নেৎলুবা অমদি ইবুধৌবু শঔম ওইনা শকফম ওইনা ওক্লরুবদগী অনা লাইওং খঙদনা নারক্লবদা ইবুধৌগী লাইওং লাইশক খঙবা অমাইবা অমাইবীশিংনা হৈথা লৈথাগা লোয়ননা খয়োম চবোন থাদোকচরবদি তিনকোক লাইকোক্তুনা

মওংদা ঐতিহাসকি, পৌরানিক অমদি ফোক প্লেনচিংবা কন্না ইনরকখি। মতমসিদা থোরকখিবা অইবশিংনা লমদমসিগী হান্না লৈজরম্লিবা ফোক নেরেটিভশিংদগী মচাক লৌবদা নত্তনা হিন্দু ধর্ম্মগী লাইনীং লাইশোলগা মরী লৈনবা ৱারী কয়া লৌদুনা লীলা কয়াসু ইনরকখি। খুদম ওইনা মখোয়না *রামায়ণ, মহাভারত*নচিংবদগী মচাক লৌরগা মিথোলোজিকেল প্লে কয়া ইনরকখি। মতমসিদা থোরকখিবা অইবীশিংগী মরক্তা সোরোকখাইবম ললিত সিংহ (১৮৯৩-১৯৫৫) না 'সতী খোংনাং' (১৯২৮), 'খম্বা শামু খোঙয়েৎপা', 'মাইনু পেমচা', অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎ (১৯০৭-১৯৪৪) না 'মোইরাং থোইবী' (১৯৩৫) অশাংবম মীনকেতন (১৯০৬-১৯৯৫) না 'সীতা বনবাস' (১৯৩৬), 'তোনু লাইজিংলেম্বী' (১৯৪৯) নচিংবা ফোক নেরেটিভশিংদগী মচাক লৌবা দ্রামাশিং ইরকই।

অনীশুবা লাঞ্জাও মতুং হুম্ফুগী মতম অসিদা হাওবম তোম্বা (১৯০৮-১৯৭৬) অমসুং সরাংথেম বরমণি (১৯২৮-২০১৩) নচিংবনা চীনবুং ৱারীদগী মচাকশিং লৌদুনা ফোক প্লেদা মায়পাক্লা খুৎ থারকখি। অইবা অনীসিগী লাইরিক ওইনা ফোঙলবা ফোক দ্রামাশিংদি - মথংশিংনা *তাম্না*(১৯৬৪), *পিদোন্নু*(১৯৬৪), *শায়োন শাফবা*(১৯৬৫), অমসুং *হাওরং লৈশং শাফবী*(১৯৫১), *তোনু লাইজিংলেম্বী*(১৯৫৭), *কেগে লমজা* (১৯৫৮), *শনুলেম্বী* (১৯৬২), *পুরেম্বা* (২০০৫), *খম্বা থোইবী* (২০০৬), *খমু* (২০০৬), *ঙাংখরৈমা*(২০০৬), *হাওনু কৈশিতোম্বী*(২০১০) নচিংবনি। ময়াংলম্বম বীরমঙ্গল (১৯০৯-১৯৭৯) নসু *'খম্বনা কাও ফাবগী কংলা ৱায়েল'*(১৯৬৪), *চীংঙু খোংনাংথাবা*(১৯৬৬), *শিজ লাইওইবী*(১৯৬৬), *হেঞ্জুনহা*(১৯৬৯), *য়াইথিংকোনু* (১৯৭০), *খমনু*(১৯৭০), *তোনু লাইজিংলেম্বী*(১৯৭২) অমসুং 'কর্ণগী তর্পন' নচিংবা ফোক নেরেটিভসকী মচাকশিং লৌদুনা লীলা কয়া শাগৎলকই। মতমসিদা ইনরক্লিবা লীলাশিং অসি ফোক নেরেটিভসকী ৱারী অদু চপ চানা লৌদুনা অইবশিংনা লীলাগী মেদিয়মদা পুথোক্লবা হোৎনবনি। মখোয়না মরুওইনা মিথ অমদি লেজেন্দগী ৱারীশিংনা লীলাগী থিম ওইনা লৌরম্মী। ফোক প্লেগী ৱারীশিং অসিদি অয়াম্বনা ঐখোয়গী ইনাক খুল্লবা লোক সাহিত্যগী পুক্কে ওইরিবা মোইরাং শায়োনগী ৱারীশিংদগী লৌখত্তুনা ইবনি। অইবশিং অসিনা চপ মান্নবা ৱারী অমবু লৌখত্তুনা মশা মশাগী ওইবা মওংদা ইথোকপসু তৌরম্মী। খুদম ওইনা 'তোনু লাইজিংলেম্বী' অমদি 'খমনু' গী ৱারী অসি লৌখত্তুনা সরাংথেম বরমণি অমসুং ময়াংলম্বম বীরমঙ্গলনা ফোক দ্রামা ওইনা পুথোরকই। চপ-মান্নবা ৱারী অমবু তোঙান-তোঙানবা অইবশিংনা লৌখৎলিবগী মরমদি চীনবুং ৱারীশিং অসিগী মগুণননি।

মণিপুরী ড্রামাদা চীনবুং ৱারীগী মফম

দা লোংজম শাঙ্গীতা দেবী

চীনবুং ৱারীশিংনা মণিপুরী সাহিত্যদা কল্লিবা মফমসি য়াম্না পাক চাউখ্রে। মসিনা সাহিত্যগী তোঙান-তোঙানবা মচলশিং শৈরেং, ৱারেং, ৱারীমচা, ড্রামা, নোভেলনচিংবদা তোঙান-তোঙানবা শায়োন কয়া তৌদুনা চঙলকই। মণিপুরী ড্রামাদসু চীনবুং ৱারীগী মচলশিং হায়বদি মিথ, লেজেন্দ, ফোক টেলনচিংবদগী ৱারী নৎত্রগা মচিশিং লৌদুনা ড্রামাটিষ্টশিংনা মখোয় মখোয়গী হৈনজবা অমদি পামজবা মওংদা ড্রামাগী মথেল অমা ওইনা পুথোরকই। খরা মিথোলোজিকেল প্লে ওইনা, খরনা ফোক প্লে ওইনা খরনা ওইনা খরনা এক্সপরিমেন্টল প্লে ওইনা লাম্থোরকই।

খৃষ্ট কুম ১৯০২ দগী লমথাবা হৌখিবা মণিপুরী প্রোসিনিয়ম থিয়েটরগী খোঙচৎ অসি অহানবদা মীরমগী ৱারী কয়া বাঙ্গলা লোন্দা অমদি মৈতৈলোন্দা হন্দোক্নুনা শান্নরম্বদগী খৃষ্ট কুম ১৯২৫ দা লাইরেনময়ুম ইবুঙোহলনা মৈতৈলোনগী অহানবা লীলা 'নরসিংহ' (১৯২২) ইদুনা শান্নরকপনা মণিপুরী ড্রামা খোঙচত্তা অচৌবা অহোংবা অমা লাকখি। লীলা অসিনা শৈহৌ ওইরগা মমালোন্দা লীলা ইবা অইবা কয়া থোরকখি। মখোয়গী খূৎইদা ঐতিহাসকী, পৌরানিক, ফোক অমদি সামাজিক্লচিংবা লীলা কয়া ইরকখি। অনীশুবা লাঞ্জাও (১৯৩৯-১৯৪৫) গী মমাঙ ফাওবদা মরুওইনা ইনরম্বা লীলাগী থিমশিংদা অয়াম্বনা ঐতিহাসিক, পৌরানিক অমদি ফোক ড্রামাশিংনি মতমসিদা ইনরকপা সামাজিক প্লেশিংদি খূৎ থেক্নুনা পাবা য়ারি। ইতিহাসিক থোকখিবা থৌদোকশিং অমদি চীনবুংদা হান্না লৈজরম্লিবা ৱারীশিং মরুওইনা মিথ, লেজেন্দনচিংবদগী মচাকশিং লৌদুনা ড্রামাটিষ্টশিংনা য়াম্না পামজবা

নুংঙাই য়াইফ ফংজে হায়না থাজনরকই। ইবুধৌ ওক্লবদি হায়জ চঙজরগা ফত্ত-নুংদ কোকপি অদুবু মনাই কুম্বীতাবা থেংনরবদি খুদোংথিবা ওইগল্লি। কুম অমগী ওইবা হৢাউ মথোই কাবগী থৌরমদসু মনাই কুম্বী তাবগী হান্না হৈকৎ-লৈকৎ তমদবা য়াদে হায়না লুনা লৌনরকই।

ইবুধৌ ইরুম নিংথৌবু কিনা লুনা লৌনরকলবসু মহাক্না পেনবীরবদি অরুবা তানফমশিংদগী কনবীদুনা থৌজানবী। খূদম ওইনা, শেঙ্গাও যত্রানা অঙাং ওইরিঙৈদগী ইবুধৌবু চেৎনা নীংজরকপনা মহাক্কী পুন্সিগী অরুবা মতাং কয়াদা তেংবাংবীদুনা থৌজানবীখি হায়না থাজনরি। করিগুম্বদা লম্বী লম্ফাংনবা নৎত্রগা অহিংগী অমম্বা মরক্তা নাইতোম চৎপশিংনা কিবনা খোঙথাংবা থোক্ত্রবদা ইবুধৌবু নীংজরবদি খোঞ্জেল ওইনা নৎত্রগা শক্তম ওইনা মাঙদা তুংদা ইন্নবীদুনা অকিবা কোকহনবীদুনা মতেং পাংবী হায়না চেৎনা থাজনরকই। অসিগুম্বা ইবুধৌবু লাইওক্লরবগী অৱাবা খুদোংথিবা তাখিবা অমদি চেৎনা নীংজরুবদগী মাঙদা তারগদবা অৱা-অনাশিংদগী কনবীদুনা য়াইফ থৌজনবীখিবগী ৱারী কয় খুঞ্জাশিংগী পুন্সিগা শাগোন্নদুনা লাকলি ঙসিসু।

ঙসিগী মতম অসিদা হীরম খুদিংদা চাওখৎপগী থাক অমদা লৈরবসু, মহী ময়াই চেনবা পোৎলমচৈরম, মী লাইনচিংবগী থাজ ৱারী কয়া মরাং কায়না লৈরি। ৱারীশিং অসিগী নুংদা খুন্নাইচাশিংগী ওইবা থোইদোক্লা কান্নরবা মচাকশিং তুংদুনা লৈরম্বা থেংনৈ। থাজৱারীশিং অসিবু মওং মরিল নাইনা নৈনরুবনা মমল য়াম্লবা মচাক কয়া ফংহনবগা লোয়ননা তুংগী মীরোলশিংদা ৱাখল লৌশিং ওইহন্দুনা, কান্নবা ফংহনবা ঙমগনি।

তান্নজখিবা মীওইশিং :

১) নাওরেম অচৌ, চহী ৭৩ (মাইবা)

২) ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্র, চহী ৭০ (সেক্রেটরি পিপলস, ম্যুজিয়ম ককচিং)

৩) ক্ষেত্রিময়ুম অহঞ্জাও, চহী ৭৫ (পেনা খোংবা)

৪) নোংমাইথেম রাবৈ, চহী ৫৫ (লাইশঙবা)

৫) ক্ষেত্রিময়ুম অতো, চহী ৫০ (মাইবা)

৬) ময়াংলম্বম ইবোহল, চহী ৮৩, ইরুম মপাল

৭) ক্ষেত্রিময়ুম নিংথেম, চহী ৫১ ইরুম মপাল

অঙনবা মতমগী মণিপুরী ড্রামাশিং অসি অয়াম্বনা ষ্টেজদা উৎনবা ওইনা ইরম্বনি। অদুনা লীলাশিং অসি ষ্টেজদা উৎখ্রবা মতুংদা কায়নথংদা লাইরিক ওইনা পুথোক্লরকপনি। লাইরিক ওইনা পুথোক্লরক্লিবা অসিসু মশীং য়াম্না লীকই। মতমসিদা মীয়াম্না ফোক প্লেবু য়াম্না পাম্না য়েংনরম্মী। লীলা মখলসিগী তোঙানবা ৱাঙাং-শাঙাং ফিজেৎ, এক্তিং তোপ্পা লৈ। লীলা অসি ইহান হান্না লান মমাঙ খৃষ্ট কুম ১৯৩৯ দা এম দি য়ু দা উৎখি, মসি সোরোখাইবম ললিতনা ইবা 'খম্বা শামু খোঙয়েৎপা' হায়বদুনি। মসিগী মতুং তারকপদা খৃষ্ট কুম ১৯৫৪ দা নেসনেল ড্রামা ফেষ্টিভেলদা সরাংথেম বরমণিনা ইবা এম দি য়ুগী 'হাওরং লৈশং শাফবী' না ফোক কেতেগোরীদা অহানবা মনা ফংদুনা ভারতকী থিয়েটরদা অচৌবা মফম অমা কনবা ঙমখি। অসুম্না খরা ঙল্লিঁঙে মতমদদি ফোক ড্রামাবু ভাবকশিংনা পাম্না য়েংনরম্বদা নত্তনা মণিপুরী ফোক ড্রামাগী অইবসু মরাঙ কায়না লৈরম্মী। খরা থেংথরক্লবা খৃষ্ট কুম ১৯৭০ গী মতম অসিৱাইদগীদি হিরমসিদা থৱায় য়াওনা খুৎ থাবা অইবগী মশীং তাঙলে অদুগা ষ্টেজদা পর্ফোমেন্স পীরকপসু য়াম্না তাঙনা থোক্কে, ভাবোকশিংনসু থোইদোক্লা পাম্নবা লীলা মখল অমা ওইরক্রে।

ওরেল নেরেটিভসতগী ৱারী লৌরগা শান্নবা লীলাশিংগী মরক্তা মোইরাং পবর্ব হায়না খঙনরিবা শুমাঙ লীলাগী মখল অসিসু অমনি। মসি চাউরাক্লা তরামাপনশুবা চহীচাগী অথেংবা শরুক্তগী শান্নরে হায়না খঙনৈ। লীলা মখল অসি খম্বা থোইবীগী ৱারীদগী উৎপদা নুংঙাইগদবা তাঙ্কক তাঙ্ককশিং অদু খনগৎতুনা ইন্দিজেনস ওইবা ফোক পর্ফোমিং আর্টশিংদগী মচাক লৌরগা শান্নবনি। লীলা মখলসিগী অইবা অমদি স্ক্রপ লৈতে, মসি তম্বীরিবা ওজা অদুনা এক্তরশিং অদুদা চাউরাকপা ৱারী অমা লীরগা এক্তরশিংনা মশা মশাগী হৈজবা টেলেন্টশিং পুথোক্তুনা শান্নবনি। মসি টোটেল থিয়েটরগী মশক্নি। এক্তরশিং অসি পেনাগী শৈশক, খুলং ঈশৈ, জগোয়, থাং-তা, ফাগি, এক্তিং হৈবা মশা মশানা ষ্টেজদা তৌজগদবনা মথক্তা হায়রিবা অতৈ কলাগী মশকশিং অসি হৈত্রবদি লীলা মখল অসি য়াওবা য়াদে। মরম অদুনা লীলা অসি এক্তরগী থোইদোকপা হৈশিংবা য়াম্না মরুওই। লীলা অসিগী ৱাঙাং, খুৎচৎ, এক্তিং, ফিজেৎ তোপ্পা লৈ, মসি ফোক প্লেগসু খরা মান্নবা মশক অমনি। লীলা মখল অসিদা মরুওইনা লৌখত্তুনা শান্নরম্বা তাঙ্ককশিংদি লমজেল, ফি-ৱায়বা, লৈ-লাংবা, কাও-ফাবা, শামু খোঙয়েৎপা, কংলা বিচার, লোইকুম-লোইকা অমসুং কৈ-ফাবনচিংবনি। লীলা মখল অসি মতম অমদা য়াম্না পাম্নরম্লবসু হৌজিক্তি ফোক ড্রামগুম্না শিথরক্লে, লীলা ফেষ্টিভেলগুম্বদা

নুপী লীলা পার্টি খরনা উৎলিবা অসি মঙাইরে। ফোক প্লেগুম্না লীলা মখল অসিগী এক্তরশিং লৈরক্ত্রে অমদি ভাবকশিংনা অদুক য়াম্না পাম্না য়েংনবা লীলা মখল অমা ওইরক্ত্রে।

কুনশুবা চহীচাগী হুস্ফুতরাগী মতম অসি মণিপুরী দ্রামাগী ইতিহাসতা য়াম্না মরুওইবা পন্দুপ অমনি। মতমসিদা ভারতকী অফাওবা দ্রামাটিষ্ট বাদল সরকারনচিংবা লাক্তুনা ৱার্কশোপনচিংবা তৌরখি। কাহ্নাইলাল অমদি নেসনেল স্কুল ওফ দ্রামাদগী সনখ্য ইবোতোম্বী, রতন থিয়াম্নচিংবা থোরক্তুনা (Theatre of the Roots) হায়দুনা অতোপ্পা থিয়েটরগী খূৎই অমা হৌদোরকখি। অইবশিং অসিনা মশাগী অনৌবা মশক অমা থিবগী খোঙচত্তা চাংয়েং লীলা কয়া ইনরকখি, মখোয়না ফোক ত্রেদিসন অমসি ফোক নেরেটিভসকী মচাকশিং লৌরগা মদুবু সিম্বোল ওইনা মেটাফর ওইনা অমদি মনুংগী ইসেন্স অদুনা মতমগা চান্নবা ৱাহন্থোক (Contemporary meaning) অমা পীনবা হোৎনরকই। খূৎই মখল অসিদা হৈস্নাম কাহ্নাইলান (১৯৪১-) গী 'কবুই কৈওইবা' (১৯৭২), 'তম্নলাই' (১৯৭২), 'পেবেৎ' (১৯৭৫), রতন থিয়ামগী 'শনরেম্বী চাইশ্রা', 'উচেক লাংমৈদোং', অরাম্বম লোকেন্দ্রগী 'খুমন চাখা মোইরেম্বা', 'নুমিৎ কাপ্পা', 'ফৌওইবী লাংওন', দব্লিউ কামিনীগী 'খোঙ্গমেল্লৈ', 'খোমদোন মৈরৌবী', 'নোংলেন শঙদা ইঙাল্লৈ', য়ুম্নাম রাজেন্দ্রগী 'লংমাই লিক্লু পিতংঙা', 'হাওনু লীকশঙনু শাফবী', 'নোংদা অপামথোইবা', 'হিয়াং অথৌবা', 'লাই খূৎশাংবী', ক্ষেত্রি সনাজাওবগী 'শিনাইদবী নঙনি শনরেম্বী', 'ৱাকৎ থাঙ অমসুং লাইজিংলেম্বী', নীলধবজ খুমনগী 'তেশৱা ৱাপাল', 'লোই চনু', 'খোঙনেৎ হি', 'কৈশুমশঙ', এস কে মঙাংগী 'কাংলৈচনু মীরোনবী', 'কংলা ৱাকৎ', 'নোংখোঙ কোয়বা', ৱাই খোগেনগী 'ঙাংবিতোন', 'কাও', অঙোম তোম্বীগী 'শরেন চনবা', 'মূক্না কাঙজৈ', 'হিংচাবী চাকথাক', পুখ্রম্বা শামুগী 'চায়নপূং', 'কংলা চেৎখাইবা' অসিনচিংবা পনবা য়াই। মতমসিদগী খরা ঙনখৎনা জি সি তোংব্রা (১৯১৩-১৯৯৬) নসু মহাক্কী লীলা খরদা ওরেল নেরেটিভসকী মচাক লৌরগা কন্টেমপরেরি মিনিং অমা পীনবগী চাংয়েংদি হান্ননা মহাক্কী 'নুংশি লমদম কৈদনো ?' অমসুং 'তপ্তা' নচিংবা তৌখ্রবনি। পঞ্জখ্রিবা লীলাশিং অসিদা চীনবুং ৱারীগী মচাকশিং অদু হেক্তা লৌদুনা ইচম চম্না অইবশিংনা থম্বা নত্তে, চাংয়েং তৌরকপনি। চীনবুং ৱারীশিংবু নৌনা নৈনদুনা রি-ইন্টরপ্রিট তৌবনি, কন্টেমপরেরি মিনিং অমা পীনবা হোৎনবনি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা চাংয়েং লীলাশিং অসিগী মরক্তগী লাইরিক ওইনা ফোঙলবা লীলা খরা পল্লবদা জি সি তোংব্রাগী *'নুংশি লমদম কৈদনো ?'*(১৯৫০), *তপ্তা*(১৯৭৩),

ঐচ. কাহ্নাইলালগী *কবুই কৈওইবা* (১৯৭২), তম্নলাই (১৯৭২), পেবেৎ (১৯৭৫), য়ুম্নাম রাজেন্দ্রগী *লাই খুৎশাংবী* লীলাশিং অসিদা অইবনা ফোক নেরেটিভকী মচাকশিং নৎত্রগা ইসেন্স অদু লৌদুনা লমদমসিদা অশেংবা অচুম্বা মাঙখিবা অকনবনা অচুম্বা শকপা, শক্তি লৈবশিংনা শক্তি পায়জদবা মীচমশিংগী পুন্সিবু লান্না শীজিন্নরকপা, শেঞ্জা-থুমজা তৌনরকপা, মীওৎ-মীনৈ, নুপীবু নমজা-নমথেক্লনবা হোৎনরকপা, ৱাদনা নুংঙাইবা পান্নকপা, মীওইবগী তৌশিন্নবা মতৌনচিংবদা থম্মোয় শোক্লা য়ানীংদবা উৎলকই।

তোংৱাগী *নুংশি লমদম কৈদনো ?* দা হান্নগী লেজেন্দরী কেরেক্তর ওইরিবা মোইরোং থোইবীগী মচৎতু নত্তবা অনৌবা মোদর্ন থোইবী অমগী মশক কবিগী কল্পনানা শাগৎলকই। লাইরবা লমজা খম্বগীদমক চীংদা কাদুনা শীং চনখিবা, পাৎতা কুমদুনা লোং খোনখিবা, লোইদা চত্তুনা মীগী মীনাই ওইনা লৈখিবা মণিপুরী পুম্নমক্কী থম্মোয়দা অশেংবা নুংশিবগী অমদি সতীগী সিম্বোল ওইনা হক্তুনা লৈখ্রবা মোইরাং থোইবগী মচৎকী ওন্ন-তৈনবদা নুংশিববুদি নুংঙাইনা হিংবা হায়বসিনা হেন্না মরুওই অদুনা লাইরবা খম্বদা লৈগদবগী শরুক ইনাকখুনবা নোংবান্দা চানীংদবা চা, শেৎনীংবদা শেৎ তৌদুনা লৈগে খনখিবী, করিগুম্বদা নোংবালনা শিখ্রবসু খম্বদা অমুক হলক্তুনা লৈগে খনখিবী অনৌবা থোইবী অমগী শক্তম শাগৎলকই। অশেংবা নুংশিবা অমদি সতীগী ফীদম মাঙশিল্লকপা নুংঙাইনা হিংবা হায়বসিনা হেন্না মরুওই খনবা নুপীশিংগী অনৌবা মশক অমা উৎনবা হোৎনবনি।

অইবগী *তপ্তা* (১৯৭৩) হায়বা লীলা অসিসু ফুঙ্গা ৱারীগী অশেংবা মশক্তি খঙদনা পুংকিদা কিবা তপ্তাবু মেতাফর ওইনা শীজিন্নদুনা তুংদা করি থোক্লগদগে খঙবা ঙমদবা অকিবদুগা চান্ননা পুশিল্লকপনি। মীরোল অসিগী নহাশিংনা থবক্তি শুনীংদনা চাওখৎপগী মিংদা মপানথোংগী অরং-অরাক্তা তাউদুনা মীতৌ তমদুনা চৎনরিবা অরানবা লীচৎ অসিদগী তুংদা থোরকদবা অকিবা মশক অদু উৎলকপনি।

শক্লাইরবা থিয়েটর পর্সোনেলিটি হৈস্নাম কাহ্নাইলালনা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা চীনবুংদা লীনদুনা লাক্লিবা কবুই কৈওইবা, লুখ্রাবী মচা চন্দ্রকংনাল অমদি পেবেৎকী ৱারীবু লীলাগী মেদিয়মদা পুশিলক্তুনা নৌনা অর্থ হন্নবা হোৎনরকই। অইবা অসিগী *কবুই কৈওইবা* হায়বা লীলা অসিদা ফুঙ্গাৱারী কবুই কৈওইবনা মবুং তরেৎকী মরক্তা অমত্তা য়াওজবী থবাতোনবু মবুংগী মখোল শাদুনা কৌথোক্লবা হোৎনবা, মদুদা য়াদ্রবদা লৈকায়গী হনুবী অমবু পাম্বৈ ওইনা শীজিন্নদুনা নমদুন কৌথোকহনবা অদুগা থবাতোনবু মহাক্কী নুপী

ওইনা নমদুনা লৌবগী ৱারীদু পুশিলক্তুনা হৌজিক্কী মতমদা নুপীবু মশানা য়ানীংদ্রবসু শক্তি লৈবা অকনবশিংনা নমদুনা নমজা-নমথোক্লবীবগী মশক অদু অইবনা লীলা অসিদা পানশিন্দুনা উৎলকই। লীলা অসিদা য়াওরিবা কবুই কৈওইবা অসি লমদম অসিদা লৈরিবা মীনুংশি খঙদ্রবা শারমচৎ চৎলিবা ফৎত্রবা মীওইশিংগী মহুৎ শিনবনি। শক্তি লৈবা অকনবা মীওইশিংনা মতু শোনবা, শক্তি লৈবা অকনবা মীওইশিংনা মতু শোনবা, শক্তি লৈজদবা মীওইশিংবু করিসু লৈতনা খনবা, তুহৎতুনা থম্বা, মখোয়গী মচিঞ্জাক ওইনা খল্লকপগী মশক্তু লীলা অসিদা উৎলকই। ফুঙ্গা ৱারীগী থবাতোনদি কবুই কৈওইবগী মখূৎতগী নাম্থোক্তুনা নীং তম্বা ফংখি অদুবু কাহ্নাইলালগী লীলা অসিদদি থবাতোনবু হনুবীগী উশিল ওইহন্দুনা অদুমক লৈখি। অসিগুম্বা শক্তি লৈবা কবুই কৈওইবগুম্বা ফৎত্রবা মীওইশিং অসি মায়থিবা পীনবা অপূনবা পাঙ্গল শাগৎপা দরকার ওই, মদু ঙম্লবা মতমদতা লমদম অসি ঈংনা চিক্লা নুংঙাইনা লৈবা ঙমগনি হায়বা পাউজেলদু পীরি।

অইবগী তম্নলাই হায়বা লীলা অসিবু ফুঙ্গাৱারী 'লুখ্রাবী মচা চন্দ্রকংনান' দা য়াওবা ফোক করেক্তরশিং অদু পুশিলক্তুনা সঙ্গ লৈবা, শক্তি পায়বা মীওইশিংনা তোল্ল-তারবা উপায় লৈত্রবা মীওইশিংবু ওৎপী নৈবীবা, নমদুনা অৱাফমদা তাহনবগী মশক উংপা লীলানি। লুখ্রাবী মচা চন্দ্রকংনালগী ফুঙ্গাৱারীদা লুখ্রাবী মচা নুংঙাই-য়াইফবা পানখ্রবসু লীলা অসিদদি চন্দ্রকংনাল অৱাফমদা তাখি, লুখ্রাবীনা মচা কায়নবগী উপায় লৈত্রবী মমা অমা ওইনা কপ্পুনা খঙহৌবদু উৎলি। ফুঙ্গা ৱারীদা শক্তি পায়বা নিংথৌ অমদি অঙম্বশিংনা লুখ্রাবী মমা মচাবু ওৎপগুম লীলা অসিদা শক্তি পায়বা, শঙ্গ লৈবা ঙানবীতোন মমা মচানা লুখ্রাবী মমা মচাবু ওৎলি। অসিগুম্বা শক্তি লৈবা মতমগী তম্নলাইশিংনা হৌজিক্কী মতমদা মফম মতম পূম্বদা লৈরক কোনশাং খূদিংদা তম্নদুনা লৈবদু অইবনা মহাক্কী লীলা অসিদা ময়েক শেংনা পুথোরকই অমদি ঐখোয় চেকশিনবা তাই হায়বদু উৎলকই।

পেবেৎ হায়বা অইবগী লীলা অসিসু মতম কুইনদগী চীনবুংদা লীনদুনা লাক্লিবা পেবেৎকী মচি অদু লৌদুনা লমদম অসিদা লম্মৈইবগী শক্তম লৌদুনা হিন্দু ধর্ম্ম শন্দোকখিবা অমদি নোংম-নোংমগী মীয়ানচাশিংনা অসুম অসুম শক্তি পায়শিলকপদগী মশক শক্তি লৈবশিংনা মীচমশিংবু অসুম য়োৎশিলক্লিবা মওং কয়া অদু ফোঙদোক্তুনা ইরকপনি। পেবেৎকী ৱারীদা হৌদোংনা শা-ঙা চাদবা, অফবা, লাইনীংবা লম্মৈইবা শাজিন্নদুনা পেবেৎ মচাশিংবু চানবা হোৎনরকপা পেবেৎ মমানসু হৌদোঙগী মতাৎ অদু খঙদুনা লৌশিং তৌদুনা,

হৌদোঙবু থাগৎ-থাগৎতুনা মচা চাউবা ঙাইখিবগী ৱারীশিং অদু পুশিলক্তুনা ৱারীশিং অদু পুশিলক্তুনা লমদম অসিদা লৈরিবা হৌদোঙ লম্বোইবশিং অসিদগী ঐখোয় চেকশিনবা তাই হায়বদু উৎনবা হোৎনরকপনি।

য়ুম্নাম রাজেন্দ্রগী লাই খূৎশাংবী হায়বা লীলা অসিবু হৌজিক্কী মতমদা শক্তি পায়রিবা ফৎত্রবা মীওই কয়াবু লাই খূৎশাংবী ওইনা সিম্বোলাইজ তৌদুনা উৎলকপনি। ফুঙ্গা ৱারীগী লাই খূৎশাংবীদি নুমিদাংগী মতমদতা থোরকপনি অমদি অশুকপা উমং ৱামংদা লৈবনি। হৌজিক্কী মতমগী লাই খূৎশাংবীদি মফম পূম্বমক্তা লৈ, মতম পূম্নমক্তা উই অমদি নুপীবু নমজা নমথোক্লবীবদা নত্তনা মীওই কয়াবু অশিবগী পাঙখক ওইহল্লি। মখোয়না নুপা কয়াগী থৌনা লীংজেল পূম্নমক মাঙহন্দুনা ময়ূম মকৈ, মচে-মচন অমত্তা ঙাকপী শেনবীবা ঙমদবা মী ওইহল্লি। অদুনা লীলা অসিদা তমথিরবা শক্তিশিং অদু মমা মপাবু মাঙহনবিবদা নত্তনা নুপী ওইবীগী ইজৎপু তেমশিংনরকপদা মদু নিংথৌশিংবু কৌজরকই, খাম্বী মৈকল্লো হায়রকই। মদু নিংথৌশিংনা মচেবু কন্নীংলবসু কনবা ঙমদবা শক্তি পূম্নমক মাঙহনবীগ্রবা উপায় লৈতবগী মশক অদু লাই খূৎশাংবীগী ৱারী পানশিন্দুনা মতমসিগা চান্নবা কন্টেমপরেরি মিনিং অমা পীনবা হোৎনরকই।

অসুম্না চাংয়েং লীলাগী মওংদা হৌজিক মতমগী অইবশিংনা ফুঙ্গাৱারীবু লীলাগী ফোঙদোক্লবগী পাম্বে অমা ওইনা লৌদুনা মায়পাক্লা শীজিন্নরকই। মসিদা অইবনা পীনিংলিবা পাউজেল অদু হেন্না শক্তি লৈনা মরিক চূম্না পীবা ঙম্মী। অসুম্না চীবুং ৱারীশিং হায়বদি মিথ, লেজেন্দ অমদি ফোকটেলনা মণিপুরী দ্রামাগী খোঙচত্তা অঙনবা মতমদগী হৌজিক ফাওবদা তোঙান-তোঙানবা শক্লোন্দা চাউনা মফম কন্দুনা লাক্লি।

107

হৌজিক্কী মণিপুরী খুন্নাইদা ওরেল নেরেটিভ

ডা. শারাংথেম সোভারানী দেবী
ডা. এস. রাধাকৃষ্ণনন পোষ্ট দোক্তরেল ফোলো
মণিপুরী দিপার্টমেন্ট, এম. য়ু

ঐখোয় মীওইবনা নীংশিংবা থোক্লবা মতমদগী তোঙান-তোঙানবা মখলগী ৱারী কয়া লীন-তান্দুনা লাকই। চীনবুংদা লীনদুনা লাক্লিবা ৱারীশিং অসিদা ঐখোয় মীওইবগী অনীংবা অপান্বা, চৎনবী, থাজনবী, খুন্নাই অমগী পুৱারিনচিংবশিং শাগোন্নদুনা লৈবনা খুন্নাই অদুগী লৌশিং-জ্ঞানগী অচৌবা লনগৈসু মখোয়না ওইদুনা লাক্লি। মীরোল অমদগী অমদগা চৎনবী থাজনবী কয়াগা লোয়ননা লীনদুনা লাক্লিবা ৱারীশিং অসিদা য়াওরিবা চরিত্র, ৱারী, পরিং অমদি মরমচৎ খেন্নবগী মতুংইন্না মখোয়না খুন্নাই অদুদা হিংদুনা লৈবগী মশক্তসু খেন্নবা কয়া লৈ। হায়রিবা ৱারীশিং অসিগী মনুংদা তশেংনা থোকখিবনি হায়না থাজনবা লাইনীং লাইশোল, ধর্ম্ম-কর্ম্মগা মরী লৈনবা লাই নৎত্রগা লাইওই মীওই তৌবশিংগী ৱারীশিং য়াওরি, মখোয়বু লাই তিনগী ৱারী (মিথ) হায়না খঙনৈ। অদুগা অমুক তারিবা অমদি লীরিবা অনীমক্লা ঙসিগী মালেমসিদা পঙকুই কুইদ্রিবা মতমগী মনুংদা থোকখিবনি থাজনবা ৱারীগী মখলসু য়াওরি, মখোয়বুনা থাজৱারী (লেজেন্দ) হায়না খঙনরি। অরোয়বদা লৌশিং জ্ঞান অমসুং পাউতাক কয়া য়াওরবা মীওইবগী কল্পনাদা শাদোং ওইদুনা শাগৎপা মখলগী ৱারী, মখোয়বুনা ফুঙ্গাৱারী (ফোকতেল) হায়না খঙনৈ। হায়রিবা ৱারী মখল অহুম অসিবু ফোকলোরিষ্টশিংনা। ওরেল নেরেটিভ হায়বসিগী মনুংদা থমদুনা মশক তাক্লে। ওরেল নেরেটিভপু ফোক নেরেটিভ হায়নসু মিঙ্গৌনৈ।

ওরেলে নেরেটিভকী মনুং চন্না লৈরিবা লাইতিনগী ৱারী (মিথ) হায়বসি নিংশিংবা থোক্লবা, ঙসি ঐখোয়না লৈরিবা তাইবংপান অসি শেন্নকপা মতমদা থোকখিবা ৱারীনি

হায়না থাজনৈ। মমিং লৈরবা অমেরিকান ফোকলোরিষ্ট এলান দন্দিসনা "মিথ হায়বসি ঙসি ওইরিবা তাইবংপান অমদি মীওইবা অসি কমদৌনা ওইরকখিবনো হায়না তাকপা Secret Narrative নি হায়না মিথকী শক্তাক ৱারোল পীরম্মী। মীতৈগী মালেম লৈশেম্নগী, সনামহি নোংখোঙ কোইবগী ৱারী অসি মিথকী খুদম ওইনা পনবা য়াই। অনীশুবদা লৈরিবা থাজৱারী (লেজন্দ) হায়বসি লাইতিনগী ৱারীগুম তশেংনা থোকখি হায়না লৌনবা, তারিবা অমদি লীরিবা অনীমক্কা ঙসিগী মালেমসিদা পঙকুই কুইদ্রিবা মতমদগী মনুংদা থোকখিবনি থাজনবা মখলগী ৱারীশিংনি। লেজেন্দগী ৱারীশিং অসি তশেংনা থোকখিবা ৱারীশিংনি লৌনরবসু মসিদা মফম মতমগী মতুংইন্না হাপতোক হাপচিন তৌদুনা লীবা চৎনৈ। অদুগা হাপচিল্লক্লিবশিং অদু তারিবা মীয়াম্না তাবদা হেন্না নুংঙাইনবা থেৎচিল্লকপা লৈতেংনি লৌনরবসু ৱারীদুগী মচং ওইবা ৱারোলশিং অদুদি অচুম্বা অমদি তশেংনা থোকখিবনি হায়না অদুমক থাজনৈ। লেজেন্দগী খুদম ওইনা, মোইরাং শাইওনগী ৱারীশিং, খোংজোমনুবী, চোথে থাঙৱায় পাখঙবা, নুংবান পোম্বী লুৱাওবা, হুইমু লৈমা নামোইনু, ভাগ্যচন্দ্র শামু ফাবনচিংবগী ৱারীশিং পনবা য়াই।

অদুগা অহুমশুবদা লৈরিবা ফুঙ্গাৱারী নৎত্রগা চাকঙাই ৱারী হায়না খঙনরিবা মখলগী ৱারী অসিনা কল্পনাদা য়ুম্ফম ওইবা, মরুওইনা অৱা পোত্থানবা ৱারেংগী মওংদা লীনবা ৱারীনি। ফুঙ্গাৱারীশিং অসি ভাবনা শাগৎপা ৱারী ওইরবসু কান্নবা অমদি মমল নাইদ্রবা পাউতাক কয়া য়াওবনা খুন্নাই অমগী মনুংদা অচৌবা মফম কনবগা লোয়ননা শিংথানিঙাই ওইবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লৈ। ফুঙ্গাৱারীগী খুদম ওইনা, মণিপুরগী হনুবা-হনুবী পান থাবা, ইতা থাওমৈ, শন্দ্রেম্বী চাইশ্রা, অপং-চুমচংকী ৱারী, খন্ত্রাংচাক্ক মপাম চংপা, হৌদোং লম্বোইবা, উচেক লাংমৈদোং, লুখ্রাবী মচানা হরিনোংনাং ওনবগী ৱারী পনবা য়াই।

ওরেল নেরেটিভকী শক্লোনশিং অসি তোঙান-তোঙানবা মওংদা মণিপুরী খুন্নাইগী চৎনবী কয়াগী খুত্থাংদা লীন-তানদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। নৈনবগী পান্দম অমগী মখাদা লৌখৎচরিবা হীরম অসিগী মনুংচন্না মণিপুরী খুন্নাইদা ওরেল নেরেটিভশিংনা হৌজিক্কী মতমদা করম্বা ফীভমদা হিংলিবগে হায়বসি চাওরাক্লা উৎনবা হোৎনজরি।

মিথকী ৱারীশিং অসি ইরাৎ থৌনিগী মচল অমা ওইনা মাইবা মাইবীনা লাইশোন ওইনা শক-শোন্দুনা লাকপগী মথক্তা অখণ্ড-অহৈ কয়ানা লৌশিং জ্ঞান পীবগী পান্দমদা লীনদুনসু লাকই। অদুগা মফম খরদা মীওই খরতনা লীনরম্বা থাজৱারীশিংনা চীন্থাং য়ৈনা

মথং মথং শন্দোরক্তুনা অপুনবা জাতিগী লন ওইরকই। ফুঙ্গাৱারীশিংনা অহল-লমনশিংনা চাকঙাই ৱারী ওইনা মচা-মশুশিংদা ফুঙ্গা মপান্দা লীবগী-মথক্তা অৱা-পোত্থানবগী মচল অমা ওইনা অমনা অমগী মফমদা লীনদনা লাকই। অদুবু মণিপুরী ওরেল নেরেটিভশিংনা মচলশিং অসি অশৈবা কয়ানা ওরেল পোইট্রিগী উচন্দা হাপ্তুনা বেলদ অমদি ত্রপিক ঈশৈগী শৈশক্ততসু শক্তুনা লাক্লি। পেনাগী ট্রেদিসনদা য়াম্না ঙল্লিঙে মতমদগী হৌরগা ঙসি ফাওবা মণিপুরী ওরেল নেরেটিভকী মনুংচনবা ৱারী কয়া বেলদকী মশক্তা য়োক্তুনা লাক্লি। পেনাগী মথংদা খোঙজোম পৰ্ব্ব মণিপুরী ওরেল নেরেটিভশিংবু য়োক্তুনা লাক্লিবা ট্রেদিস্নেল মণিপুরী পর্ফোমিং আর্ট অমনি। মসিদা মণিপুরী থাজৱারী কয়াবু নুংশিরবা শৈহেক শৈদাদা লাহোক্তুনা লাক্লি। পেনা অমদি খোংজোম পৰ্ব্বগী মথক্তা ৱারী লীবা কলাগী খুত্থাংদসু ওরেল নেরেটিভশিং অসি চহি কয়া অহিংবা ট্রেদিসন ওইনা হিংলক্লি। অমরোমদা ৱারী লীবা হায়রিবা কলা অসিসু অহানবদা হিন্দু পুরানগী য়ুস্ফম ওইবা মণিপুরী নেরেটিভ আর্ট ওইনা হৌরকখিবা ওইরবসু ঙসিদি সনামহি লাইনিংদা য়ুস্ফম ওইবা ৱারী লীবগী চৎনবী অমা শেমগৎলকপদগী মীতৈগী লৈশেমলোনগী ৱারী অমদি অতৈ থাজৱারী কয়াসু কলাসিগা লোয়নননা চৎমিন্নরকলি। অদুগা মতম অমদদি মোইরাং পৰ্ব্ব লীলাগী অকনবা চৎনবী অমা লৈরিঙৈদা মোইরাং শাইওনগী ৱারীশিং ট্রেদিসন অসিনা য়োকখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্মী। হায়রিবা ট্রেদিস্নেল আর্ট ফোমশিং অসি নত্তবা অতৈ পর্ফোমিং আর্ট ফোম কয়ানসু মণিপুরী ওরেল নেরেটিভশিং য়োকখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকই। মতমগী য়াওলদা হায়রিবা আর্ট ফোমশিং অসি মপাঙ্গল শোন্দুনা উরবসু মণিপুরী খুন্নাইদগী মাঙখিবা হায়বদুদি ওইদ্রি। ঙসি ফাওবা মখোয়গী মফম অমা খুন্নাই অসিনা পীদুনা থম্লিবনা মখোয়না মণিপুরী ওরেল নেরেটিভশিংবু য়োক্তুনা থম্বদা শিংথানিঙাই ওইবা থৌদাং লৌরি হায়বা য়াই। অদুবু মতমগী য়াওলদা লাক্লিবা মোর্দনাইজেসন অমসুং গ্লোবেনাইজেসনগী শাফুদি ঐখোয়না নাথৈদুনা চৎপা ঙমদবনা ওরেল নেরেটিভশিংনা মণিপুরী খুন্নাইদা হান্না হিংলম্বা মশক্তগী অহোংবা কয়া লাক্লে। হান্না লৈরমদবা অনৌবা শক্লোন কয়াদা নৌনা থোরকপা খুৎশু খুৎলাই থৌদোক থৌরম কয়াগা শাগোন্ননা চৎমিন্নদুনা ওরেল নেরেটিভশিংনা মোর্দন মেদিয়াদসু মায় পাক্লা হিংবা ঙম্মী। মতম অমদা মোর্দনাইজেসনগী য়াওলদা ফোকলোর হায়বসি মাঙখ্রগনি হায়না থাজনরম্বদু হৌজিক্তি ফোকলোরনা অনৌবা মতমগী য়াওলদা মায়পাক্লা হিংদুনা লৈরি। চিনবুংদা লীন শক্লদুনা লৈরম্বা ৱারীশিংবু খোমজিন্দুনা অনৌবা মহে-মশিংগী য়াওলগা লোয়নননা লাইরিক ওইনা পুথোক্তুনা মণিপুরী সাহিত্যগী লৈচল

ওইনা লৈরি। অদুগা মতমগী য়াওলদা থোরক্লিবা খুৎশু-খুৎলাই, থৌদোক থৌরম কয়াগসু ওরেল নেরেটিভশিংনা চৎমিন্নদুনা লাক্লি।

মণিপুরী চীনবুং সাহিত্যগী মচাকশিংবু লাচন্দুনা অইবা ওইনা পুথোকপগী খোঙজংদি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌরক্লে। মসিগী ময়েক লারবা খুদমদি, অরিবা মীতৈ লাইরিকশিং অসিনা ওইরি। অঙনবা মতমদা ৱাকমশিংনা চীনবুংদা অইবা ওইনা লাচল্লল্লিবা ৱারীশিংগী মনুংদা *লৈথক লৈখারোল* অমদি *পুদিন* মণিপুরী লৈশেম্লোনগী ৱারী (Creation Myth) বু মশক তাকপা লাইরিকশিংনি। অদুগা *পান্থোইবী খোঙ্গুল খোংজোমনুবী নোঙ্গারোল* অমদি *চেংলৈরোল* নচিংবশিং অসি অহানবদা লীন-শক্লদুনা লৈরম্বদগী লাচন্দুনা পুথোরকখিবা মণিপুরী লেজেন্দগী তোঙান-তোঙানবা শক্লোন ঙাক্তনি।

অমরোমদা মণিপুরনা বৃটিশকা শম্নবা হৌরক্লবা মতুংদা লমদমসিদা লাক্লম্বা বৃটিশ ওফিসরশিংনা মণিপুরী ওরেল নেরেটিভকী মচাকশিংবু খোমজিন্দুনা মতমদুগী চেফোংশিং অমদি মখোয়না ইরম্বা লাইরিকশিংদা মশক তাক্লম্মী। Major W. Macculloch কী ইং ১৮৫৯ দা ফোঙখিবা *Account of the valley of Manipore and of the Hill Tribes* কৌবা লাইরিক্তা মণিপুরী লেজেন্দশিংগী মনুংদা থোয়দোক হেন্দোক্লা শীংথানরিবা খম্ব-থোইবীগী মতাংদা পল্লম্বদা থেংনৈ। মসিগী মতুংদা G.H. Damant না ইন্দিয়ন এন্তিক্করিদা Two Brothers : A Manipuri Tale অমসুং The Story of Khamba and Thoibi হায়না মীংথোনবা ৱারী অনী খৃ:কুম: ১৯৭৫ দা ফোঙখি। খম্ব-থোইবীগী মরমদা R. Brown অমসুং E.W. Dun অনীনসু *Statistical Account of the Native State of Manipur* (1874) অমসুং *Gazetter of Manipur* (1886) দা ফোঙল্লম্মী।

অসুম্না বৃটিশশিংনা মণিপুরদা লাক্লবা মতুংদগী মণিপুরী ওরেল নেরেটিভশিংনা বৃটিশশিংগী খুৎথাংদা মপান লমদা শাফোঙবা হৌরকখি। অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী খোঙহৌ লাক্লবা মতুংদা মণিপুরী সাহিত্য শেমগৎপদা ওরেল নেরেটিভশিংনা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। শৈরেং ৱারেং, দ্রামা, উপন্যাসনচিংবা সাহিত্যগী মাইশিংদা মণিপুরী ওরেল নেরেটিভকী মচাকশিংবু সাহিত্যগী লৈচল ওইনা শীজিন্নবগা লোয়ননা চীনবুং সাহিত্যগী মচাকশিং খোমজিন্দুনা মশক নাইবা মণিপুরী সাহিত্যগী পোত্থোক ওইনসু পুথোকলম্মী। কুনশুবা চহিচাগী অহানবা তঙ্খায়দা অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী মশক অমা

শাগৎপা হৌখ্রবা মতুং ১৯৫০ গী মতুংদা মশক নাইবা ওরেল নেরেটিভকী লাইরিক কয়া ঐখোয়না উবা ফংলকই। ইং ১৯৫৬ তা আর. কে. সনাহলনা 'ফুঙ্গাৱারী' কৌবা লাইরিক অসি পুথোরক্তুনা ফুঙ্গাৱারীশিংবু লাচন্দুনা পুথোকপগী খোঙহৌ অমা শাগৎপা হৌরকখি। আর. কে. সনাহলগী মতুংদা লম অসোমদা অইবা কয়ানা খুৎ থারক্তুনা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিংবু লাচন্দুনা অইবা কয়ানা পুথোকপগী ঈচেলদা অচৌবা ঈনোৎ কয়া পীদুনা লাকখি। হায়রিবা অইবশিং অসিগী মনুংদা এলাংবম রাজনিকান্ত সিংহ, সরাংথেম বরমণি সিংহ, বি. জয়ন্তকুমার শর্ম্মা, আই. আর. বাবুনচিংবগী মীং পনবা য়াই। শ্রী সরাংথেম বরমনিদি মহাক্কী "মোইরাং শাইওন" গীদমক থোইদোক্লা শীংথানরিবা অইবনী। অদুগা মহাক্কী "চীং-তম ফুঙ্গাৱারী" মীয়াম্না থোয়দোক্লা পাম্না পানরিবা লাইরিক্নি। হায়রিবা অইবশিং অসিগী মতুংদা ওরেল নেরেটিভতা থৱায় য়াওবা কয়া থোরক্তুনা লেপ্পা লৈতনা চীনবুং ৱারী কয়া অইবা লাইরিক ওইনা পুথোরক্লি। অসুম্না হান্না চীনবুং খক্তদা লীন-তান্দুনা লৈরম্লা ৱারীশিং অসি অনৌবা মহৈ-মশিংগী খোঙহৌ লাক্লবা মতুংদগীদি তোঙান-তোঙানবা সাহিত্যগী মাইদা হিংদুনা লৈরি।

চিনবুংদা মহৌ মকা ফনা মীরোল কয়া হিংদুনা লাকখিবা ওরেল নেরেটিভশিং অসি মতমগী অকনবা শাফুনা মরম ওইদুনা মখোয়না হান্না মণিপুরী খুন্নাইদা হিংদুনা লৈরম্বগী মশক অদুদগী অওনবা অহোংবা কয়া লাকখ্রে। অমরোমদা হায়রুরবদি মোর্দনাইজেসন অমসি গ্লোভেলাইজেসনগী ঈথিলনা ৱারীশিং অসিদা অচৌবা শাফু অমা পীদুনা লাক্লিবনি। অদুবু মোর্দনাইজেসন শাফুনা ফোকলোরবু খুন্নাই অমদগী মাঙহনখিবগী মহুত্তা অনৌবা শক্লোন্দা শাফোংলকই হায়বসি মথক্তসু পঞ্জখ্রে।

মোর্দনাইজেসন অমদি গ্লোভেলাইজেসনগী য়াওলদা থোরক্লিবা পোৎ চৈ, খুৎশু-খুৎলাই অমদি থৌদোক থৌরমশিংনা ওরেল নেরেটভশিংবু য়োকখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মাইকৈ অমরোমদা মতমগী য়াওলনা চীনবুং ৱারীশিং অসিনা মণিপুরী খুন্নাইদা মখোয়না লৌরম্বা মফমশিংদা অচৌবা শাফু কয়া পীরবসু হান্না লৈরমদবা অনৌবা মফম কয়া অদুমক শেমলকই।

ইং ১৯৬৩ গী আগষ্ট থাগী তারিক ১৫ দা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফাল লিংখৎলবা মতুং ওল্লকপা চহী ১৯৬৪ দগী শন্দোকপা হৌখিবা অঙাংগী থৌরমদা ফুঙ্গাৱারী কয়া তোঙান-তোঙানবা মওংদা রেদিওগী খুৎথাংদা ঐখোয়না তাবা ফংলি। মসিগী মথক্তা মণিপুরী মিথ অমদি লেজন্দগী ৱারী কয়াবুসু রেদিও ড্রামা ওইনা ষ্টেসন অসিনা শন্দোক্তুনা

লাক্লি। অদুগা অমরোমদা পেনা অমদি খোংজোম পৰবগী শৈশক্তা মণিপুরী মিথ অমদি লেজেন্দগী ৱারী কয়াবু বেলদ অমদি এপিক ঈশৈ ওইনা তাবা ফংলি। অদুগা লৈবাকপোকপা অমদি থাংজ নুমিৎ খুদিংগী নুংথিল পুং ১ মিনিৎ মঙাদগী পুংখায় অমা চুপ্পা শন্দোরক্লিবা ৱারী লীবগী থৌরমদগীসু ঐখোয় হিন্দু পুরানগী ৱারীখক্তা নত্তনা মীতৈগী লৈশেমলোনগী ৱারী অমদি অতৈ লেজেন্দ কয়াগী ৱারী তাবা ফংলি। অদুগা অমরোমদা ইং ১৯৯৩ দা দুরদর্শন কেন্দ্র ইম্ফাল লিংখৎলকপদগীদি তেলিভিজনগী খুখাংদা মণিপুরী ওরেল নেরেটিভশিংবু তোঙান তোঙানবা শক্লোন্দা য়েংবা অমদি তাবা ফংলি। লোকেল কেবল নেটৱাক কয়ানসু চীনবুং ৱারীশিং অসিদা য়ুম্ফম ওইবা থৌরম কয়া শন্দোক্তুনা লাক্লি।

অমরোমদা, শুমাং লীলা, থিয়েতর অমদি মণিপুরী সিনেমদসু ওরেল নেরেটিভশিংগী অচৌবা মফম অমা লৈরি। শুমাং লীলাদা মণিপুরী লেজেন্দ কয়াবু লীলাগী উচন্দা হাপ্তুনা শান্নবা ঐখোয়না উরি। অদুগা থিয়েতরদি মণিপুরী লেজেন্দগী ৱারীশিং অসিগী মফম থোইদোক্লা শিংথানিংঙাই ওই। মণিপুরী ড্রামাতিক লিতরেচরদা ফোক ড্রামা হায়না খঙনবীবা, থিয়েটর হোল কয়াদা শান্নরিবা লীলাশিং অসি মণিপুরী ওরেল নেরেটিভকী ৱারীশিংবু ড্রামাগী মইদা ইথোক্তুনা শান্নবা লীলাগী মখলনি। অদুগা অমুক শক্লাইরবা কাহ্নাইলালগী থিয়েতরদা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিংবু লৌখত্তুনা য়াম্না মশক নাইবা প্রদক্সন ওইনা পুথোকপা ঐখোয়না থেংনরী। মহাক্কী কবুই কৈওইবা (১৯৭৩), পেবেৎ (১৯৭৫) অমসুং উচেক লাংমৈদোং (২০০৪) থোইদোক্লা শিংথাবা য়াবা লীলাশিংনি।

মণিপুরী সিনেমাগী তাইবংদসু মণিপুরী ওরেল নেরেটিভন শাদোং ওইদুনা শাগৎপা ফিল্ম কয়া ঐখোয়না থেংনরি। শ্রীসরাংথেম বরমণিগী ইন্তরনেসনেল এৱার্দ ফংখিবা 'শাফবী' মণিপুরী লেজেন্দগী মনুংদা থোইদোক্লা মশক নাইনা লৈরিবা *হাওরং লৈশং শাফবী*গী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইদুনা শাগৎপা ফিল্মনি। হায়রিবা ফিল্ম অসি অইবগী এম দি য়ু না শান্নখিবা ইং ১৯৫১ দা দিল্লিদা পাঙথোকখিবা নেসনেল ড্রামা ফেষ্টিভেলদা ফোক কেতোগোরীদা অহানবা মনা ফংখিবা হাওরং লৈশং শাফবীগী অতোপ্পা শক্লোন অমনি। ঙসি ফাওবা মীয়াম্না শোন্নদুনা লৈরিবা মণিপুরী ফিল্মশিংগী মনুংদা 'ইঙাল্লে' অমসুং খম্বা-থোইবীসু মণিপুরী ওরেল নেরেটিভকী মনুংদা মশক নাইনা লৈরিবা লেজেন্দগী ৱারীশিংদা য়ুম্ফম ওইবা ফিল্ম ঙাক্তনি।

হৌজিক্তি এনিমেসন ফিল্মগী য়াওল অমা লমদমসিদা য়ৌরকপদগী মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী কয়াসু ঐখোয়না এনিমেসন ফিল্ম ওইনা উবা ফংলে। ইতা থাওমৈ, কবুই কৈওইবা,

উচেক লাংমৈদোং অমদি হৌদোং লম্বোইবগী এনিমেতেদ ফিল্মশিং মায়পাক্লা পুথোক্তুনা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না য়েংনরিবা ঙাক্তনি। অদুগা হায়রিবশিং অসি Internet তসু Youtube অমদি অতৈ website কয়াগী খুৎথাংদা উবা ফংনরি। হৌজিক্কী মতমদা ঐখোয়না মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী অমগী মরমদা খঙনিংবা মতমদা অখঙবা মীদগী তাদ্রবসু মরী লৈনবা website অমা থিদুনা পানিংবা মতমদা পাবা য়াবাগী খুদোংচাবা Internet না পীরি।

অসুম্না মণিপুরী ওরেল নেরেটিভশিংনা মতমগী য়াওলদা অনৌবা শক্লোল কয়াদা হিংদুনা লৈরি। "হৌজিক্কী মণিপুরী খুন্নাইদা ওরেল নেরেটিভ" হায়বা হীরম অসি থোইদোক্লা পাক চাওখ্রবা হীরম অমনি। লাম্হোকচরিবা নৈন-ৱারেং অসিনা কোনশিনবা ঙমখিদবা মরুওইবা নৈনবা য়াবা হীরম কয়া ঐখোয়গী মাঙদা তাদুনা লৈরি।

মতেং লৌখিবা লাইরিকশিং :

১) Bascom R. Willian, *Contribution to Folkloristics*, Meerut, Archama Publication,Delhi : 1981

২) *Leach Maria (ed:), Standurd Dictionary of Folklore, Mythology and Legend, London* Harper & Row, paperback ed. : 1984.

৩) Dorsan, Richard M (ed), *Folklore and Folklife: An Introduction*, The University of Chicago Press Chicago and London, 1972

৪) Handoo, Jawaharlal, *Theoretical Essays in Indian Folklore*, Zooni publication, 2000.

৫) Handoo, Jawaharlal, *Current Trends in Folklore,* Mysore. Institute of Kannada Studies, Mysore University, 1978.

৬) Dundes, Alan. ed. *Scared Narratives, Reading in the theory of Myth.* Berkeley: University of California Press. 1984.

৭) MaCulloch.*W. Account of the valley of Munnipore and of the Hill Tribes.* Delhi, Gian Publications. reprint, 1980

১১০

চীনথাং অমসুং কংলৈরোল ৱারী অমা ওইনা মোইরাং শাইওন নৈনবা

মোইরাংথেম রাজেস সিংহ

ওরেল লিটরেচর (লোক সাহিত্য) ফোকলোর বিষয়গী য়াম্না মরুওইবা কয়াৎ অমনি। মসিবু মালেমগী ফোকলোরিষ্টশিংনা খুন্নাই কাঙলুপকী ওইবা সাহিত্য (ফোকলিটরেচর), মফোঙদোক্কী ওইবা সাহিত্য (এক্সপ্রেসিব লিটরেচর), রেকোর্ট তৌদ্রিবা মীওইবগী খুৎশেম (অন-রেকোর্দেদ মেন্তিফেক), চীনবুংদা লৈবা সাহিত্য (লিটরেচর ওরেল্লি) হায়রগসু খঙনৈ। ৱিলিয়ম আর, বেসকমনদি ওরেল লিটরেচরবু ৱাহৈ-ৱাতাগী হৈশিংবা অমদি ফজবা মশকনি হায়দুনা ভারভেল আর্ট হায়নসু কৌনরম্মী।

ওরেল লিটরেচর ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক্কা চান্নবা ৱাহৈ মণিপুরী লোন্দা লৈতে। অদুবু লমদম অসিগী ফোকলোরিষ্টশিংনা চীনবুং সাহিত্য নৎত্রগা লোক সাহিত্য হায়বা ৱাহৈশিংনা ৱাহৈসিগী মহুৎশিন্দুনা শিজিন্নৈ। থায়নগী মতমদগী কাঙলুপ অসিগী চৎনবী ওইনা হঞ্জিন হঞ্জিন, হোংবা নাইবা শাজৎকা লোয়ননা চীম্থাং য়ৈনা মীরোল কয়া লান্না হিংদুনা লাক্লবা সাহিত্যগী মচাকশিংবু চীনবুং সাহিত্যনি হায়বা য়াই। চীনবুং সাহিত্যবু থায়নগী নৎত্রগা চাওখৎলবা সংস্কৃতি, সহর নৎত্রগা খুঙ্গংগী সমাজদা, অচৌবা নৎত্রগা অপিকপা কাঙলুপশিংগী মরক্তা চীনবুংদা শকন-লীনদুনা হিংলকলিবা মচাকশিং অদুবুনি হায়না F. Lee utly না অসুম্না হায়রম্মী :

> Folk literature is orally transmitted literature whereever found among primitive isolate or civilized marginal culture, urban or rural soceities, dominant or subordinate grioups. (*The Study of Floklore* :1965)

ৱারীগী তোঙানবা শক্তম অমা থোরকপা হায়বসি মহৌশানি। মসিনা মীওই কাঙলুপ অমগী মনুংদা মীওই অমনা মহাক্কী কলপ্নাগী শক্তিনা নৎত্রগা ৱাখল্লা শাগত্তুনা ৱারী অমা অহানবা লীবা হৌদোকখ্রবসু ৱারী অদুনা খুন্নাইদুদা মীরোল কয়া লান্না হিংলকপা মতমদদি হান্নগী ৱারীগী অশেংবা শক্তমদগী পুনখেন খেন্নবা অমা ওইরকই। খেন্নবা কয়া অসিনা হান্নগী ৱারীনি হায়বা য়াদ্রে। অসিগুম্বা চীনবুং সাহিত্যশিংনা মীরোল কয়া লান্না লাকপনা মতম-মতমগী ইথোস, পামজবা আশা, চৎনবীনচিংবা কয়া মীয়াম্না ৱারীগী মচাক ওইনা হাপচিন্দুনা ৱারীগী পরিংবু হেন্না পাকথোক চাওথোকহল্লি। মরম কয়া অসিনা চীনবুং সাহিত্য হায়বসি মীওই অমখক্কী মরল ওইদবা মীয়ামীগী অপুনবা মরল ওইদুনা লৈ।

মণিপুর সমাজদা চীন্থাং ৱারী ওইনা লৈরক্লিবা মোইরাং শাইওন অসি মতৌ করম্না অঙনবা মতমগী খুন্নাইদা লীন শক্লরকখিবা অমদি শক্লোন কয়া লৌরকখিবা ৱাফম অসিগা মরী লৈননা স্কোলারশিংগী মোত কয়ামরুম লৈরি। মোৎশিংদুদগী খরদৎ লৌখত্তুনা পঞ্জরবদা হৈসনাম্ন মঙ্গোলজাওগী মোত্তা মোইরাং শাইওন ৱারীশিং অসি ইহান-হানবদা চাকঙাই ৱারীগী মশক্তা ফুঙ্গা লাইরুদা কোয়না ফমদুনা ফুঙ্গা ৱারী ওইনা লীনরম্মী। মথংদা যন্ত্রগা লোয়ননা, তাল-লয়, ছন্দ-মাত্রা নাইনা লীন শক্লরকপদগী খুন্নুং ঈশৈ শৈশক ওইরকখি। খুন্নুং ঈশৈগী শৈশক অসি চৎনরকখি হায়বসিনি। পেনাগী শৈশক্কা মোইরাং শাইওন ৱারীগা পুল্লকপা অসিদি ইকুই কুইদ্রিবা মতমগীনি হায়না ফোঙদোকই।

অঙনবা মতমদগী চেন্থরক্লিবা মোইরাং শাইওন ৱারীগী ঈচেল পরিংদা হোংলক্লিবা খোঙচৎপু সরাংথেম বরমণিনা অসুম্না মখা শমথরকই-শাইওন ৱারীশিং অসি মতম মতমগী ওইনা শৈশকপশিংনা মানা মানা হৈজবা প্রমান পাহ্থে কয়া হাপচিন্দুনা ফমশক, পেনা খোংলগা শকপা শৈশক, ধুলোক য়ৈরগা শকপা শৈশক হায়না অহুম থোকনা চৎনৈ হায়বসিনি। ফমশক হায়বসি শৈশক্লীবা নুপা নৎত্রগা নুপী অদুনা ফক্তা ফম্লগা মখুৎনা তাল থাজরগা মনাক্তা বাঁশি খোংবা অমনা ঈশৈ শুর অমদি ৱারীগী মতাং চানা খোংদুনা শকই। পেনা খোংলগা শকপা শৈশক অসিনা পেনাগী নুংশিরবা মেংলবা মখোলগা লোয়ননা খোনবাংবনা মতেঙ পাংদুনা শকপা শৈশকনি। মসিবু পেনা শৈশক হায়না খঙনৈ। ধুলোক য়ৈরগা শকপা শৈশক অসিদি মহারাজ চুড়াচান্দগী সনাহাক্তক্তা নোংথোম্বা চাওবনা অহানবা হৌদোকখিবনি থাজনরি। শৈশক অসিবু শম্না মোইরাং কংলৈরোল শৈশক হায়না খঙনরি। স্কোলর অনীগী মোতকা লোয়ননা মোইরাং শাইওন ৱারীগী থায়নদগী লেপ্তুনা চেন্থরক্লিবা

খন্বা মবাই ফৈরোইজাম্বগা লোয়ননা কবোদা লোন্না কোয়হন্দুনা ফজহনবা ৱাংঙু ঙাংবনি। খন্ববু শামু খোংদা য়েৎপগী কংলা ৱাকৎপদা ঙাঙনরিবা চাউবগী হৈশিংবা ৱাহৈ ৱাতা চানা ফেঞ্জিন্দুনা ফজহনখিবনা চনম্বা পেনা শকপনি। (মোইরাং শাইওন, লা: ১২) অসুম্না লমদমসিগী অশৈ শৈরেম্বশিংগী খুদোন্না মোইরাং শাইওন ৱারীশিং মণিপুরগী কাচিন কোয়া, খুঙ্গং-সহর শিন থুংনা চহিচা কয়া লিশাং শিংনা লীন-শক্লরকপা চিনথাং ৱারী ওইরকপনা খুন্নাইসিগী সংস্কৃতিগী মমিদি ময়েক শেংনা য়াওখ্রে হায়বা য়াই।

খন্বা থোইবীনচিংবা শাইওন ৱারীশিংনা মপুংফানা চাও শাংবা ৱারী ওইনা থোরকখিবা অসি রা:কু: ঝলজিৎকী মীৎয়েংদসু ইতিহাসকী মতম থেংখাং অহুম্না পুনশিন্দুনা ওইখিবনি ফোঙদোক্লম্মী। মদুদি :- ১) খন্বা থোইবী ৱারীনা মোইরাংদা ৱারীমচা অপিশক অমা ওইনা পোকখিবা মতম ২) ৱারী অপিশক অসিবু শেমদোক্তুনা হাপচিন্দুনা মহাকাব্যগী থাকলোমদা পুখৎনবা হোৎনবা মতম হায়বদি চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ মতম ৩) শেমদোক্লবা ৱারী অসিদা অমুকসু অনৌ-অনৌবা উপমা, অনৌ-অনৌবা ৱাহৈ-ৱাতা অমদি ৱারী লৈথেক কয়া হাপচিন্দুনা অমুক্কা হেন্না মপুং ফানবা হোৎনরকপা মতম হায়বদি চুড়াচান্দ মহারাজগী মতম (ৱাখল, ৩৮-৩৯, ১৯৮০) অসিনি।

লেপ্তুনা চেন্থরক্লিবা ইতিহাসকী খোঙচৎকা শাগোন্নদুনা হিংলক্লিবা মোইরাং শাইওন ৱারীনা মণিপুর সমাজদা নীংথিজবা মচু মমেনগা লোয়ননা মপুং ফাবা মশেক মঙাল অমা থোরকপসি চুড়াচান্দ মহারাজগী সনাহাক্তক্তগীনি। মতম অসিদগী ৱারীশিং অসি লৈবাক মীয়াম্না পেনা, খোংজোম পৰ্ব্ব অমসুং খুন্নুং ঈশৈগী শৈশক অসিনচিংবা শৈশক কয়াদা থৱায় হকচাং য়াওনা ৱারীগী নুংঙাইবা রস লৌনরকখি। চীনবুং সাহিত্যদা পাথাং-পুথাং লান্না ঙসিগী মীরোল ফাওবা চৎনবীগী মশক্তা লীন-শক্লরল্লিবা মোইরাং শাইওনগী শক্তম অসিমক মণিপুর অশৈবশিংনা ঙসিগী অমসুং তুংগী মীরোলগীদমক থন্বীরম্বা মমল নাইদ্রবা খুদোন্নি লৌবা য়াই।

কংলৈরোল অমসুং মোইরাং শাইওন

মোইরাং শাইওন অঙনবা মতমগী মোইরাংদা থাঙ্গৈ শেংনা অককনবা মতম অমগী মনুংদা থোকখিবা নুংশি নুংওনগী হীরমদা য়ূম্ফম ওইবা পরিং নাইবা ৱারীনি। ৱারী অসিবু লীরিবা অমসুং তারিবা অনীমক্কা অশেংবা থোকখিবা থৌদোক্তা য়ূম্ফম ওইবা ৱারীনি

117

অঙনবা মতমদগী মীরোল কয়া খুথাং লান্না হিংলক্লিবা চীনবুং সাহিত্যগী মচল অসি ৱারেং অমসুং শৈরেংগী শক্তমদনা মপুংদা চখরকলি। ৱারেংগী শক্তমদা চীনবুং সাহিত্য অসি অমুক মখল অনী থোক্লা খায়দোকপা য়াই। মদুদি চ৲ন-ৱাহায় (Traditional Saying) অমদি ৱারী (Narrative) হায়বসিনি। চ৲ন-ৱাহায়গী মনুংদা খুন্নুং ৱাঙাঙ (Folk Speech), খুন্নুং মিঙ্গৌ (Folk Naming), পাউরৌ (Proverb), পাঙ্থে (Proverbial Saying), অমসুং পাউখোং (Riddle) অসিনচিংবা চল্লি। ৱারীদনা লাই-তিনগী ৱারী (Myth), থাজ-ৱারী (Legend), ফুঙ্গা ৱারী (Folktale), হেঞ্জিন-ৱারী (Talltale), থৌদোক-ৱারী (Anecdote) অসিনচিংবা পনবা য়াই। তাল ছন্দ নাইনা লীন-শক্লবা শৈরেং মওংগী চীনবুং সাহিত্যশিংদনা শৈরেংলেন (Folk Epic), খুন্নুং ৱারীশৈ (Folk Ballad) অমসুং খন্নুং ঈশৈ (Folk Song) অসিনচিংবা অসুম্না মখল খায়দোক্তুনা য়েংবা য়াই। মসিগী মথক্তা চেন্তস (Chants), লেমেন্টস (Laments) অমদি ক্রাইস (Cries) হায়রিবা চীনবুং সাহিত্যগী মচাকশিং অসিসু মীওইবা সমাজদা খোঞ্জেল অমসুং নাকোংগী পাম্বৈনা খুৎথাং চ৲না হিংদুনা লাক্লি।

চীনবুং সাহিত্যদা মোইরাং শাইওন ৱারীশিং অসি ৱারেং অমসুং শৈরেংগী শকওং অনীমক্তা হিংদুনা লাক্লি। মোইরাংম্বনিং-মখা তন্বা লৈবাক মচা অমা ওইরিঙৈ, মৈতৈ লৈবাক্কী মখা পোনবা লৈবাক ওইদ্রিঙৈ মোইরাংদা থোকখিবা মোইরাংশিংতগী ওইবা অশেংবা ৱারীনি হায়না শাইওন ৱারীশিংবু লৌনরম্মী। অদুবু মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বা (খৃ: ১৪৩২-৬৭) সনাহাক্তত্তা মোইরাংনা মৈতৈগী মখা পোনবা লৈবাক ওইখিবদগী মোইরাংগী লৈকায় নিপালদা মপুং ওইনা লীন-শক্লরম্বা ৱারীশিংনা মণিপুর মীয়ামগী অপুনবা মরল ওইখি। খৃষ্টগী অঙনবা চহীচাদগী হৌনা ৱারীশিং অসি চীনবুং ৱারী ওইনা ঙসিগী মীরোল ফাওবা হিংদুনা লাক্লি।

শাইওন ৱারীশিংনা মীয়ামগী মরল ওইনা চ৲নরকপা মতমদদি হৌদোকখিবা মীওই অদুগী মমিং মথা থোয়না খঙঙুবগী দরকার ওইদ্রে, মীয়াম্নসু মখোয়বু কাওথোক্লরে। মসি চীনবুং সাহিত্যগী থোইদোকপা মগুণ অমনি। মালেমদা লৈরিবা চীনবুং সাহিত্যগী ৱারীশিংদা অহানবা হৌদোকখিবা মীশক মীওই খরাগী মমিং খঙবা ঙমজরবসু অয়াম্বনদি খঙবদা ৱানা থোকই। মরমদি চীনবুং সাহিত্য হায়বসি অহিংবা করেক্টর ওইনা চীম্থাংদা মীরোল কয়া হিংলকপনা চপ মান্নবা ৱারী অমা মী অমনা লীবগা অতোপ্পা মী অমনা লীবগা মান্নদবা

supposedly based on fact, with an intermixture of traditional materials, told about a person, place, or incident. (p-612)

লোজেণ্ড হায়বসি অচুম্বদা য়ুম্ফম ওইদুনা খুন্নাই অমগী চৎনবী থাজনবীগী মচাক কয়াগা লোয়ননা কনাগুম্বা মীশক মীওই, লম নৎত্রগা থৌদোক অমগী মরমদা লীনবা ৱারীশিং অদুবুনি হায়না ফোঙদোকলম্মী। *The Encyclopedia Americana* দসু লেজেণ্ডবু অসুন্না মশক তাক্লম্মী :

> Legend, a traditional narrative frequently involving kings, heros, or other important persons and presented as true. Legends are not historical records, but they may include historical personage and facts. (p-169)

লেজেণ্ড হায়বসি চৎনবী ওইনা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না খঙনরবা নিংথৌশিং, মতিক মথৌনা ফবা মীওইশিং নৎত্রগা কাঙলুপ অদুগী য়াম্না মরুওইবা মীওইশিংনা ৱারী অদুদা য়াওহন্দুনা অচুম্বা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক্কী ৱারীনি খন্না লীনবা ৱারীনি। ৱারীশিং অসি ইতিহাস্তা থঙ্গে শেংনা থোকখিবগী রেকোর্দতি ফংদে অদুবু ইতিহাসকী মীশক মীওই অমসুং অচুম্বদি য়াওই হায়বা য়াই। মথক্কী শক্তাক ৱারোলশিংগী মতুং ইন্না লেজেণ্ড হায়বসি চৎনবী ওইনা ৱারেংগী মওংদা লীনবা, লীরিবা অমসুং তারিবা অনীমক্না অশেংবা থোকখি খন্নবা ৱারীনি। ৱারীশিং অসি ঙসিগী মালেমদগী পুংকুই কুইদ্রিবা মতমদা থোকখিবা ৱারীনি। ৱারীগী হীরমদি কাঙলুপ অমগী মীয়াম্না মশক খঙনরবা মীওইশিংগী মতিক মথৌনা নৎত্রগা অঙকপা থবক্কী মরমদা, লম অমা শেমখিবা, থোনখিবগী মরমদা অমসুং কাঙলুপ অমগী মীয়াম্না নীংশিংনিঙাই ওইবা থৌদোক অমগী মরমদা লীনবা ৱারীনি। লেজেণ্ড ৱারীশিংদা লাইরমলেনগী ওইবা ৱারীশিংদা লাইরমলেনগী ওইবা ৱারীগী মচাক য়াওজরবসু তাইবংপালগী ওইবা থৌদোকনা মপুংনি। লেজেণ্ডদি তাইবংপালগী পুন্সিগা মরীলৈনবা ৱারীনি। লেজেণ্ড ৱাহৈগী চপ চানা ৱাহম্থোক পীবা ঙম্বা ৱাহৈ মণিপুরী লোনগী পূক্কেদা লৈতে। অদুবু লমদমসিগী অখঙ-অহৈশিংনা থাজ-ৱারী হায়রগা লেজেণ্ড ৱাহৈগী মহুৎ শিন্দুনা শীজিন্নরি।

মোইরাং শাইওন ৱারীশিং অসিসু থাজবদা য়ুম্ফম ওইদুনা খুন্নাই অসিদা লীন-শরুরকপনা ফোকলোর বিষয়গী মীৎয়েংদগী থাজ-ৱারী অমনি হায়না লৌবা য়াই। থায়নদগী

চীনথাং ৱারীগী শক্লোন অমদি খোঙচৎ অসি ফুঙ্গা ৱারী, খুন্নুং ঈশৈ, খুল্লং ঈশৈ, ফমশক, পেনাগী শৈশক, অমসুং ধুলোক য়ৈরগা শকপা শৈশক অসুম্না মতমগী খোঙচৎকা শাগোন্নরকই। হৈসনাম মঙ্গোলজাওনা শাইওন ৱারীনা মতৌ করম্না খুন্নাই অসিদা লীন শকনরকপা হায়বগী মতাংদা থমলন্লিবা মোত অসি ১৮ শুবা চহিচা মমাংগী শক্তম্নি হায়না লৌবা য়াই। অদুগা বরমণিনা পীরন্লিবা মোত ১৮ শুবা চহিচাগী অমদি হৌজিক চথরিবা ৱারীগী শক্তম অসিনি হায়না লৌবা য়াই।

চীন্থাংদা থায়নদগী ঙসি ফাওবা মণিপুর খুন্নাইদা লীনদুনা লাক্লিবা মোইরাং শাইওন ৱারীশিংদা জাতি অসিগী মৈহৌরোলদগী নীংজরকপা আশা, মঙলান, ফীদম, নীতি অমসুং পুন্সিগী মীৎয়েংনচিংবা কয়া নীংথিজনা য়াওরি। অঙনবা মতমগী মোইরাং লমদমদা থোকখিবা ৱারীনি হায়না জাতি অসিনা লৌনরবসু ৱারীশিং অসিদি চহী চা কয়াসি মণিপুর মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা ৱারী ওইদুনা লাক্লি। মীয়ামগী মরল ওইনা চহীচা কয়া চঙনা শেমগৎলকপা অমদি মীরোল কয়া লান্না লীনরকপনা মতম মতমদুগী মীয়াম্না পামজবা ৱাখল্লোনশিংগী মমি কয়ানা পুন্না তোৎন-তিন্নদুনা ৱারীগী শকওংদা য়াওরি। মোইরাং শাইওন ৱারীশিংগী মনুংদা মহাকাব্যগী থাক য়ৌথ্রবা খম্বা থোইবী ৱারী অসিমক মণিপুর মীয়ামগী খুদোলনা মপুং মরৈ ফাহনবনি। মোইরাং শাইওন ৱারীশিংনা অপীকপা অঙাং নৱাগী পাঙ্খক মোইরাং লৈবাক্তা পোকচরবসু মপুং মরৈ ফাহল্লপদি মণিপুর জাতি অপুনবগী হোৎনজমন্নি। মোইরাং লমদমনা ৱারীগী মরু হুনফম ওইখ্রবসু ৱারীবু মপুং মরৈ ফানবা মখোঙ শোম্বীরকপদি মণিপুরী মীয়ামনি। মসিগী ময়েক লারবা খুদম অমত্তং পঞ্জরবদা চন্দ্রকৃত্তি মহারাজগী সনাহাক্তক্তা পেনাগী শৈশক্তা মোইরাং শাইওন ৱারীগী শক্তম চাওখৎহনখ্রিবা অসিনি। চন্দ্রকৃত্তি মহারাজনা জিলা খোঙলেংবদা পেনা শৈশকপদগী তাজখিবা খম্বা থোইবীগী ৱারী মতেক্কী রসপু মপুং ফানা ফংজনিংখিবনা নিংথৌগী অপাম্বা তুংইন্না চনম্বা বাপু হঞ্জবা, পাঙম্বা হঞ্জবা অমসুং ৱাংঙুগী লোইতোংবম ঙাংবা পেনা শকপা ওঝা অহুম্না থা অমা চুপ্পা শকপা য়ানবা খম্বা থোইবীগী ৱারীবু শেমগৎখি। অসুম্না থা অমা চুপ্পা শকপা য়ানবা ওঝা অহুম্না নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক চাকচামাংদা তান্নরগা মাগী মাগী পালি থোকপা নুমিত্তা থৱায় য়াওনা ৱাহৈ ৱাতা ফজবা অমদি লমদম অসিগী ওইবা প্রমান পান্থৈ, পাউরৌনচিংবা কয়ানা মতাং চানা ফেঞ্জিন্দুনা ৱারী অসিবু হেন্না মরিক চুম্না শাংদোকহনখি। থোইবীনা কবোদা লোই কুম্বগী লোই কাবা ফাওবা লম্মীৎ তুম্মীৎকা কোন্নবা ৱারী কয়া হাপচিনবতা নত্তনা

মোইরাং শাইওন ৱারীশিংবু ইতিহাসনা অচুম্বা থোকখিবা হায়না প্রমান তৌদ্রবসু চিঙ্থাংদা লৈবা ইতিহাস (ওরেল হিস্ট্রি) নৎত্রগা মীয়াম্না লীনবা ইতিহাস (ফোক হিস্ট্রি) নি হায়না লৌবসু য়াই।

থাজবনা মীওইবগী ৱাখলদা অচুম্বগী ময়োল চোংহল্লি অদুগা অচুম্বনা খুন্নাইগী তুংগী মীরোলদা লৌশিংগী মঙাল পীরি। মসিমকসি শাইওন ৱারীশিংদা লমদমসিগী মীয়াম্না য়েংলিবা ৱাখল অমসুং মীৎয়েং। ইতিহাসনা মীওইবগী হৌখিবা মতমগী সভত্য নৈনবগুম মোইরাং শাইওন ৱারীনা লমদমসিগী হৌখিবা মতমগী সভত্যগী নীংথিজরবা শক্তমশিংবু শীংথারি। অসুম্না শাইওন ৱারীশিংবু খুন্নাই অসিনা থাজবা অমগা লোয়নননা লীনবা, থাজবা অদুবু অমুক থাজবা থৌদোক ৱারীনা মতাং চানা শৌগত্তুনা থাজবদুবু হেন্না মরা চেৎশিলহল্লি। থাজবা ৱারী ওইনা শাইওন ৱারীশিংগী থোকখিবা মফম, মতম অমসুং পাত্রশিংগী পারি পুরি ময়েক শেংনা খঙহন্দুনা অমদি মতম মতমগী হোংলক্লিবা সমাজগী পুন্সি মহিংগা চান্নরবা লৈথেৎ লৈচল কয়া মফম চানা চানা ফেঞ্জিন্দুনা, খুন্নাই অসিনা ৱারীশিং অসিবু ইতিহাসকী মতম থেঙখাঙ কয়াদা থোকখিবা ৱারী ওইনা থাজনা লীনরি।

মোইরাং শাইওন চীন্থাংদা মীরোল কয়া লান্না মণিপুর খুন্নাইদা হোংবা নাইবা শাজৎকা লোয়নননা লীনরকপা ৱারী ওইবনা ৱারীশিং অসিদা চিনথাং ৱারীগী শাজৎ কয়া লোয়নরি। লোয়নননা লমদম অসিগী ইতিহাসকী ওইবা মচাক কয়াগী ফংফমসু ওইরি। মরম অসিনা মোইরাং শাইওন ৱারীবু লমদম অসিগী থোইদোক্লা মতিক মগুণ লৈরবা চীন্থাং অমসুং কংলৈরোল ৱারী অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই খঞে।

মতেং লোইখিবা লাইরিকশিং :

১) অঙাংহল সিংহ, হিজম, *খম্ব-থোইবী শৈরেং* (৩ শুবা খুৎনম), ইম্ফাল ২০০৫।

২) ইবুংঙোহল সিংহ, লাইরেনময়ুম অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ (সম্পা:), *চৈথারেল কুম্বাবা* (৩ শুবা খুৎনম), মণিপুরী সহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল : ২০০৫।

৩) বরমণি সরাংথেম, *মোইরাং শাইওন* (৫ শুবা খুৎনম), ইম্ফাল : ২০০৮।

৪) মঙ্গোলজাও সিংহ হৈস্নাম, *খম্বা থোইবী পুন্সি ৱারী* (অহানবা শরুক), ইম্ফাল : ১৯৭৯।

৫) মঙ্গোলজাও সিংহ হৈস্নাম, *খম্বা থোইবী পুন্সি ৱারী* (অনীশুবা শরুক), ইম্ফাল : ১৯৮১।

৬) ৱাখল, ভোল্যুম ৩৮ অমসুং ৩৯ শুবা, ঝলজিৎ রা:কু:, *খম্বা থোইবী শৈরেংদা মণিপুরী সমাজ অমসুং রাজনীতিগী পশ্চাত্ভূমি,* ইম্ফাল : ১৯৮০।

থাজনৈ। চীন্দা পুদুনা মীরোল কয়া লান্না লীনরক্লিবা নুংশিবী অৱাংবা যুম্ফম থোল্লিবা মোইরাং শাইওন ৱারীশিংদা ইতিহাসকী মচাক মানবা থৌদোক ৱাথোকশিং মরাং কায়না য়াওরি।

শাইওন ৱারীশিংবু মোইরাং লমদমদা থোকখিবনি থাজনবনা 'মোইরাং শাইওন' হায়রগা হেন্না খঙনরি। অসিগুম্বা খুন্নাই অমদা থাজবা অমগা লোয়ননা লীনবা ৱারীবু ফোকলোর বিষয়গী মীৎয়েংদা ওরেল লিত্রেচরগী কয়াৎ অমা ওইরিবা লেজেণ্ডনি হায়না লৌনৈ। লেজেণ্ড হায়রগা করম্বা মখলগী ৱারীবু খঙনদগে হায়বগী মতাংদা ফোকলোর বিষয়বু থিজিন্দুনা নৈনরিবা মালেমগী মশক নাইরবা ফোকলোরিস্তশিংনা তোঙান-তোঙানবা মোত কয়া ফোঙদোকলম্মী। মখোয়শিংদুগী লক্তগী খরদং লৌখত্তুনা পঞ্জরবদা-ৱিলিয়, আর, বেসকম্না লেজেণ্ডগী মরমদা পীরম্বা শক্তাক ৱারোল নীংশিংবা য়াই :

> Legends are prose narratives which like myths are regarded as true by the narrator and his audience, but they are set in period considered less remote when the world was much as it is today. Legends are more often secular than sacred, and their principal characters are human, they tell of migrations, wars and victories, deeds of past heroes, chiefs and kings, and succession in ruling dynasties. (Contribution to Folkloristic : 1981)

থাজ-ৱারী হায়বসি লাই তিনগী ৱারীগুম লীরিবা অমসুং তারিবা মীওইশিংনা অচুম্বা থোকখি থাজনবা ৱারেংগী মশক্তা লীনবা ৱারীশিংবুনি। খুন্নাই অদুদা ৱারীশিংদুবু লীনরিবা মতমদুগী পঙকুই কুইদ্রিবা ঙসিগী মালেম পৃথিবী অসিদা থোকখিবা অশেংবা ৱারীশিংনি লৌনৈ। ৱারীশিং অসি মফম-মতম অমদা হেক্তা লীনবা য়াবা, মীওইবনা ৱারীশিংগী মরুওইবা পাত্রা ওইবা ৱারীশিংনি। মীওইবা জাতিনা খুম্থোক-খুনহোংবা, লান অমসু লান্দা মাইপাকপা, মমাংঙৈগী মশক নাইবা মীওইশিংগী মতিক মথৌনা শীংথাবা, নিংথৌ-অঙম অথৌশিংগী থোইদোকপা থৌদোক ৱাথোকশিং অমদি মখোয়না পাঙথোক্লম্বা নিংশিংনিঙাই ওইবা থবকশিংনা মরুওইনা থাজ-ৱারীগী হীরম ওইদুনা খুন্নাইদা লীন-শকনৈ। মখা তানা লেজেণ্ডবু *Standard Dictionary of Folklore Mythology and Legend* দা অসুম্না হায়রম্মী :

Legend has since come to be used for a narrative

হৌজিক্কী মণিপুরী খুন্নাইদা ফুঙ্গাৱারী

নোংমাইথেম সোনিয়া দেবী
রিসার্চ স্কোলর, মণিপুরী দিপার্টমেন্ট
মণিপুরী য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর

করম্বা মতমদগী করম্না হৌদোরকখি হায়বদা লুনা থোকলবা চীনবুংদা থংথরকপা ফোকলোরগী শক্লোনশিংদা ওরেল লিত্রেচরগী মনুং চনবা ওরেল নেরেটিভকী শরুক অসি য়াম্না মরুওইবা শরুক অমনি। ওরেল নেরেটিভ হায়বা ফোকলোরগী মচল অসিগী মনুংদা করি করম্বা মচলশিং চল্লি হায়বগী মতাংদা 'থিওরিতিকেল এসেস ইন ইন্দিয়ন ফোকলোর (Theoretical Essays in Indian Folklore)' হায়বা লাইরিকসিদা জৱাহরলাল হন্দুনা অসুম্না ফোঙদোকলি :

> Oral literature called Verbal art or expensive literature are "Spoken, Sung, and voiced forms of traditional utterance",[19] Traditionally this sector has been known as folk literature. Oral narrative is one big sub-division of this group, which in turn has its own manifold distinctions. For example, myth, fairytale or marchen, romantic tale or novella, religious tale, folktale, legend, animal tale, anecdote, joke, numskull tale etc., are the major forms of oral narrative genre. (Page : 13)

ওরেল নেরেটিভকী মনুং চনবা মচাকশিং মিথ, লেজণ্ড, ফোকটেলনচিংবশিং অসি মণিপুরী খুন্নাইদসু অদুমক ফংই। অদুগা ফোকটেল হায়রিবা ওরেল নেরেটিভকী মনুং চল্লিবা মচাক অসিমদি মণিপুরী খুন্নাইদা য়াম্নমক মরাং কায়না ফংই হায়বা য়াই। ফোকটেলবু কন্ট্রিব্যুসন্স টু ফোকলোরিষ্টিক্স (Contributions of Folkloristics) হায়বা লাইরিকসিদা

হৌনা খুন্নাই অসিদা লীন-শক্লদুনা লাক্লিবা মোইরাং শাইওন ৱারীশিং অসি মোইরাং লমদমদা ঙল্লিঙৈ মতমদা লোকেল লেজেণ্ড ওইনা লীন-শক্লরম্লবসু ১৫ শুবা চহীচাগী মতুংদগী মণিপুর পুম্বগী থাজ-ৱারী নেসনেল লেজেণ্ড ওইখি। শাইওন ৱারীশিং অসি মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু থৱান্থাবা (খৃ: ১১৯৫-১২৩১) সনাহক্তক্কী মমাংদা মোইরাং লমদমদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক্কী ৱারীনি থাজনরি। ৱারীশিং অসি অককনবা মফম মোইরাংদা, অককনবা মতম খৃষ্টগী অঙনবা মতমদগী ১৩ শুবা চহীচা মৈতৈ নিংথৌ থৱান্থাবা নিংথৌগী মমাংদা থোকখিবা ৱারীগী মশকনি। মোইরাং নিংথৌরোলদা পীরিবা মতমগী মতুংইন্না পুরিক্লাই ফাং ফাং পোংলেনহনবদগী ইৱাং পুরিক্লাই লাইজিং পুন্সিবা সনাহাক্তক্কী (খৃ: মমাং ৫২ দগী খৃ: মতুং ১১৩৮-১২১০) মনুংদা থোকখিবা ৱারী ওইনা শাইওন ৱারীশিংবু শীংথানৈ।

শাইওন ৱারীশিংগী থৌদোক পরিংদা মরুওইবা পাত্রশিংগী মথক্তা ইতিহাসকী মরুওইবা মীওই কয়া মোইরাং নিংথৌ ইৱাং তেলহৈবা (খৃ: ২৮-৭৮), সনা লৌখ্বা (খৃ: ১৮৫-২৩৫), চীঙুখুতেলহৈবা (খৃ: ১০৮৩-১১৩৮), লাইজিঙ পুন্সিবা (খৃ: ১১৩৮-১২১০), চাওবা নোংথোনবা, থোংলেন অশুপ্পা, খুমন পুরেম্বা, কবুই সলাং মাইবা অসিনচিংবা মোইরাংগী পুরীক্লাই অমসুং মশক নাইবা অঙম্বশিংগী ৱারী কয়াসু শাগোন্নহল্লি। ৱারীশিংসু মোইরাংগী লৈকায় নিপাল-ঙাংখা, খোয়োন, ঙাংলৌ, ওকচিন, য়াওশু, খান্বী, হিগা অমসুং চেংলৈদা মপুংওইনা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক্কী য়ুম্ফম শাগৎলি। ৱারীগী পরিংদা য়াওরিবা পাত্র খুদিংমক লাইগী ওইবা মতিক মগুন চেনবা লমচৎ খরা য়াওজরবসু মীগী লমচৎনা হেন্না লোইনহল্লি। ৱারীগী থৌদোক মতাং কয়াদা লাই তিনগী ৱারী কয়া পুশিল্লক্লবসু মীওইবগী পুন্সিদা ওইথোকপা য়াবা অশেংবা শক্তম ওইহল্লি। শাইওন ৱারীগী পাত্রশিংগী পারী পুরীগী হৌরকফম অয়াম্বনা মরিক চুন্না শৈথারি। মরুওইনা পাত্রশিংগী মমা মপাগী মমিং অমসুং লৈফমনচিংবা ময়েক শেংনা পল্লি। মসিগা লোয়ননা লমদম অসিগী মৈহৌরোলদগী শাগোন্নরক্লবা-মুক্না, খোঙ কাংজৈ, লমজেল, কাং, নুং অমদি শুক লংবা অসিনচিংবা মশান্না কয়াসু ৱারীশিং অসিগী থৌদোক পরিংগা লোয়নদুনা চৎলি। খুন্নাইগী চৎনরোলদগী মীৎয়েংদসু ইপা ইপু হাক্তক্তগী চৎনরক্লবা - খুন্নাইরোল, লৈঙাকলোন, শেন্মীৎলোন অমসুং লাইনিংলোন অসিনচিংবা মণিপুরী সংস্কৃতিগী তোপ তোপ্পা শক্তম কয়াসু মরাং কায়না ৱারীশিং অসিদা উবা ফংলি। মোইরাং শাইওন ৱারীশিংনা খুন্নাই অসিগী থায়নদগী চেন্থরকপা মীওইবা পুন্সি ঈচেলগী লীকলম অমা ময়েক শেংনা উংনবা লাক্লরি। মরম অসিনা

পীকখ্রবদগীনা চাউনা চাউরবা হীরম, পোৎক্রচিংবদা অওনবা খরা লাকপা হায়বসিদি মহৌশানি। ফুঙ্গাৱারীসু খুন্নাই অমগী মনুংদা লৈবা মচল অমা ওইবনা মতমগী য়াওন্দা খরা মখৈদি ওনবা তাবনি। খুন্নাই অমগী মনুংদা লাকপা অওনবা অসি মতৌ করম্না করম্বা মাইকৈদগী লাকপগে হায়বগী মতাংদা মজরুল ইস্লাম (Mazharul Islam) না মাগী লাইরিক 'ফোকলোর: দ পলস ওফ স পিপল (Folklore : The pulse of the people) হায়বসিদা অসুম্না ফোঙদোকলি :

> Social change may start in any part of the system, through changes in the external system for pattern of the group, alternations in its physical environment technical organisation, or even in its internal system, and will, of course, have back effects of a greater or lesser order on all of these. Both immanent and external factors are important in the changes of social systems, their birth and their death. (page :229)

মতমগী মতুংইন্না মীওইবা খুন্নাইনা চাউখৎলকপদগী সাইন্স এন্দ টেকনোলোজিগী পান্বে কয়া থোকলকতুনা ঙসিদি চীনবুংদখক হিংলম্বা ফোলোরগী মচাক মরল কয়া অনৌ অনৌবা পান্বেনা অনৌবা শক্লোন কয়ামুক পীরকলি। তশেংনা হায়রবদা হৌজিক্কী মতমদা থায়না মমাংঙৈদা লৈরম্বা ফুঙ্গাৱারী লীবা তাবগী চৎনবী অদু অসুম অসুম হন্থরকপগুম তৌরকপসিনা অনৌবা পান্বে কয়াসিনা মহুৎ শীনজিল্লকনবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরি। ফুঙ্গাৱারী লীবা তাবগী চৎনবী অসি খুন্নাইসিদগী হন্থরকপগী মরমসি হৌজিক্কী মতমগী মীওই অয়াম্বা চাউখৎপগী লমজেন্দা থবক্তা ফাজিন পুনশিল্লকপা মীওইশিং ওইরকপা অমদি ফুঙ্গাৱারী পাম্না তাগদৌরিবা অঙাংশিং ফাওবনা ফুঙ্গাৱারী তাবগী মতম ইরৈ লৈরক্তবা, লাইরিক লাইশুগী মতমনা হেন্না য়ামখিবা লোয়ননা অরেম্বা মতম খরদুসু বীজ্ঞান্না চাউখৎলকপগী মতুংইন্না পুথোরকপা পোৎলম তেলিভিজন (Television) ভিদিও গেমনচিংবা কয়াদনা হেন্না পুক্নিং লুপখিবা হায়বরিবা মরমশিং অসিনা ওইবা য়াই। অদুমকপু মরম কয়াশিং অসিনা ফুঙ্গাৱারীবু খুন্নাইসিদগী মাংহনখিবমক্তি নৎতে। ফুঙ্গাৱারী কয়া চীনবুংদগী লৌখৎতুনা লাইরিক ওইনা ফোঙদুনা তুংগী মীরোলগীদমক মমল য়াম্লবা লনগৈ কয়া খোমজিন্দুনা থম্লী। মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীবু খোমজিন্দুনা ফোঙবা ইহান হানবা লাইরিক অসি রাজকুমার শ্রী সনাহল সিংহনা ইবা 'ফুঙ্গা-ৱারী' হায়বসিনি হায়না লৌনরি। মসি ইংশোক ১৯৫৬ তা ফোঙখিবনি। লাইরিকসিগী মখা তারকপদা তোঙান তোঙানবা অইবা

125

ইংরাজী :

1. Bascom R. Willian, *Contribution to Folkloristics*, Archana Publication,Delhi : 1981

2. Dorson, Richard M. *Folklore and Folklife An Introduction,* The University of Chicago Press, Chicago and London : 1972

3. Dundes, Alan. *The Study of Folklore,* prentice-Hall, Inc., Englewood Cliffs N.J. : 1965

4. *Maria Leach (ed:), Funk & Wagnalls Standard Dictionary of Folklore, Mythology and Legend,* Harper & Row, Publisher, New York : 1984.

5. *The Encyclopedia American,* Vol. 17, Americana Corperate, New York : 1988

৷ ৯২৮

হাপতুনা ফোঙলি। মসিমকনসু মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীবু খুন্নাইসিগী মনুংদা থংথহল্লকপদা অচৌবা থৌদাং য়ারি।

মতৌ অসুম্না চীনবুংদগী লাইরিক্তা লাইরিক্তগী অয়েকপা শক্তমদা তোঙান-তোঙানবা শক্লোনদা থংথরকলিবা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীগী মশক্তা ইনৌ নৌবা শক্লোন অমা ওইনা ইংশোক ২০১০ গী জুলাই তাং ৩ দা ইম্ফালগী ভাগ্যচন্দ্র ওপন এয়র থিয়েতর (BOAT) দা মণিপুরগী ফুঙ্গাৱারীগী ওইবা অহানবা এনিমেসন (Animation) ফিল্ম 'কৈবুই কৈওইবা' হায়বসিগী প্রিমিয়র সো (Premier Show) উৎতুনা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীবু ফিল্মগী মশক্তা ইহান হানবা ওইনা পুথোরকখি। মসিদা নৎতনা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী খরসু তেনতক তেনতক তৌবা এনিমেসন্দা পুথোকখ্রে। মখোয়শিং অদুদি মিনিট মঙা শাংবা 'পেবেৎ' কী ফুঙ্গাৱারী, মিনিট তরুক শাংবা 'ইতা থাউমৈ', মিনিট তরানিপান শাংবা 'উচেক লাংমৈদোং', মিনিট মরি শাংবা 'তাপ্তা' অসিনচিংবনি। হায়রিবা এনিমেসন তৌরবা ফুঙ্গাৱারীশিং অসি ইন্টরনেটকী খুৎথাংদা মালেমগী মফম অয়াম্বদা য়েংবদা য়ান্নবা মওংদা য়ুট্যুব (youtube) নচিংবদা থাগৎতুনা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীবু মালেমগী মফম অয়াম্বদা খঙহনবদা তেংবাঙলি। মসিদসু নৎতনা পৃথিবীগী খ্বাইদগী মমিং চৎপা সোসিয়েল নেট্ৱার্কিং সাইট (social networking site) অমা ওইরিবা, 'ফেসবুক (facebook)' তসু 'ফোকতেলস ওফ মণিপুর (Folktales of Manipur)' হায়বা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীগী ওইবা অখন্নবা পেজ (Page) অমা হাঙদুনা পেজ অসিদা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী কয়া ইংলিশতা-ইথোক্তুনা হাপলি লোয়ননা এনিমেসন তৌরবা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী কয়াসু মীয়ামদা য়েংহন্নবগীদমক হাপতুনা থাগৎলকলি। মসিনা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী কয়া ইন্টরনেটকী খুৎথাংদা পাবা অমদি য়েংবা ফংহল্লি। মসিমকসু খুন্নাইসিদা লাকপা ফুঙ্গাৱারীগী অনৌবা মশক অমনি হায়জনিংই।

অওনবা খুন্নাইগী মরক্তা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীসু চুশিন্নবা মওংদা খুন্নাইসিগী মরক্তা মওং অমদা নৎত্রগা অমা অদুমক থংথদুনা লাক্লি। চীনবুংদগী লাইরিক্তা লাইরিক্তগী ওদিওদা ওদিওদগী ভিদিওদা মথং মথং অওনবা কয়াগা লোয়ননা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীনা মতমগী য়াওন তুংইন্ননা শক্লোন কয়ামুকতা খুন্নাইসিদা থংথরক্লি। মসি পূন্নমক ওইদুনসু মহৌশাদগী লৈরম্লবা ফুঙ্গাৱারী লীন তান্নবগী মশক অদুগী মহুৎ অনৌবা শক্লোনশিং অসিনা পুংশিন শিনখ্রে হায়বদি লানগনি। অনৌবা শক্লোনশিংনা অনৌবা মহাও অমা

ৱিলিয়ম আর বেসকেমনা অসুম্না শকতাক্লি : Folktales are prose narratives which are regarded as fiction.

ফোকটেলবু মণিপুরী লোন্দা ফুঙ্গাৱারী হায়না খঙনৈ। ফুঙ্গাৱারী অসি খুন্নাইসিদা মমাংঙৈ মীরোল কয়াদগী চীনবুংদা থংথদুনা লাকলবা খুন্নাইসিগী মীপুম অয়াম্বনা ইখঙ খঙনরবা মচল অমনি। মথক থোংবা অহলশিংনা মখা থাবা অঙাংশিংদা নুংঙাইনবা অমদি জ্ঞান লৌশিং পীনবগীদমক ফুঙ্গাৱারী অসি লীনৈ। অঙাংশিংসু ফুঙ্গাৱারী তাবসি য়াম্না পাম্লৈ। ফুঙ্গাৱারী অসি 'ফুংগা' মনাক খক্তদা লীন তান্নগদবনি হায়বা অকক্লবা নীয়ম লৈতে। অৱা পোত্থাবা ওইনা অশংবা মতমদা নুংঙাইগদবা মওংদা, মফমদা লীন তান্নবসি অদুমক তৌনৈ। ফুঙ্গাৱারী অসি খুন্নাইসিগী মনুংদা মমাংঙৈ মতম কয়া কয়াদগী চীনবুংদা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা ৱারীগী মশক্তা থংথদুনা লাকপদুনা ঙসিগী বীজ্ঞান্না খম থেংনা চাউখৎলবা মতম অসিদসু অদুমক অওনবা কয়াগা লোয়ননা খুন্নাইসিগী মরক্তা লৈরি হায়বা য়াই। মতাংসিদা লিন্দা দেঘ (Linda Degh) না 'ফোকলোর এন্দ ফোকলাইফ এন ইন্ট্রোডক্সন (Folklore and Folklife : An Introduction)' হায়বা লাইরিকসিদা নেরেটিভ হায়বসিগী মশাজৎ তাকপদা ফোঙদোকলিবা ৱাফম খরসি য়েংবদা কান্নগনি হায়না খল্লি মদুদি :

> Narration is ageless. The impluse to tell a story and th need to listen to it have made narrative the natural companion of man thoughout the history of civilization. Stories are able to adapt themselves to any local and social climate. They are old and venerable, but they are also new and upto date. (Page : 53)

ওরেল নেরেটিভকী মনুং চনবা লমদমসিগী ফুঙ্গাৱারীশিংদা মথক্তা থমজরিবা ৱারোল অসি অদুমক চুন্ননা থোকলি। মতম অমদা য়ুমগী ফুংগাগী অকোয়বদা কোয়না ফমদুনা অহল অমনা মচা মশুশিংদা লীবীরম্বা ফুঙ্গাৱারী কয়া ঙসিদি লাইরিক ওইনা ফোঙবদা নৎতনা এনিমেসন্নচিংবা তৌদুনা ফিল্ম ওইনা ফাওবা পুথোরক্তুনা চীনবুংদখক লীন তান্নরম্বা ফুঙ্গাৱারীবু অনৌবা শক্লোন কয়ামুক পীদুনা তুংগী মীরোলদা থংথহনবদা তেংবাঙলি। ফুঙ্গাৱারীদা মতমগী মতুংইন্না লাকলিবা অওনবা অসিবু ফুঙ্গাৱারীগী মশাজৎ নৎতেচীনবুংদখক লৈবদুবু ফুঙ্গাৱারীনি হায়না লৌদুনা ফুঙ্গাৱারীগী অনৌবা শাক্লোন অসিবু ফুঙ্গাৱারী নৎতে হায়বদি লানগনি খল্লি। হোংবা নাইবা মতমগী খোঙচৎতা খুন্নাইসিগী মনুংদা লৈরিবা পীকতা

126

চীনবুং ৱারীদা লৈরিবা সেকমাইগী খুন্থোক খুন্দারোল

লৌরিয়াম পুর্ণিমা দেৱী
রিসার্চ স্কোলর, মণিপুরী দিপার্টমেন্ট
মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর

হৌজিক্কী মতমদা হান্না চহী চা কয়াদগী চৎনরক্লবা লিচৎ-শাজৎ, চৎন পথাপ অমদি হৌরকফম ইকাও কাওনরক্লবা, অনৌবা মতমগী নুংশিত্তা অরিবসু মীরাইরবা মতম ওইরকপনা ঐখোয়গী অরিবা পারি পুরিগী মরমদা থিজিনবা অমসুং মদুবু ঙাক্তুনা থম্বা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাংনি ঐখোয় পুন্নমক্কী। মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপ পুন্নমক্কী খুন্থোকলোন অমসুং মখোয়না খুন্দাখিবগী ৱারী শিংবুন কয়া ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা চিনবুংদা রেকোর্দ তৌদুনা চহী কয়া থম্বীরক্লি। অদুবু ঙসিদি পুন্সিগী অহোংবা কয়া লেপ্তুনা চংশিল্লকপনা অমদি শিন্থা কয়া হোংলকপা লাইরিক লাইশুনা পুরকপা মোর্দনাইজেসনগী শাফু কয়ানা মরম ওইদুনা হান্নগী চৎন-লোনচৎ কয়া নাথৈদুনা থম্বিরি। অসিতা নত্তনা থাইনঙৈদগী চীনবুংদা থংথদুনা লাক্লবা পুৱারীগী ৱারী কয়া অসিবু পুথাং য়ৈনা শক্না শোন্নবা ঙম্বা অহলশিং অয়াম্বা লাই ওইখ্রে, অমদি লৈহৌরিবা খরা অসিসু মশিং য়ামদবতা নত্তনা, মখোয়না ফংজহৌরিবা মমল য়াম্লবা ৱারী কয়া অসিবু তানিংবা, খঙনিংবগী মীগী মশিং য়াম্না হন্থরকপনা মখোয়না থুপখ্রবা মতুংদদি ৱারীশিং অসিসু মাঙখ্রগনি হায়বগী অকিবা অমা লৈজবদগী সেমিনার অসিদা ঐহাক্না চকপগী মনুংদা লৈরিবা সেকমাইগী খুন্থোক খুন্দারোল অসি অইচে ওইনা পুথোকচবনি।

অৱাং সেকমাই ময়াম্না সেকমাই হায়রগা খঙনবা লমদম অসি মণিপুরগী অৱাং মাইকৈদা লৈবা থোইদোক হেন্দোক্লা মশক খঙনবা চকপা কাংলুপকী খুল অমনি। খুল অসি নেসনেল হায়ৱে নম্বর (৩৯)২ গী লম্বীদা ইম্ফালদগী অৱাংদা কিলোমিটর ১৯ রোম

কয়ানা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী লাইরিক কয়া মথং মথং ফোঙনরক্তুনা ঙসিদি মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীগী লাইরিক কয়ামুক লৈরে। মণিপুরদা 'ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফাল (All India Radio Imphal)' অসি ইংশোক ১৯৬৩ দা লিংখৎখ্রবা মতুং ইংশোক ১৯৬৪ দা অঙাংতগী ওইবা থৌরম 'চিলদ্রেনস প্রোগ্রাম (Children's Programme)' অসি পুথোক্তুনা চীনবুংদা খক শক্কা শক্কা উন্নদুনা লীন তান্নরম্বা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী কয়া ঈশৈগী শৈহেক্তা, ৱারীগী মশক্তা খোঞ্জেলখক্কী ওইবা পান্নৈদা তাবা ফংহল্লক্তুনা ফুঙ্গাৱারীবু অনৌবা শক্লোন অমা পীখি। মসিমক মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীগী মশক্তা লাকপা অচৌবা অওনবা অমনি হায়বা য়াই।

ইন্দিয়াগী এপিক, মিথ, ফোকটেলনচিংবা কয়াবু হৌগৎলকলিবা অঙাংশিংদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবগী পান্দমদা ইংশোক ১৯৬৭ তা 'অমর চিত্রা কথা (Amar Chitra Katha)' হায়না মীংথোন্দুনা ইন্দিয়ন এপিক, মিথ, ফোকটেলনচিংবা কয়াগী ৱারী শীংবুলবু অয়েকপা শক্তমগা লোয়ননা কোমিক ওইনা ফোঙদুনা ওষরল নেরেটিভকী মনুং চনবা মচলশিং অসিবু অনৌবা শক্লোন অমা পীখিবগুম্না মণিপুরদসু ইং শোক ২০১০ দা কে এস ঐচ সুবদনিনা লেংদুনা সামসন এস, মৈতৈনা য়েকলগা 'ইল্লিউসট্রেতেদ ফোকটেলস ওফ মণিপুর (Illustrated Folktales of Manipur)' হায়না মীংথোন্দুনা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীবু অয়েকপা শক্তমগা লোয়ননা কোমিক ওইনা ফোঙদুনা অনৌবা শক্লোন অমা পীরি। কোমিক অসিদা পুন্না চীং অদি তমগী ফুঙ্গাৱারী মঙা য়াওরি। মদুদি : ১) ইতা লাইথি, ২) লাই খুৎশাংবী, ৩) উচেক লাংমৈতোন, ৪) রোংমৈকাই অমসুং লাংবুঙ, ৫) সনারেন্বী অমসুং চাইশ্রা হায়রিবশিং অসিনি। কোমিক অসি মণিপুরী লোনবু ইংলিশ ময়েকতা ইথোক্তুনা ফোঙবনি। অসিগুম্বা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীগী কোমিক অসি ফোঙদ্রিঙৈ মমাং অমদি মতুং তারকপদা ৱারীগী মরুওইবা তাঙ্কক তাঙ্কককী অয়েকপা শক্তম খর খরা য়াওবা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীগী লাইরিক খরমখৈদি ফোঙখ্রে। খুদম ওইনা খরখক পনজরবদা ইংশোক ২০০৪ দা ফোঙবা ঙাথেম নিংঙোল কোঙবম ওংবী ইবেয়াইমা দেবীনা ইবা 'উমাইবী অমসুং অতৈ ফুঙ্গাৱারীশিং', ইংশোক ২০১১ দা ফোঙখিবা দা: চিরোম রাজকেতনগী 'শমফ অমদি অতৈ ফুঙ্গাৱারীশিং' অসিনচিংবনি। অদুগা ইংশোক ২০১১ দা ইহান হানবা ওইনা মৈতৈ ময়েক্তা ইবা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীগী কোমিক বুক 'চেক্লা লাংমৈতোন' হায়বসি ফোঙদুনা লমদমসিগী ওইবা ময়েক্লা লমদমসিগী ফুঙ্গাৱারীবু অনৌবা মশক অমা পীখি। মসিদসু নৎতনা মণিপুরদা ফোঙবা চেফোঙ পোক্লফম্মনচিংবা কয়াদসু ফুঙ্গাৱারী কয়া নোংমা নোংমগী মতেক মতেক

লকানুংদা চোংশিনখিদুনা চোংথোরকপদা চকপা মহারাবগী নিংথৌ ওইদুনা পাল্লগে হায়দুনা কুরুবু তরেৎলক কোইদুনা খুরুম্বদা কুরুনা নঙনা তাইবঙ পানবা পূম্নমক্কী মপু তাইমা লেমবাগী নিংথৌ ওইদুনা পাল্লো হায়দুনা য়াথং ফংলবদা কুরুগী মমিং থোনগে হায়দুনা কুরুবু খুরুম্বা চংলকপদা কুরুদি লৈরমদদুনা সনা তাংবন ওইনা লৈরমলে। কুরুনা মনম নুশা য়াইদুনা সনাগী কাঙচুপ থক্তুনা লৈরম্মী হায়বগী কুরুগী মমিংবু নোংশাবা হায়দুনা থোল্লম্মী। চকপা তাইমা লেমবানা লৈমা শংখনু পান্নদুনা চকপা পোংবনিংবা পোকএ। ... য়ৌলেমবনা হুইয়াই তোংজেং শাফাবীবু পান্নদুনা চকপা মহারাবা পোকএ। চকপা মহারাবানা হুইয়াই তোংজেংখুবী পান্নদুনা লৌপাননে, তাংবানে, পানচীকনে, চিকচিকপানে, চকপানে, মেনমিৎনে পোকএ। ... মখোয় অসিদগী খাইদোকখিবদি হান্না মোংবা শাগৈ তারকএ। লুনা শেংনা তারকএ শেংমাই কৌএ। খুৎজেং লাকনা খুৎপী কৌরোংশুনা কুল্লকএ শেংমাই খুলাকপম কৌএ। (খ্বাইরাকপম ওইখি) ... লাখায়গা লাশেংগা অনীনা ইরমজেংদা তাখিদুনা সেকমাই ওইখি। পাখংবগী ঈরিক ঈখোং শেংনা লৈরম্মী হায়বগী শেংমাই কৌখি। ... শলাই মচেৎ অমনা সেকমাইচিংদা তাখি। মসিগী মতুংদদি সেকমাই খরনা অৱাংনা তাখিদুনা অৱাং সেকমাই ওইখি।

সেকমাইগী খুৎই লাইরিক ওইরিবা 'চকপা খোইরা' হায়রিবা পুয়া লাইরিকগী ৱারীসিদা সেকমাই কৌখিবা অমদি চকপশিংনা তোঙান-তোঙানবা খুলশিংদা খুন্দাখিবা অদুগা সেকমাইদা খুন্দাখিবা চকপশিংগী তোঙান তোঙানবা য়ুম্নাক শাগৈ মরমদসু কুপ্না য়াওরি।

পণ্ডিত ঙারিয়াম্বম কুল্লচন্দ্রনা ইথোকপা "চকপলোন খুনতাবা" লাইরিকতসু সেকমাই করম্না কৌখিবগে হায়বগী মতাংদা অসুমনা ফোংদোকলি। 'হয়ি খুনুং লাংবাচককি মমাংদা লৈনুং থোংঙারেনগী মনাও চিংখোং পোইরৈ তোনগা মতৈমা লৈমালৈনাওতাবিগা লোয়ননা মালেমদা খুম্হোকলকখি। মখোয়না পোইরৈ সিতবা নাতবাবু লৈবারা হায়না খুলথিরকপদা য়োইময়াই তাওতনবাগী কৌরৌ মৈশা খাংঙবা ঙমদ্রবগী তুরেল লাইচায়িতা কুমদুনা মনম মথা সেংথোকলময়ে হায়বসি চকপা য়িনম সেংওতৌনা কৌখিবদগী সেকমাই হায়না খঙনখি হায়না ফোঙদোলম্মী।'

অঙনবা মতমদগী মণিপুরদা খুন্দারে হায়রিবা চকপশিংনা করম্না খুন্দারকখিবা অমদি করম্না খুলশিং হৌরকখিবগে হায়বগী মতাংদা শ্রীলৈশুংবম চৈত্য সিংহগী "অন্দ্রোগী হরাওবা" হায়না নৈনবা ৱারেংদগী ৱাফম খরদং লৌখৎচরি :

131

পীরবসু হান্নগী লীন তান্নবগী মশক অদু পুংমুৎ মুৎখিবদি খরা ৱানা থোকখিবনি হায়না খনজে। ঙসিসু অঙাংশিং ফুঙ্গাৱারী লীবীরবদি হরাওনা অমদি পাম্না তান্নরি।

মতৌ অসুম্না চীনথাংদা মীরোল কয়াদগী থংথদুনা লাকখিবা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী কয়া হৌজিক্কী মতমগী মণিপুরী খুন্নাইদা অনৌ শক্লোন কয়াদা থোক্লক্তুনা চীনবুংদখক হিংলম্বা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী কয়ামরুম লাইরিকতা পাবা ফংলে, ঈশৈগী শৈহেক্তা তাবা ফংলে, থায়নদগী চীনবুংদখক তাবা ফংলম্বা ফুঙ্গাৱারীগী চরিত্রশিং অদুবুসু মিৎমাংদা পুথোক্তুনা অয়েকপা শক্তমদা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী চরিত্রশিং অদুবুসু মিৎমাংদা পুথোক্তুনা অয়েকপা শক্তমদা ফুঙ্গাৱারি কয়া দ্রামাগী আর্ট ফোর্মদা ওন্থোক্তুনা ফুঙ্গাৱারীবু ভিজুয়েল (Visual) আর্ট ওইনা উহনখ্রে। থায়নদগী লীন তান্নদুনা লাকলবা খুন্নাইসিগী ফুঙ্গাৱারী কয়া অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পি ঐচ, দি অমদি এম ফিলদা রিসর্চকী হীরম ওইনা ফাওবা লৌখৎতুনা নৈনখ্রে। হায়রিবশিং অসি মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীদা মতমনা পীবা অওনবশিংনি লোয়ননা হৌজিক্কী মণিপুরী খুন্নাইদা লৈরিবা ফুঙ্গাৱারীগী ফিভম অদুনি হায়জনিংই।

মতেং লৌজখিবা লাইরিকশিং

১। ইবেয়াইমা, ঙাথেম নিংঙোল কোঙবম ওংবী, *উমাইবী অমসুং অতৈ ফুঙ্গাৱারীশিং*, কোঙবম কুম্ম্যুনিকেসন সেন্টর, ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপাল, ইম্ফাল (২০০৪)

২। ভোগেশ্বর ও, *মণিপুরী লোক সাহিত্য (মৈতৈ খুন্নাইরোল ফুঙ্গাৱারী)*, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী ইম্ফাল, ১৯৮৫

৩। রাজকেতন, দা চিরোম, *শমফ অমদি অতৈ ফুঙ্গাৱারীশিং*, কলচরেল রিসার্স সেন্টর মণিপুর, ২০১১।

৪। সনাতোম্বী সোরাম, *মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী*, য়ু জি সি-এস এ পি, মণিপুরী দিপার্টমেন্ট, মণিপুর য়ুনিভরর্সিতি, কলচরেল রিসর্চ সেন্ট মণিপুর, ২০১৪

৫। সিংহ, নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (খোমজিনবা), *অরিবা মণিপুরী লোনগৈ*, অহুমশুবা খুৎনম, ২০১২

৬। Bascom, William R, *Contribution to Folkloristics*, Archana publication, Meerut, 1981

৭। Dorsan, Richard M (Ed), *Folklore and Folklife: An Introduction*, The University of Chicago Press Chicago and London, 1972

৮। Handoo, Jawaharlal, *Theoretical Essays in Indian Folklore*, Zooni publication, 2000.

৯। Islam, Mazharul, *Folklore the pulse of the people, In the Context of Indic Folklore,* concept publishing company, New Delhi, 1985.

য়াবিরদুনা কংলাদা লাকখি। পাখংবনা কংলাদা লাকপা মতমদা তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা ঈশিং ঈপাক ওইনা লৈরম্মী। হায়না থাজনৈ। মরম অসিদগী পাখংববু হি তোংহন্দুনা কংলাদা পুখৎলকলগা মহাকপু নিংথৌ ফম্বাল তোংহনখি। মতম অদুদগী পাখংবনা চকপশিংগী লুচিংবা ওইনা পানখি হায়না সেকমাইগী খুনজাশিংনা ঙসিফাওবা থাজনরি।

মরম অসিদগী চকপা কাঙলুপ অমা ওইরিবা অৱাং সেকমাইগী লাই হরাওবগী ঈকৌবা অমদি লাইরোইগী থৌরমশিংদা হিরাওরোন ঈশৈ শক্তুনা মহাক্না কুমলকপা অমদি কাখিবগী মথৌ মঙম অৱাং সেকমাইগী খুনজাশিংনা ঙসি ফাওবদা পাংথোক্তুনা লাক্লি। অসুম্না পাখংবনা কংলাদা চকপশিংগী নিংথৌ ওইদুনা পানখ্রবা মতুংদগীদি চকপশিংনা চাউপুরী পুঙ, পুঙশাই খোং অহোঙকয় অমদি পুনশি ৱান্নচিংবদা মথং মথং খুন্দাখি।

অরোইবা ওইনা খা সেকমাইদগী অৱাং সেকমাইদা লাক্তুনা করম করম্না শাগৈনা খুল লিংখিবগে হায়বগী মরমদা সেকমাইগী মাইবা ওইরিবা লাইময়ুম ধঞ্জনা অসুম্না তাকপিরকই।

অৱাং সেকমাইদা অহানবা ওইনা খুল তাখিবসি মহারাবম শাগৈগী ইপু অমনি। অদুবু ইপু অসি খুল লিংলমদনা য়াৰৈ (মাপাউ) হায়রিবা জাতিগী মরক্তা লৈখি হায়না থাজনৈ। মহারাবমগী ইপুগী মথংদা চান্দমগী ইপুনা খা সেকমাইগী অৱাংদা লাক্তুনা খ্বাইদগী হান্না খুল তাদুনা খুললিংখি। অদুগী মতম ইকান কান্নদনা খা অমদি নোংপোক সেকমাইদা লৈহৌবা সেকমাইশিং অৱাংদা লাক্তুনা পুন্না খুন্দামিন্নখি। অৱাং সেকমাইদা ইহান হান্না খুল লিংখিবা চান্দমগী ইপুবু খুল্লিং খুল্লাকপা, য়ুমলেম্বমগী ইপুনা অহানবা লুপ লাকপা ওইখি। মহাকপু পাল্লিং মীংথোল পীদুনা পানখি। মহারাবমগী ইপুসু লুপ্লাকপা ওইখি মাগী মমিংদি শিল্লিং কৌএ। মখোয়গী মতমদা অৱাং অমদি নোংপোক হাও লাল কনবা মরম্না য়াম্না চেকশিন্না লানবন শাদুনা লৈনখি। লাবন অদু ঙসি ফাওবা লৈরি। খা সেকমাই অমদি নোংপোক সেকমাইদগী লাক্তুনা খুল তামিন্নখিবা শাগৈ অমদি য়েকশিংদি : চান্দম, য়ুমলেম্বম, মহারাবম, অঙোম, খ্বাইরকপম, উশম, মোইরাংথেম, থাংজম, অয়াংবম, লাইময়ুম হায়রিবা শাগৈশিং অসিনি। লাইময়ুম হায়বা য়ুম্নাক অসি মৈতৈশিংগী মরক্তদি মৈতৈ বামোলশিংগী য়ুম্নাক ওইনা লৈ। অদুবু সেকমাইদদি বামোন ওইদে য়ুম্নাক অসি চকপা সেকমাই ওইনা অদুম্মক লৈরি। অদুগা অতোপ্পা চকপা খুল অতৈদা য়ুম্নাক অসি লৈতে। অৱাং সেকমাইদা তারিবা শাগৈ তরা অসিগী য়েকশিং অমদি শাগৈদি :

133

চৎলগা লৈ। সেকমাইগী নোংপোক্তা নোংপোকনিংথৌ চীং, অৱাংদা কংলাতোম্বী খুল, নোংচুপ্তা কান্তো, মখাদা তেন্দোংয়াং খুলশিংগা য়ুমলোন কৈরোন্ননা খুন্দাদুনা লৈমিন্নে। অৱাং সেকমাই ইম্ফাল ৱেস্তগী মনুং চন্না লৈবা খুঙ্গং অমনি।

অৱাং সেকমাইগী খুন্থোক খুন্দা

চকপা কাঙলুপকী মনুং চনলিবা অৱাং সেকমাইগী হৌরকফম খঙনবগীদমক্তা লমদমসিদা খুন্দারিবশিংগী মনুংদা অরিবা মীওই কাঙলুপনি হায়না থাজনরিবা চকপগী মরমদা খঙদবা য়াদে। চকপা হায়বা কাঙলুপ অসি মণিপুরদা খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা কাঙলুপকশিংগী মনুংদা অরিবা কাঙলুপ অমনি হায়না লৌনরি। য়েলহৌঙৈদগী হৌনা মণিপুরগী অতোপ-অতোপ্পা মফম কয়াদা চকপা কাঙলুপশিংনা খুন্দাদুনা লৈরকলি। চকপশিংনা মপুং ওইনা খুন্দাদুনা লৈরিবা মফমশিংদি - অন্দ্রো, থৌবান্দোং, থোংজাও, চাইরেন, কৌত্রুক, নোংপোক সেকমাই, ফয়েং, লৈমরাম, তাইরেনপোকপী, শঙাইথেল, খুরখুল অমদি ৱাথা অসিনচিংবনি। চকপা কাঙলুপকী মনুং চনলিবা অৱাং সেকমাইগী হৌরকফম অমদি মপা মপুগী পারি পুরীশিং করম্না খুন্দা লৈতাখি হায়বগী ৱারী ৱাখোং খরা থমজরি। অহানবা ওইনা খুলগী মাইবসু ওইরিবা য়ুমলেম্বম য়াইমানা সেকমাইগী অহল লমনশিংনা পাথাং-পুথাং লান্নদুনা থল্লকপা 'চকপা খোইরা' হায়বা পুয়া লাইরিক অদুদগী তাকপিরকপা ৱারি মতেক অমা পীজরি।

কুরু শিদবনা তাইবঙপান পুন্নমকপু শেমগে হায়দুনা ইহান হান্না শেন্নকপা কুরুদি অতিংকোকনি। কুরুশিংদবনা অতিংকোক শেমলবদা অতিংকোকনা অতিয়া শেমগে হায়দুনা চোংথোরক্লুনা লাইদি শেন্না লোইরে। মীদি শেন্না য়াদরে হায়দুনা অতিংকোকপা কুরু শিদবগী লকানুংদা চোংশিল্লুরগা চোংথোরকপদা চকপা মহারাবা কৌনা চোংথোরকএ। (মসিনা মহারাবম য়ুম্নাক ওইখি) অমুকসু অতিংকোকনা কুরুগী লাকানুংদা চোংশিল্লুরগা চোংথোরকপদা অতিংকোক কুরুগী মমিং চকপা তাংদা লেংবা কৌদুনা থোরকএ।

চকপা তাংদা লেংবানা ইবেনধৌ তাইবী লৈমা পান্নদুনা শাংদা লেংদা পোকএ। শাংদা লেংদানা লৈমা শংখানু পান্নদুনা তোংদা লেংবা পোকএ। তোংদা লেংবানা য়াওরৈবী পান্নদুনা তাংনাইদবা পোকএ। তাংনাইদবনা কংলা ফম্বাল য়ৌরে। চাকলৈমা পান্নদুনা তোংমা খুবী পোকএ। তোংমা খুবীনা পনথোইবী পান্নদুনা পাখংবা পোকএ। তোংমা খুবীনা কুরুগী

152

ইবুধৌ ৱাংব্রেনগী থাজৱারী

সমজেৎশাবম মেমথোই দেবী
রিসার্চ স্কোলর, মণিপুরী দিপার্টমেন্ট
মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর

তরানিপাল অমদি তরামাপলশুবা চহীচাদা লমদমসিগী কলচরদা অচৌবা অওনবা অমা থোকহল্লক্লবদা মণিপুরী কলচরসু মাঙহন্দনা থল্লকখিবসি উমংলাইশিংননি হায়বা-য়াই। অসিগুম্বা উমংলাইশিং অসিগী থৌদোক ৱারীশিং নৈনবনা ঐখোয়গী হৌরকফম লাইনিং লাইশোন, য়ুমলৈ কৈরৈ, ফিজেৎ-লৈতেং কয়াময়েক লানা খঙহনবদা নত্তনা চীংমী তম্মী অনীগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা অচেৎপা লীপুন কয়াবুসু হৌজিক্কী মীরোলদা খঙহল্লি।

লাইনিংথৌ ৱাংব্রেন মৈতৈ লৈবাক্কী মাইকৈ ঙাকপা লাইশিংগী মনুংদা খা মৈরম ঙাকপা লাইনি হায়না থাজনরী। কংলৈপাক্কী খুন্থোকলোন্দগী হৌনা মৈতৈ লৈবাক্কী খা মাইকৈ অসি মরুওইবা মফম অমা ওইবগা লোয়ননা তৎনা থানবা লৈতনা লাকলি। পণ্ডিত মোইরাংথেম চন্দ্রসিংহনা অনৌবা ময়েক্তা ইথোকাপ পোইরৈতোন খুন্থোক কৌবা লাইরিক অসিদা পোইরৈতোন অমদি মতৈমা লৈনাউতবী অনীনা ময়াম্বা লৈনুং থোঙারেন অহনবগী থৌদা মতুংইন্না তাইবংপান্দা খুন্থোক্লবা খমনুংদগী নুঙথোঙ হাংলগা থোক্লকখি হায়না থাজনরিবা নুঙথোঙ হায়রিবা মফম অসি মমাংঙৈদগী হৌনা হৌজিক ফাওবা কিনা লুনা লৌনবা মফম অমা ওইরি।

মতৌ অসুম্না মখা মাইকৈ অসি খুন্থোকলোন্দগী হৌনা তৎন থানবা য়াদবা মফম অমা ওইদুনা লাকপগা লোয়ননা মণিপুরগী ওইনা কোনুংদা লাই তাইনবা অমদি মফম খুদিংমক্তা লাই হরাউবগী থৌরম পাঙথোকপা মতমদা অমাইবা অমাইবীশিংনা ইবুধৌ ৱাংব্রেনগী লাই শুমাংদা লাই তাইনফম ওইরি। ইবুধৌ ৱাংব্রেননা খা মাইকৈ ঙাকখিবা অমদি অনাল নিঙোল শঙনু লৈমা লৌখিবগী থাজৱারী নৈনবনা পেপর অসিগী মরুওইবা পান্দমনি।

অতিয়া শিদবনা কোরৌথক্তগী তাইবং সলাই তরেৎ অনি তরামরি মচিন-মনাও শাগৈ অসি কৌথখি। তরেৎ অমনা হলেঙ কৌরে। অতোপ্পা তরেৎ অমনা হঞোক কৌরে। মখোয়না মৈদিংঙু লৈজোম কৈথেনলেন্দা থুংলখি। কৈথেলদগী লৈমলৈ ঙা থিদুনা ৱাংখৈদা চাক থোংলে ময়াম্বা হলেমদি ঙাখা থোংদুনা চারে। অদুবু মনাও হঞোকতি খজিং অতেকপা থোংবদা মচু ঙাংলে, ঈ চংলে মুনদে হায়দুনা অমুক হন্না থোংলিঙৈ ময়াম্বা হলেঙনা হায়এ শানৌখোয় ঐখোয় চৎলমলগে মার খোঙ্গুল লিবদি পামেন উদা থাংনা হক্লমগে হায়রমলগা চৎখিরম্মী। মশানৌ হঞোকদি খজিং মুনদ্রে নামুংলে হায়দুনা খাঙ্গা মনা অহুমদা হৈদোক্লমলে মফম অদুবু খাপ্রাং পুং কৌখিয়ে। অদুদগী ময়াম্বগী খোঙ্গুল লিবা ফংদ্রে। অশোমদনা ময়াম্বা হলেঙদি অসুম চৎখিদুনা অৱাদা খুন্দাদুনা অৱাগী চৎন-লোনচৎ চৎদুনা অৱা লোন লোন দুনা লৈখি। মশানৌ হঞোকতি ময়াম্বা থিবা ফংদ্রবদা ৱারদুনা অমুক হলকখি হায়বগী হন্দ্রো কৌখি। হঞোকগী কাঙলুপনা পিবা মঙা ওইখি। অহানবনা হোরি কৌএ অন্দ্রোনে, মথংনা হোরো কৌএ খা সেকমাইনে, মথংনা য়াৱা কৌএ অৱাং সেকমাইনে, মথংনা কোশং কৌএ ফয়েং কৌদ্রুক থৌবালখোংনে, অতোনবনা কামুনে। ৱারি মতেক অসিদগী অৱাং সেকমাইদা চকপশিংনা খুন্দারকপগা মণিপুরগী মফম কয়াদা খুন্দারিবা চকপশিংগী ৱারী ৱাখোঙগা ইশম শন্নুনা লৈবগী মশক অমা উবা ফংলি।

অৱাং সেকমাই অসি অরিবা খুৎইগী লাইরিক অমদি চীনবুং ৱারীশিংদগী য়াম্না কুইরবা অরিবা চকপা খুল অমনি হায়বসি খঙবা ঙম্মী। চকপশিং অসি খৃষ্টগী মমাংদগী খুৎকল পাঙ্গনবা কাঙলুপ অমা ওইনা লমদম অসিদা পাল্লম্মী। "চকপরোল" নচিংবা খুৎই লাইরিকশিংদা নিংথৌজা শলাইগী অহানবা নিংথৌ ওইখিবা পাখংবনা কংলাদগী চকপশিংবু তানথোক্তুনা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবদগী ৱাফম লাইরিকশিংদা থেংনৈ। মতাং অসিদা অৱাং সেকমাইগী খুনজাশিংনা লাই হরাওবদা পাখঙবগী মফম অমা চাওনা কন্দুনা লৈখিবগী ৱারী মতেক অমা থমজরি।

অৱাং সেকমাইনা হরাওবদা লাই ঈকৌবগী থৌরম পাঙথোকই। থৌরম অসিদা লাইশিংবু নোংতোল থক্তগী কৌথরগা লাই পূন্নমক্কী মথৌ মঙম লোইদুনা হল্লক্লবদা হি কাবা হায়বা থৌরম অমা হিরাওরোল শক্তুনা য়াওরি। মসিগী মরমদি চকপশিংনা কংলাদা লৈরম্বা মতুংদা মখোয়গী মরক্তা নিংথৌ ওইবিনবা মতিক চাবা নিপা অমা ফাওবা লৈত্রবদা পাখঙববু অৱাংবা মফম (চীংগুম) দগী লাক্লনবা হায়জখি। হায়জবা অদুদা পাখংবনা

মপা-মমা ওইরিবা কৌবা কৌনু অনীগী য়াথংদগী মহাক্কী মরোই মনাওশিংগা লোয়ননা মখা মাইকৈদা খুনকুম্লকখিবনি হায়না তাকই। ৱাংব্রেনসু পিশুম য়েকপা, খোংচি য়াপা মুনা লাংবা লাইজা ইথোং লোনবা লেমলৈ ইথোং থিংবা[৩] হায়না শৈথারম্মী। লৈশেমঙেদা মৈরম চিথেক লৈঙাকখিবা য়ুচেং কৌবা লাই মহাক্কী মহুৎ শিন্দুনা ইবুধৌ ৱাংব্রেননা মখা মৈরম লৈঙাকখি।[৪] মসিগা লোয়ননা মখা মাইকৈদা খুনকুম্লকখিবা ইবুধৌ ৱাংব্রেনগী মতীক মগুণগী মরমদা পুয়াদা ইরম্বশিংদগী ইথোক্লবা সাইরেল নীলবীরগী লাইয়িংথৌ লাইরেম্মাশিংগী ৱারী শীংবুল হায়বা লাইরিকসিগী *'লাইয়িংথৌ খানচাউবা লোকনিংথৌ'* হায়বা মতাংসিদা পল্লিবা ইবুধৌগী মতীক মগুণ অসিসু ঐখোয়না থোইদোক্লা য়েংবা য়াই। চীংঙু খোইয়ুম লাইনিংথৌ মহাক্তি নমু তাইবং মীওইবগী ফত্তবা তিন্দুং লাইথুং লাইনা তিন্না, তিনমু লাইমু পুম্নমকপু মাঙহনগে হায়বগী খোইয়ুম মাগী মশাইকোলগী কংলৈ মসুমাঙদা থৌদু নূঙপাক থক্তা পাম্বা কৈরেন মপী মচানা ঙাক্কুনা লৈরি হায়রি। কুম অমগী শরোয় খাঙবদা কুম অদুগী লাক্কদবা লাইনা তিন্না, তিম্বুং লাইথুং পুম্নমক লাইনিংথৌ মঙোন্দা লাইতাইনরি। কুম অমগী থোক্কদবা অশি অনা, অনা অয়েক খুদিংমক ইবুধৌ মাগী মশাইকোলদা শিন্নখি।[৫]

মণিপুরগী ওইনা কোনুংদা লাই তাইনবা অমদি মফম খুদিংমক্তা লাই হরাউবগী থৌরম পাঙথোকপা মতমদা অমাইবা অমাইবীশিংনা ৱাংব্রেনগী লাইশুমাংদা লাই তাইনফম ওইরি। ৱাফম অসিগী মতাংদসু লৈবাক্লা ইকাই খুম্নরিবা পণ্ডিত শ্রীৱাহেংবম লুখোইগী *লাই হরাউবা* কৌবা লাইরিক অসিদা মখাগী অসুম্না ইরি :

> ... কোনুংদা লৈপাক্কী ওইনা তাইনবনা মনি নংগী সনা লৈময়োন হা নিংথৌ ফম্বীরেন ময়ায় শুমদোংপান য়াংগোই শরোইপুঙ নশু ইবুংঙো ফরা য়াইদি য়াইমাবা মনি য়াইদি য়াইথোম্বা লাইনিংথৌ মনি নংগী সনা লৈমায়োন অসিগী তিলয়েৎ লাইয়েৎ তিম্বুং লাইথুং য়েক্লা কল্লক শাপাও লালপাও পুম্নমক্তি থারৈ লেমলৈমদা খানা চাউবা কংলৈ মশুমাংদা পাম্বা কৈরেন মপি মচানা ফৎতবা লাকপা হোইথরকপা ঙাইদুনা লৈরিব অদুদা মথিক মথা থন্না ৱাইথুংহনবীয়ো। নুংঙাইবা য়াইফবা চাকহোং ঙাহোংবা পারি ইমোম পুঙ্গিববু ললকুবিয়ো। তিনয়েৎ লাইয়েৎপা শরোই লাললোই হৌইরকপনা ৱাংব্রেনগী শুমাংদা তেবাল ৱা অমা য়ুংলিবা অদুদা অথুপ্পা ওইনা কৈ মপি মচা লৈ অদুদা অমাইবা অমাইবীশিংনা নুংগী ওইবা মরোল খঙনা হোইথগনি।[৬]

মথক্কী ৱাফমশিং অসিদা মণিপুরগী ওইনা লাই তাইনবা অমদি লম লমগী লাই হরাউবা মতমদা তেবাল মখোংদা পাম্বা কৈরেন মপী মচাগী খয়াৎতা ফত্তবা তিম্বুং লাইথুং

নিংথৌজা য়েক্কী খ্বাইরাকপম শাগে।
অঙোম য়েক্কীনা য়ুম্লেম্বম, অঙোম।
খুমন য়েক্কীনা চান্দম, মহারাবম, অয়াংবম, লাইময়ুম।
লুৱাং য়েক্কীনা উশম
মোইরাং য়েক্কীনা মোইরাংথেম।
শরাং লৈশাংথেম য়েক্কীনা থাংজমনি।

চকপশিংগী পুয়া অয়াম্বা চীনবুংদগী লাকপনি। লাই হরাওবা থৌরমশিংদি শকনরিবা পুয়াশিং অসি চিনপুংদা শকনরি। অৱাং সেকমাইগী চিনপুংদা লৈরিবা ৱারিশিং অসিদগী মখোয়গী খুন্দারোলগী ৱারী অমা শাগৎনবা পেপর অসিদা হোৎনজদুনা থমজবনি।

বিব্লিওগ্রাফি

(ক) মণিপুরী

কুলচন্দ্র সিংহ, (ইথোকপা), *চকপালোন খুনতাবা*, ইম্ফাল, ১৯৯৩।

চন্দ্রসিংহ মোইরাংথেম (ইথোকপা), *চকপরোল*, শ্রীঅঙোম মেরা সিংহ, চকপা ফয়েং, অনীশুবা ফোংবা, ১৯৯২

চকপা খোইরা, পুয়া খুৎই লাইরিক (ফোংদ্রিবা)

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী, মণিপুরী লাই হরাউবগী ফেষ্টিভেল (নিংশিং চেফোং), ইম্ফাল, ১৯৭৩

গৌরচন্দ্র, ময়াংলম্বম, লম্মীৎলোন, ককচিং, ২০০৪

চন্দ্রসিংহ মোইরাংথেম (ইথোকপা), *পোইরৈতোন খুন্থোক*, ইম্ফাল, নৌনা নমথোকপা ১৯৯৪

(খ) উনজরুবা মীওইশিং

য়ুমলেম্বম য়াইমা, খুলগী মাইবা, সেকমাই অৱাং লৈকাই, চহি ৬৬, তাং ৫ /০৪ /১৪

লাইময়ুম ধনঞ্জয়, খুলগী মাইবা, সেকমাই ময়াই লৈকাই, চহি ৬৩, তাং ১৫ /০ ৪ /১৪

অঙোম তোম্বা সিংহ, খুলগী মাইবা, সেকমাই, চহি ৫৬, তাং ১৫ /০৪ /১৪

ৱাংব্রেনবু নীংজবগী মতাংদা আই.এস. অকোইজমগী *অনাল* কৌবা অসিদগী ৱাফম খরদং লৌখৎচরি :

> শঙনু লৈমবু লাইনিংথৌ ৱাংব্রেনগী মরানয়াইদা পুরকখিবা চহি অমগী মতুংদা ইবুংঙো মহাক্না অনাল খুল্লেন্দা অমুক চৎখি, অদুগা মফম অদুদা মহাক্কী মহুৎ শীনবা ওইনা নুংজাও অমা থম্লমখি। মদুগী নুংজাও অদু হৌজিক ফাওবা অনাল খুলেন্দা লৈরি। অনালশিংনা মদুবু পুজা তৌনরম্মী। নুংজাও অদুনা অনাল খুল্লেনগী মীশিংদা য়েক্রবশিং নৎত্রগা খুদোংথিবশিং লাক্লে হায়না হান্না তাকপীবগী থবক তৌই হায়না থাজনৈ। লাইয়িংথৌ ৱাংব্রেনবু মীতৈ অমসুং অনালগী লাই ওইনা লাৎখি।[৮]

মথক্তা লীজখিবা ৱারীশিং অসিদগী ইবুথৌ ৱাংব্রেনগী নুংগী খুভম অসিবু ঙসি ফাওবা য়াম্না কীনা লুনা লৌনবগা লোয়নননা অনালশিংনা মখোয়বু ঙাকপী শেনবীনবগীদমক লৈরিবা ঈশ্বরনি হায়না থাজনরি হায়বা খঙহল্লি। অনাল জাতিদসু অঙনবা মতমদা থব্রায় পান্দবা পোৎশকপু কীনা লুনা নিংনবা ফেটিসিজমগী থাজনবীশিং লৈরম্মী হায়বসু তাকই। মসিমক্লা অনাল খুল্লেনগী অনাল জাতিশিংনা মখোয়বু ঙাকপী শেনবীনবগীদমক ইবুধৌ ৱাংব্রেননা নুংগী খুভম অসিদা তোংদুনা লৈরগা মখোয়বু ঙাকপী শেনবীরি হায়না থাজনা কীনা লূনা নিংজবগী মশক্লি।

ইবুধৌ ৱাংব্রেননা অনাল নিঙোল শঙনু লৈমা লৌখিবসি তাইবং মালেমদা মীওইবনা চৎনবী নীয়োম নাইনা খুন্দা লৈতারগা লৈরবা মতম অমদা থোকখিবা ৱারীনি হায়বা য়াই। অনাল খুল্লেন্দা ইবুধৌ ৱাংব্রেনগা শঙনু লৈমাগা পাম য়ানবা চৎমিন্নবা অসিনা চীংগী লমশিংদা পামলৌ উবগী চৎনবী অসি চহী কয়াগী মমাংদগী চৎনরক্লে হায়বা তাকই। অনাল খুলেনগী মীয়ামদা ইবুধৌ ৱাংব্রেননা মহাক্কী তৌবা ঙম্বগী শক্তি উৎথোকপদা অনাল পাখৎশিংনা শাওদুনা মখোয়না লম্বা তৌনরগা নূঙ লংনবদা ইবুধৌ ৱাংব্রেননা থোইরগা শঙনু লৈমা লৌখিবা অসিনা মতমদুগী সমাজদা পাঙ্গল শক্তি লৈবা কনবা থৌবা মীওইশিংবু থোইদোক হেন্দোক্লা ইকাই খুম্নরম্মী। ইবুধৌ ৱাংব্রেন অমসুং শঙনু লৈমগী থাজব্রারী অসিনা লমদমসিদা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা চীংমী তম্মী অমত্তা ওইবা লীপুনগা লোয়ননা চারৌ মৌরৌনদুনা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরম্মী হায়বা উৎলি। অসুম্না লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা লৌন-লৈনদুনা ঙাই শেল ওইনা নুংশি চাননবা হিংমিন্নবদা উমংলাইশিংগী লীকলম মরিক চুম্না থিবা হৌজিক্কী মীরোলনা তঙাইফদবা ওইরে।

থাজব়ারী হায়রিবা মণিপুরী ৱাহৈ অসি ইংরাজিগী লেজন্দ হায়বা ৱাহৈ অসিগা মান্নবা লৌনরি। তোঙান-তোঙানবা অখণ্ড অহৈ স্কোলর কয়ানা লেজন্দগী ৱাহন্থোক্কী মতাংদা মাগী মাগী ওইবা মোত কয়ামরুম পীনরম্মী। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা Willian R. Bascom গী *Contributions to Folkloristics* হায়বা লাইরিক অসিদগী ৱাফম খরদং লৌখৎচরির :

> Legends ar prose narratives which like myths, are regarded as true by the narrator and his audience, but they are set in a period considered less remote, when the world was much as it is today.[১]

লেজন্দশিং অসি মিথশিংগুম্না লীরিবা অমদি মদুবু তারিবা কাণ্ডবু অনীমক্না অচুম্বনি হায়না লৌনবা ৱারেংগী ওইবা ৱারীশিংনি। মখোয় অসি পংকুই কুইদ্রিবা অমদি ঙসিগী মালেম অসিদা থোকখিবনি হায়নসু থাজনৈ। ইবুধৌ ৱাংব্রেন্না মখা মাইকৈ ঙাকখিবা অমদি চীংমী নীঙোল শঙনু লৈমা লৌখিবগী থাজব়ারী কয়াগী মতাংদা শুগ্নু, অনাল খুল্লেন অমদি অকোইবদা লৈবা মীয়াম্না অশেংবা থোকখিবা থৌদোকনি হায়না থাজনা চীম্থাং য়ৈনা লীনদুনা লাকপা ৱারীশিং খোমজিনজরুবা অমদি অইবা ওইনা লৈরবা লাইরিকশিংদগী ফংলকপা ৱারীশিং থমজরি।

মণিপুর তম্পাক্কী খা মৈরমদা লাইনিংথৌগী মীংলেন পন্নদে 'ইবুধৌ' হায়রগা অদুম্মক খঙনৈ। মতীক মগুণ লৈরবা ইবুধৌ ৱাংব্রেননা মালেমদা খোঙদারকখিবগী মতাংদা শুগ্নু হঞ্জবা ওইরিবা শুগ্নু অৱাং লৈকায়দা লৈবা পাবুং পুর্নচন্দ্রনা শুগ্নুদা থাজনা লীনরিবা ৱারীগী মতাংদা মখাগী অসুম্না লীবীরকখি। ইবুধৌ ৱাংব্রেন অসি শরাইরেম শিদবা ইবুংঙোগী লাংঙোননি। মালেমদা লৈবা লাইয়ামশিংনা মখোয়বু ঙাকপী শেনবীনবা কন্না লৈরক্রবদা ইবুংঙো মঙোন্দা হন্না হন্না হায়জবদগী মালেমদা কুম্মকখি। কোরৌ অৱাংবনা মরেপ, মালেম অপাকপনা মহাক্কী মঙাল ওইদুনা লাই পুম্নমক্কী ইবুধৌ মহাক্না 'রেল' হায়বদি 'অথোইবা' ওইরে হায়দুনা ইবুধৌ মহাক্কী কোলোই মীংলেনবু ৱাংব্রেন হায়না থোন্দুনা খা মাইকৈ ঙাকহনখি।[২]

'ৱাংব্রেন খুনকুমলোন' হায়বা এল. অশোককুমারনা ইথোকপসিদসু ইবুধৌ ৱাংব্রেন অসি কনানো, কনাগী য়াথং ফংবদগী মখা মাইকৈদা খুনকুমলকখিবা অমদি মহাক্কী মশক মতৌগী মরমদা শৈথারম্মী। মহাক অসি ৱাংহুকলেন হায়না কৌরম্বগা লোয়ননা

মেমথোই দেবী, শমজেৎশাবম, শুগুগী ৱাংব্রেন হরাউবগী থৌরমশিং, এম. ফিল. থিসিস (ফোঙদ্রিবা), এম. য়ু. লাইব্রেরি, ২০০৮

(খ) ইংরাজী

Willian R. Bascom. *Contribution to Folkloristics*. Meerut : Archana Publication, 1991,8.

Colonel Mc Culloch. *Account of the Valley of Manipur*. Delhi : Fain Publication (R) 1980.

Singh, Capt. Rajandra *The Anals of Manipur*. Delhi : Seoul Printers, 1981

(গ) উনজরুবা মীওইশিং

আঙোম পুর্নচন্দ্র মৈতৈ, শুগু হঞ্জবা, শুগু অৱাং লৈকাই, চহী ৭৩, উনরুবা মতম : তাং ৩০।০৪।২০০৭

অহৈবম খাবা, শুগু অৱাং লৈকাই, চহী ৫৫, উনরুবা মতম : তাং ১১।০৬।২০০৭

141

খুদিংমক হোৎইথরগা অফবা নুংঙাইবা চাকহোং ঙাহোংবা পীনবীয়ু হায়না থৌনিনরিবা তেবাল মখোং অসি শুগ্নুগী ইবুধৌ ৱাংব্রেনগী ইঙা হরাউবা হায়রগা খঙনবা হিয়াঙ্গে থাদা নুমিৎ তরেৎনি হরাউবগী হুমনি চনবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা তেবাল য়ুংবা হায়বা থৌরম অমা পাঙথোকই। নুমিৎ অসিদনা অতে হরাউবা নুমিৎশিংদগী খরা হেন্না কিনা লুনা চেকশিন্না লৌনৈ। মরমময়াম অসি লৈবনা মখা মাইকৈ লৈঙাকলিবা ইবুধৌ ৱাংব্রেনবু কিনা লূনা থাজনরি।

মসিগা লোয়ননা মখা মাইকৈদা খুনকুল্লকখিবা ইবুধৌ ৱাংব্রেননা চীংমী নীঙোল শঙনু লৈমা লৌখিবগী ৱারী ঙসি ফাওবা থাজনা লীনরি। ইবুধৌনা অসুম লাকপনা অনাল খুল্লেন য়ৌরকখি। মফমসিদা অসুম লৈরকপনা লমসিগী মীওই কয়াগসু খঙনরম্মী। মফমসিগী মীওইশিংনদি মহাক অসি মীচম অমগুম্না অদুম খল্লম্মী। মতম অদুগী অনাল খুল্লেনগী পাখং লৈশাবীশিংগী মরুওইবা থবকসি পামলৌ য়ানবনা ওইরম্মী। ইবুধৌগা শঙনু লৈরেম্বীগসু পাম য়ানবা চৎলম্মী। মখোয়দি পামদি য়ান্দনা ৱারী শারগা লৈথোকলম্মী। পাউ অসি তাবদগী শঙনুগী মমানা মচানুপীদা য়াম্না ঙাংলম্মী। অদুদগীদি ইবুধৌনা অহীং অমতদা পাম য়ানবা লোইশিল্লম্মী। ময়াম পুম্নমক ঙকলম্মী। অনাল পাখংশিংসু য়াম্না শাওরম্মী। মখোয়গা লাম্বা তৌনরগা য়েংলসি, নূঙ লংনরসি হায়দুনা মাগী মাগী অরৈবা নূঙ পুথোক্তুনা থম্নরে। ইবুধৌসু অচৌবা নূঙ অমা পুথোক্লদুনা মনাক্তা থম্মী। মদু পাইরগা লংবদা খুলগী পম্বোংদা তাই। মসি হৌজিক ফাওবা অনাল নূঙজোম্বা হায়দুনা লৈরি। ইবুধৌগী মতীক মগুণ অসি লোৎপা য়ারকতবদগী ময়াম্না খঙনরকখি। মদুদগীদি ইবুধৌগা শঙনু লাইরেম্বীগা অহীংদা লোননা ইবুধৌগী খুভম তানা চেল্লকখি।[৭]

মৈতৈশিংগী মরক্তা লীনবা ৱারীতা নত্তনা অনাল খুলেনগী অনাল জাতিগী মরক্তসু ইবুধৌ ৱাংব্রেননা মখোয়গী অনাল নিংঙোল শঙনু লৈমা লৌখিবগী ৱারীসি থাজনবী (লেজন্দরী) ৱারী ওইনা লীনদুনা লৈরি। অনাল খুল্লেনগী ওইবা ৱারীদা অনালগী মতীক মগুণ লৈবা, কনথৌরবা শক্তি লৈরবা পাখং থুমখেলগা শকয়েং পাম্লোম ঙানদুনা চাংয়েংনরগা নূঙ লংনবদা ৱাংব্রেননা ঙমদুনা মশক মতৌ চঙখোনবী শঙনু লৈমা লৌখিবগী ৱারী অসি কেপ্তেন রাজেন্দ্র সিংহগী *দি অনালস ওফ মণিপুর* অমসুং আস.এস. অকোইজমগী *অনাল* কৌবা লাইরিকশিং অসিদা ময়েক শেংনা য়াওরি। অনাল খুল্লেন্দা ইবুধৌ ৱাংব্রেননা খিল্লম্বা নূঙ অদুবু অনালশিংনা ঈরাৎ পুজা তৌদুনা খুরুম্নরি। অসিদসু নত্তনা শুগ্নুদা লৈরিবা ইবুধৌ ৱাংব্রেন হরাউবদসু মখোয়না অথেনপোৎ কত্তুনা খুরুমজরম্মী। অনালশিংনা ইবুধৌ

রাংগোংনা লাই তীন শা উচেক তাইবং মী অসি শেম্মী। তাইবং মী অসিবু মানা লুনা তৌই। মরমদি মাগীদমক চাকপান য়ুপাল থাবীগদবা অসি তাইবং মীননি। মীওইবনা পাঙ্গল লৌশিং চাওখৎত্রিঙৈদা অকনবা শা-কৈদগী কনজনবা লৈখুল শুরুংশিংদা মখোয় মশা শারেপ ফাদ্রিফাওবা লৈরম্মী। মতমদুদা লাইগা মীগা ইপুন পুল্লি। লাই হেলোইশিংগা পুন্না লৈরীঙৈদা শা কৈনা শোকপা ঙমলমদে। মখোয়না চৎলমদাইদা শা কৈ চাথোকপা ঙমদনবা অচৌবা নুঙপাক অমনা শুরুংগী মচীন অদু মেনশিল্লমই। হায়রিবা শুরুং অসিবু "রমতিং কনবিন" নৎত্রগা "মহৌ তাউবৈ" হায়না খঙনৈ। মফম অসিদা মতম কয়া লৈরবা মতুংদা মীশিং অসিনা পাঙ্গল লৌশিং মপুং ফারক্তুনা মপান থোরকনবা হোৎনরম্মী। মপান থোরক্লবা লম্বী থিবা অমদি খুন্দাবা নুঙাইগদবা মফম থিনবা "অলৌ" (Alou) হায়না কৌবা অপীকপা উচিগুম্বা জীব অমা থারম্মী। "অলৌ" না শুরুং মপানগী ফজরবা মালেম অদুগী পাউ তমলমই। মদুদগী হেন্না মপান থোকনিংবগী ৱাখল হেনগৎলক্লম্মী। অদুবু নুঙথোঙ অদু হাংদোক্লবা পাম্বৈ অমত্তা লৈরমদে। অকোনবদা শন্দংনা থোঙ অদু হাংদোক্লমই মদুদগী তাইবং মীশিং থোরক্তুনা খুন্দারকখি। অহানবা খুন্দাখিবা মফমদি মখেন (সেনাপতি জিলা) দনি। মসিগী মতাংদা Manthoi Thaimei না "The Kabuis" (The Rongmeis) কৌবা ৱারেংদা অসুম্না ইরি :

> Like other peoples of Manipur, the Kabuis also believe that they had come out form a cave. The Cave which may be said to be their original home is known as MAHOU-TAOBEI. Which is said to be in the area called RAMTINGKABIN. In the present state of our knownledge it is rather difficult to give the exact location of the cave as well as the area though tradition seems to point its finger to a place somewhere near the MAKHEN OR MAKHAN village in the present Mao of Manipur.[১]

মখেনগী মতুংদা মখোয়না "গোংফুনিং" নৎত্রগা "মকুইলোংদি" হায়বা মফম অদুদা খুন্দাখি। মসিদা জাতি অসিগী মীশিং য়াম্না য়াল্লমই। য়ুম ৭৭৭৭ লৈরম্মী হায়নৈ। মফম অসিদগী কাঙলুপ অসিগী নাৎ, কলচর, জগোই-ঈশৈ কয়া শেম্না হৌই। মকুইলোংদিদা খুন্দাবা অসিদগী মী কাঙলুপ অহুম থোকখি। মখা মায়কৈরোমদা চৎলগা খুন্দাখিবা কাঙবুনা রোংমৈ হায়না খঙনখি। "রোং" গী অর্থদি "মখা মায়কৈ" অদুগী "মৈ" গী অর্থনা "মী"

143

ফুট নোট :

১) Willian R. Bascom. *Contribution to Folkloristics.* Meerut : Archana Publication, 1991,8.

২) মথক্কী ৱারী অসিবু লীবীরকপা অঙোম পুর্নচন্দ্র মৈতৈ, শুগ্নু অৱাং লৈকাই, চহী ৭৩, উনরুবা মতম : ৩০/০৪/০৭।

৩) এল. অশোককুমার, 'ৱাংব্রেন খুনকুমলোন', খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ (সম্পা:) *উমং লাই খুন্দা*, মশিং ২৩-২৪, ১৯৮৫, ২১-২৬।

৪) সাইরেম নীলবীর, *লাইয়িংথৌ লাইরেম্মশিংগী ৱারী শীংবুল*, ইম্ফাল : জি.এম. পব্লিকেসন, অনীশুবা খুৎনম, ২০০৫, ২৫।

৫) *ইবিদ*, ২৫-২৬।

৬) শ্রীৱাহেংবম লুখোই সিংহ, *লাই হরাউবা*, ইম্ফাল : অহানবা খুৎনম, ১৯৮৯, ১৮।

৭) মথক্কী ৱারী অসিবু লীবীরকপা অঙোম পুর্নচন্দ্র মৈতৈ, শুগ্নু অৱাং লৈকাই, চহী ৭৩, উনরুবা মতম : তাং ৩০/০৪/২০০৭।

৮) আই. এস. অকোইজম, অনাল থৌবাল : মণিপুর সাহিত্য সমিতি, ২০০৪, ৯৫-৯৮।

বিব্লিওগ্রাফি

মতেং লৌজখিবা লাইরিকশিং অমদি উনরুবা মীওইশিং :

(ক) মণিপুরী

অশোককুমার, এল., 'ৱাংব্রেন খুনকমলোন', খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ (ইথোকপা), *উমং লাই খুন্দা*, মশিং ২৩ /২৪, ১৯৮৬।

ৱাহেংবম লুখোই সিংহ, *লাই হরাউবা*, ইম্ফাল: অহানবা খুৎনম, ১৯৮৯, ১৮।

আই.এস., অকোইজম, *অনাল*, থৌবাল, ২০০৪।

ইন্দিরা, এলাম, *লাই হরাউবগী ৱাখল্লোন পরীং*, ইম্ফাল, ১৯৯৭।

ইবুংঙোহল সিংহ, লাইরেনময়ুম অমসুং খেলচন্দ্র সিংহ, নিংথৌখোংজম, *চৈথারোল কুম্বাবা*, ইম্ফাল, অহুমশুবা, ২০০৫।

নীলবীর, সাইরেম, *লাইনিংথৌ লাইরেম্নীশিংগী ৱারী শীংবুল*, ইম্ফাল, অনীশুবা খুৎনম, ২০০৬।

রাজকেতন চিরোম, *চীংলোনগী ৱারী শীংবুল*, ইম্ফাল : কলচরেল রিসার্স সেন্টর মণিপুর, ২০০৭।

ৱাংব্রেন খুমকুমলোন (খুৎই লাইরিক)।

এম. ফিল. থিসিস (ফোঙদ্রিবা)।

নুঙশিংনা তাকলি। কুকি কাঙলুপনা রোংমৈশিংবু মিলোং কৌই। হৌজিক চুরাচান্দপুর জিলাগী মনুং চনবা থাংজিং চীংখোংদা লৈরিবা শলাংথেল অসিমক লমদমসিগী পুৱারীগা শাগোন্নরবা রোংমৈগী খুল অমনি। মসিদা নুঙ কয়া অমা য়ুংদুনা লৈরি। হৌজিক হৌজিকমক রোংমৈশিং অসি তমেংলোং জিলাদতা নত্তনা ইম্ফাল তম্পাক, অসামগী কছার তম্পাক, জুকো তম্পাক অমদি নাগালেন্দগী দিমাপুরনচিংবদা খুন্দরি।[১]

অসিগুম্বা তোঙান তোঙানবা ৱারীশিং অসিদগী কবুইশিং অসি লমদমসিদা মতম কয়াগী মমাঙদগী খুন্থোক খুন্দাদুনা লৈরক্লবা কাঙলুপ অমনি হায়বদু ময়েক শেংনা তাকলি। চীংগী খুলশিংদা খুন্দারম্বদগী মণিপুরগী তম্পাক্কী মফম কয়াদসু খুন্দারকখি। মসিদসু নত্তনা নাগালেন্দ, অসামনচিংবদসু খুন্দাখিদুনা লৈরি। লোয়ননা য়েলহৌঙেদগী চৎনরক্লবা চৎন লোনচৎ কয়া লাইনীং লাইশোলগী চৎনবী কয়া চেকশিন্না ঙাক্তুনা থমলিবা চীংমী কাঙলুপ অমা ওইরি। চীংদা তাবা কবুই অয়াম্বদি অনৌবা লাইনীং লীচৎ খৃষ্টান লাইনীং লৌনবা য়াওখ্রে অদুবু তমদা তাবা কবুইশিংদি অয়াম্বনা মশাগী চৎনবী থাদোক্লদ্রি। ফজরবা নাৎকী ফিজেৎ লৈতেং, জগোই-ঈশৈ শাগোন্নবা লাইনীং লীচৎকী ওইবা কুম্মৈশিং লেপ্পুনা পাঙথোক্লখি। অসিগুম্বা কয়া অসিনা কবুই জাতিবু লমদমসিদা মশাগী সংস্কৃতি লৈজবা কাঙলুপ অমা ওইহল্লি।

কবুইশিংনা মখোয়গী হৌরকখিবা, নৌরিঙে মতমদা লৈকুৎ লৈরোই অমসুং শুরুংদা লৈরম্বা, মদুদগী থোক্লক্লগা অহাংবা তম্পাক্তা খুন্দারকখিবা অমদি মদুদগী খা, ৱাং অমসুং নোংচুপ্তা চৎখিদুনা কবুই কাংলুপ্না মণিপুরদতা নত্তনা মপানগী লমশিংদা খুন্দাখিবা কয়াগী ৱারীশিং অসি হৌজিক-হৌজিক চীনবুংদা লীনরি। খরা পাকথোক চাওথোক্লা থিজিনবদা কান্নগদবা মচাক কয়া অমসু থিদুনা পুথোকপা তঙাইফদ্রি, হায়বদি কবুইগী ফুঙ্গাৱারী মিথনচিংবা কয়া খোমজিন্দুনা থিদোক্লবদি হেন্না কান্নবা মচাক শোইদনা ফংগনি। অদুবু ঐনা থেংনরুবা ফিল্ড ট্রিপ চৎপদা থেংনরকপা অমদি ৱারী ৱাতাই তৌবদদি ফুঙ্গাৱারী ওইনা লীনবগী মওং লৈতে। অদুবু মখোয়গী চীনবুংদা লৈরিবা মখোয়গী খুন্থোকলোন, অমদি পাক শন্না চৎখিবগী ৱারীদি অদুম্মক তারি। মখোয়গী ঈশৈদা কবুইশিংগী খুন্দা লৈতাবা অমসুং খুন হোংখিবা অমদি পাক চাওনা মফম কয়াদা খুন্দাখিবা মতাংশিং হাপ্পুনা শক্লি। অদুনা কাংলুপকী, ট্রাইব অমগী পুৱারী শাগৎপদা কাংলুপ অদুগী চীংবুংদা লৈরিবা ৱারী Oral Tradition কয়া অসিনা পীরিবা মচাক অদুদগী হেন্না শেংবা লৈতে হায়না ঐগী মত পীজনিংই।

চীনবুং ৱারীগী মীৎয়েংদগী কবুইগী পুৱারী

মোইরাংময়ুম থোইবী দেবী
রিসার্চ স্কোলর, মণিপুরী দিপার্টমেন্ট
মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর

কবুই কাঙলুপকী মরমদা :

মণিপুরদা য়েলহৌঙেদগী চীংমী তন্মী অনী পুন্না লৈমিন্নরকপগী ৱারী কয়া লৈ। চহী চা কয়াগী মমাংদগী মীওই কয়ানা লেপ্পা লৈতনা লমদম অসিদা চংলকপা ঙসি ফাওবা উবা ফংলি। লমদম অসিদগী অতোপ্পা লমদা য়ুম হোংদুনা খুন্দাখিবসু য়াওরি। হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা চীংমী কাঙলুপ অসি কুন্থ্রামরিমুক শুরে হায়না পানরি। মসিগী মনুংদা য়েলহৌঙে মতমদগী মৈতৈশিংগা য়াম্না নক্লনা লৈরকপা কাঙলুপ অমদি কবুই কাঙলুপনি. কবুই কাঙলুপতি চীংগী লমদতা নত্তনা তম্পাক্কী মফম কয়াদা মৈতৈশিংগা খুল লোন্নদুনা লৈমিন্নরক্লি। সেমিনার চে অসিদা কবুই কাঙলুপকী চীনবুংদা লৈরিবা হৌরকফম ৱারী অদু নৈনদুনা উৎনবা হোৎনজবা অমনি। চে অসি চুম্নগী দেসক্রিপতিভ ওইবা মওংদা পাওদম্বগী মওংদা ইবনি। হায়বদি কবুই কাঙলুপকী মনুংদা লৈরিবা চীনবুং মচাকশিং অদু শন্দোক্লা তাকপনি অমসুং চীনবুং পুৱারী শাগৎপদা (Oral History) মখোয় অদুনা লৌরিবা থৌদাং অদু উৎপনি।

য়েলহৌঙেদগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়াদা পাক শন্না খুন্দারিবা কবুইশিং ভারত সংবিধান (ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন) না খৃ: ১৯৫৬ তা ইহান হান্না মণিপুরগী ওইনা শকখঙলবা চীংমী কাঙলুপ (সেদ্যুল ট্রাইব) কুনমাপলগী মিং লাউথোকপদা কবুইসু মনুং চনখি।[১] ইং ২০০১ গী মীকোক থিবগী মতুংইন্না কবুইগী অপুনবা মীশিং ৮২৩৮৬ (লিশিং মরিফুনিথোই চহুম মরিফুতরুক) নি।[২]

1246

বিব্লিওগ্রাফি

(ক) ইংরাজী

১) *The Leaque of the Fourth World People : A Short History of the Indigenous Communities of Kangleipak,* Vol. II Imphal, 233-235.

২) Source : Directorate of Census Office Manipur, Porompat, Imphal.

৩) Kabui, Gangmumei. *A History of the Zeliangrong Nagas from Makhel to Rani Gaidinliu*. Guwahati : Spectrum Publication (1st Edition) 2004

৪) "The Festivals of the Rongmeis of Manipur" (Unpublished Paper).

৫) Singh, K.B., (ed) *An Introduction to Tribal Language and Culture of Manipur (7 tribes)*, Imphal : Manipur State Kala Akademi, 1st Pub. 1976, 34-35.

(খ) মণিপুরী

রেম্মৈ, মরুলুং, নাগাগী ধর্ম্ম অমসুং হৌনা লোনচৎ, অহানবা খুৎনম, ইম্ফাল : ১৯৮৩

হায়বনি। মসিদগী খুল অদুবু অমদি কাঙলুপ অদুবু কবঈ (Kabuee) হায়না খঙনখি। মমৈথংদা কবঈ (Kabuee) দগী থংথরক্তুনা হৌজিক খঙনরিবা কবুই (Kabuii) অসি ওইখি হায়বসিনি। ৱারী অসিসু চমম্নবা ৱাফম ওইরি মরমদি শন্দংবু কবুঈ কৌরিবসি রোংমৈগী লোন নত্তে। রেংমৈ কাংঙলুপকী লোননি। রেংমৈশিংনা শন্দংবু কবঈ কৌই। রোংমৈগী ৱাহৈ পুক্কেদা কবুঈ হায়বসি লৈতে, শন্দংবু রোংমৈশিংনা গুই-চাং কৌই।[৫]

কবুই কৌখিবা য়াবগী খরা হেন্না নকশিন্নবা ৱারী অমদি রোংমৈ অমদি রেংমৈশিং অসি মতম অমদা মফম অমদা পুন্না খুন্দামীন্নরম্না য়াই হায়বসিনি। কবুইশিং অসি Rienglam(অৱাং থংবা মায়কৈ) হায়বদি northernland (অৱাং থংবা মায়কৈদগী) দগী লাকপনি হায়বসি কবুই অহল লমনশিংনা ৱারীনবদা য়াওরি অমদি মখোয় ফোকশোংশিংনা শৌগৎলি। রোংমৈ হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক্তা Roung = South অমদি mei = man অনীগী অপুনবা Rougmei হায়বদগী ওইরকই। অদুগা রেংমৈ হায়বসিসু Rieng = North অমদি mei = man, Riengmei হায়বসিদগী ওইরকই। Rougmēi শিং অসি হৌজিক্কী কবুইশিং অসিনি। অনী অসি মতম অমদা পুল্লম্বদগী কায়নরকপগী ৱারী অমা লৈরী। মতম অমদা ইনাক খুনবা শন্দং য়াম্না লোইবা নুপা অমা লৈরম্মী, নোংমদি মাগী শন্দংশিং অসি ময়ুমদা অমত্তা হঞ্জিল্লক্তরে। মানা নুমিৎ কয়ানি চঙনা থিবদসু ফংদরে। মাগী শন্দংশিং মাংখিবদা মহাকসি অসুক্কী মতিক নুঙাইতরে। ময়ুমদা ফাওবা হনজিনদরে, মথন্তা লাপ্পা তোপ্পা য়ুম শাদুনা লৈখরে। মাগী মরী-মতা, মরুপ-মপাংশিং লৈমিন্নরম্বশিংনা মাবু হল্লক্নবা হন্না হন্না কৌরম্মী অদুবু মহাক্না য়ারমদে অদুদগী মহাকপু "Kabuee May" হায়বদি শন্দংগী মতুং ইনখিবা মী হায়ন কৌনখি। মাগী চাদা নৌদাশিংবু কবুঈ, হায়না অদুমক খঙনখি। হৌজিক্তি কবুঈ (Kabuee) দগী কবুই (Kabuii) হায়না খঙনরো।[৬]

কবুইশিংগী হৌরকফম

কবুইশিংগীসু হৌরকফম ৱারী লৈরি। মালেমগী অতৈ ফুরুপশিংগী হৌরক ৱারীদা লাই তীনদা ৱারী (Myth) অমদি থাজ ৱারী (Legend) শিংদা শাগৎতুনা চেৎনা থাজনা থম্নবগুম কবুইশিংগীসু হৌরকফম ৱারী লৈরি। মসি চীনবুংদা চীনথাং য়ৈনা লৈরক্নবা ৱারীনি, অইবা খুৎই লাইরিক ওইনদি লৈরমদে। হৌজিক্তি স্কোলর কয়ানা ইথোক্নবসু য়াওরে। তোঙান-তোঙানবা চিনবুং ৱারী কয়া লৈরবসু মপুং ওইবা ৱারীদি তাইবংপানদা মপু হাইপৌ

মহৌশা (nature) ওইনা লৈরকই। চীনবুংদা লৈজরবসু মশাগী মশাজৎ অমগা অদুম্মক শাগোন্নদুনা লীনরকপনা ফুঙ্গাৱারীবু খুন্নাইগী অমগী নাৎ (culture) কী সাইন (sign) ওইনা লৌবসু য়াই। মরমসিনা খুন্নাই অমগী ফুঙ্গাৱারীদা য়াওরিবা নাৎকী মচল (trait) শিং নৈনবসিনা ফুরুপ অমগী মশাগী অশেংবা ফুঙ্গাৱারীগী মশক ময়েক খঙবা ঙমগনি। ফুরুপ অমগী ফুঙ্গাৱারীদা নাৎকী মচলশিংদু মতৌ করম্না য়াওশিন্দুনা লৈবগে হায়বসি খঙনবা হোৎনবদা ফুঙ্গাৱারীগী ষ্ট্রক্টচর (structure) নৈনবসি তঙাইফদবা অমা ওইরকই। হৌজিক মণিপুরীশিংনা (মৈতৈ) য়াম্না পাম্না লীন-তান্নরিবা ফুঙ্গাৱারী খরদং লৌখৎতুনা ৱারীশিংদুদা তারিবা খুন্নাইসিগী ইনাৎকী মশকশিং নৈনদুনা য়েংবা য়াই।

অহানবদা 'হনুবা-হনুবী পান থাবা' হায়রিবা ফুঙ্গাৱারীসি য়েংসি। ৱারী অসি মণিপুরী খুন্নাইদা নহা অহল খক্তনা মীপুম খুদিংমক্তা য়াম্না পাম্নানা লীন-তান্নরিবা ৱারীনি। ৱারীসিগী থিম, কন্টেন্ট অমসুং শাওং-শাদা য়েংলগা ইংরাজীগী "জোক্স এন্দ হ্যুমরস টেলস" (Jokes and Humorous tales) হায়বদুগী মওংনি। মণিপুরীদনা ফাগী-জুগাইগী ফুঙ্গাৱারী কৌবা য়াই। ফুঙ্গাৱারীসি এন্টি আরন (Antti Aarne) গী টাইপ ইন্দেক্সকী মতুংইন্না -At. 176 The Farmer tricks the Jackal's (Farmar Vs Jackal) (c) The Jackal's tell Farmer to cook his seed before sowing it. The Jackal come at night and eat the seed ফুঙ্গাৱারীসিগী ষ্ট্রকচরদি -১) হনুবা হনুবীনা পান থাবা মতমদা য়োংশিং লাকপা, ২) য়োংশিংনা হনুবা হনুবীনা থাগদবা পানশিংবু লৌনম তৌদুনা ফুৎতোকহন্দুনা লানা য়োমহল্লগা থাহনবা, ৩) নুমিদাংদা য়োংশিং লাক্তুনা পানশিংদু খোৎতোল্লগা চাথোক্লবা মতুং লমবালশিং থাজিনলম্বা, ৪) ফজরবা লমবালশিং মকা হেল্লগা য়ুমগী লাইনিংথৌদা কৎলবা মতুংদা থোঙদুনা চাবা, ৫) পান মকাশিংদু থোঙলগা চারুবদগী লেঙমনখরদুনা হেন্তাক চাদুনা খাঙবা, ৬) মখে ফংনা শাউরবা হনুবনা অশিবা শারগা হনুবীনা তেংথা নাওইদুনা কপশিন্নবা, ৭) হনুবীনা কপ্পা তাবদা য়োংশিংনা হংবা লাকপা, ৮) হনুবীনা হায়বগী মতুংইন্না হনুবগী অশিবা মশাবু খাংঙেনফমদা থাংদোল্লবা হোৎনবদা হনুবা হৌগৎলল্লগা লুখুমদগী লীচৈনা কনবদা য়োংশিংদু অশোক-অপন নংবা, ৯) য়োংশিংনা লান হৌরকপা, ১০) হনুবা হনুবীনা লৈবাক্কী খরুং অচৌবা অমগী মনুংদা য়োংশিংনা খঙদনবা লোৎপা, ১১) খরুং চেকখায়বগী মখোয়না য়োংশিং চেনখিবা অদুগা হনুবা হনুবীনা নুংঙাইনা পানখিবগী ৱারীনি।

অসুম্না ৱারী অসি পরিং অমগী মখা পোন্না মথং মনাও নাইনা চত্থরকপা ইচম চম্না শাগৎপা ৱারীগী মশকনি। ফুঙ্গাৱারী অসিদা খুন্নাইসিগী মীওইশিংগী মবুক মপাউ ফবা,

হায়বনি। নোংচুপ্তা চৎখিবা কাণ্ডলুপ্পা জেমৈ হায়না খঙনখি। লিয়াংমৈশিং অসিনা অৱাং পাংনা চৎনখিবা কাণ্ডলুপনি। অসুম্না পুল্লম্বদগী তোঙান-তোঙান চৎনখিদুনা মফম কয়াদা শন্দোক্নুনা খুন্দানখি। মতাং অসি Prof. Gangmumei Kabui গী "The Festivals of the Rongmeis of Manipur" কৌবা ৱারেংদা অসুম্না য়াওরি :

> ... According to their tradition, the ancestors of the three tribes including the Rongmei originated from a Mythical place called 'Ramting Kabin' where they came out of a cave. They migrated to Makhel, then proceeded to Rongdingjang and ultimately to Gongphungling or Makuilongdi. Their population increased tremedously. According to tradition the village had 7777 households. They were only two clans called Pamei and Newmai. From here the people migrated to the south, west and east. Those who went to the southern wasteland were known as the Rongmei ('Rong' means South and 'mei' means people-Southern people). Those who went to the west slopes (plain) of the western Barail mountain were known as Zemei (Zana-people of the plain). Liangmei are the northerner whose who went to the east in upper reaches of the Barak River were the Maram and the Thangal.[৮]

G.A. Grierson না মাগী Linguistic Survey of India দা জেলিয়াংরোং কাণ্ডলুপ অসি টিবেটো-ব্রহ্মান লোন কাণ্ডলুপকী নাগা বোরো সব ফেমিলি মনুং চনবা কাণ্ডলুপনি হায়না পীরি। মরমসিনা রোংমৈশিং অসি দিমাসা (কছারি) অমদি অতৈ বোরো ট্রাইবশিংগা মান্নবা কয়া লৈরি। নাৎ চৎন-লোনচৎ কয়াদা অসামগী কছারী নিংথৌশিং অমদি মণিপুরগী মৈতৈ নিংথৌশিংগসু অচেৎপা মরী লৈনরম্লগী মশক উবা ফংলি। মরুওইবা রোংমৈশিং অসি তম্পাক অমদি কছার তম্পাক অনীগী মরক্তা নোংচুপ থংবা চীংশাং পরেংশিংদা পাক শন্না খুন্দারি। রোংমৈগী চৎনবীদা মখোয়না খুন্দারম্বা মফমশিংদা নুঙ য়ুংবা, থেন শেম্বা, পম্থোং শাবনচিংবা শুংশোই শোইদনা তৌদবা য়াদবনি হায়না লৌই। মসিগুম্বা খুদমশিং অসিনা মখোয় অসি মীজোরামগা তাইনবা মফমশিং ফাওবা খুন্দারমই হায়বদু তাকলি। হৌজিক্কী চুরাচান্দপুর জিলা অসি রোংমৈশিং লৈরম্মী হায়বসি য়ুংলিবা

অসিদা খুন্নাই অসিগী ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈরক্লবা পূন্সি মরেল, ঈরাৎ-থৌনি, চৎনবী থাজনবী, চাকচা য়ুথক অমদি য়ুমলৈ-কৈরৈনচিংবগী মমি খরমখৈদি তাই হায়বা য়াই।

অমরোমদা অমুক, লমদম অসিগী ফোকলোরগী পুক্কেদা মরাং কায়না ফংলিবা অঙকপা, অকি তুজুংলবা ওইথোকপা য়াদ্রবা থৌদোকশিংবু যাদু মন্ত্রগী মতেংনা ওইথোকহনবা ৱারীশিং ইংরাজিদা, "মেজিক টেলস নৎত্রগা ৱান্দর টেলস" হায়রগা খঙনবা যাদু মন্ত্রগী ফুঙ্গাৱারীগী মনুংদগী "শন্দ্রেম্বী চাইশ্রা" গী ৱারী লৌখৎতুনা য়েংসি। ফুঙ্গাৱারী অসি ৱারী পরিংদা - ১) মপুরোইবা নৌনা কায়নখ্রবী লোন্নবী নুপী অনীখক্কা লোং খোন্দুনা তূ-খোং কয়াদ ঙাথি-চাকথিদুনা মচাশিংবু য়োক থাকপা, ২) মপূকচেল ফত্তবী লোন্নবী মনাওনুপীনা মচেমবু য়েংথিবা, ৩) মচেমদা হৈবোঙ অমুনবনি হায়জিন্দুনা মমিৎ উইশিন্দুনা ময়া কাথোকহল্লগা লিন হৈজিন্দুনা হাত্তোকপা, ৪) শিরবা মচেমগী থৱায়না থেঙ্গু ওনখিবা, ৫) মপূকচেল ফত্তবী মমাতোম্বীনা অহলগী মচাশিংবু য়েংথিবগী তমথিবা ৱাখল, ৬) পোকমিন্নদ্রবা মনাওনুপীনা মচেবু য়েংশিনবা, ৭) মশক থীবি মনাওনুপীনা মচে শাদুনা নিংথৌদা মিনমদুনা লৈখিবা, ৮) মীনা লমখুনু ওনবা, হৈজ্রাং ওনবা, মতম শুরদুনা তাইবুং মী অমুক ওনলকপা, ৯) অচুম অরান লাইগী ৱায়েন য়েংনবা, ১০) অচুম্বনা মায় পাক্তুনা অমুক হন্না লৈবাক্কী মহারাণী ওইদুনা নুংঙাইনা পানখিবনচিংবা মোতিফশিং (D. 150 Transformation man to bird, D. 190 Transformation made to repetile, D. 2114 Transformation man to mango, D. 431 Transformation fruit to person, H.220 ordeals, K.222 Treacherous Co wife, H. 162. Lovely heroine marries prince, P.284, steps sisters S31 cruel stepmother)[3] না পূন্না শাগৎপা চয়েৎনবা মওংগী (Complex tale) ৱারী পরিংনি। ফুঙ্গাৱারী অসিদা জাতি অসিগী মীওইশিংগী লূ- তোংদা পাক্তুনা লৈরক্লবা চৎনবী থাজনবী কয়াগী মশক্কা লোয়ননা ফিজেৎ লৈতেং, চাকচা য়িথক অমদি লৈঙাক পথাপনচিংবগী মমিসু অরি।

ৱারী অসিদা শন্দ্রেম্বীগী মমাগী থৱায়না "থেঙ্গু" ওইনা ঈশিং মনুংদা লৈরম্বা, থেঙ্গুগী শরু-ঙারুদগী "লমখুনু" ওন্দুনা পাইখিবা অমদি শন্দ্রেম্বীগী থৱায়নসু "লমখুনু" ওনবদা লমখুনুদগী "হৈজ্রাং" ওনবা হৈজ্রাংদগী "তাইবং মী " ওইনা নুমিৎ শুরদুনা অমুক ওল্লকখিবা অসিনা তাইবঙ মীওইবনা শিবা মতমদা থৱায়দি মাঙবা লৈতে হকচাং পোলাং অসিতনি মাঙবা নাইবদি হায়না থাজনরিবা খুন্নাই অসিগী থৱায় অমদি আত্মাগী শক্তিবু থাজবগী মশক অদু তাকই। অমরোমদা অমুক অঙনবা মতমদগী হৌনা লমদম অসিগী মীওইশিংনা মঙদা থোকপা থৌদোকপু তাইবঙগা মরী লৈনৈ হায়না লৌদুনা মঙতাক্কী থাজনবী

15।

অরোইবদা থমজনিংলিবা ৱাফমদি কবুইগী চীনবুংদা লীনরিবা ৱারীশিংদগী মখোয়গী হৌরকফম থিবনি। Oral Narrative তগী Oral History অমা শাগৎপনি। মরমদি অহানবদা হিষ্ট্রি হায়বসি অইবা ওইনা লৈরমদে। চীনবুংদা লৈরম্বদগী (Pre-History) পুৱারী শাগৎপনি। লোল লৈরবসু ময়েক লৈতবা কাংলুপ মশিং য়াম্না য়াম্মী। খুদম ওইনা মণিপুরদা খুন্দারিবা মীওই কাংলুপশিং অসি পুল্লপ্পা নীফুগী মথক্তনি। অদুবু ময়েক লৈরিবা তম্পাক্কী লমদা খুন্দারিবা মৈতৈ হায়না খঙনরীবা কাঙলুপ অমসিখক্তনি। অসিগুম্না ময়েক লৈতবা মালেমদা লৈরিবা জাতিশিং অসিগী পুৱারীশিংদি চিনবুংদা হিংলম্না ঙাক্তনি। অসিগুম্না Oral Narrative না Oral History শাগৎলকপনি। ৱাখল্লোন অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা সেমিনার পেপর অসি কবুইগী চীনবুংদা লীনরিবা ৱারীশিংদগী মখোয়গী Oral History শাগৎনবা হোৎনজবনি।

ফুট নোট :

১) *The Leaque of the Fourth World People : A Short History of the Indigenous Communities of Kangleipak,* Vol. II, Imphal, 233-235.

২) Source : Directorate of Census Office Manipur, Porompat, Imphal.

৩) Gangmumei Kamei. *A History of the Leiliangrong Nagas from Makhel to Rani Gaidinliu.* Spectrum Publication, Guwahati : Delhi, 2004, 10-11 (1st Edition)

৪) K.B.Singh, *An Introduction to Tribal Language and Culture of Manipur (7 tribes).* K. B. Singh, ed. Imphal : Manipur State Kala Akademi, 1976, 34-35.

৫) *Ibid. 36.*

৬) *Ibid. 37-38.*

৭) K.B. Singh, ed. *Op. Cit.*, 1976,31

৮) Gangmumei Kabui. *The Festivals of the Rongmeis of Manipur.* Unpublished Paper.

৯) Gangmumei Kabui. *Ibid.*

মলোম অসি মপুরোইবা লৈখিদ্রবা মতুংদা ফাওবা খক থাদোক্লদে হায়বসি চাইশ্রা মমানা লোন্নবী শন্দ্রেম্বী মমাবু হৈবোং মথক্তগী ময়দা লিন হৈথদুনা হাৎখিবা অসিনা তাকই। মমা মমা নুংশিনদবগী হেন্দোক্তুনা মখোয় মখোয়গী মচাশিং ফাওবা তুংদা য়েংথিনবগী মশক অদুসু ৱারী অসিনা ময়েক শেংনা খঙহল্লি। অসুম্না ফুঙ্গাৱারী অসিনা খুন্নাই অসিগী চৎনবী, থাজনবী, লৈঙাক পথাপনচিংবা খঙহনবদা নত্তনা ফিজেৎ লৈতেংগী, খুৎশু-খুৎলাই, চাকচা য়িথকনচিংবগী মশক কয়া অমসু ৱারীসিদা য়াওরি। শম্না শন্দ্রেম্বী চাইশ্রাগী ৱারীদা নাৎকী ওইবা (culture) শক্লোন কয়া অমা য়াওরি হায়বা য়াই। অসুম্না লমদম অসিদা ফংলিবা মখল মখাগী ফুঙ্গাৱারীশিং অসি কুপ্পা নৈনরবদি খুন্নাই অসিগী নাৎকী মচল কয়ামরু খঙবা ঙমগনি।

অরোইবা পঞ্জনিংবদি, ফুঙ্গাৱারীশিং অসি মশাগী ওইবা তোপ তোপ্পা সংসার অমা লৈজে। অসিগুম্বা অসিদা মীওই কাঙলূপ কাঙলূপশিংগী সমাজদা চৎনরিবা লীচৎ শাজৎ অমসুং খুন্নাইগী ওইবা ৱাখল্লোন কয়াবু ভাবনা শাগৎতুনা চীনবুংদা চৎনবী অমা ওইনা লীনরকখিবনি। মরমসিনা ফুঙ্গাৱারীনা মতম মতমদুগী খুন্নাইদা লৌশিং জ্ঞান পীবগী থৌদাং পাঙথোকপদা নত্তনা খুন্নাই অমবু লীচিং অমগী মখাদা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা থম্নবগী পাম্বৈ ওইনা শীজিন্নরম্বসু য়াই। অসিগুম্বা মীৎয়েংশিং অসি খঙননবা হোৎনবদা ফুঙ্গাৱারীগী সংসার নৈনবসি চঙই। ফুঙ্গাৱারীগী সংসার অসি মী, শা, উচেক অমসুং লেঙলি-পাল্লিবা জীবশিংগী অপুনবা শক্তম্না শাগৎতুনা শেম্বনি। হায়রিবা সংসারসিদা অঙকপা, অকিবা, পূক্লিং তুজুংনিংঙাই ওইবা হারও তয়াম্বা, অমগা অমগা মুক্নব, কল্লক মীহৌবা অসিনচিংবা থিমশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা থৌদোক ৱাথোক কয়ামরুম পাঙথোকই। অসিগুম্বা থৌদোকশিংনা ৱারী অমমম থোরক্লবগী লম্বী ওই। ফুঙ্গাৱারীগী সংসারগী অকক্লবা ঙমখৈ লৈতে। ঙমখৈ হায়ববু মীওইবগী পূক্লিং ৱাখলনা হেক চীংশিনবা ঙল্লিবা মফম অদু ফাওবা ফুঙ্গাৱারীগী সংসারগী ঙমখৈনা কোনশিল্লি হায়বা য়াই। খুন্নাই অসিদা হিংলিবা মীওইবগী সংসারগা ফুঙ্গাৱারীগী টেক্সশিংগা পুন্না চৎমিন্নে। সংসার অনী অসি অমনা অমদগী হেক খোঙ থাংদোকপদা অতোপ্পা অমদা অমুক চঙশিনখিদুনা হন্দোক হঞ্জিন তৌদুনা লৈ। মসি ফুঙ্গাৱারী পূম্নমক্কী মরুওইবা শাজৎ অমনি। অসিগুম্বা ফুঙ্গাৱারীশিং অসি মাগী মাগী ফুরুপকী ওইবা মওদা ভাবনা শাগৎতুনা শেমখিবা মরম্না ফুঙ্গাৱারীদা ফুরুপ ফুরুপকী ওইবা নাৎ (culture) গী মচলশিং য়াওশিন্দুনা লৈরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

153

মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীদা খুন্নাইসিগী নাৎকী ওইবা শক্তম

লোংজম শাখিতোম্বী দেবী

মণিপুরী খুন্নাইদা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা ফোকলোরগী শক্লোন কয়া মীরোল অমদগী মীরোল অমদা চীন্থাং য়ৈনা চীনবুংদা থংথদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা চীনবুংদা থংথদুনা লাক্লিবা ফোকলোরগী মচাকশিংদি -মিথ (Myth), লেজন্দ (Legend) অমসুং ফোকটেল (Folktale) গা লোয়ননা পাউরৌ (Proverb), পাউখোং (Riddle), মন্ত্র-মন্ত্র অমদি ফোকস্পিচনচিংবনি। হায়রিবা ফোকলোরগী শক্লোনশিং অসি চীনবুংদা লৈজরবসু খুন্নাইসিগী থাজনবী কয়াগা ইরোয়ননা চৎনবীদা মীরোল অমদগী অমদা মথং মথং থংথদুনা লাকপা মরম্না মতম মতমদুগী সমাজগী নাৎ (Cultures) কী মশক কয়ামরুম উবা ফংই, তশেংনমক ফোকলোরগী মচাকশিংনা সমাজদুগী ৱাখল লৌশিং অমদি চৎন-লোনচৎকী মশক কয়া মীরোল অমদগী মীরোল অমদা থংথরক্তুনা কলচর অদুবু য়োকখৎপদা চাওরবা থৌদাং লৌই হায়না ইন্টরনেশনেল এনসাইক্লোপেদিয়া ওভ সোসিয়েল সাইন্সেসতা ইরিবা অসিনা ফোকলোর অমসুং কলচর (নাৎ) অনীসি তৎন-থান্নবা য়াদনা শাগোন্নদুনা লৈ হায়বা ময়েক শেংনা তাকই।

ফোকলোরগী মীৎয়েংদা "ফোকটেল" (Folktale) সি চীনবুং সাহিত্যগী মনুং চনবা ভাবনা শাগৎপা ফুরুপ অমগী মীওইশিংনা হৱাও-নুংঙাইনবগীদমক্তা লীনবা ধর্ম্মগা মরী লৈনদবা চীনবুংদা চৎনবী অমা ওইনা মীরোল অমদগী অমদা থংথরক্লিবা খুন্নাইগী শক্তম উৎপা অইবা নৎত্রগা ইদবা ওইনসু লৈবা ৱারীশিংবু খঙহনবদা শীজিন্নৈ। মখলসিগী ৱারীবু মণিপুরদা "ফুঙ্গাৱারী" নৎত্রগা "চাকঙাই ৱারী" হায়বসিগা মান্ননা লৌবা য়াই। ফুঙ্গাৱারী মালেমগী ওইনা মীওই কাঙলূপ কাঙলূপশিংগী ফোকলোরগী পূক্কৈদা খ্বাইদগী মরাং কায়না ফংবা চীনবুং ৱারীগী শক্লোন অমনি ৱারীশিং অসি চীনবুংদা লীনরকপা হায়বসিনা

154

মীওইশিংনা খঙনদে, খঙলবা ফাওবা ৱানা খঙই। করিগুম্বা ৱারীদু হৌদোকখিবা মীশক্তু খঙলবা ফাওবা চৎনবী ওইনা মীয়াম্না লীনখিবা ওইবনা হৌদোকলম্বা মীশক অদু নীংশিংনদনা মীয়ামগী মরল ওইদুনা ৱারী লীনরি। ফুঙ্গাৱারী হায়বসি চীনথাঙদা চৎনবী ওইনা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা কল্পনাদগী শাগৎলগা লীনবা ৱারীশিং অদুনি। অসুন্না লীনরিবা ৱারীশিং অসি মীওইবগী অকোয়বদা লৈরিবা শা, উচেক, চীং, পাৎ, তুরেল অমদি যাদু-মন্ত্রগী ওইবা মশক কয়া য়াওরগা লীনরকই। ফুঙ্গৱারীগী মরুওইবা পান্দমদি অঙক অঙকপা থৌদোক ৱাথোক কয়া য়াওহন্দুনা তারিবশিংবু নুঙাইহনবনি। ফুঙ্গাৱারী হায়বসিমক্তবু তারিবশিংনা লায়না খঙবা ঙম্বা ইচম চম্বা অতোপ্পা জীব পানবশিং নৎত্রগা অর্থ থোক্তবা অমদা হেক্তা পানশিল্লগা লীবা য়াই। ফুঙ্গাৱারীগী মরুওইবা কয়াৎ অমদি চীনথাঙদা মথং মথং মীরোল অমদগী মীরোল অমদা লীনদুনা লাকপা অমদি মতাং মতাংগী ৱারীদুদা হাপতোক হাপচিন তৌবা য়াবা অসিনি। অমরোমদা চীনবুংদা লীনরম্বা ৱারীশিং ইথোক্তুনা লৈখিবা কয়াসু য়াওদবা নত্তে। অইবা ওইনা লৈখিবদুদগী অমুক লীনরকপা ফুঙ্গাৱারী কয়াসু থোক্তবা নত্তে। পৃথিবীগী ওইনা লিনরিবা ফুঙ্গা ৱারী অয়াম্বা ‘থায়না থায়না মমাংঙৈদা ... হায়না হৌরগা নুংঙাইনা পানখি’ হায়না লোইশিন্নে। তোঙান-তোঙানবা লমশিংদা লিনবা ফোকটেলগী তোঙান-তোঙানবা মখল কয়া অমা লৈ। মসিগী মরমদি লম-লমগী সংস্কৃতিগী খেন্নবা মশক কয়ানা ওইরকপনি হায়বা য়াই। ফুঙ্গাৱারীগী মখল খায়দোকপগী মতাংদা ষ্টীথ থোমসননা ইবা ‘The Types of the Folktale’ হায়রিবা লাইরিক অসিদা ফুঙ্গাৱারীবু মখল মঙাখক থোক্লা খায়দোক্লম্মী। মদুদি :- ১) Animal Tales, ২) Ordinary Tales, ৩) Jokes & Anecodes Tales, ৪) Formula Tales and ৫) Unclassified Tales. (The Types of the Folktale, pp 19-20).

ভারতকী মমিং লৈরবা ফোকলোরিষ্ট প্রোফেসর গোস্বামীনসু ফুঙ্গাৱারীশিংবু মখল মঙা থোক্লা খায়দোক্লম্মী মদুদি : ১) এনিমেল টেলস, ২) টেলস ওফ দি সুপর নেচরেল, ৩) জোকস টেলস, ৪) ক্রিকষ্টর টেলস, অমসুং ৫) ক্যুমুলেটিভ টেলস। (Ballads and Tales of Assam pp. 85-114)

মথক্কী ৱাফমশিং অসি য়েংলুরগা মরিং ফুরুপশিংনা লিনরিবা ফুঙ্গাৱারীশিং অসি মখল (কাঙলূপ) মঙা থোক্লা খায়দোকপা য়াই। মদুদি :- ১) শা-উচেক্কী ফুঙ্গাৱারী, ২) যাদু-মন্ত্রগী ফুঙ্গাৱারী, ৩) লৌনম নমথাক্কী ফুঙ্গাৱারী, ৪) ক্যুমুলেটিভ ফুঙ্গাৱারী অমসুং ৫)

155

য়ুমগী লাইবু ঈরাৎপা, লমদম অসিগী মশক কয়া উবা ফংই। ৱারী অসিগী অহৌবদা হনুবা হনুবীনা য়োংশিংনা হায়বা লৌদুনা পান ফুৎলগা লাদা য়োমদুনা থাখিবা অসি ঙল্লিঙৈ মতমগী মণিপুরীশিংগী মবুক-মপাউ ফবা, ইচম-চমজবা, মীবু লান্না খনগন্দবা, মীয়োক-মীচান ফবা মচৎ অদুবু তাকই। মথংদা হনুবা হনুবীনা মখোয়গী ইংখোলদা হৌজবা ফজরবা পানগী মকাশিংবু হেক্তুনা য়ুমগী লাইদা কৎলবা মতুংদা থোঙদুনা চারিবা অসিনা লমদমসিদা লৈরীবা মৈতে হায়বা ফুরুপ অসিগী মীওই খুদিংমক হায়বদি লাইরিক লাইশুগী মঙাল নীংথিনা ফংবদগী হৌরগা লাইরিক লাইশুগী মঙাল ফংদ্রিবা লৌউ-শিংউবনা মপূং ওইবা মীওই ফাওবনা ঙসি ঙসিমকসু পাঙথোক্লরিবা কুম অমগী অহানবা পোখোক মনা-মশিং, হৈ-লৈনচিংবা ইংখোলদা পানববু লাইনিংথৌ সনামহিদা কৎতুনা ঈরাৎ-থৌনি তৌবগী মশক অদুগী ময়েক লারবা খুদমনি। অসুম্না য়ুমগী লাই লাইনিংথৌ সনামহিদা কুম অমগী অনৌ-অপেন কৎলগা চারবদি লাইনিংথৌনা পেনবীদুনা ইমুং অদুদা লৈরিবা মীওইশিং পূন্সি নুংশাংনা তেক্ত কায়দনা নুংঙাই য়াইফনা পাল্লি হায়না খন্নরিবা খুন্নাইসিগী লাইনিংগী চৎনবী অসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী পাঙথোক্তুনা লাক্লে হায়বা মসিনা তাকই। হনুবনা পান ইরোম্বা চারুরবা মতুংদা লেঙমন্দুনা "হনুবী হেন্তোক ! হনুবী হেন্তোক !" হায়দুনা হেন্তোকপু মৈনুংদা হুনজিল্লগা লৌদুনা চাখিবা অমদি লেংবা ফখিবা অসিনা মণিপুরীশিং (মৈতে) না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা হেন্তোক অসি য়াম্না পাম্না চান্নবা মরুওইবা চিঞ্জাক অমা ওইনা লৈরকই তাকপগা লোয়ন-লোয়ননা হেন্তাকপু "ফোক মেদিশিন" অমা ওইনা শীজিন্নরকপগী মশক অদুসু খঙহল্লি। ৱারী অসিদা ৱাগী উৎনিং অমদি লৈবাক্কী খরুংনচিংবদা চিঞ্জাক লীদুনা থম্বগী মশক অমা উবা ফংই। মসিনা খুন্নাই অসিগী ঙল্লিঙৈ মতমগী "মেটরিয়েল কলচর" গী মশক তাকই। নাকল অমরোমদা অমুক মণিপুরীশিংনা শিবগা মরী লৈননা পাঙথোকপা অশিবা মীওই অমবু পোৎলোয়দ্রিঙৈগী মাঙওইননা শুমাংগী খাংঙেনফমদা থাদোক্তুনা থম্লগা লাইনিংগী ওইবা থৌরম লোইরবা মতুংদা পোৎলোইবগী থৌরম পাঙথোকপা, হনুবনা য়োংশিংনা থারম্বা লম্বালবু ইরোন্দুনা চারুবদগী লেংমন্দুনা শাওরদুনা য়োংশিংবু লমন খুম্নবা শিবা শাদুনা লৈরগা হনুবীনা তেংথা নাওইদুনা কপশিন্নবা, মখোলদু তারদুনা য়োংশিংনা হংবা লাকপদা হনুবীনা ইশুশা ! নপু লৈতরে অদুনা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা নখোয় ময়াম্না খাংঙেনফমদা অমুক্তা থাঙদোকপীয়ু হায়খিবা ৱাফমসিনা খঙহল্লি। মসিদা নত্তনা য়ুমশারোল অমসুং য়ুমলৈ-কৈরৈগী মতাংদসু য়ুম অমদা শুমাং মাংগোল, খাংঙেনফম নাইবগী মশক্কা লোয়ননা ইমুং অমগী মনুং লাইনিংথৌ কা, চাকখুম কা, ফমথক, শগাই, খুয়া লুখুমনচিংবা থমদুনা পাল্লম্বগী মশকসু তাক্লি। অসুম্না হনুবা হনুবী পান থাবগী ফুঙ্গাৱারী

> are designed usually to show the cleverness of one animal and the stupidity of another, and their interest usually his in the humour of the seceptions on the absurd predicaments the animals's stupidy lead him into.(Stith Thompson op.cit.p.9)

মত অসিগী মতুংইন্না তাইবং মীগী মগুন চেনবা শা-ঙা, উচেক, তীন-কাঙনাচিংবা জীবশিংনা মপূং ওইনা শরূক য়াবা, লাই-তীলগী নত্তবা অচম্বা ৱারী মখল অদুবু 'এনিমেল টেল' হায়না খঙনগনি। শন্না হায়রবদা শা-উচেক্লচিংবা জীবশিংদা নত্তনা করিগুম্বা তাইবং মী য়াওই হায়দুনা ৱারীদুবু শা-উচেক্কী ফুঙ্গাৱারী কৌরোই হায়বা য়াদে। ৱারীদুদা য়াওরিবা তাইবং মীশিং অদু ৱারীগী মপূং ওইবা পাত্র ওইরিবা শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, ককচেং, তুমিং কাঙনচিংবা জীবশিং অদুগী পুন্সিগী তঙাইফদবা শরূক অমা ওইনা ৱারী লীশাং শীৎপা শক্তম কায়দনবগীদমক লাকই। ফুঙ্গাৱারী মখল অসিবু ষ্টেন্দার্ড ডিক্সনারিনা ইচম চম্না শা-উচেক্লচিংবা জীবশিংনা মরুওইবা পাত্র ওইবা ৱারীগী মশকনি হায়না ৱাহন্থোক পীরি :

> Animal Tale : A story having animals as its principal characters. One of the oldest forms, perhaps the oldest, of the folktale, and found everywhere on the globe at all levels of culture. (Standard Dictionary of Folklore, Mythology and Legend p.61)

শা-উচেক্কী ফুঙ্গাৱারীশিংনা খ্বায়দগী অরিবা ফুঙ্গাৱারীনি হায়না লৌনৈ। প্রকৃতিনা মপূং ওইবা পুন্সি মরেল অমা লেপ্লিঙৈদগী মতমগী সমাজগী মীওইশিংনা ৱারী মখল অসি শেম্বা অমসুং তাবা থোইদোক্না পাম্নরম্বা য়াই হায়না লৌনৈ।

শা-উচেক্কী ফুঙ্গাৱারীশিংদা য়াওরিবা শা, উচেক্লচিংবা চরিত্রশিং অসি মহৌশানা অকক্লবা শক্তম অমমমগী ওই। ফোক গ্রুপ অমগী মনুংদা অকক্লবা জীব অমগী অয়াম্বা মতমদা অকক্লবা শক্তম অমমম লৈগনি। খূদম ওইনা, লমহূইগী অশিংবা শক্তম, কৈগী অপঙবা মতৌ অসিনচিংবা। পৃথিবীগী ওইনা 'এনিমেল টেলশিং' গী য়ূম্ফমদা শাগৎপা শা উচেক্লচিংবা জীবশিংগী তোঙান তোঙানবা মশাগী শক্তম খরদি :

ককচেং : লৌশিং শিংবা, চাদিং চাং নাইবা, অৱাৎ অপা নাইদবা।

খোই : নো নোম্বা কনবা, মনীং তম্বা।

কাও : মপাঙ্গল কনবা, চুমদ্রিং চৎপা, শাউগনবা, তমথিবা।

অমা লৈরম্বা অসিগী মশক ফুঙ্গাৱারী অসিদা উবা ফংই। ৱারী অসিদা শন্দ্রেম্বী মমানা থেঙ্গু ওন্দুনা হৈবোং মখাগী ঈশিং মনুংদা লৈরবা মতম শন্দ্রেম্বীগী মমঙদা লাক্তুনা নুমিৎ থোক্ত্রিঙৈদা কনাসু খঙহন উহন্দনা লোঙ খোন্দুনা ফারগা নুমিৎ তরেৎনি চুপ্পা ইশাইফু মনুংদা থম্মু তাইবং মী ওন্দুনা নচিন-নৌপ্পাবু কোনবা ঙম্বরা য়েংগে হায়রম্বগী মতুংইন্না শন্দ্রেম্বীনা হৈবোঙ মখাগী পাৎ তম্না চৎলগা ঈশিং মনুদগী লোঙ খোন্দুনা থেঙ্গুবু ফারুরিবা অসি মঙগী ৱাবু থাজবদগীনি। ৱারী অসিগী মখা চত্থরকপদা ফৎত্রবী চাইশ্রা মমা চানা ফুৎহন্দুনা চাথোক্লবা থেঙ্গুগী শরু-ঙারুবু লা লাতোন অমদা য়োমশিন্দুনা ফুঙ্গা লাইরুদা নুমিৎ মঙানি থম্মু হায়না মমঙদা হায়রম্বগী মতুংইন্না শন্দ্রেম্বীনা থেঙ্গুগী শরু-ঙারুশিং ফুঙ্গা লাইরুদা ফুমখিবা, নুমিৎ শুদ্রিঙৈদা খঙনিংমন্দুনা হোগায়রুবদগী লমখুনু ওন্দুনা পাইখিবা অসুম্না তৌরু তৌরুবা খুদিং অচুম্বা ওইখিবা পূম্নমক অসিনা লমদম অসিগী মীওইশিংনা মঙতাকপু চেৎনা থাজনৈ হায়বগী ময়েক লারবা খুদমনি। খুন্নাই অসিগী মীওইশিংনা "লমখুনু" হায়রিবা উচেক অসি তইবং মীওইবদগী ওনখিবা উচেকনি থাজনবগা লোয়ননা উচেকঅসিনা য়ুমগী য়াংলেন্দা তোঙদুনা খোঙলবদি চে থোইদিং অমদি ঈশিংনচিংবা শুমাংদা থাদোকপগী চৎনবী অমা পাঙথোক্লরিবা অসিগী মমি মশক অমা ওইনা ৱারী অসিদসু নিংথৌনা শন্দ্রেম্বীগী থৱায়না ওনখিবা লমখুনুবু চেঙ-থোইদিং পীজখি। অসুম্না ফুঙ্গাৱারী অসিদা জাতি অসিগী লু-তোংদা পক্তুনা লৈরিবা চৎনবী থাজনবী কয়াগী মমি নিংথিনা তারি।

অমুকসু ৱারী অসিদা মতম অদুগী লৈঙাক পথাপকী মশক ওইনা লৈবাক নিংথৌনা নুংশিজনা নীংজরিবা শন্দ্রেম্বীবু পাঙল শক্তিকলোইগী ময়ুমদা লৈবা থেংনরবা অমদি অচুম্বা ৱারী ৱাখোঙ পূম্নমক খঙদুনা কোনুংদা লৈরিবা শন্দ্রেম্বী অদু অশেংবা শন্দ্রেম্বী নত্তে ফত্তবী চাইশ্রানি হায়বা খঙলবা ফাওবা লৈবাক নিংথৌ অমা ওইনা পীনিংবা চৈরাক পীবা ঙম্বগী শক্তি শীজিন্নবগী মহুত্তা লাইগী ৱায়েন তৌদুনা লৈবাক মীয়াম মমাঙদা অপাম্বা থাং অমমম খলহন্দুনা য়ানহনবা মদুদা অঙম্বা অদুনা অশেংবা শন্দ্রেম্বী ওইগনি হায়দুনা বীচার তৌবা অমদি অচুম্বনা মায় পাকখিবা অসিনা খুন্নাই অসিগী মীওইশিংনা লাইগী ৱায়েনবু চেৎনা থাজবগী মশক অদু তাকপগা লোয়ননা লৈবাক নিংথৌনা ৱায়েনবা মতমদা মীচঙ মীখায় নাইদনা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা থমদুনা ৱায়েন থৌদারম্বা অমদি লৈবাক ঙাক্লম্বগী মশক অদু তাক্লি।

অমরোমদা অমুক ঙল্লিঙৈ মতমদগী খুন্নাই অসিদা নুপানা নুপী অমদগী হেন্না থিদুনা নুপী লোনবী চৎনবী ফুঙ্গাৱারীসিদা ময়েক শেংনা উবগা লোয়ননা য়ুম্বাল পূন্সিদা লোন্নবা নুপীশিং নুংশিনদবগী মলোম অদুসু ৱারীসিদা য়াওরি। মখোয় মশেল নুংশিনদবগী

'সাইসম তেচা' (উচেক অমগী মমিং) হায়বা ফুঙ্গাৱারী অসিদনা অশোনবা জীব ওইজরবসু লৌশিং শিংবা ওইবনা অকনবা জীবদগী মশাবু করম্না ঙাকথোক কল্হোকচখিবগে হায়বগী পাউতাক পীবা 'ফেবল' ৱারী মনুং চল্লি।

শা-উচেক্কী ফুঙ্গাৱারীশিংদা মান্ন-মান্নবা চরিত্র কয়া য়াওই। হায়রিবা ফুঙ্গাৱারীশিং অসিদা শা মশেল মখল (কাঙলুপ) তরেৎ থোক্লা খায়দোক্তুনা থম্মী। মদুদি : ১) মী অমসুং শাগী ওইবা ৱারীশিং, ২) অতে অতে জীবশিংগী ওইবা ৱারীশিং, ৩) লম্লক্কী শাগী ওইবা ৱারীশিং, ৪) উচেক্কী ওইবা ৱারীশিং, ৫) য়ুমশাগী ওইবা ৱারীশিং, ৬) ঙাগী ওইবা ৱারীশিং অমসুং ৭) লম্লক্কী শা অমসুং য়ুমশাগী ওইবা ৱারীশিং।

মথক্কী শা উচেক্কী ফুঙ্গাৱারী মখল তরেৎ থোক্লা খায়দোক্লিবা ৱারীশিং অসি মরিংশিংনা লীনবা শা-উচেক্কী ফুঙ্গাৱারীশিংদসু মরাং কায়না ফংই। অদুবু মতাং অসিদা ৱারীশিং অসি লীনবগী খুদোংচাদবনা হাপচদ্রে।

১) মী অমসুং শাগী ওইবা ৱারী :

হনুবা হনুবী পান থাবগী ৱারী (পাতরাৱলী নুতরৱী বাল্লীং) দা মীগা য়োংগগী মপূং ওইবা ৱারীনি।

২) অতে অতে জীবশিংগী ওইবা ৱারী :

জীব মঙানা লৌ পেংবগী খুলং হৌনবা (পূং ফাংঙল্লে লৌতুন য়িংলেম) ৱারীসিদা খুলং হৌনরিবা জীবশিং অসি তোঙান-তোঙানবা জীব ঙাক্তনি। মদুদি-হঙোই, শেম্বাং, লৈকংথরোই, থাঙ্গোনলেনবী অমসুং খজিংনি।

৩) লম্লক্কী শাগী ওইবা ৱারী :

য়োংগা তন্দনগগী লমজেন (য়ংলৈ দুমদেয়ৈ লেমচেল)

৪) উচেক্কী ওইবা ৱারী :

সাইসম তেচা (উচেক অপীকপা অমগী মমিং)

৫) য়ুমশাগী ওইবা ৱারী :

লহানলুৱা য়ুমদা লোইবা শা মখল অমগী ৱারীনি।

৬। ঙাগী ওইবা ৱারী :

ৱারী মখল অসিদি তাঙনা থোকই। শা উচেক্কী ৱারীদা ঙাগী ৱারী অসি অয়াম্বা মতমদা খরা তাঙনা থোকই। ঙাগী ৱারী অসি যাদু মন্ত্রগী ফুঙ্গাৱারীগী (মেজিক টেল) মখল

159

মরিং ফুরুপ্না লিনরীবা ফুঙ্গা ৱারীশিংদা শা উচেক্কী মফম

ক্ষেত্রিময়ুম রামেশোর সিংহ
ককচিং

মণিপুরগী চীংগী লমদা খুন্দাদুনা লৈরিবা চীংমী কাংলুপশিংগী মনুংদা মরিং হায়বা চীংমী ফুরুপ অসিসু অমনি। ফুরুপ অসিগী য়েলহৌঙৈদগী হৌনা শাগোন্নদুনা লৈরক্লবা ওরেল লিত্রেচরগী মরুওইবা মচাকশিংগী মনুংদা "ফোকটেল" হায়বদি ফুঙ্গা ৱারী (বোংঙৈ ৱারী) হায়বা অসিসু অমনি। মরিং জাতিনা লীনরীবা ফুঙ্গাৱারীশিংগী মনুংদা শা-উচেক্কী ৱারী মখল অসিসু অমনি। হায়রিবা ৱারী মখল অসি নৈনদ্রিঙৈদা ফুঙ্গা ৱারী হায়বসি করিনো করম্না মখলগী ৱারীবু ফুঙ্গাৱারী কৌগদগে হায়বদু শম্না থমজরি। মণিপুরীদা ফুঙ্গাৱারী হায়না খঙনবা ৱাহৈ অসি ইংগ্রেজীদা 'ফোকটেল' হায়না খঙনবা য়াই। মরিং লোনদ 'বোংঙৈ ৱারী' হায়রগা ফুঙ্গাৱারীবু খঙনৈ। অমরোমদা ফুঙ্গাৱারীবু চাকঙাই ৱারী হায়নবসু য়াওই। ফুঙ্গাৱারী করম্না হৌরকখি হায়বগী মতাংদা পৃথিবীদা ফাওরবা ষ্টীথ থোমসননা অসুম্না মত পী :

> Although the term 'Folktale' is often used in English to refer to the 'household tale' or 'fairy tale' (the German Marchen) such as 'cindrella' or 'snow white', it is also legitimately employed in a much broader sense to include all forms of prose narrative, in written or oral, which have come to be handed down through the years. (The Folktale p.4)

ফুঙ্গাৱারী হায়বা অসি চীনবুংদা নৎত্রগা অইবা ওইরবসু চহী কয়া চুপ্পা চৎনবী ওইনা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা থৎথদুনা। লীনদুনা লাক্লবা ৱারেংগী ওইবা ৱারী মখল অমনি। অসিগুম্বা ৱারী অসি কনানা করম্বা মতমদা হৌদোক্লম্বগে হায়বদু অয়াম্বা

মতমদা ৱানা শূরু-নোম্লুরগা নুমদিাংদা ফুঙ্গাদা মৈ য়াইদুনা অৱা পোত্থাই। পোত্থাবা মতমদা মওল মওলগী ৱাখল খল্লকই অমসুং মীওইবগী লমচৎ শাজৎ ৱাঙাঙ শাঙাঙ পূক্লিংগী মতিক মগুণ কয়াগী মরমদা খল্লকই। ফত্তবা মীওই অমা ওইবা হায়বসিদি য়াম্না লায় অদুগা অফবা সমাজগী মচং ওইবা মীশক অমা পুথোকপা হায়বসিদি য়াম্না লুই। মরম অদুনা হৌগৎলক্লিবা নৌরিবা অঙাংশিংবু অফবরোমদা লাক্লবা শেমগৎ শাগৎপা হায়বসিগী ৱাখল্লোন্দা অহলশিংনা মোরেল য়াওবা ৱারী কয়া য়াওদবা ৱারী কয়া অৱা পোত্থাবা মতমদা অহলশিংনা মচা মশুশিংদা লীবি। নুমিদাংগী মতমদা তূমনীংলক্লবা অঙাংশিংবু চাক ঙাইহন্নবগীদমক্তা মথক থোংবা মপু মবেলশিংনা ফুঙ্গাৱারী লীবিদুনা তুমহন্দনা লৈহল্লি। ফুঙ্গাৱারীশিংগী মনুংদা মরিংগী অঙাংশিংনা শা উচেক্কী ৱারীশিংবু থোইদোক হেন্দোক্লা পাম্লে। মরম অদুনা মরিংগী ফুঙ্গাৱারীশিংদা শা উচেক্কী ৱারী মরাং কায় অমদি জাতিসিগী ওইবা মমি য়াম্না ফজনা তাই। মরম অদুনা মরিংগী ফুঙ্গাৱারীনা ঙসি ফাওবা জাতিসিগী মরক্তা লেঙদবা মফম অমা কন্দুনা লৈরক্লি।

মতেং লৌখিবা :-

1. Leach, Maria and Jerom Fried. (Eds) *'Standard Dictionary of Folklore, Maythologyand Legend.'* New York Funk and Wagnalls Co. (First Harper & Row paperback edition published in 1984)
2. Thompson, Stith, *'The Folktale.'* New York Dryden Press 1951
3. Goswami P. *'Ballads and Tales of Assam.'* Guwahat University Press 1972
4. Droson Rechard M. (ed) *'Folklore and Folklife : An introduction.'* Chicago University of Chicago, Press 1972

১) দি. কে. অংশিন মরিং, *ফুনান শম্বুম* চান্দেল দিষ্ট্রিক।
২) এল. মোসিল দাংসৱা মরিং, *ফুংথিল পল্লেল*। (দাংসৱা সলাইগী সেক্রেটরি)
৩) এম. মোসিল কানসৌৱা মরিং, *ফুংথিল পল্লেল*। (মরিং য়েক সলাই অপুনবগী চিয়ারমেন্ট) চান্দেল দিষ্ট্রিক।
৪) দি.পি. তোনৈ মরিং, *ফুনচোং খুন*। (খুনগী ৱুম্যান চিয়ারমেন্ট) চান্দেল দিষ্ট্রিক।
৫) দি.কে. মোথিল (জোহন) মরিং, *ফুনচোং খুন*।(খুনগী খুল্লাকপা) চান্দেল দিষ্ট্রিক।
৬) এম. কোদার মরিং, *টুইসমী পাল্লেল*, চান্দেল দিষ্ট্রিক।

পাউরৌ-পাউতাক্কী ফুঙ্গাৱারী অসিনচিংবা। হায়রিবা ফুঙ্গাৱারী মঙা অসিমক মতাংসিদা মীৎয়েং থমজবদ খুদোংচাদবা পাকমনা চাউমনখিবনা শা-উচেক্কী ফুঙ্গাৱারী হায়বসিদা মীৎয়েং থমজরি।

শা-উচেক্কী ফুঙ্গাৱারীগী মরুওইবা চরিত্রশিং অসি শা উচেকনচিংবনা ওইগল্লি। ৱারী মখল অসিদা মীগী চরিত্র য়াওবসু য়াই। শা উচেক্কী ফুঙ্গাৱারীদা য়াওরিবা শা উচেকশিং অদু মীওইবগী সংসারগা মান্নবদা নত্তনা মখোয়দা (শা-উচেকশিং) মীওইবগী মগুণ লৈহল্লি। অসিগুম্বা মখলগী ৱারীশিং অঙকপা, নোকনীংবা, হৈশিংবা, অপঙবা, নমথাক তৌবা, অমবু নমথাক তৌনবা হোৎনবা মদুদা ময়া পাকখিবা নৎত্রগা মহাক্লা তৌজরুরিবা মশাগী লাংদা থুজখিদুনা অৱাবা তাখিবা অসিনচিংবা কয়া অসিদা থিম অমসুং কন্টেন্ট য়াওই। অসিগুম্বা ৱারীশিংগী মখলদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অমগা অমগা ইরায় লায়না মরী লৈনহল্লি। মসিগী মতাংদা রিছার্স এম. দরসননা অসুম্না হায় :

> The animal tale is, as a rule a short narrative that contains the adventures of the animal that is its principal character. While almost all the actors are animals, they act as human beings and their world is analogous to the human world. The styles and structure of the plots are a simple parallelism of thesis and antithesis ; a smart or as stupid trickster tries to cheat another animal and succeed or is caught in his own trap. (Folklore and Folklife : An Introduction p.68)

মত অসিগী মতুংইন্না শা-উচেক্কী ফুঙ্গৱারীশিদা শা উচেকশিংনা মরুওইবা পাত্র-পাত্রী ওই। শা-উচেক্কী ফুঙ্গাৱারীশিং অসি অয়াম্বনা তেনগল্লি। ফোকটেলগী মরমদা মালেমগী থোইদোক্লা হেন্দোক্লা খঙ-হৈরবনি হায়না লৌনরিবা ষ্টীথ থোমসননসু শা-উচেক্কী ফুঙ্গাৱারীগী মরমদা অসুম্না মত পীরম্মী :

> Animal plays a large role in all popular tales. They appear in myth, especially those primitive peoples where the culture hero often has animals forms though he may be conceived of as acting and thinking like a man or ever, on occosions, of having human shape. The tendency toward ascribing human qualities also appears when the tale is clearly not in the mythical cycle. It is such non-mythological stories that we designate by the simple term animal tales. They

163

হৌদোং : লৌনম চাউবা, মশাগীতা য়েংবা।

য়েনবা: মমিৎ মনা শিংবা, লমকেৎ লমহাইবা।

ষনবী : পঙবা মানবা, নুপী মানবা, ঈংবা-তপ্পা

হূই : মপু নীংবা।

শামু : হৈ-শিংবা, ৱাখল লৈবা নীংশিংবা কনবা।

লমহূই: তাৎ হৈবা, লৌশিং শিংবা।

হঙোই : থৌজনবা কনবা, থবক লেপ্তুবা, লম হেনবা।

থেবা : কিগনবা, লৌশিং শিংবা

নোংশা : পূকচেল চাউবা, থৌনা লৈবা, ঙাক শেনবা কনবা

উচি : কিগনবা

তেনৱা : মীতৌ তমদুনা ৱায়াম শূবা

ওক : মঙক কনবা, মোৎপা হৈনবা, থাজবা মাঙহনবা।

কৈ : তমথীবা, অপঙবা

থেঙ্গু : মপূকচেল শেংবা, পঙবা মানবা, হনবা লৈতবা অসিনচিংবা।

শা-উচেক্কী ফুঙ্গাৱারীশিং অসি অয়াম্বা মতমদা নুঙাইবা অমসুং কান্নবা অনীমক্কী অপূনবা মিৎয়েংদা লীনৈ। ৱারী তারিবা অঙাংশিংনা মখোয়গী সংসারদা অঙকপা, নুঙাইবা অমসুং নুংশিবগা লোয়ননা পামজবা শা, ঙা, উচেক, তীননচিংবা জীবশিংগী মরমদা লীবা ৱারীবু মহৌশা ওইনা খোয়দাজে। জীবশিং অসিগী ৱারীনা মখোয়গী পূক্লিং ৱাখল অনীবু থোইদোক্লা চিংশিল্লি অমসুং মখোয়গী থম্মোইদা হেন্না ময়েক লানা মমি তাহল্লি। মরম অসিনা ৱারী লীবিরিবা অহলশিংনা অয়াম্বা মতমদা ৱারী মখল অসিনা নুঙাইবা পোকহনবতা নত্তনা লৌশিং অমসুং অফবা পাউতাক পীবনি। মওংসিদা ফুঙ্গাৱারী মখলসিনা মরুওইবা মশক অনী লৌই, মদুদি - ১) মরম থিবা অমসুং ২) পাউতাক পীবনি। করিগুম্বা জীব অমগী অখন্নবা শক্তম ওইখিবগী অহানবা মরম তাকপা লৌশিং পোকহনবা ৱারী মশক 'ইটিওলোজিকেল টেল' হায়না খঙনৈ। অদুগা শা-উচেক্লচিংবা জীবশিংগী থৌদোকশিংনা পাউতাক পীবা ৱারী মশক অদুবু 'ফেবল' হায়না খঙনৈ। মরিংগী ফুঙ্গাৱারীদা হঙোই বোরৌবীনা করি মরমদগী ফুরি থাংখিবনো হায়বগী ৱারী 'ইটিওলোজিকেল টেল' অমনি।

ওইনা তৌই। অদুম ওইনমক মেজিক টেল মনুংদা চঞ্জরবসু ৱারী খরদি শা-উচেক্কী ফুঙ্গা ৱারীগী মনুংদা চনবসু য়াই।

৭। লম্লক্কী শা অমদি য়ুমশাগী ওইবা ৱারী :

শাজী মচাগী ৱারী (রাচাও মরাই) অসিনচিংবা পানবা য়াই।

মরিংগী ফুঙ্গাৱারীশিং অয়াম্বা নুঙাইনা পানখি হায়না লোইশিনদবা কয়া অমা য়াওদবা নত্তে। মসিমক্লা মরিংগী ফুঙ্গাৱারীগী তোপ-তোপ্পা মশক অমা ওইহল্লি। মরিংগী ফুঙ্গাৱারীশিং অসি অহল-লমন, মপু মবেল অমদি মপা মমাশিংনা অঙাং-নুবীশিংদা নুমিদংৱাইগী মতমদা অয়াম্বা লীনৈ। করিগুম্বা অঙাংশিংনা নিংঙাই তৌদুনা কপ্পা মতমদা লীবিবসু য়াওই।

মরিংগী ফুঙ্গাৱারীনা সমাজ অসিদা তোঙান-তোঙানবা মথৌ কয়া অমা পাঙথোকই। মসিগুম্বা ফুঙ্গা ৱারীশিংসিনা তারিবা মীওইশিংদা লৌশিং, জ্ঞান কয়া পী। ৱারীশিং অসিনা মরিং সমাজগী মাঙলমচৎতা লৈরম্বা অমদি ঙসি ফাওবদা লৈরিবা সমাজসিগী মশক কয়া অমসু খঙহল্লি। ফুঙ্গাৱারীনা জাতি অসিগী নুং-পাল অনীগী পুন্সি অমসুং ৱাখল্লোনগী মমি তাই। মসিনা জাতি অসিগী মশক খরমখৈদ্রি খঙহনবা ঙম্মী। অমরোমদা মরিং কাঙবুনা লীনরিবা শা উচেক্কী ফুঙ্গাৱারীনা মরিংগী অঙাংশিংদা পাউতাক অমদি লৌশিং পীবতা নত্তনা থৌনাফবা, খাঙবা-কনবা, পূকচেল চাউবা অসিনচিংবা মখল কয়াগী মশাগী ওইবা গুণ কয়াবু তাকই। পীক্লিঙৈদগী তিন্নরক্লবা মরূপ অমসুং অৱাবা তারবা মতমদসু শরূক য়ামিন্নদুনা ৱারে ৱামিন্না, নুঙাইরে নুঙাইমিন্নদুনা লৈমিন্নবগী নুংশি চান্নবা মতৌ অদু শা উচেক্কী ৱারীদা উবা ফংই। মসিনা ৱারী তারিবা অঙাংশিংদা মরূপ মপাং নুংশিননা অমনা অমগী মতেং পাংমিন্নদুনা অৱা নুঙাইগী শরূক য়ামিননবগী মশাগী ওইবা অফবা গুণ পোকহনবা ঙম্মী। মসিদসু নত্তনা মীওইবা সমাজগী চৎনবী কয়াবু শা উচেকশিংদা পানশিন্দুনা পাউতাক অমা পীনবা ওইনা পুথোকপনি।

হৌজিক্কী মতমদা বিজ্ঞানগী চাওখৎ খোঙথাংনা মরিং সমাজগী ফিভমদা অহোংবা কয়া লাক্লবা ফাওবা মরিংগী ফুঙ্গাৱারীগী মনুং চল্লিবা শা উচেক্কী ফুঙ্গাৱারীশিংনা ঙসি ফাওবদা খায়নগী লৈরম্বা পুন্সি মওং অমদি সংস্কৃতিনচিংবগী মচাক কয়াবুসু ফোঙদোকই। মরিংশিং সি মমাঙঙৈদগী হৌনা মখূৎ মশা হৈবা ফুরুপনি। মরম অদুনা মখোয়না অয়ুক নুংথিলগী





Cultural Research Centre Manipur
Kha Naorem Leikai, Canchipur
Imphal - 795003

Rs. 200/-

ISBN 978-93-83201-25-9

9 789383 201259